गुणशिरी [illegible]

([illegible])

[illegible]



পুনশিগী শক্তম

(লায়োল ভাঁগী)

অশাংবম শ্রীমীনকেতন সিংহ

খ্রীষ্টাব্দ ১৯৮৫

ফোঙবা—অইবা মশা।

খুৎনম—ইহান হানবা।

কুমজা—খ্রীষ্টাব্দ ১৯৮৩।



নম্বা —মেসার্স আর বি প্রিন্টিং হাউস,
নাগ মপাল, ইম্ফাল,
পিন নং-৭৯৫০০১ (মণিপুর)

কোপি মশীং—৬০০ (চাক্রক)।

মমল— লুপা ৩০ (কুন্থ্রা)

স্বত্ব — অইবা মশাগী।

ফংতম
শ্রীমীনকেতন সিংহ
উরিপোক, পঞ্চায়-মনীং,
ইম্ফাল-৭৯৫০০১ (মণিপুর)

ঋণস্বীকৃতিঃ

লাইব্রেরি কোওবদা এডুকেসন ডিপার্টমেন্টনা পব্লিকেসন গ্রান্টতগী থুপা লিশীং অমী পীনবিদুনা কোওবগী লম্বী লৈখিখিবগীদমক ওসি গ্রন্থকর্তানা ডিপার্টমেন্টগী কর্তৃপক্ষশিংদা ধন্যবাদগা লোয়ননা ঋণস্বীকার তৌজরি। পুনশিগী শক্তম অহানবা, অনীশুবা—অনীমক্তা তেংবাঙ পীনদুনা প্রকাশনগী লম্বী লৈখিবগুম ভগবদ্কৃপাদগী থোর্কেনা লোকজনার্দনগী মশক ওইবা ইরৈবাক ইন্দ্রাজিতগী মফমদা তমজবা অনদান খুদিং অকিঞ্চন ওইরে ওইনা চানবিবা দিংঙৈংনা য়েংবিগনি, হেন্না ঋণী ওইহনবিগনি হায়না আশা তৌজে। ইতি

মীনকেতন

২৪ ডিসেম্বর ১৯৮৩

(পোয়ন্ত কুমি পানবা থাওজ—শকাব্দ ১৯০৫)


নিবেদনম্

লাইরিক্লিদা অহল-ওইরবা মিৎলমদগী নাম্থোকখিবা অশোয়বা কয়া য়াওদবা নত্তে, অহুবু, মতম্না তাঙ্গা ফংদবগা, অময়োমদনা, অশোয়বশিংফুনা পণ্থী থীনা কায়বা ওইনা তোদবা, অপাবনা হেক্সক থঙ্গদবা ওইনা তোবগা অচুম-অয়ালগী পরিশিষ্ট হাপচল্লে—পাঠকশিংনা ত্রুটি মার্জ্জনা তৌবিগনি। ইতি

মীনকেতন

২৪ ডিসেম্বর ১৯৮৩

(পোয়মু কুম্নি পানবা থাঙজা—শকাব্দ ১৯০৫)



শ্রীমীনকেতন সিংহ

উৎসর্গম্

পূজ্যপাদা

৺রাজকুমারী সনাজাউবী দেবীগী

তুংশিবা স্মৃতিদা

কৎলি ওসি, পুনশিগী লোইরমদাই,

কল্প অসিমগী শঙ্কা,

ভক্তিগী অর্ঘ্য

মশা কোকডাংগী "পুনশিগী শক্তম (নারোল অনী)।

চৎলসন্থ শাংনা মরী,

য়োৎসন্থ ভগবদ্ চরণ

তোল্লবগী ভক্তি-লতিকা।

মীনকেতন

২৪ ডিসেম্বর ১৯৮৩

(পোয়ন্থ কুম্নিপানবা থাঙজ—শকাব্দ ১৯০৫)

সূচী

পুনশিগী শক্তম

মায়োম অমী

অহানবা মতাং

ঐখোই মতমগী সমাজ

ঐখোই মতমগী সমাজপা হৌজিক মতমগীগা অনীসি ফনা থীনা খেন্নে। বাখল্লা, ফিদমদা, মিংয়েংদা, পান্দমদা, পুনশিগী অর্থ মরোদা লোইনা অদুম তৈনৈ। ঐখোই মতমগীনা হিংবা নত্তে থোইনা হৌজিক হৌজিক্কীদমক, হিংবনি অা তুংগী ; পানবা নত্তে থোইনা হন্দক্কীদমক, পানবনি হয়েংমুক্তী। হৌজিক মতমগীনা হিংবনি হৌজিক হৌজিক্কীদমক, চিংবা নত্তে থোইনা অা তুংগী ; পানবনি হন্দক্কীদমক, পানবা নত্তে থোইনা হয়েংমুক্তী। তৈনৈ, অতুদা, লোইনা শিক্ষা দীক্ষাগী মওং। ঐখোয় মীওইবগীদি, ঐখোয় ঐখোয়না পোক্নবা, ঐখোয় ঐখোয়বু কোনবা সমাজনা ঐখোয় ঐখোয়গী পুনশিগী শক্তম লাকপনি, সেপনি। মতম মতম্দা মচু অতৈক থাবা, মচু অতৈক লোকপদনি। মপাস্থোংদা ওনবগুম অতৈক মউবা, মনুংদদি শক থিংলুবা তৌদবা ওাক্লি। ঐখোয় মীওইবগী পোকফম শাংফম হাম্নবসি য়াম্না লুই। অতুনা, ওসি ঐনা ইশাগী পুনশিগী শক্তম অমত্তং য়েক্লমগে, মপাউ থরদং তম্লমগে নীংলুবনা য়েক্লি কাবক হায়া ঐনা পোক্নবা, ঐবু কোল্লকপা সমাজগী শক্তম মতেক অমা লৈম্লিনা লাকপা, থম্লি পট-ভূমিদা মশাগা কোন্নবা জাতিগী ইতিহাসগী পন্দুপ থম মতম্দা মশাগী লাকোন্দা লাচনখিবা।

খ্রীষ্টগী মরাগা মঙাশুবা শতাব্দী ভারতকী ধর্ম্মগী ইতিহাসদা বৈষ্ণবমুপ হায়না খঙনৈ। যুগসিদা কুইনা শিথরুরবা বিষ্ণু, বিষ্ণুগী মশক্লি খঙনবা,

বিষ্ণুগী অবতারনি লৌনবা লাইশিং নীংবগী ঈহৌ অমা নোংহৌনা লাকখি। নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী ঈহৌ কৌনৈ। ঈহৌ অসি ঈচাউগী অচৌবা মশক অমা লৌখি। ঈচাউ অসিনা ভারত লৈকোয় থুংনা ঈরায়খি। ঐখোয়গী চীংগী পল্লোম্ন্ংদা তুমিন চিপক ভাঙ্গবী সনাপুঙসিদসু পঙথীন থীনবা ভোদনা য়োরকখি। য়োরকপা ময়োদবু অমম্বা মওং অমদনি। ঈহৌনা অসুম হেক্ত ঈরায়রবসু নত্তে, ঈখৈ অমা লাকপসু ভোদে, ঈরম অমা কাংলুবসু লৈত্তে। ঈহৌসিগী রাংমদা, অা তাম্বা লৈবা, ধর্ম্মসিগী মনম থোইনা চঙদবা মরুপ অমনা ঈহৌসিগী ঈনিল ইত্তা তাদবা, ধর্ম্মসিগী মনম কৌবা ফংদবা মরুপ অমদা প্রেমগী থৃদোল ভম্লকপা পোৎলম অমনা লাই চঙহনা ইথা থাজদনা ধর্ম্মসি পুরকখিবনি, নত্তে, হৌদোকখিবনি। খঙদে মতম্বা ঐখোই কংলৈ সনাপুং অসিগী নোংচুপ থোঙ লাওনা হাং, নব্যবৈষ্ণব ধর্ম্মগী ঈরম লৌ, জাতিগী নীংথিবা কৃষ্টিগী মচু ফজনা লোক, জগত্তা পুথোক্লগে নীং শীনবরা।

যুগসিদনি মৈদিঙ্গু ক্যাম্বনা কংলৈ সনাপুংদা পাম্বা। পোং নিংথৌ চৌফা খেখোম্বা মৈদিঙ্গুসিগী নিংথৌপনগী মরুপ্পি। শা লান লোইনা ভেং-বাঙনৈ। লাইভিম্ররুবরা খঙদে, নিংথৌ অনীসি নিংথৌপন লাম্না মীগী পন য়োনা চাম্নৈ, হায়নবা পুম্বা য়ানৈ, অমনা হায়রগা হেক্ত লোইনৈ। চৌফানা মৈদিঙ্গুদগী চহী কুম্নি হল্লিবা—অমনা নীফুগা ভরেৎ, অমনা কুনগা ভরেৎ। অত্তুনা মপাম্মচাদৌনা চৎনৈ, পুনৈ, নুংশিনৈ। মিত্র, সুহৃৎ, বন্ধু—মরুপ্‌ অহুমগী প্রেম পূনবনি নিংথৌ অনীসিদা। ফজবা, নাংথিবা, অরুবা, অহেনবা পোৎলম অমত্তং লৈবদা ভম্নৈ হেক্ত থৃদোল। অমুক্তি, পোং নিংথৌনা সনাগী কাগোক অমগা সনাগী বিষ্ণুমূর্ত্তি মচা য়াম্না পিকপা অমগা ভম্লকই। পোৎনগা লৃর্রে, নুংশিবা মীশক অমনগা পীরক্লে, নিংথৌনা পোৎলম অনী অসি ইথা পাম্বিদে, অয়ুক-নুংথিল-নুমিদাং মশাগা ইকোন্দ কোম্নখি।

সনাগী কাগোক অসি হৌজিক্তি লৈত্রে, মাঙ্খ্রে। মাঙ্খিবসি মশা য়াও-থ্রবনি। অত্তুনা, মতাংসিদা খিত্তং পল্লপ্পনা চুম্ব্রা থল্লুই। কাগোক অসি লাক্কপদগী হৌনা পোংনিংথৌ কাগোক হায়না নিংথৌগী সম্পোৎ মঙীং চাউনা চনখি। নিংথৌরোন মথং মথং লাকপনা খোংজোম লানগী কাংখোংলা

মাঁত্তি। চান্নবা মাঙ্খিবমক্তি নংঙমদরে, থুপচিন্নবা ওইরম্লে। ঐখোয়না জ্ঞান কাবক ভারকপা মতম অদুবাইদা সনা ঈচীঙ অমনা দোকান অচৌবা অমদা বন্ধক থম্মি। মনিঙ ফুদোরক নিংথোপন্না মাখি। অদুবু মৎপ্রপনি কিরুবনন্না নত্রে মশা মশা শোক্রদনদুম খল্লুবনরা, অনৌ মান্নদুনা মনুং গা লোইশিনখিবনা ছান অদুম কান্নখিদ্রে। মাঙ্খি অমুম পোং নিংথৌ কাপোক জাতিগী ইতিহাসগী পাম্মুরবা, মমল য়াম্নবা, লেমজনিঙাই ওইরবা পোৎশক অমা। অন্নাবনি খল্লুবদা।

বিষ্ণুগী মূর্ত্তি অসি লাইনি লাৎলু পীরকপসু নত্তে, লাইনি লাৎকে লৌরুবসু নত্তে। পীরকপা মীনসু ফজবা, নীংথিবা, য়েংবা নুঙাইবা পোৎশক অমনি মপীরকপা, লৌরকপা মীনসু অরূবা, মমল য়াম্বা, মীৎকী কৃষ্মে মতেক অমা মওইবা পোত্তা অমা ওইবগা নুংশিবা মীগী নুংশিনা খুদোল অমা ওইবগা নুংশিবোই, নুঙাইবোই, পায় খোত্তনা অদুম পঙশান মশান্ন-বনি। অদুবু, থোকখি থুনমক অঙকপা থৌওং অমা থাজবদা রানা থোকপা। নোংমা, বিষ্ণু মূর্ত্তি অসি পায়দুনা শান্নরিঙৈ নিংথৌগী সনা হকচাংদা হাক্ক-জবগুম্বা অমা তৌবরা, মূর্ত্তিসিনা তেক তোৎনরুই। অদুনা লায়পু অমা ভনওই ওইপি। সনা হকচাং অপূম্ব পুক্নৌ হৌনা পোমখৎ থাগৎখি। হাক্কজবা খাঁঙমখিদে, মৈচাক পুঙমখিদে। নিংথৌ মাইবা লৈবাক মাইবা পুম্নমক্কা হিদাক লাংথক, মহৈ মশিং লোইনা পুথোক্লনা তোৎনবদা মমায় থুনয়ে, থুরে। ভিনকোক লাইকোকপদি লায়রদুনা অনাবা মহুম নোংমা নোংমগীদুম চাউবা তেক্লে। ত্তৌভম থঙনদরে, মম্নরে। লাইগী মপাউ অমত্তং ভাসি হান্ননয়ে। ভারে "লাই অরুবনি সনাগী মূর্ত্তিদু, লাৎলু. লাৎপসু মরম থঙবা. লংহিং থাংবা মীনা লাৎকদবনি।" নিংথৌ কিবোই লাকপোই, হয়াউবোই নুঙাইবোই, "ফুরা অমা কৎকে" লেপ্লে। "হৌজিক হৌজিক্তা পাঙনবা শঙ অমা থুনা পানখৎলু, লংহিং থাংবা মীশক ফংনবা পল্লপ পল্লপ থীয়ু" ভন্দাউ ভাউথরে সনা য়াথং।

মতমসিদা ঐখোয়গী কংলৈ সনাপুংসিদা বামন পঙভাঙ ভাঙবা নত্তে। নীৱৈবাক্তা, ধর্ম্ম ভিন্নদবা সমাজদা চঙলকপগী হৌনবা মশাগী জাতি, মশাগী ধর্ম্ম অদুক থুপচিন্দুনা তিনবা য়ানবা অদুম পঙলৈ লৈবগী রাজনি।

বামন খরদি থুপচিনবদগী অদুম থুপখিদ্রনা, হন্দোকপা স্বারূপ থোকখি-বনরা খণ্ডদে মৈতৈ সমাজদা মথোয় মশাগী লোঙ্কং শিত্তংদং গুক্লগা মৈতৈ ওইনা অদুম তিনপ্রবনি। বামন অমদি মমিংনা ভবানীনাথ কোইই, ঘোষাল শাগৈদা পোকপনি, গৌড়দেশকী বরাহনগরদগী লাকপনি। মহাক্লা লাকপদা খণ্ডদে মাহেন্দ্র যোগগী হুঙোইনা লিন ওম্বা ক্ষেণদা খোঙলাক্লকপরা। খোঙদা-ভম, খুদাভম রানা থোক্রবা লৈবাক্সিদা থুনমক পজে' ফিরাল ফংশি, থেৎখি। অমরোমদনা, মহাক অসি ইচম চম্বা বামন নত্তে, লাইরিক লাইগু রাম্না হৈবা, ব্রাহ্মণগী লোঙ্কং কায়দনা চংপা নীংথিজবা ইমুংদা পোকপনি। ভাগবভাচার্য্য রঘুনাথনা পোকপনি। পণ্ডিতসিনা ভাগবত পাঠ তৌবদা ফজমনখিবদগী প্রেমাবতার শ্রীগৌরাঙ্গদেবনা উপাধিসিনা চানবিখিবনি। কুল-দেবতাসু হয়গ্রীবনি, বিষ্ণু উপাসক্তি। অহুমক্তা শ্রীবিষ্ণুনা কংলৈ সনাপুংসিদা বিষ্ণুপূজা শন্দোক্লবা, নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী লম্বী সেয়বা, খণ্ডদে মণ্ডপ লৈবা মপাগী মণ্ডপ লৈবা মচা ভবানীনাথপু থারকখিবরা। ব্রাহ্মণসি সন্ধ্যা কায়দনা চংলি। ব্রহ্মমুহূর্ত্তদা ইস্ফাঙ্গ তুরেলগী পাউনা ঈরেলদা সন্ধ্যা হেক্ক হেক্ক তৌই। মহাক্লা সন্ধ্যা তৌরিঙৈদা নিংথৌ মনাইশিংনা থেংনরুই। নিংথৌনা মহাকপু হরাউনা পূজারী চাপখি। পুখি অসুম ভবানীনাথনা বিষ্ণুগী সেবা। মশানগা বিষ্ণু উপাসক ওইবনা নিংথৌপনগী লাই মতিক্ক চাবা ব্রাহ্মণা হৌনবি মচেং অমত্ত কায়দনা সেবা নীংথিনা চংখি।

অমম্বা সংসারনি। থোকই, অহুনা, অংম্বগী অমম্বা গুক। নিংথৌগী লায়নাসু অমম্বনি, লায়না লায়কোক্সু অমম্বনি। ভগবানগী শম্খজল, চরণ-তুলসী, নির্ম্মাল্য পুষ্প, প্রসাদ হেক ফংবদা অনাবা ঈংবগুম তৌরে, ঈংলে, অহুম ফরে। নিংথৌগী সনা পুক্লীংদা হরাউবা, নুঙাইবা, অকিবা, অথুকপা, থাজবা লোইনা পূমতিন তিনখি। সনা পুক্লীংদা অকনবা ঈথৌ অমা হাপখি। কংকে লেপখিবা মন্দির থুনমক পায়খৎখি। মতম চানা লোইরে, হোঙলে। সেবা নিংথৌপনগী মতিক চানা চখরে, চংলে। সরুকায় ওইবা ভগবানগী নীংথিজবা সাত্ত্বিকী পূজানা মীপুম খুদিংগী থম্মোই হুখি। নুঙাইবা অমা ওইনা মবুকথোক মরম্নাইনা হৈ লৈ খিবা হৌখি; পূজাগী মন্দিরদা কাখি। নিংথৌনা কংখিবা মন্দিরসি ঙসি বিষ্ণুপুরগী চোথে

চৌঙদোংগী লমখৈদা, মতমগী ভোরৈ তুথুপ অমদা ঙাঙোম ফুংগানা কোম্নৈনা ভাশিল্লবদগী ঙাঙোম ফুরা হায়্নৈনা যুগ কয়্নাগী চৈনা রানা থাঙ লেপ্পিবসিনি। বিষ্ণুগী সেবাসিনা জাতিগী ইতিহাসদা, জাতিগী পুনশিদা অচোবা য়াওল অমা পুরকখি। সেবাসিনা ঐখোয় লৈবাক্তা নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী খুভম সেমখি, সমাজদা ব্রাহ্মণগী খুভম কনখি। ভবানীনাথ মচা অহুম পোকই। অহল কংসারিনাথনা মপাগী মহুৎ শিন্নোই, বিষ্ণুগী সেবা পুহৌই। পোকখি মঙোন্দগী অরিবম বিষ্ণুলাংপম ফুংগা। য়াইমা দামোদরনাথনা মখোয় মশাগী কুলদেবতা হয়গ্রীব লাংখি। হয়গ্রীববু শগোল লাই হায়্নৈনা খঙনৈ। চোংথোকখি, অদুনা, মঙোন্দগী অরিবম শগোল-লাইলাংপম ফুংগা। অতোপ্পা হরিনাথনা ভম্পাক লাই (বসুমতী কোম্নৈবা বিষ্ণুগী ভোগমূর্ত্তি) লাংপদগী মহাক্কী ফুংগাবু অরিবম ভম্পাকলাইলাংপম হায়্নৈনা খঙনখি। পোকখি অসুম ব্রাহ্মণ ফুংগা অহুম, ভিনখি সমাজদা অনৌবা মীথিৎ অমা, য়াখি লেম্না, মশক্লাইনা মখুভম। পীখি, পীবা ঙমখি কোম্না ফুংগাশিংসিনা হিন্দুগী কৃষ্টিগী নীংখিবা মঙাল, উংখি শান্তিগী লম্বী, নীংথিবা ভক্তিমার্গ।

নিংথৌগী পন্দা বিষ্ণুগী সেবা চাউনা চৎপা, লৈবাক্কী পন্দা ব্রাহ্মণা খুভম রাংনা য়াবগী পাউসি নুংশিৎনা চীংগী পল্লোল মাপল লান থৌওইনা ভারতকী লমখৈদা চেল্লুবরা খঙদে, নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী অতৈ সম্প্রদায় অপূম্বা পরপ পরপ মথং মথং পঙহাদ হাজিন্নরকখি। লাকখি অনন্ত (কোংবলাই), নরসিংহ (মীনোংশা), গণপতি (শামূলাই), গোপাল কৃষ্ণ, রামনীংবন-হিংবা লোইনবা। বেদ, পুরাণগী কৃষ্টি কয়া কয়া পিরা চাউনা কৃজিল্লকখি, ভিল্লখি নোহো ঐখোয় জাতিগী কৃষ্টিদা। নোংমা নোংমগী অসুম অসুম ইপাল ফগৎলক পাকনা চাউনা চেনবা হৌরকখি জাতিগী কৃষ্টি।

মৈতৈ শা লানগী কোন্দা পোকপনি। শা লানগী ভমদা চাউবনি। শা লায়া মখোয়গী পুনশিগী খোংভম্নি। মীপুম খুদিং স্পার্টান্নি, লিওনিডস্ ওাক্নি। মখোয়গী শাইনীং লাইসোয়া ঋষিকবি অমগী শৈশক্তা হায়রগা

"জীবনমে সংগ্রাম বন্দে"

নি। শা লাল, শা লালগী মবেম্মা লাইরেম্মদনি মখোয়্নৈনা থল্লিবা। মখোয়-গীদি চারে লাল, তুম্লে লাল, চংলে লাল, ফম্লে লাল। ভংলে, নত্তে, থল্লে

লালগী মহাউ চিন্নবা মনীংদা পকপা অরোইবা অথম্বা মরীক ফাও। থওদে ভপেং লাম্না লাল লাংডি ; নৈতে লান্দা শান্তি ; অকিবা, অথুকপা, মিপাইব-নচিংবা নৈতাদবা, ওল্লাং ওনশাউবা ময়ামগা মরুপ্পে, অশান্তিগা তালোয়নৈ। শীনরে. থানরে লোইনা ; পেম্নরে লোইনমক। ধর্ম্মদা য়েংলুই, কদায়। অকন অরিং তানবনি। অকিবা, অৱাবা সাধন্না লাইদগী শক্তি মংপনি। শক্তিহনা হঙ্গত্তনা ভংস্মকঙ্কনগী মতম লাইগা শীংনবনি, মীবু পোংপু লাক খোইবনি। মশাগী পূজাদা জগত্তগী শান্তি তাম্থোকপনি। অদুনা, মশাসু অহুম লাংদবনি শান্তিগী মঙাল। নৈতে মখোয়গী পুনশিদা, ঈশ্বরগী প্রেমগী জগৎসিদা, প্রেমভক্তিগী মফম। থওদে মখোয় শান্তিগী লম্বী। অমরোমদনা, লাক্লিবা ধর্ম্মলিংনা চেল্লি প্রেম অমসুং ভক্তিগী মপাউ, তাকই শান্তিগী মশক, শান্তিগী লম্বী। লানগী খারবা মহাউ থীনা থানা খীনা ভং, অমুক্ত শান্তিদা পাল্লবদি থল, থীনা শান্তি ইখৌ সাংলবা মৈতৈগী লালোয় থম্মোই পুনশি, পুনশিনখি নোংমা নোংমগী থর থর অসুমসুম। রাথন্দা, ফিদমদা, মিংয়েংদা, পান্দমদা পুনশিগী অর্থ মরোদা অহোংবা অমা লাকখি। লাক্লিবা অতোংবা তাখি মপান্থী মরা, তাশিনখি চেংবা নোংম নোংমগী অসুমসুম। চঙীনা চনীয়াংখৈরোম হায়রকপা, মৈদিঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তগীদি নিংথৌরেল তরাগা নীথোইসুবা তুবী চরাইরোংবা সনা হাক্তক্তদি মশক তপেং চোং-থোকখি। মৈতৈ বৈষ্ণব সম্প্রদায়দা তিনবা, চঙবা হৌখি। জাতিগী মশা'গী ইতিহাসদা হৌখি অনৌবা পন্দুপ অমা অচৌবা। লাকখি জাতিগী পুনশিদা য়াওল অমা অচৌবা।

খ্রীষ্টগী তরাগা তরেৎসুবা শতাব্দীনা লোইবা তরাগা নীপালগুবনা হৌবা মতাং অসিদনি তুবী চরাইরোংবনা কংলৈ সনাপুংগী সনা ফম্বাল লাংবা। সনা হাক্তক্লিদা লাকখি ব্রাহ্মণ অমা, উৎকলগীনি, শ্রীধাম ক্ষেত্রদগীনি, মমিংনা বনমালা রায় হায়না থওনৈ। গোপাল কৃষ্ণ ভক্তনি, নিমান্দীনি। মশাগী কুলদেবতা মদনমোহন কোয়রকই। মহাক্কী গুন্না তুবী চরাইরোংবা মঙোন্দা গুরু বরণ তৌই, কৃষ্ণমন্ত্র দীক্ষা ফংই। গুরুগী কুলদেবতা মদন-মোহনগী মন্দির কংলি। নিংথৌ পন্দগী বন্ধান হুন্দুনা সেবা চংলি। রাজগুরু অসিদগী পোকখিবনি গুরু অরিবম ফুংগা। ঙসি ব্রহ্মপুর নহাবম আচার্য্য-

গুরুকোন্না যুগ কয়াগী নোংজু নুংশা থাঙ য়ানা য়ুংলিবা ফুয়াসি তুবী চরাইরোংবনা কংখিবা মন্দিরহৃনি, সেবা চংলিবা ঠাকুরগী বিগ্রহসিনা রাজগুরু বনমালী য়ায়না লেঙথোরকখিবা মশাগী কুলদেবতাহৃনি।

নিংথৌনা কৃষ্ণমন্ত্র দীক্ষা লৌডুনা বৈষ্ণবধর্ম্ম চংলবনিনা লৈবাক্কী অপাল অপিল, অঙম-অথৌ, য়ায়ভোঙ-খমদোঙ, মচা-মনাই অয়াম্বা বৈষ্ণবধর্ম্ম অহৃম লৌনরে। লৈবাক্কী ফম্বৈশিংনা বৈষ্ণব ওইরবনিনা মৈত্রবাক বৈষ্ণব অহৃম মওইরে. বৈষ্ণব জগৎকী মনুং অহৃম মচল্লে। বৈষ্ণবধর্ম্মনা লৈবাক নিংথৌ পনগী ধর্ম্মমক ওইহৃনা পুম্নমক হেক ওনবদি মথংগী নিংথৌ মৈদিঙু ময়াম্বগী সনা হাক্তকনি। সনা হাক্তক্নিগী ধর্ম্মমক্তি বৈষ্ণবধর্ম্মদি ওইরগা রাম উপাসনানি।

তুবী চরাইরোংবা বৈষ্ণবধর্ম্ম লৌবগা লোয়ননা নীলাম্বর মিংথৈনা সনা মিংথৈ ওইখি। সনা লীকথাং তুংলমচংকী মৈদিঙু ময়াম্ববুনা গোপাল থোনখি। মৈতৈগী কুষ্টিনা নিংথৌবু লাইগী মশক্কি, লাইনি হায়না ভাকই। লাম্লিংথৌ অপানবনা লোইরেল লোক্তা য়াবীরোক্কী সনা পীবুক্লুংদা শায়োল ভৌ কো সনা পাথংবা ওইনা পোক, গুরুনা শায়োনবা কোঞ্জন তুথোকপনা সনা কম্বাল ওই কংলাগী ইহান হানবা নিংথৌ ওইখি, নিংথৌদি মহাক্কী শায়োম্নি হায়না খঙনৈ। অহৃনা, নিংথৌবু লাম্লিংথৌ কোলোয়নৈ। হিন্দুগী কুষ্টিনসু নিংথৌবু বিষ্ণুগী মশক্কি, বিষ্ণুনি ভাকই। অহৃনা ভগবান বাসুদেবগী শ্রীমুখবানী ভগবদ্গীতানা লাচল্লি

"নরাণাং নরেন্দ্রোঽস্মি"

মীগী মরক্তা নিংথৌ হায়বদো ঐনি। কুষ্টি অনীগী মরোল্লা অমত্ত ওইবনা তুবীসিগী সনা হাক্তকগী বিষ্ণু নিংথৌগী শাগোল্লবা লাই ওইখি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী খুভম থোইনা হেন্না চেৎশিনখি। সনা হাক্তক্নিদগী নিংথৌনা সনা খোঙলেঙবদা, শাদা খঙদে লান্দা খংদে নত্রে হয়াউ ভয়াম্বদা খঙদে বিষ্ণু ইকোন্দ কোয়খি।

তুবী চরাইরোংবনা নোংগায়বদা মৈদিঙু ময়াম্বনা নিংথৌ ওই। সনা হাক্তক্নিদা লাকখি রামায়েত অমা। শ্রীহট্ট, নরসিংহ টিলাদগীনি। শান্তিদাস কৌই। শাখোঙ পুখোঙদি মুম্রা খঙনদে। মাগী ধর্ম্মনগা বঙ্গদেশ রাংমগী

ওইবগা মাগী অৱেপ্পা মশক থৱা চিংনবৈ। কনাগুম্বা পণ্ডিত্তি অসিনোং মমিংসি ফাওবা শোয়ৱমগনি, সন্তদাস ওইৱমগনি পুই। অদুবু, ৱাঙ্কম থৱনা মহাক্কি ভপেংবা বঙ্গগী মী ওইৱমগদ্রা থন্দবা ঙমদে। ৱামান্দী বজ ৱাংমগী ধর্ম ওইৱবস্নু চৈতন্যদেবগী মতমদা পোত্তুদা লৈ হায়বা ভক্ত মুৱাৱিগী ৱাকম্বা অদুম মতাকই। কৃত্তিবাসগী পোকপা মতম ভপেংনা হায়নবা ঙমদ্র-বসু তৱাগা মঙা সুবা শতাব্দী মতুংদদি নত্তে, লেপ্পৱিবা অসিমক্কসু বাম-মার্গগী জগৎসিগী মচি থৱদদি চৈতন্যদেবগী অা মমাঙদগী ধর্মসি লৈ হায়বা অদুম মতাকই। অসিসু অসিনি, মক ওইবা অভৈ মৱম কয়ামসু লৈ। ঐখোই লৈবাক্কিদা ইহান হান্না তাবা ৱামায়ণ অভৈ অমা নত্তে, কৃত্তিবাসীনি। মশানা অদুম চুমজৱবা, প্রমাণ চঙদ্রবা ৱাফম্নি। অহল লম্মন, লাইগুরু-শিংগী ৱাফয়া শান্তিদাস সিদ্ধগী শক্তি ফনা লৈবা মীশক্তি হায়বা তাকই। মহাবলী ইৱেন্দা মখোয় মৱিল পুথোক্তুনা চাম্বা, অচচ্চত্ত লেপ্তপানবা পূৱমক্কী লৌনীংবা মশক হেক হেক্তমক লোবা গুৱগী ৱা অদুম তায়। মহাক্না লৈবাকনিংথৌগী ধর্মগুরু ওইনা পানবা মতমদা নিংথৌগী মচা-নুপী লৌবা, শা লাল অয়াম্বদা য়াওবা, মশামক্না লান চিংদুনা চৎপগী ৱাসু অদুম মফংঙি। পৱিব্রাজক অমা ওইনা ধর্মদা লুপ্পা, ধর্ম সাধন ধর্ম প্রচারদনা মথৌ ওইবা মীওং ওইনা উদে। ভুক্তিদা শায়পুনৈ হায়না অদুম উই। অসি খিবিক্না মহাক্কি বঙ্গভূমিদা অদুম মপুঙ্গি। অমবু ওইৱে অমবু ওইৱে, মহাক্কি ফিৱাল মমায় চুয়া লাকপা মীশক্তি। মতম্নি থঙদে, *মহাক মশাগী শক্তিননি থঙদে, নিমান্দী ধর্মগী শুভম মুন্দুনা মশাগী ধর্ম, ৱামান্দী, ঈনশিনবা ঙমখি তরাই। শক্তিদি শক্তি অমনি। ৱামায়ণগী গায়ক-কথক্কক্ অমনি নীংথিবা।*

শান্তিদাস মৈথিঙ্ মৱাম্বগী সনামাঙদা একতারা, মৈতৈগী মধুযন্ত্র পায়দুন হেক হেক শকই। অনৌবা লৈশক, অনৌবা মনুস্থাই অমা ওইবনা সনা পুক্নী· য়াম্না তানা তায়। ভক্তিগী নীংথিজবা সাধন অমা ওইনা থোকখি, তাখি ভক্তিগী মঙাল নিংথৌগী সনা উনশোয়দুং। অযয়োমদনা, ৱামচন্দ্রনা মপাবু নুংশিবা, মপাবু নীংবা, মপাগী ৱাজক ঙাক্তবা নিংথৌ খুডম তৱাই থাদোক্লম, মশাদা কৰি নাচু·বা লৈকপ মন চৎখিবা তায়ক-

পদা নীঁঙমখিদে নিংথৌ ; লাংখি মুংদা মৈশা, চাকখি মথম্মায় প্রোক প্রোক। "কদায় ঐদি" সোনখি মদোম তুমিন, "ইপা হাৎপা, অহুসু ইখূৎনা, ইখূৎনা ফংনা তম্বথিনা তোন্না, কোরৌ তেন্না পাল উতুপ তাবগুম ডা মৈচাক থীনা থাঙলিঙৈ তমথিদ তমথিরবা তানা, থাঙকমদা থাঙকম, উম্—" ; য়েংখি শুন্দা ভিংঙক, উরুবরা খঙদে নোহো থোকখিবা তমথিবা থোদোক, হোনখি সোর রানা শাংনা থোম্হোক্লনা নিংথৌ। পুঙমুদরবরা মথম্মোই, থোকখি তরাই খাকপা লৈত নিংথৌগী চীনগোই—"গোসাঞি, ঐদি ইপা হাৎলুরে, করি ওইবা. ইবুকথোক্লদি নৎখিদে, মীগী থৌইনশিন্নগীনি, অঙাং ওইবনা পঙবদগী য়ারুদনি" লৈখি অহুম শুন্দা য়েং হান্নগী মতম—মিৎলুদদি পিরাং। থোকখি গোসাঁইগী মফমদদি ভগবদ্ কৃপা অচৌবনি অমগুম মহাক মশাগী অনীংবা থুংজো তম্লবা। "সোনবিসি মহারাজ রামনাম, মহামন্ত্রনি, ঈঙনি সনা পুক্নীং, কোক্লনি থঙদনা লঙঙবা মহাপাপ। ভগবানবু তরাই হেক কৌবা নত্তে রাম, চেন্নীবনি হুংদা নুরুদা অর্থ অমা। মহাক্লী নাম্না সংসারগী মৈচাক অহুম কোক্লি লেংদবা হুংইবা ফংনৈ কৌরুবনি ভগবানবু রাম। রমন্তি যোগিনোঽস্মিনিতি রম্ ঘঞ—শক্রম্নিবসিনি, ঋষিশিংনা অহুনোং" হঙৎলম অসুম নিংথৌদা শকখি ভন্না গোসাঁই একতারা কাপ—

জয় রাম শ্রীরাম জয় জয় রাম শ্রীরাম।

লাকখিবরা খঙদে ভগবদ্ কৃপা নিংথৌগী পুনশিদা অনুতাপকা মৈদা চঙ মচ লোক্লনা লোকচবগুম মচু সনানা ফুদা তোং। পোকখিব-গুম তৌখি সনা উনগোরুলুংদা ভগবদ্ প্রেম। সোনখি নিংথৌ মুংশিনা মুংশিবা নামনাম মিৎলু অনীদদি প্রেমগী ধারা। উখি, নীংশিখি বৃন্দাকনে যোগাসনদা নোহোনা ফবা মতম। লৌখি গুরুমক রামমন্ত্র দীক্ষা।

মৈদিঙ ময়াম্বা মপাবুংগী মমঙদা অহুম হৌবকপনি, নিমান্দীনি। গুরু গোপালদাসদা কৃষ্ণমন্ত্র দীক্ষা লৌবনি। বৈষ্ণবগী রীতিনীতি অহুম মচৎপনি। বৈষ্ণবগী লাইশিংগীদ নকুন অদ্বৈত দ্বৈত লাইশিংগীসু কিয়োংনচিংবা ওৎম মকংলি। বৈষ্ণব অমা ওইনসু নিংথৌ অমা ওইনসু লৈবাক্লী [illegible]

লম্বী থোং সেম্মি। ঈকংথাদা ঈশিংরাবা পোক্তনব, লম লমদা পুত্রী অচৌ অচৌবা হেক হেক তৌই। অমুম্না লৈবাক্কী পন্দা খণ্ডদে লাইগী পন্দা খণ্ডদে সেব! ধর্ম্ম অদুম মনীংথিনা চৎলকই। অদুবু রামনামদীক্ষা লৌঙেদগীনা থোইনা হেঞ্জিনবগুম তৌখি।

পুনশি খোঙভন্না চহী নীফু চৎলকপা. সনা ফম্বাল লাংলকপনা কুন্নাং কুমশীং তন্না অনী হায়রকপা মতম অংগ্রাইদনি মৈদিঙু ময়াম্বনা নিমান্দী ধর্ম্ম থাদোক্লম রামান্দীধর্ম্ম লৌখিবা। ধর্ম্ম হোংবগা লোয়ননা মপাবুং মহারাজনা থোল্লম্বা হাম্নগী সনা সিংথৈ গোপাল থাদোকখি, অনৌবা মিংথোল গরীবনিৱাজনা সনা মিংথৈনখি। ধন হোংবা, মিংথোল শুনবগা লোয়ননা মশকসু শুনবগুম তৌখি। ধর্ম্ম খঙনা ধর্ম্ম চৎপা, ধর্ম্মগী অকনবা সাধন্না ধর্ম্মমক্কী মশক লৌখিবা মীশক অমা ওইখি।

পূণ্যনা পূণ্য পোকপগুম পাপনসু পাপ অমম মপোকই। অদুবু পাপনসু পূণ্য পোক্তবা নত্তে জগৎসিদ্ধ কহি কহিগুম্বা লোং। মচৌল মনাও চাম্মা, কৌন্নবা মচা মশূ, শাগৈ নাইৈ তুম্না থাংঈগী ঈচেল ঈৱায়না সিংহাসন কারকপনি অশোকবৰ্দ্ধন। শক্তিগী সাপক্তি চৎপনি অগ্নোং দিগ্বিজয়দা কলিঙ্গ। কলিঙ্গ তেঙ্গোন্না মরৈবাক মজাতিগীদমক্ত বীরগতি তান্নরকপা, অক্ষৌহিণী ভংখাই অমা তুরকপা, শাদোরকপা ঈনা লৌথোং চাম্মা থোক্লা চেল্লকপা, মীকোক শুন মীশা তাউ মকম মকম খুদিংদা চাংদুম চিংদুম খিল্লকপা উবদা খীখি ঈ ঈচুম্নদ ঈগী ঈচেল ঈৱায়বদ থংলকপা নিংথৌ। ঈ খীরবা, থারবা থরাম্নমা থিরকখি শান্তিগী লম্বী. চজি বৌদ্ধধৰ্ম্মদা। বোধিসত্ত্ব অমা ওইনা শন্দোকখি বৌদ্ধধর্ম্ম পৃথ্বী লৈকোয় থুংনা, তাকখি জগত্তা শান্তিগী লম্বী অহিংসা পরমো ধর্ম্মঃ জীবদা লঙদবনা ধর্ম্মনি অথোইবা, শীখি শান্তি।

গরীবনিৱাজসু অশোকবৰ্দ্ধনগা অক্ষানি। মপাবুং মহারাজগী ঈথৈনা থৈনা ফম্বাল অদুম মকাবনি। নিংথৌ অম ওইনা দিগ্বিজয়নি। কবো আৱা, তেখাউ, ময়াং, লোইপাল, চীংক্ত পুন্নমক্লা কিনবা নিংথৌনি। অদুবু মহাক্লা তৌরুবা মহাপাপ অসিদনা মহাকপু সেমখিবদোনা তৌবগী ৱা মথক্তা অদুম মপনঙবনি।

রামমন্ত্র দীক্ষা হেক লৌবগা রামান্দীধর্ম্ম লৈবাক নিংথৌ পনগী ধর্ম্ম ওইনবা লাউথোকখি। অপাল অপিল পূন্নমক নোংঙ্রং ঈরুপ্পহনা কোনশিনখি। লৈবাক মীয়াম খিবিস্মক গুরু নিংথৌ অনীনা লিলোংদা নোংঙ্রং ঈরুপহল দীক্ষা পীখি। ইম্ফাল ময়োন্দা নীংথিবা মকম্ম য়েং রাম মন্দিরগী লম য়াৎখি। মূর্ত্তি লিংখত্নুনা মন্দির লিংখি। ইম্ফাল তুরেলগী নীংথিবা তুথুপ অমদা উংকোন্নুংদা মহাবলী লিংখত্নুনা মন্দির লিংখি। রামমন্দিরদা ঙসি বঙ্গদেশ হায়না খঙনরিবা কীর্ত্তনসি রামগী নিতি থৌগলগীদমক নিংথৌপন্দগী লিংখি। মহাবলী মন্দিরদনা রামায়নগান হুমিং থূদিং কৎখি। লৈবাক্তা দর্শন লারীংনবা লাকপদা হুচোইনবা শীংখি। শন্দোকখি অহুম নোংমগীনা দিগ্বিজয়ী ঙসিগীনা রাজর্ষি লৈবাক্তা রাম উপাসনা। মপাবুং মহারাজনা হুল্লম্বা পরিংথক্তা লিংখি কাবক মপৃংফারবা বৈষ্ণব সমাজ অমা। অতুবু, মহারাজনা ফমগৃম্বগা লোয়ননা ধর্ম্ম অসিস্ত চায়খি তন্না মরায়। মচা ইবুংঙো চিংশাইনা ফমগাবগা লোয়ননা হান্নগী নিমান্দী ধর্ম্ম কাখি মরায়, কাখি লৈবাকনিংথৌ পনগী ধর্ম্মগী থুভম। অহবু কুইউদি তম্মখিদে, চুপশিনখি খুনমক গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম্মনা।

চিংশাই কুইনা পানখিদে। মপাবুং হাৎলুবদগী লৈবাক রাজোক শুইখি, তন্না তাহ্নোকখি। মথংগী নিংথৌ ভরতশাইগী রাফমন্ন ময়াম্বুংগীগা অম্বা ওইনা অতুম তৌবনি। মপাবুং হাৎইঙ খুংমারবা মনাও তোলেল তোম্বা শত্রুঘ্নশাই নকশিন্নরুবদগী লৈবাক্তা অতুম তাহ্নোকখি। লাকখি অসুম গৌরশ্যামগা জয়সিংহগা মচাল মনাও অনীদা মপাবুং খুরায়লাকপনা মপাবুং মহারাজগী সনা পুক্রীং থুংনবা থাদোকখিরা সিংহাসন।

গৌরশ্যাম ধর্ম্ম চৎপা নিংথৌনি। মহাক্তা পানবা চহী তরুক্তুম্বা হায়রকপদা ব্রহ্মচারী অমা মনাইনা হাৎপদগী হুডাইখিদবনা ফমগৃম্মি. মনাওদা শিম্রে। মনাওসু অতুনি অতুম। মহাক্তা পানবা চহী অহুম্রোম হায়রকপদা চৈরাক চাবা ব্রাহ্মণ অমা মদোম লোইশিল্লখি। নিংথৌ পাউ তাবগা ফমগৃমখি, ময়াম্বুংদা কৎশিনখি ফম। ময়াম্বুংনা চহী অমত্তং ফানীং ফাম্বা পাল্লগা থুপথিবনা কাবা তাখি, কাখি জয়সিংহ অমুক হন্না সিংহাসন।

মচীল মনাও অনীনা পানবা মতাং অসি লৈবাক খয়, খয়দ নত্তে ফনা থীনা মনিল নাই। মবুধোগী লম্মল মচীল মনাও অনীদা খুমগে মত্তানি, অরানা তোয়না লান্দারকখি। মতাং অসি অহাগী জাতিগী ইতিহাসগী মচীল তুমখৎলকপা, ফিরাল মমায় চুমখৎলকপা মতম্নি। লান্দা খুদিং লৈবাক কায়নাং কায়মা হেক হেক তোই। লান্দা মরিক্তবদদি লৈবাক্কী মরায়বক থাবনা মোইরাংনিংথৌ খেলেম্বা অরাদা চল্খি। থুরক্কী ঈনা লাই সাথিবনা জয়সিংহ লেপ্পা ঙমখিদে, লোন্না মতম খয় লান থৈবা তাখি, থৈখি। তুংইন কানখি লৈবাক, চহী মঙানি।

জয়সিংহ মনেমশিজ মযাংলৈমদা চেনখি। মকু ময়াংনিংথৌ রামচন্দ্রনা তেখাউ নিংথৌ রাজেশ্বর স্বর্গদেবদা পুখি। তেখাউ কোনুংদা লৈবা মোইরাংনিংথৌনা অরাগী শক্তি উক্তুনা স্বর্গদেবদা জয়সিংহ লাম্ঠোক্লদ. ইরকখি পত্র অকনবা অমা। থন্নে লুনা তেখাউ রাজদরবারদা। তেখাউ নিংথৌ য়াথংনা পুখিবদা লাম্হোকপদি পামখিদে, অদুবু লৈবাক্কীদি কিদবা ঙমখিদে। নিংথৌগী পোইরেসু দেং লৈবাক্কীস্ত খল হঙংখি মনিংথৌদা গেগুলা বরগোহাইন "চৌজিক চৌজিক শানু য়াইশা ঙাওদ্রুনা লৈবাক্কী রানরিবসি মহাক্না কোকপা ঙন্নবা মাগীদমক লেংদা লৈবাক কনা রা য়াংঙাই। শিবা থোক্লে কায়দে মশাগীসু লৈবাক্কীস্ত। ক্ষত্রিয়গী শক্ত লৈবাক্কী সেবানি. সেবাগীদমক থরায় হকচাং ভুনা কৎপনি, বীরগতি তানবনি। ঐখোয় লৈবাক্কীনা মখোয় অখোরশিংগী মপাল তাংজমল মখোয়গী সেবা তৌবনি— তাকপিসি সনায়াথং মৈতৈনিংথৌদা শানু কাজিন্নবা। লিনসু শিবা চৈশুস্ত তেক্তবগুম্বা অমসু থোকপত্তম য়ানবু লৈরিবনি।" স্বর্গদেব তৌখি মুন্না বিচার, উখি মন্নুং মপাল কাওনা বরগোহাইন্না খিৎ খিত্ত ওইনা উংলিবা রাকম, থাখি তন্না জয়সিংহগী মফমদা থোগলপাউ।

জয়সিংহ কারে রাজসভা, উনরে স্বর্গদেব, খঙলে লোইনা মরোল। নুং অনিগী মরক্তা ভারে হা ফজনা, লৈতে হিংনিংঙাই। য়ারে, মতুগী মশক ওইবা শামু থেংনবা, য়াদ্রে, স্বর্গদেবগী মথুক্তা অরাবা তাই হায় নত্রে মৃত্যুমক ওইরবা থেলেম্বগী মথুক্তা ভাবা। লেপখি জয়সিংহ সনা উনগোয়ন্নং—শিনি চোপ্পা করিগী, শিনিনা লেম্বা। মিকুপ'মগী মন্নুংদা

হাইগৎলকই সনা মায়থোং, চীঙ্গোইরকই চীংনা লেম্না, "লাইবক ফবনি মহারাজ লৈবাক্কী সেবা ফংবা, কানি হয়েংমক শাম্।"

পেনখি মথরায় স্বর্গদেব, লাউথোকখি খুদক্তা, "লৈবাক পাউজেল্ল"।

মী মৌনি মীমান্নদে। মশা মশাগী তোজরকপা মতুং ইন পোক্লে লোইনা রাখল, ফিদম, মিংয়েং, পান্দম তোঙাল তোঙাল। লৈরক্লো ভক্তি ঈশ্বরদা পোক্লে লৈনা অদুম। জয়সিংহ মশানা ভক্ত ওইনা লাকপনি, মপোক্লা অদুম মত্তাকই। ব্রত অমা কৎলকপা, ব্রতসিদ্ধিগী লাকপা মপোকপু যোগভ্রষ্ট কৌই; মাগীদি পীনৈ ভগবান্না পোক্লবদা মশাগী ব্রতগা চানবা মফম।

লৈ ভগবদ্উক্তি—

প্রাপ্য পূণ্যকৃতাং লোকানুষিত্বা শাশ্বতীঃ সমাঃ।
শুচীনাং শ্রীমতাং গেহে যোগভ্রষ্টোঽভিজায়তে॥

(পূণ্যনা পাল্লবা তুং কুইনা লোকশিংদা হুণ্ডাইবা
পোক্লে অমুক যোগভ্রষ্ট পূণ্যগী কোজ্জা নীংথিবা)

জয়সিংহ মহারাজ গরীবনিরাজনা পোকপা অহল শ্যামশাই খুরায় লাকপনা পোকপনি। খুরায়রাকপা পূণ্যশরীরনি। মপাবুংগী মবুক্লীং থুংনবা দেবব্রতগী মতম গোমতীনা পোক্লগদবা মচাশিংগীদমক সিংহাসনগী হক থাদোকখিবনি তরাই। মহাক্কী অকনবা সাধন, অয়োবি ভক্তিনা পুন ফংখিবনি তুলসীদাসগী মতম মহাবলীগী দর্শন। থোইথোইবা অমনা মহাক্কী, উথিবরা থওদে মপাবুংদা ঋষিশিংগী খুনাম ইন ধর্মগী স্বর্গগী তপস্যাগী মশক তঙেংনমক, থাদোকখিদে মপুনশি চুপ্পা পুনশিগী নোংজু হুংশাদা মপাবুংবু কদোম্ভংদা করিমুং। ময়াম্বুং গৌরশ্যামসু অদু মওায়, ধর্ম-প্রাণনি। মপাবুংনা লাম্বোক্লবা মতুং ইন মতিক লৈরে লৈনা খুদোং ফংলে ফংনা মহারাণী অভোনবীগী মচাশিং লৈরিমথৈ লান্নুদে থক সিংহাসন। সিংহাসন্না মদোম মবুক থোক্লা লাক কারবদসু কোকথোল মওান্না থকথিদে থক মমিং। ব্রহ্মচারী অমা মীখুক্লা শিখিবগী ফমগুমথিবনি, মনাওদা ফমশিন্নথিবনি ভরাই। পোকপনি অসুম

পূণ্যগী কোন্দা, চাউবনি তুংইন পূণ্যশ্লোকশিংগী মঙান্দা মহারাজ জয়সিংহ তুংলমচংকী রাজষি ভাগ্যচন্দ্র।

ভক্তগীনি ভগবান। চংলি মাদি ভক্তগী পোইরে য়েং, তৌই মাদি ভক্তগী অপান্বদ। শকচৈ অত্নোং মশানা

যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাংস্তথৈব ভজাম্যহম্।
মম বর্ত্মানুবর্ততে মনুষ্যাঃ পার্থ সর্বশঃ॥
(চঙলকপশিংগী পোইরে য়েং চংলি পার্থ ঐসু অত্নম।
মানা ঙাক্কি ঐগী থুনাম মীপুম থুদিং লোইনা অত্নম॥)

জয়সিংহ তাল্লকপনি ভগবদ্ দর্শন। সেম্বিথি অত্নবা ভগবান দর্শনগী লম্বী। পোক্লে পূণ্যগী কোন্দা, য়োক্লে রাম উপাসনাগী তমদা, চাউরে কৃষ্ণ উপাসনাগী মঙান্দা, তিল্লে নরোত্তম পরিবারদা—মশানা পামজবা রাধাকৃষ্ণ উপাসনাগী ক্ষেত্র। জগন্নাথদাস, হরিদাসনচিংবা গোস্বামী কয়া মহাক্কী মরুপ্প। সিদ্ধবাবা রামগোপাল বৈরাগীগী থোজান্না প্রেমভক্তি মশক খঙলবনি তশেং। অদু হুঙাই পুমশিগী নোংজু হুংশা মশাগী কর্ম মতুং ইন ভগবান্না পীনবনি খঙ তন্নাই পুরবা থম্মে। ইনি—জীবন্মুক্তনি, জগতা লৈনা স্বর্গদা পাক্না থরায়নি। খল্লুদে থোইনা, থুক্নুদে পুন্নীং নাক্নদোরিবা অরান্নাদমক মথংগী নোং।

সন্ধ্যা তবুম তবুম্বা মতমনি। খল্লি ভক্ত, "হয়েংদি নোংনা ফংদ ঙানবদা চঙলমি শামুগী পন্নুং। তম্বা ঙমদে শিবা চঙবা, ভগবানগী নোংদম্মি। থোক্লো শিবা, লোইরে অত্নম নাম সোনবা হন্দক্লিমগীদি। ঙসি অহিংগী লৈরিবা পূঙ্গোয় শরদং সিদদি নাম সোন্দুনা অত্নম মরেল্লগে।" শেংদোকই তন্না সনা হকচাং, হোংঙি ফিশেং, কান্ন যোগাসন, তৌথি মন্ত্রযোগ চীক্লা শঙ্গায়দুং। জ্ঞানগী মঙান্দা অচেৎপা ভক্তি কং তৎপা লৈত নাম সোন চঙজবা ভক্তনা ফংদবা লৈতে ভগবানগী কৃপা। লৈরিবসিনি ভগবদ্বাণী—

প্রিয়ো হি জ্ঞানিনোঽত্যর্থমহং স চ মম প্রিয়ঃ॥
(হুংশিজৈ ঐসে ভক্তনা হুংশি ঐসু মাবু অত্নম)

সোমৈ অত্না ভক্তগীনি ভগবান, পোল্লি মাদি ভক্তগী মথা। পোন্দু পোল্লি,

তাম্ন—মহাভারতকী লাল মঙ্গুংগী মানি, কুরুক্ষেত্রদনি। নোংমা দর্শন উখে লাং লেঙলুই যুধিষ্ঠির বাসুদেবগী লানশংদা অহিং। থেংনরুই ভগবান যোগা-সন্দা। ওকখি তৌজে পেল্লা যোগেশ্বরগী দর্শন। য়োরে মোংতাল্লমদাই, ফাওরক্লে তাইবং যোগনিদ্রাদগী ভগবাম। যুধিষ্ঠিরগী মবুক থঙ তাকপিখি হুংশিনা মোমোন "চৎলুই ঐ নবুধোগী নাক, শিল্লুই নবুধোবু, থুরুই ওহাক শরণষ্যাগী মৈচাক"।

ভগবান প্রেমগী মশক্তি, প্রেমভক্তিনা পূল্লি।

কৌন্তেয় প্রতিজানীহি ন মে ভক্তঃ প্রণশ্যতি ॥

(খঙ্‌ কুন্তীগী মপারি নৈরোই মাঙবা ঐগী ভক্ত)

মাগী চীঙ্গোই ময়াথংনি। মাঙলুনি করম ভক্ত জয়সিংহ। ফাওখি ভগবান যোগনিদ্রাদা. পীনখি দর্শন ভক্তদা, তাকপিখি তল্লা. "পীনি ঐনা নথুস্ত্রা শামু। পীরনি সিংহাসন্দ্‌ থুনমক। য়েংতো মুল্লা ঐগী ইশক, লিংথৎলু কংলৈ সনাপৃংদা. কংগনি কাইনা চীংদা ঐগী অঙ্গগী মিতম উ। হৌরমগে ঐ থৈবোং পাল্লীগী মশক লৌ।" তাইবং মওফাওনখি ভক্ত যোগনিদ্রাদগী শ্রীঅঙ্গগী গন্ধনা হারব। মিকুপুগী জগৎতা।

নোংঙাল্লে। চঙলে পল্লুং ভক্ত—সনাখৃত্তদি তুলসী মালা। চঁঙি খোগল, থাম্বা য়াদে, রাংথৈ গোপী অয়েকপা রসমন মনাই অনী। মীকোক অদুম পল্লুংদা উ পাইশিল্লকখি লাংগোই মৃত্যুগী মশক লৌ। উঙ্গে অদুবু ভক্তগী মশক, ফংঙৈ মাগী মনম তেথি. পংদেনি। ভক্তবু মনমদা থোং চংখি কোয়না পল্লুং। লাউখি জয়ধ্বনি নৈবাকনিংথৌ থোঙ্লেল অমত্ত ওই নোংথক নোংথা পূম্লিল।

চহী মরিরোম লাইন্থকুরবা তুং লাকখি মৈদিঙ্গু জয়সিংহ তেথাউ তেংগোল লাল্লোয় মীকোক লিশিং মরিফুগী পুহনা অরাগী মথক্তা লাল। শঙাইথেন্দা খভম ওই। হোংখি শঙাইপোরোদা থুনমক। চহীমুক থীনা লাঙলবা তুং নৈবাক থর নৈতাবা হৌই। নৈবাক থীনা কায়মল্লবনা চহী নীপালমুক্তি কোনুং মনম লেপ্পা পানবা রানা থোকখি। শঙাইথেন্দা শঙাইপোরোদা লম্মাংদোংদা চজিংদা মথ মথ হোলকপনি। লাংগবাল (কাঞ্চিপুর) দা লোইরৈ। নুমং দোংদা নৈরিঙ্গেদনি কাইনদগী থৈবোং

লেঙলু গোবিন্দ নিরূপণ হৌখিবা। অভিষেক ভৌরবনা কাঞ্চিপুরদা লেঙদবা কোন্নুং সেম্লবা মতমদনি।

খ্রীষ্টগী কুমজা ১৭৭৯ গী মুখ্যচান্দ্রমাসগী হিয়াঙ্গৈগী একাদশীদনি শ্রীগোবিন্দগী অভিষেক। পূর্ণিমা ফাওনি মহোৎসব। রাধাভাব কীর্ত্তনগা রাসগা অনীনা মহোৎসবসিগী মপূংনি, পোক্ন পোকখিবনি মহোৎসব-সিগীদমক।

রাধাভাব কীর্ত্তন ঙসিগীনা নটসংকীর্ত্তন, রাস ঙসিগীনা মহারাস— অনীমক অসি ভক্ত থোইথোইবা মহারাজ জয়সিংহগী কৃতিনি, অবদাননি। গোবিন্দগী অভিষেকতা কংকে নীং গোস্বামীশিং ব্রাহ্মণ রত্নশিং বঙদেশ পালাগী ওজাশিং লৈবাকনিংথৌপনগী অশৈবা অশৈবীশিং লোইনা তান্নরুনা জাতিগী কৃষ্টি বৈষ্ণবগীনা লোক সেমখিবনি সনাপুক্কীংনা পাম্বা মতুং ইন, মশামক্কী লমজিং মখাদা জাতিগীদ ওইবা মঙংগী ললিতকলাগী নীংথিবা শকতম অনী। মশামক শরুক য়াখি কীর্ত্তন্দা, থোনখি পুং, তৌখি থোগল বঙদেশ পালাগী ওজা প্রেমানন্দ। মতোল ইবুংঙো অনীস্ত য়াখি শরুক— শ্বেতশাইন হনখি ইশৈ, শ্রীধরশাইনা চৎখি ডুহার। রাসদনা য়াখি শরুক মহারাণী হরিমতি মকোককচিংবীগী ভূমিকাদা, মচা ইবেম্মা তফাসনানা কৃমখি রাসেশ্বরী-গী ভূমিকাদা। গোবিন্দগী দর্শন, কীর্ত্তনগী ফজবা, রাসগী মনীংথি—হুখি ভক্ত ভাবুকশিংগী থম্মোই, শকুখি জয় ভক্তগী, সোন্নখি মহাভাগনি রাজর্ষি জয়সিংহ। মিংথৈনখি অতুনোং অনোবা মিংথোন্ন রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র।

ভক্তগী ভক্তিনা লিংখৎলে শ্রীমূর্ত্তি। ভক্তগী প্রেম্না মূর্ত্তি পাল চোংথোক্লবী মচা ইবেম্মা বিম্বাবতীনা চঙলে প্রেম্সেবা। পুংগক্ত মচাউরি, পুরি অঙাক্সী রাথন্না মপুং, থল্লুদে থোইনা দারুব্রহ্মনি গোবিন্দ। লোই অহিংবনি মপাবুংদা দর্শন পীনবগী য়ারীনা পুথিবনা মথম্মোই। হৌই, ভক্তে শান্নসি নুপীমচা ওইবগী পামজবা মশান্ন মবুক ইতিং তিংনা—

ঐগী বর সারো লাউ হুংশিব গোবিন্দ।
শান্নরুসি লুহোঙবি হুঙাইনা লৈকোম্মা॥
হুকপিগে লৈগী পরেং হুংশিনা নঙক্তা।
থেৎপিগে লৈগী নাচোম ফজনা নাঙ্কদা॥

সেম্বিগে লৈগী ফম্মুং অচিকপা কাজুমদা।
হিপ্লো তৌবিগে সেবা মুঙাইনা তম্বাক্তা ॥

বিষ্ণবতীগী অঙাং ওইবা খম্মোইগী অতিংবা প্রেমদা ওইখি জাগ্রৎ, ফাওখি তশেং ভগবান। শাম্নখি নোহোনা অমূক শ্রীগোবিন্দ মীরাবাঈগী প্রেমলীলা। লাকখি তুংইন প্রেমভক্তিগী ঈহো, পোকখি ঈচাউ, ঈরায়খি সনাপুং, খুংননি, লেইনা লৈকোয়। লৌখি লৈবাক বৈষ্ণবগী রাখল, ফিদম, মিৎমেং, পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরো, ওইখি তশেং বৈষ্ণব জগৎ অমা নীংখিদ নীংখিবা। রাজর্ষিগী গুণনা তাখি অসুম চেৎনা মরা সনাপুংসিদা গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম। হৌখি তম্না বৈষ্ণবধর্মগী সুবর্ণযুগ।

কংলে গোবিন্দগী অভিষেক্তা রাধাভাব কীর্ত্তন মহারাসগা কোম্না। ইল্লকখি থুনমক রাসেশ্বরী পালা মচা ইবেম্মা বিম্ববতীগী সনা পুক্নীংগী অপাম্বা মতুং ইন। হৌখি শকপা হোলী গৌরপূর্ণিমাদা। সেমখিবনি ঙসিগী মহাধুমেন রাজর্ষিগী সনাপুক্নীংগী অপাম্বা মতুং ইন। পানখৎপমক্তি মচা ইবুঙো চৌরজিৎ সনা হাক্তক্তনি, মপুংমক ফাবনা মচা ইবুঙো মারজিৎ সনা হাক্তক্তনি। সনা হাক্তক অসিগী ধর্মগী খোইখোইবা অবদান অনীনা রারী লীবগা লাইরিক হায়বা থীবগা হৌদোকপনি। অনী অসিনা পীখি লৈবাক্তা ধর্মগী নীংখিবা শিক্ষাদীক্ষা, মানখি পাক্লা চাউনা বৈষ্ণব শিক্ষা-দীক্ষাগী লম্বী।

রাজর্ষি থখি তশেং বৈষ্ণবধর্মগী মঙান্দা মশাগী ধর্মগী মশক, খখি অদুগুম মশাগী ধর্মগী মঙান্দা বৈষ্ণধর্মগী মশক। উখি লৈনবা মরী, থখি ভৈনবা মওং। সেমখি অদুনোং যোগগী পরীংদা রাধাভাব কীর্ত্তন—তুংলম-চংকীনা নটসংকীর্ত্তন, শয়া, নট। পোকখি মদুনোং কীর্ত্তন্দা জাতিগী রুচি। লৈবাক্লগা নৃত্যগীতকী ক্ষেত্র ওইনা লাকপগা চাউখৎখি থুনমক কীর্ত্তন। কাখি ঈরোয়মনা বৈষ্ণব শিক্ষাদীক্ষাসু অসুম অসুম নোংমা নোংমগী অমাংবা থাক। ওইখি অসুম সনাপুং বৈষ্ণব জগৎ-ত-জগৎ।

থাঙ-তা ভম্বা, মন্ত্র যন্ত্র সাধন ভোবা, শাগী লানগী যম্রম কুপ্পা খিমনচিংবা খোরমশিংদনা অপাল অপিলশিংগী মখো ওইরম্বনি। অদুসু সনা হাক্তক

অসিদগী অয়াম্বনা পুং ইশৈ লাইরিক লাইগুদমসু মমুক্লীং চংবা হৌখি, চঙনখি। নিংথৌ থরগা লীকথাং অমগদি পুং ইশৈগী গুরু প্রণালিকাগী চৈগোক্তা হেল্লী মথং মথং লোইনা অদুম। মাদুনা পুং ইশৈগী জগস্তা মগোয় খুদিংমক্কী ঘরানা তাহৌই, তারি হায়বা অদুম লুতাকই।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি নিংথৌয়োন্দদি রাজর্ষিদগী তরাপ্পা তরুক সুবনি, মীরোন্দদি অহুমদনি, মচাইবুঙো মহারাজ গম্ভীরসিংহনা পোকপনি। মীয়োল অহুম অসিগী মঙ্গুংদা কীর্ত্তনগী চাওথংপা থেংখি, থেংখি চাওথংপা বৈষ্ণব শিক্ষাদীক্ষাগী অমুক্তং। য়াফম অনীদংনা ভাক্তনি অদুম ভশেং।

বজ্রশিং নিংথেমহলগী ফুংগানি। চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাক্তগা খুরায় লাকপনি, লম সেনাপতিসু ওই। লান্দসু থৌবা থম্মদসু থোইথোইবা সনা ঈনি। নোংমা কাং মঙ্গুংদনি, গারদ কারকপদা সনথোঙদা দোলাইরেং থরনা খিচুড়ি চারম্মি। হংখি সনা য়াথং "করি চারি ইদাইশা" ইকোম কোম্না বৈষ্ণব ওইবা থম্মোই। জগন্নাথগী প্রসাদনি খুন্নকখি। তাবদা দোলাই কুমজুনা লৌখি মক্ক অমা, ভক্তি কং ফংখি খুদক্তা। লাউখি রা মিকুপ্পদা. য়োঁখি য়াফম সনা নাকোং। নিংথৌ মাঙলে মতা লেঙথোরকখি তফিং ভফিং অদুবু থোইনা নাচুংবা ভৌখিদে ভক্ত মশাদি। নিংথৌনা পথাপ কায়না চংপা য়াদবনা ব্রহ্মসভাদা শিন্নখি। সভানা শাস্ত্রার্থদা ভক্তগী মফমদা ইকাইথাং লাইগী সাক্ষ্য লৌখি। ভক্তগী গুন্না তুলসী পত্রগী পত্র ডাক থেংনখি লুখাকলা মরক। খঙনখি বৈষ্ণবগী মশক, শক্তখি মগুণ।

চবুংবা তোলেল সিফাই (সেপাই) নি। গোবিন্দগী থোঙ পুই। সনা পালানা গৌড়ী কংলকপা হেক ভাবদা ঙাওবা হৌই, ঙাওই। নোংমৈ থোক থমজুনা গৌড়ী লোইফাও মফৈদা পুং য়ৈ, চুম্মদ নত্তে, চেন্নি চোংঙি চোলোম লোইনা ভৌই—মানা পালা পুবদোনা ভৌই। হুম্মিং খুদিংগীনি। মসিগী কৈত্তম হেক হেক চায়। মশীং থাঙমদে, হনবা লৈত্তে। নোংমদি, মহারাজনা হুংশিবিরুরবরা থঙদে, গৌড়ীদা থাজিন্দুনা পুং য়ৈহন্নি। অঙকপা মংনা নীংখিনা য়ৈখি, সনা কোকথোল নমথাং লোইনা ফংখি। সিফাইদগী ককপিহুনা পালা লোয়শঙ কাহনখি। ফাওখি মশাসু লৈবাক্তী ওজা অমা ওইনা অদুম থুনমক।

সনাহাক্তক অসিগী মণিপুর্ পুই শক্লোল অনী ; অমনা নবদ্বীপকীনি, অমনা বৃন্দাবনগীনি। অধ্যয়ন অধ্যাপনাগী মওং. কীর্ত্তনগী পরেং য়েংলুরগনা নবদ্বীপধাম্নি ; মন্দিরগী পরেং, ভক্তগী সমাবেশ য়েংলুরগনা ব্রজবৃন্দাবন্নি। শ্রীগোবিন্দনা গুপ্ত অমসুং প্রকট বৃন্দাবন অনী পুম্না ওানবনি। বৈষ্ণব জগত্তা খোইখোইবনি নীংথিবা।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি খ্রীষ্টগী কুমজা ১৮৮৬ তা লোংগ.ই । থুপথিবা মতুং চহী মঙারোমদা মহায়রি, মণিপুর মাথিং মশাগী নীংদম খোংজোমগী লান্দা, পোনথি বৃটিশগী মথা।

খ্রীষ্টগী কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিলগী তারিখ ২৭, নিংথৌকাবা চুম্রিংকী অমুক পুং ৭ ভাবদনি বৃটিশগী ইউনিয়ন জ্যাকা কংলা মপুংয়ায়দা পাইথিবা, মণিপুরী জাতিনা মশাগী নীংদম মাঙ মখোয় বৃটিশগী লাংগোল য়ানবা তাথিবা—য়ানখিবা। সীমান্তগী নীতি, সিফাই লাম্লোগী মতুং ইনবা মহারাণী-গী পাউজেল য়াথং—অনীনা মরম ওইদুনা নিংথৌ খুভম মুখংথিদে, ধর্ম্ম অমসুং সমাজ শোকখিদে। অদুনা রাজ অমসুং অর্থগী ক্ষেত্রদা অনৌবা য়াওল অমা চাউনা লাক্লবসু ধর্ম্ম অমসুং সমাজগী ক্ষেত্রদদি চখিদে অহোংবা অমত্ত। লৈখি অনীমক করি খোইনা কায়বা লৈত হান্নগী মতম চহী কুম্থা নীফুরোমদি অদুম।

ঐখোয়না পোক্লকপা মতমদা লৈরম্নি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনাহাক্তকী লোল পরেংগী মী অয়াম্বা, লৈরম্মি সমাজগী ফখে ফম্বা, ধর্ম্মগী জুচিংবা কয়া কয়াসু অদুম। ব্রাহ্মণগী পরেংদা লৈরি ধামান্দী, পুরোহিত, আচার্য্যন-চিংবা রত্ন কয়া ; অপাল অপিলগী পরেংদসু অদু মঙান্ন, লৈরি নরসিংহ মহারাজনা পোকপা মবুধৌ মন্ত্রীনচিংবা সনাখ্যাশিং খরকাও। দেবেন্দ্র মহারাজনা পোকপা মবুধৌ থাংকোকপসু লৈরি অদুম। নিংথৌ মশুদি কোন্নায়মনি, মধুচন্দ্র মহারাজগীদগী হৌনবু লৈরি। মখোয়না পুন্নি অদুম সমাজ, শন্নি অদুম ফখে। কায়দ্রি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তকী অথেংবা বৈষ্ণব সমাজ, চংলি মপাল ফনা অদুম। মতম্না কুনসুবা শভান্দীদা খোঙদারবসু লৈরি ধর্ম্মগা সমাজগা অনীদি অদুনোং তরাগা মাপলসুবা

শতাব্দীগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী যুগদা অদুম। অদুনা, কুনস্থবা শতাব্দীগী চৈগোল্তা পোক্লকবা ঐখোয় লোল থরদি তরাগা মাপলস্রবা শতাব্দীগী বৈষ্ণব সমাজনা কোল্লকই, মাগী শেগাদা অহুম চাউরকপনি। অমরোমদা হায়রগনা, কুনস্থবা শতাব্দীগী চৈগোল্কি তরাগা মাপলস্রবা শতাব্দীগী ধর্ম্ম অমসুং সমাজনা পুই। অদুনা, ঐখোয়গী মতমগী সমাজদি মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী যুগগীনি, যুগগীমক্নি।

সমাজগী মীথিৎ অমসুং থাক

ধর্মগী মতুং ইন ঐখোয়গী সমাজ হিন্দুগী সমাজ ওইরবনি। অদুবু, পরিংদদি হিন্দুগী চৎলুদে, মশাগী হান্নগী অদুম চৎচে। মীথিক্তা বামোন (বামুন) পরেং অমা খোমজিনলক গুরুগী আসন ফারবদগী অপাল অপিল হাও অরাম হায়না চৎলম্বা পরিংদা চৈগোক্তা ব্রাহ্মণ তোপশিন্দুনা ব্রাহ্মণ অপাল অপিল হাও অরাম হায়না চৎলকপদনি। মমৈদা, ব্রাহ্মণ ফুংগা অচৌবগা নিংথৌ ফুংগা অশেংবগা রাজনীতিদা ধর্মনীতি পুশিন্দুনা গুরুগী আসন য়ামিন্নখিবদগী ব্রাহ্মণ নিংথৌমচা হাও অরাম হায়দুনা অমুক চখরক-পদনি। সমাজগী খোঙহৌ পরিং পথাপ তোপ্তোপ তোপ্তোপ লাক্লবনা মশাগীদা অদুম লেপচবদনি।

এহেক্লো জগৎ খোংগ্রেংগীনি। হানৈ খোগ্রেং মীগা মীগা, ফুংগাগা ফুংগাগা, খুনগংগা খুনগংগা, লৈবাক্কা লৈবাক্কা। হাৎনৈ থিন্নৈ ফানৈ পুন্নৈ নাই—নিপা দুপী। লিংনৈ ফুংগা নাই। লিংডি অদুনোং মপুগা মনাইগনা য়ুম। পাল্লি খুনগং খণ্ডদে লৈবাক তুংইন অদুম। মপুগীনা লৈ নীংদম পানবগী হক্ক, লৈবাকপুবগী হক্ক অনীমক, লৈত্তে নাইগীনা অমত্ত। চল্লি মখোয়দি মপুগী লনশীং। অহিংবা লন্নি শা মণগুব—অদুক চৈগোক খংজবদনি। হাংকে তুপকে মপুগী মনীংনি। ফনগে য়োক্তে মপুগী থৌজাল্লি। কৃন্নো অনাশঙ মপু অমা, ফরঙ্গু নাবা শাগী ঙাগী উশিন্না, তোনীংলো অমাইবনা মীনা উশিন, তোনি উশিল মপুত্থগী অচানবা মনাই অমা তরাই। শিবা খোক্লো মপুদু, হাপকনি মনাই থর। যুগশিংগী পাউনি মতম্না মশাগী লায়োঙ্গা চহেক্লোবা। থওনৈ উনৈ তাব্রি লাদা গ্রীস রোমগী আ থায়নঙৈগী মপাউ। লৈবাক্কী ভয়ামপুংদা হাৎনহল্লি লান্দা ফায়কপা মীশিং, য়েংঙি কুমৈ নীপা দুপী লৈবাক হোনা। অঙম্বা অমগী কোন্দা অঙম্বা অমা লাক নোংমা নীনী থবক্তীনি হায় করিঙম্বা অমগীনি হায় পল্লবদা মতীক মঙ্গণসু উৎপা ওইনা লাক্লিবগীসু ঙাকপা ওইনা মনাই অমা নোংশা মমুক অরাম্বদা থাজিল্লি হায়, মনাই অনী থাও পায়দুনা

হাংনহল্লি হায় কুম্মৈ তৌই। পোম্মশাংনরিবী নাইরোল য়েং য়েংদুনা অছিং হুংখিল কাংদনা চঙহল্লি থোগল। বৃটেনগীসু ভারি লান্দা অদুম থায়নঙৈগী মপাউ। লৈবাক নিংথৌ পন্দা লমশান-পথাপ চৎলিঙৈগী য়ানি। নিংথৌ অথুবশিংনা মনাই মনাইশিংবু, হুইগী মতম মঙক কোম্থোও হকই। নাইশীং চল্লবা লাংগোলয়ানবশিংবু মনীং তৌনা লাক্লে, মথয়ায় লোবফাও ভমথীনা লোই। মৈদা য়োৎকী থয়ায়দা ফোদুনা হাংলি। উপুদা নুং ভংথাই চন্না থারগা চপথায়দুনা হাংলি। অসিনি নাইগী পুনশি থায়নঙৈ মপুগা মনাইগনা থুম্বাল লৈপাল্লিঙৈ মতমগী।

মৈত্রবাক্কী এহেলো থোঙফমসু অসিনি অদুম। মপুগা মনাইগনা য়ুম-লিংবনি, থুম্লিংবনি, লৈপানবনি। ওয়্নি লানবা করম্বা জগৎনা অপূনবা জগৎকী মতম মতমগী লাইনা থাবা পথাপকী য়াংমা। থৌপল্লোনগী

ইপুইনাই, নপুননাই, মপুমনাই,
ননাই হাওবা, ননাই হাওদুবী,
মণগোল মণ, মণগোল মণ মচা—

অসিনচিংবা য়াঙাঙ পয়েং থরসিনা নাই ফুংগা পাল্লবা, মপুগা মনাইগনা য়ুম্লিং, থুম্লিং লৈপাল্লমগী য়া ত্তাকই অদুম ভয়ং তয়ং। মপুনা মনীং ভয়া পান লৈবাক পুবদগী চৎলি অপাল অপিল হায়না, নাইনা লনশীং চন মীয়ক তিম্মনা পানবদগী চৎলি হাও নাই হায়না অদুম।

হাও হাউঁদগী লাকপনি, চেংলৈ লোম্লি। চেংলৈমা মথোয় মশান্নু মী-ত-মী, মীয়ালবু হাউঁ কৌই। হিন্দুনা মীয়ালবু ম্লেচ্ছ, মুশলমান্না মীয়ালবু কাফির হায়বগুথনি। ফুংগানাই লান্দা ফাবকপা মী, মথোয়গী মচা মশু ঙাক নত্তে; শেন্না লৈবা কোঙ্গায়মস্থ অদুম য়াওরিবনি। অদুবু, ঙ্ক মশেল্লি শিন্দাংনবদগী হেন্নদবনা নাই ফুংগা পানবশিংদি ঙ্গয়াল ঙাক্লি—মীয়াম্নি। অদুনোং ফুংগানাইশিংদি হাও, হাওনাই হায়না অদুম থঙনথি।

মতমগী মতুং ইন ভায়কথি মচা মশূগী পয়েং। মথোনা ফবা ময়োম্শিং লৈবা ময়ায়বক থম্বাল শাংলু তম্বা মীপুম কয়া কয়ানি চোংথোক্লবকপা। ফিরাম্মা ময়ায় চুম্বনা শাফম কয়া লানফম কয়াদগী ময়ায় ফোয়া ফোয়ায়ুক

পাক্লা হয়রকখি, পজেং ফিরাল কয়া কয়া থেৎনখি, ফংনখি ভুংইন চুম্বং তাঙবল লোই কয়া কয়া, চয়োৎ লাংনা কয়া কয়া। মপা মপাগী ময়ায়বক থপাল শাং পুনশি মকা লায়া পায়খিবন নত্তে, মচা মপু মতমগী পীবুক্লংদা লৈরিবশিংগী ফাও কৈয়াক অদুম থারয়বনি মখোয় অখোবশিংসিদি। মচাযপু-শিংনা মখোয়গী থুনাম মথং মথং অসুম লৌনয়ক মপা মপাগী নোংদয়জ নোংখাইনরবা কোঙ্গায়নি। চোংখোয়কখি অসুম লৈবাক্তী মায়য়োং ওইবা পয়েং অমা। অতৈ লৈহৌবশিংনা মখোয়গী লমজিং মখোয়গী খোদা মথাদা পানবা ভাখি. পানখি। মাঙ্গীনা অপাল অপিল অদুম ওইহৌরে, ভুংগীনা আরাম্‌(মৌচম) অদুম ওইরয়ে। অপাল অপিল হাও—অনী চংলবদগী অপাল অপিল হাও আরাম—চংলয়ে অদুম।

থাইনতৈগী ফজবি নাৎ (নীতি) অমা—শামুনা নিংথৌ হেক হেক পিরিতৈংসু ফুংগা মশক নাইনা লীকথাং মথং মথং চথয়রকুবা মতমদম্ম ফম্বাল নাইদবা লীকথাংশিংদি য়ুম্মাক হেক হেক তাই। নিংথৌ নিংথৌদনা লেপহৌই ফুংগা। পাকথোকই অহনোং শলাইদ অদুম পাকথোক্তে ফুংগাদি থক। অদুনা মৈশিংডু পাইথোম্বা সনা হাক্তক ফাওদি গুসি সমাজদা নিংথৌ ফুংগা অরি অনৌ লোইনা পূন পয়েং অমা কল্লিবা মতৌপে লৈয়মদে।

পয়েংসিনা চোংথোকপা হৌথিবসি ভুবি চরাইরোংবা সনা হাক্তগী ওইনা তৌই। নিংথৌসিগী থায়নি চৈপোক থংলিবা। কৌজে মপানা মপাগী ফুরুপ্পু চরাইরোংবগী থায়া হায়না অদুম। নিংথৌনা বৈষ্ণবধর্ম লৌরুবা, ব্রাহ্মণশিংনা থাজনবি মতুং ইন নিংথৌ মপাবু বিষ্ণুগী মশক্তি হায়না চংলকপা, সনা ঈচৌনশিংবু রাজপুত্র, রাজকুমারনচিংবা মিংলৌ থাগৌনা লুনা কিনা চংলকপা—পূমমক অসিনা মখোয় সনা ঈচৌনশিংদা থোইথোইবা শক্তম অমা হাপ্পগুম তৌবদগী য়ুমদাকুবা ভোদনা লেপখিয়বা তাই অনৌবা ফুংগা অমা লিং নিংথৌগী সনা মিংথৈ ভাং। অমবু ওইয়ে অমবু ওইয়ে চরাইরোংবগী ফুংগাসিগী মতুং ইন লাকখি নিংথৌ ফুংগা কয়া, লাউলা ফুংগা কয়া মথং মথং। মখোয় ফুংগাশিং অসিনা পুরূপ পূন লমাজদা পয়েং অমা ফনা চাউনা সাখি। বামোন (বামূন) ফুংগা অচৌবশিংনা

নিংথৌ ফুংগা অশেংবশিংগী য়েং রাজনীতিদা ধর্মনীতি পুশিন মথোয় নিংথৌ-মচা সনা ঈচৌনশিংগা গুরুগী আসন য়ামিন্নখিবদগী পরেং কাবক চাউনা কনবদ নত্তনা থাকস্সু মথং অমা অদুম কাথি। মথোয়না অপাল অপিল পুন্নমক শক লেপখিবনা সমাজগী পন্নিং ব্রাহ্মণ নিংথৌমচা হাও অরাম হায়না চংখি অমুক অদুম।

ঐখোয়গী সমাজগী খোঙহোগা খ্বাই অহৈগীগা য়াম্না থেন্নৈ। খ্বাইগীনা ঈ অমনা মপূং লেপ্পনি. ঐখোয়গীনা ঈ মথল তরেংনা লেপ্পনি। তরেং অসি কংলৈপূং অসিগী মচি মচিদা পূং অমমম লিংজনা নাংদম নাংদম পান্নরম্বনি। অমরোমদনা, এঙ্গ্লোটৈ বৃটেন্দা হেপটার্কি হায়না কেন্টনচিংবা লৈবাক তরেং মচি মচিদা পান্নরম্বগুম্বনি। অদুক খেন্নবা হায়ববু মথোয়গীনা ঈ থোইনা পঙচোই চোইনব্বা, ঐখোয়গীনা খিং থর হেন্না চোইনবগী ম্বাদনি। অমুক অমরোমদনা, থায়নঙৈ গ্রীসদা চাং তুরেন্না কোনবা লমতুপ লমতুপ্পা সিটি ষ্টেট (নগর রাজ্য) লিং লিংজনা কুরুপ কুরুপ পান্নরম্বগুম্বনি। মখোয়গীদা স্পার্টা, এথেন্সনচিংবা থরদনা মশক নাইনা পানখিবগুম ঐখোয়গী-দসু এহেলো সমাজগী মৌথিং সাথিবা এক শলাই থর্নসিদনা মশক নাইনা অদুম মপানখিবনি।

ঐখোয়গী লৈবাকসি ঈথাদা লৈরম্বনি। শিবনা ত্রিশূলনা ঙসিগী চাংচুংচং অসি হুত্তুনা ঈশিং চিথরগা ওয়াউবুং সেম্বনি—হায়নরকই পারোল পুরোল মথং মথং। লৈবাক্না ঈথাদগী কাওগংলকপগী য়াসি ভূতত্ত্ববিংশিংনসু অদুম মহায়, য়াই। নুঙাইবা, থোইনা থাজনিঙায় ওইবা ম্বাকম অমতুম লৈ—য়াম্নবু নৌরিবনি। ওসি আই, টি, রোড হায়না থঙনরিবা তমেংলোং লম্নাসি সেম্বা পঙ্কুই কুইত্রি, চহী কুথ মুক্তাদ মথায়রমখিনি। চাং ককপদা ফোসিল অমা থেংনখি। মতম অদুগী ভারত সরকারগী আর্কিওলোজি ডিপার্টমেন্টগী হেড মিঃ মেনন্না হায়খি, "ফোসিলসি কট্টল ফিশগীনি। ওাসি সমুদ্রগী ঈথাদা মাইল য়াঙ্খে লুনা লৈবা পোহালগী চাংগোল কোইবা, ঙমিং মশক কৌবা ইউ উদবা জাংনি। মসিনা তাকপদি লৈবাক্সি থ্রীষ্টগী মমাঙ চহী নিযুত য়াঙ্খে ভুক্ষ অতুরাই মতাংদদি সমুদ্রগী ঈপাচ মাইল

য়াথৌদগী তাদনা মুনা লৈরম্মি, অমিনি। প্রত্নতত্ত্ববিৎশিংগী মত অমিগা কল্লিবা চীংগী লম অসিগী মপু, মৈতৈনা লাইথোং চনবা কোৎরুগী মিংহলগা চুনবা উবদা অমুক্তা হেন্দুম ঙম্লাই।

শৈক্লে অমাইবশিংনা কোৎরুগী মিংঅন—

অমাং কৌৎরু অসপা।
লোইনাহ খুলা অহানবা॥
চাম্লীক মপাল খাবা।
লোংথৈ্ মউ লিংবা॥

থঙ্কীসিদা হায়রিবা চানীক্লা লোংথৈ্ গা অনীসিদি পোম্লন্দা ভন্দাগনি। কৌৎরু চীংশাংনা পোম্লানবী চীংগোল তাত্তা ওইবনা পোম্লল ভন্দা য়াম্লা হোঙবদগী অহমস্বগা মরিম্নুবগা মিংথোল পরেং অনীদি কৌৎরু নিংথৌগী মিংহল চন্নবনি হায়বা অহুম মতাকই।

ঈথাদগী ফাওপৎলকপদা অকোয়বা চীংনা লোনম্বাল ওইরগা পাকথরবা ঈপাক অমা ওইনা কুইনা লৈরগী মাস্থ অহুম মফংডি। লোন্দ্বাল অকোয়বদা লাইনা খুন্নাবগী মাস্থ অহুম মতায়।

বাল্মীকি রামায়ণগী কিকিন্ধা কাণ্ডগী সীতা থিবগী মতাংদা নোংপোক চৎপা বিনন্ত অমসুং মাগী তেংগোন্না সুগ্রীবনা লম্বিং ভুমিংকা কোম্না মফম মফমগী মীওং মীতৌ তাক্লকপদা রামায়ণগী যুগদা ঐথোংগী লৈবাক্নি অকোয়বা চীঙী মথৌদ মফাওব্নি, ডমগী শরুক্তি টম্নংদা লৈব্নি হায়বা অহুম তাকই। অকোয়বা লোনম্বাল পরেংদদি ঐথোয়দনা লাই, মথোয় মপানশিংনা দেবযোনি হায়না চৎপা এহেলো মীওইশিং পাম্নি হায়বসু অহুম তাকই।

ইমি:

কর্ণপ্রাবরণাশ্চৈব তথা চাপ্যোষ্ঠকর্ণকাঃ।
ঘোরা লোহমুখাশ্চৈব জবনাশ্চৈকপাদকাঃ॥
অক্ষয়া বলবন্তশ্চ তথৈব পুরুষাদকাঃ।
কিরাতাস্তীক্ষ্ণচূড়াশ্চ হেমাভাঃ প্রিয়দর্শনাঃ॥
আমমীনাশনাশ্চাপি কিরাতা দ্বীপবাসিনঃ।
অন্তর্জলচরা ঘোরা নরব্যাঘ্রা ইতি শ্রুতাঃ॥

... ...

... ...

সমস্ত রাজভৈঃ পদ্মৈস্ত সিতৈর্হেমকৈৰ্শবৈঃ ।
নাম্না সুদর্শনং নাম রাজহংসৈঃ সমাকুলম্ ॥

(মনা থীনা লাক লাক লাউবা থাম্নাৎ নাখোং য়োনা মাৎপা ।
মমায় থীনা মুক্তক মুবা মখোঙ মামত পান খোঙয়াওবা ॥
ঙ্গিবা নাইদবা পাংগনবা মীশা পাম্বা মীহিং চাবা ।
মকোক্তি তুমত্রিক মশক্তি মচু সনা মান নীংথিবা ॥
শাহিং ওাহিংদ হৈনবা কোঙ্গায়নি ঊজকা ভাবা ।
ফুম কোইবা কিরাভ শাথিবা মী কৈয়োইবনি কিনবা ॥)

... ...

... ...

(সনাগী লৈয়িক হক্রবা লুপাগী থবাল শাৎলবা ।
কাংজনা থম্না ভারবা লৈ পাৎমু সুদর্শন কোবা ।

হাম্নরিবা মাফম অসি ঐথোয়গী পায়োল পুখোম্না মথং মথং পীনয়কপা মীগী লাইগা শম্নরিঙৈ মতমগী মারী-মাতাইনচিংবা কয়ানা অদুম মশোমংলি । মীগা লাইগা শম্নরিঙৈ মতমগীনি হায়দুনা ঐথোয়না লাইথুংশাংবি, লাই থদাংপাঙ্গবি, মী মরাম, কবুইকেয়োইবনচিংবা লাই ওই ভীল ওই ভোবা শক্তম কয়াগী মারী তায়কই । থরদি মথক্তী পয়েং অসিদা চপ চানবু অদুম ময়াওরি । থাম্নাৎ নাখোং য়োনা মাৎপা হায়রিবা অসিনা লাই থদাং পাঙ্গবি হায়বদুনি । মখোঙ নাম্মত পান্নে পাম্না মতথাও মাঙবা হায়রিবা অসি'মনা মী মরাম হায়না থওনবা অনী কোম কোমদুন চেন্নি হায়নবদুনি । মী কৈয়োইবা হায়বসিনা কবুই কৈয়োইবা হায়বদুনি । মখোয় ঊশিংলম কোইবা, ওা থিবা পয়েং অসিগী মাসু ফংদবা নত্তে, অদুম মফংই । ওসি লোইপাল পয়েংগী চীংজেং অনীগী মিংহুম্না অদুম মতাকই । শক্রয়কই পায়োল পুয়োল মথং মথং—

লাইনা ওায়া ফাদুনা চায় চীংজেংসিদা ওায়া চীংজেং কোবনি ।
লাইনা ওাক্রম ফাদুনা চায় চীংজেংসিদা ওাক্রম চীংজেং কোবনি ।

ঐথোয়না পাকোক পুকোক্তী পক্কেন্দ্ৰ ইশা ইপু নাককপা হায়না পত্তাক্নে। মিংথোল অসিনা মথোয় নাহুং নাথেং তমখদি, অমাখক্তি মনা লাক্লখি হায়বা অস্থুম মতাকই। অমুনা নায়াকপা পক্কে অসিদা য়াওখবনি এক মলাই থয়গী পাকোক পুকোক্তি অদুম।

ভারতকী খুন্দা অহানবা পয়েংগী মেখথোনি ফুংগাদা কিন্নর হায়বা ফুরুপ অমা য়াওরি। মথোয়দি মকোক শগোল মকোক পাম্ভি হায়—

অশ্বমুখস্তাং তে কিন্নরা ইতি স্মৃতাঃ

(শগোল মকোক পাম্ভি কৌনখনি কিন্নর)

মিংথোল অসিমক্তি ফুরুপ ফুরুপকী মীওই মীতৌ, মিজেং চাকচা, য়াওশ থোনফমচিংবা লোইনা মুম্না ময়েংলগা কাওবু অমবু বানর (য়োং), অমবু ঋক্ষ (শওম), অমবুনা নাগ (লিন), অমুক অমবুনা পক্ষী (উচেক) নচিংবা কম্না থোম্নবগুমখনি।

থায়নচৈ, ভাংথুম্না মকে সেখদা মশম চুখা অনী লুথম লোইনা ভকথংলগা লুচিঙ্কগী লুতুং ফাও শগোল মশোং অতেনবগুম খিত্তুং থাক্লগা শিথানা শমথৈ। মনানা নাহুং নাথেং লাওনা তম লাক লাক য়াট্টে। অদুনোং, অমর্য়োমদনা, মমায় শগোল মমায়দোনা উই, অমুক অমর্য়োমদনা, মকোক ভুম্না তাই। হৌজিক্কম্ন সোমম্না সিংকোনচিংবগীদি অদুম মভোম্নিবনি। অদুনা, মকোক ভুম্না কুচু সনা মচু মীওই কজবা হায়ম্নিখসি ঐথোয়গীদা ভাংথুন্নি। ভাংথুনমক্তি শমগু ভাংথুম্নি, লাইয়োম্না অদুম সাক্কীনি। চৌংথং-সনা লোক্তা ভারবা ভাংথুল খুন্দা অহানবা সমংনি। পঙ্কে অদুনোং নোংপোকনিংথৌগীদা—

সেম্লোই তত্তুপ পোইবৈ চীং
সেরুীং চৌংথুংপোক
থমুম নোংপোক অম্নিবা।

ঐথোয়গী পাকোক পুকোক থম্নদি অকোয়বা চীং লোনথাল পয়েংদা খুন্দাম্নিবশিংসিদা অদুম ময়াওয়বনি। অদুমু মশক মপা মচায়ক তানা থত্তমদি মত্তমগী মতুং ইন উশিংনা মথানা থম কং চৌথুংথং অমা কাও অম্নম তংপা লৈত তিথখি লৈবায় উবক খুন্দা মখং মখং লাক্লবখি।

শক্তমগী মীথিং পণ্ডেং, মীওই মীতৌ, মচু মখেম থম্মদং থগুব। মাইবা মতমগী লাম্যেল থম্মদং হাইগত্তুনা য়েংলো হাম্ববা মতাং'দা লাক্লে হৌজিক্তি।

লৈমায়, খুরায় লমদম্মা ইহান হান্না ফাওই হায়। লমথৈবিগী মিংথৈরোল লাঙ্গরোয়া শক্লন্দবদি নত্তে, অদুবু লাইরোক্ম লাইরোল ওইনা চৎপদোনা ভৌই, লোবা রায়। গুরুনা খূরু-খূদক যথ সানা সুদুং কাথোক কাপ্লিনসু তৌরসু, লম য়েংথোক য়েংশিনসু তৌরসু, মহুদগী লমথৈগী মিংথোল পোক্লবসি ঐথোয়না, জ্ঞান রাংপননি থগুদে ভক্তি শ্রদ্ধা লৈতবননি থগুদে লোশিনবা গুমদে। অমরোমদনা, থাগ্নাদগীবু ওইরিগদ্রা থাবায়দগীবু ওইরমগদ্রা থল্লুনবসু গুমদে, হেক্ক মথক্তুই। থাবা খুন্দা অহানবা পরেংগী থোইথোইবা ফুরুপ অমগী মরোম্নি, থেংগু হায়বনি মথোয়না খুনগুম্বা মতমদা লমথৈ অসি ঈশিংনা অদুম ইকোয় কোয়খি, থেংগু মনম মানা ইতোং তোং ইরাং রাং অদুম থিম্না উঁরি হায়বা গুসিগী কংলাগী লমথৈরোয়া অদুম মতাকই। অদুনোং থাবা কৌরম্বা য়াই, থৈবরক্তুনা খুরায় ভাবরুম্বা য়াই থল্লুবসু ময়াবনি অদুম। অদুগুম অমুক থাবায়দগী ওইরম্বা য়াই থল্লবসু অদুম ময়াবনি। থাবায় খুম্বোরকপা থোইথোইবা ফুরুপ অমগী মরোম্নি— থোঙস্থ গুম্মি, থোঙ্গালসু গুম্মি—চৎলি অদুম অর্থ অনৌমক। ঈশিংনা মপানা হুংশিং হুংশা চা অম্যম অম্যম থর থর কংশিল্লকপগা। চীংহুংহৎনা অতৎ-অপম লৈত অম্যম অম্যম চিংথরকপগা লৈমায়না নোংমা নোংমগী ফাওপৎলক খুন্দা য়ারকপা মতুং ইন ফুরুপ কম্না কয়ানা মথং মথং খুন্দা লাকপদা ফাওফম, ফাওদোকফম ওইনা থোক্লবদগী থাবায় থোনথিরম্বা য়াই, মতমা থৈবরক্তুনা খুরায় ভাথিরম্বা য়াই থল্লুবসু কায়দবনি অদুম। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, খুরায় এহেলো খুনফাম্নি, ভমগী খুন্দা হৌফম্নি।

শক্লে—

খুরায় খুনফমলেল চেংলৈ রাইনৌভা লালোই অহোংগে।

... ...

চেংথাই, রা, নিউ (শিনিউ), চাই, লোসো, হাউং কিয়োথাইজিংবা ফুরুপ কম্না কয়ানি খুরায়না উকাওরবদা খুনাগুম্লকপা। মথাম পুরুপ

হেক লোইনা খুনগুম্ফিমরকপদি নত্তে. মতমগী মতুং ইন চুংদ মথক মচং অসুম পন্তলাক অমুম মরাক্কবনি। অতুদা. ইহান হেক হানকপগী চেংঙৈ (চেংলাই) মি হায় ঐখোয়গী পুম্না অনীনা ; চেংলৈরোম্বি অমসু, অমনা শগোক নাইদে। মখোয়সি পুরাণনা শেংত কিরাত, ইতিহাসনা মঙোল ফুংগা কৌই। চেংলৈনা খুমগুমবা মতুংদা খুম্হোয়রকখি পুরাণনা ফুক কিরাত কৌবা পরেং অমা। চেংলৈনা কাংবা, কাওথল, অনীগী দুচিং মর্মাদা খুনগুমরকপদুগী মগোয় অসিমু কন্না ভোনগোনবা. উকম খোঙ্জোমবী, অনীগী দুচিং মথাদা খুম্হোয়রকপনি। নেগ্রিটো ফুংগানি। মকোক নীপা চুপী অনীগী মিংথোল অচৌ অসিনা মখোয় পিংমিনি হায়বা অমুম ভাবই। হৌঙে পুরাপুমশিংদি পুকোকপশিংগী থওদে নিংথৌশিংগী থওদে মিংচল ভজদে ওয়াই। পুকোকপশিংগীনা হৌভম শাংফম, মচু মমেন মেং ভপি মিংচল, নিংথৌশিং-গীনা শাচল, চুংচল, মন্তিক, মঙল, মতাল মেং চপি চানা গনা মিংচল। লাকখি মথংদা পরেং অমা অমুক। লৈমায় ফনা নীংখিনা কাওরবা মর্তৌ ওইনা লোই। পুরাণনা কৌই মখোয়বু নাগরাজ (লিনগী শাগে), ইতিহাসনা, আস্ত্রিক। আস্ত্রিক গ্রীক্ত. থা লমগী মী হায়বনি। মখোয়গী লম্না গ্রীসগী থা পরেংদা তাক্কবনা থেংনখিবনি গ্রীক্তা মখোয়বু অসুম।

ভূমধ্যসাগর মচানি মখোয়। ইউরোপকী অহমমুবা ভাগী ভটাচার্য মভাংদা অস্ত্রোষা, অমুবা, মাপু ঊ অহম তিপুনা লোকখিবনি। মখোয়না ভোম্বোম্নবা ফুকপ অমা ওইনা লেপ খুনথাল লৈপাক হৌবসি গ্রীসগী মফাও চহী লিশীং মীপালগী অহুথাইদনি। মখোয়গা ক্রীটকী মিহু শাগেপা ঊ মাম্না নক্লে। মিস্ত্রশিংগী ফুস্তিদি ইতিহাসনা ফ্রোশমকী ফুস্তি হায়না লাচদি। ফ্রোশসনা ফিন্দম ওই গ্রীসনা কাখিবনি মীগী থাক অমাংবা শক্লে ইতিহাস শূবা পণ্ডিতশিংনা। ফুস্তিসিপা মখোয় আস্ত্রিকশিংগীনা অমতানি।

মখোয়না মমম থাদোক্ৰম ভারত খুম্হোয়রকপসি গ্রীসগী মমাং চহী লিশীং তকক্তী অহুথাইদনি। হিমালয় চীঙ্খোঙ লৈনা লৈনা মথং মথং নোংপোক লম অমুম অমুম শানশিনরকপনা চহী লিশীং অমমুক্তী অহুথাইদনি অমাদি পায়রে। আসামদগী ভাই মণিপুর, মণিপুরদগী ওথেঙ (ত্রিপুরা)। ত্রিপুরাদগী অমুক অমুম অমুম চক্রবীরনা বাংলা উপদ্বীপ থং সিংহপুরদগী সমুদ্র উবাদুনা

অস্ট্রেলিয়া ভাথি। অস্ট্রেলিয়াদগীসু হাগংলকখি এশিয়াদা অমুক মতম কুইনগী ভুং।

মাসিনা ইতিহাসগী মপাঊনি। পুরাণশীংগসু অমত্তনি। নাগ কক্রুনকী মচানি, কদ্রুনা পোকপনি। কশ্যপ ব্রহ্মাগী মচা মরীচিগী ঊনি, শকই অহল্লা অঙোবা ঊ। কদ্রু অতিয়া মচুগা নাপু মচুগা অনী ভিনবনি, শকই অহনা অয়ুবগা নাপুগা ঊ অনী। ভাকই অসিনা অগ্নম পূন্নি নাগদা ঊ অহম। মখোয় নাগশিংসিনা মলয়াচলদা কুইনা পাল্লব। তুং নোংপোক লম অসুম অসুম মতমগী মতুং ইন ভানখিবগী মাসু নাগ পুরাণনা অহুম মহায়বনি। মুঙাইবা অমনা, মখোয় নাগবংশসিনা মণিপুরদা তারবা, মণিপুর-দগী ঊশিংগী লমদা চংথিবগী রাকম মিশ্নুলেমা লোল কৌবা ঐখোয়গী পিরবা পুয়া মচা অমনা লাচল্লিবসিনি। মতাংচানা পুয়াসিগী ময়মদা রাহে মঙা অমা ভরা অমা ইরবসু য়ানা লৈ। হৌজিক্কীদি, মতাংনা গ্রীচগী মমাঙ চহী লিশীং মরিগী মতুং অদুরাই লাকখি ঐখোয়গী লৈবাক্কিদা। পুরাণনা নাগবংশ হায়না খঙনবা আর্য্যিক জাতি, মাহুগী সাঙ্কীনা মানি ঐখোয়গী মিশ্নুলেমা লোল, অসিনা অস্থম লোইশিনবা ভাই অগ্নম। নাগবংশনা খুম্নোয়কপদা থেংনরবা মীসি মপূংদা পরেং অহুম্নি; তেনশূবা পরেং অমা; থাঙশূবা পরেং অমা; তাশূবা পরেং অমা। মখোয় মশাগদি মরিনি লেপ্লিবা মপূং। খোংগ্রেংগী যুগনি, অঙম অঙম চানবা মতম্নি। মতমগী মতুং ইন তাশূবনা লেপহোরে খুতম, অতৈনা কায়নরে অহুম। তেনশূবা পাংথরে থক, থাঙশূবা ভমগ্রে থা। মখোয় মশানা তারে লাইজ ঊপূংরায় ঊমু মপূংরায়। থোক্তচংনি অসিনা মতম অহুগী। নোংগূবা, খুনগূবা, খুম্নোকপা, খুমপাবা, খুম্নিবা, খুয়েলোংবা, খুজিংবা, খুনবানবা মতুং ইনবা শা, লাল—পুন্নাঙনি পুন্নাঙ। যুগ কয়ানি, চংলি অহুম।

লোইয়ে বেদগী যুগ, হোরে পুরাণগী যুগ। পোক্রে বৃহত্তর ভারত, চল্লে সুবর্ণভূমিগী পরেংদা মণিপুর—লোয়ে মিংথোজ কংলৈ সনাপূং। ভারয়ে সনাপূংদা হিন্দুগী ঊ—শয়রক্লবনি বৃহত্তর ভারতনা মমীদ জম্বুকণ্ঠে। রাকয় অমনা লেপচগনি অহুম ভগেং।

মশজিং নৱে ধ্বজরাজজিং হিন্দু মিংথোনি, গৌতম বুদ্ধগী লোনথাক্লি।

বুদ্ধনা মগধদা থম্বী মশোক্লিংদগী নিংখি থোক্তবান্দা পানবনি। বৃহত্তর ভারতকী থক্তী লোংপোক চিনাই লমদা চাউনা পানবা লৈবাক্তি। মহাক্তা লৈবাক্তিগী ফুলগমাথোইদ্রবা নিংথৌনি, লিকথাও কাম্বদনা লাকপনি। অদুমা পাল্পক্রথনি লৈবাক্তি গৌতম বুদ্ধগী মমাঙগী মীয়োল ফুন। মীয়োল্দা চহী ফুলগাবতা য়েনা পায়ো, চাথগানি। গৌতম বুদ্ধনা পোকপনা খ্রীষ্টপূর্ব মমাঙ চহী চ্রথগাপা ছক্রদনি। অদুনা হিন্দু লৈবাক্তিনা লিংখি থোক্তবান্দা পানবা হৌবসি খ্রীষ্টপূর্ব মমাঙ চহী লিশীং অমগ্রা ছক্রদ্রা ডায়ে। হন্দোক্লো অথোইবা ছক্রদ্র, চহী লিশীং অমদি অতুম লৈয়ে। হৌজিক অমাদা পণ্ডিতনা লৌনখিবা মহাভারতকী লানগী মুগদা অতুম ডায়ে। ডায়বা নিংখি থোক্তবান্দা হিন্দুনা লৈবাক অমা সেম পারব। হায়বসি লোংমদা হেক হৌবা নত্তে, মুগ কয়া শরমক শনম ইনম থঙনমক থোকপনি হায়দা অতুম মথঙনৈ। অদুগা হিন্দুনা ঐথোয় লোংপোকলম ডায়কপদি মহাভারত লানগী আ মমাঙলমগীনি। রামায়ণগী মতাং অমা আ মথকরাই ওইনা পনখিবা অদুনসু অতুম মতাকই।

ঐথোয়গী কংলৈ সনাপুংসিদা ডায়বা হিন্দুদি মগাং ফুংগানি। ফুংগাদি হিন্দু ফুংগানি হায়বা শাগৈসিগী মায়য়োং মগাং গুরু পুর্নশিবগী থক্তী পুয়োল-শিংগী মিংথেয়োম্না অতুম মতাকই। পুকোক পুয়োল অহমদি থাগাসাজ, অম্বুরাজ, চেকরাজ কোই। মিংকমশিং অদি সংস্কৃতকী খগরাজ, চন্দ্ররাজ, একরাজদগী থোর্জে শুবগী দোমননি থওদে কল্পিগুবা মরম অমননি থওদে, খিং খিত্ত খৈমনি হায়বা অতুম মথঙনৈ। মরিম্বুবা পুদি শাকাবা নত্রে, শাকবা কোয়ে। মঙোন্দগীদি মৈতৈ খিং চৎপা অতুম হৌয়ে। অমনা শাকাবা নত্রে শাকথনি থাগী নিংথৌ হায়বা মিংথোয় নিংথৌনি হায়বা ডাকই। মপাদনা নিংথৌ ওইজবা নত্তনা মহান্না পোক্রদ্রিবা ফুংগাসিমকন্ন মথক্তী পুয়োল অহমগী মিংগাসিগা কন্নিপা নিংথৌ ফুংগা'মা ওইরকনু অদুম মমাবনি। মরমন্থ অতুম লৌংথিনা লৈ। ঐথোয়গী লোংপোক্তী লমদিংসি চৎনবা লম্বী অহুম্নি ইতিহাসনা ডাক্লিবা। অজাংদা ডাকো লম্বী, থাদা আরাকান লম্বী, মরক্তৌনা ঐথোয় লৈবাক্তি কাওবা। থায়নক্তে নিংথৌ মচা কমানা মরাময়ক থিবা ঐথোয় লৈবাক কাওহনা চৎপগী রা ডায়বা নত্তে, ডাম অতুম। খ্রীষ্টপূর্ব আ মদাওদা কোশলগী নিংথৌ মচানা কাওহন্না চৎপা,

অশোক্কী সাম্রাজ্যনা কায়বা হৌরকপদা মহাক্কী মচানা চংশনচিংবগী রা তাত্র অদুম। ঐখোয়গীসিদা পল্লরোই, অমুক হল্লক্তনহ লৈরক্লোই হায়বা ক্লমু লৈবা নত্তে। অদুগা অষনা ঐখোয় নোংপোক লমগী চীংলখীশিং অসি চত্তাই কাবা য়ান্নবনা এহ্লো লমপোয়থশিংনা অজপথ (হমেং সান' কায় হায় কুশি হায় ভোবা তাবা লম্বী) শ্যেনপথ (খুহুঞং সানা পাইথং পাইথ ভোবা তাবা লম্বী) অসিনচিংবা মমিং খোল্লমগী রা অদুম তায়। রাক্ষ অক্সিগী মতুং ইন শ্বেনপথনচিংবা লাল মশাগী থুভম অমা সেম পান্নরদা থগমান, হায়বা গরুড়গী মিংথৈনা মিংহুলবু ভগরা খন্দবা ওমদে, হেক্ত মথক্তি। মিংগোল অমস্নিদগী ওইরবদি থনবু থজমদবা য়াই। মচাগী মিংথৈ অভ্রিবা চমুরাজ হায়বা রাহৈনা সেনাপতি, মশূগী ভম্নিবা একরাজনা নিংথোরেল শঙনবনা নিংথৌ ফংগা ওইরখা য়াই, নত্তে, ওইরমগনি হেক্ত লোই। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, মঙাং হিন্দুনি, মঙাং গুরু পুনশিবগী মবুথো পুরেল হাক্তকগী মান জাতিগী মাও (নিংথৌ) ওইরে। অংলোং মানগী আঙনি মঙাং হায়না অদুম চংলে।

হিন্দুগা ঐখোয়গা শম্নরকপসি পুরাণগী যুগ হৌবদগীনি হায়বা অদুম মথঙনরবনি। অদুদা ব্রহ্মদেশগী অরাং লমখৈদা, নিংথি অমসুং ইরাবতী খোঙবান্দা য়াম্না ওন্না হিন্দুগী থূন্দা লৈবদোনা ঐখোয়গী অসিদদি লৈরক্লগা রা তাদে। অদুবু, খ্রীষ্টগী মমাঙ চহী চা খরগী অদুবাইদদি লৈরে হায়বা মঙাংগী মুমদাবনা অদুম ভাকই।

মঙাংগুরু মঙাংগী পুরোহ্না ভরাগা নীথোইসুবলি। মশানা মৈতৈলিংথো পাখংবগী লোনগা, মশামক্না কৈদিংঙনা মখাল কাবদা ঈশিং হৈথিবা সুরাংগুরুগী মথক্তি। অদুনা, মঙাংনা কংলৈপুং চারবসি পাখংবগী মমাঙ মীরোল্ল ভরানীথোই সুবগী মতমদনি। মীরোহ্না চহী কুনগামঙা পারবদি চহী চহুম লৈ। পাথংববু পুরৈরোম্বনা কোকক্তনা লাকপা, কুংইন লৈবাক্লিগী মখাল কারবনা খ্রীষ্টগী কুমজা কুন্থাগা হুমদোইদনি। অহ্নদি খ্রীষ্টগী মমাঙ চহী চনীগীনা মমাঙ চহুমখীনা মচুংদা মঙাং লৈকোয়রুংসিদা খুনবাল লৈপাক্লরে। মরোল অমরোমদা হায়রগা, হিন্দুনা ফুকপ মথক নাইনা লৈরাক্লিদা ভারবসি খ্রীষ্টগী মমাঙ চহী চনীগী মা মমাঙরাইদবি।

মতাং অসিরাইসিদি চৌং ভম অনীমক চল্লদ্রে মীনা চৌংলু চায়রু। চৌংদনা—তাংখুল, মরিং ফিঙাং ফিমু, আনাল, তন্নাউ, পুরুম, শগাং. থারম, চোথে, চিরু, কোম, খোংজাইনচিংবা কয়া কয়া ; ভমদনা—মগুাং, সুন্নাং, চেংলৈ, খাবা. ঙানবা, অঙোম, চকপা, ফকয়েং, কেগে, মোইরাং, খুমন, কবো, পোং, থাঙ্গা, কেবোং, উরোক উশাই কয়া কয়া ; অমগা অমগা খোগ্রেং—নোংমা লান, নোংমা লোই, নোংমা ঙাই। যুগনি খোগ্রেংগী এহেলা মণিপুর।

চেংলৈ ভমগী খুন্দা অহানবা পরেংগী মকোক্নি, খুরায়দা পানবনি। লমজীন্দা পাল্লবনা অমরোমদনা, গুর্জর প্রতিহারগী মতম, অমুক অমরোমদনা, রাজপুতকী মতম থোঙশঙবা জাতি ওইনা থোকখি। অথোবা থাঙনা ময়া তাগনবগুম ভক্তে মখোয় অরাবা ভাবা। অতুসু অরায়বনি। মতম্না ফরিঙৈ ওল্লম্মি মখোয় ফুগৎপা অরাবা খোঙভম, কৎলক্রুবদদি তাবা তাখি লৈখা, তাখি অদুম ওল্লমু তম্বা মতা মরায় অমুক কাওবা। মখোয় মশাগী লৈবাক্তা ওইবা অরাবা পঙাউ অনামা অহুমমগী রাফম্না অদুম মতাক্নি।

ইতিহাসগী ইনুংমা ভাস্রিঙৈগী রানি, খ্রীষ্টগী অা মমাঙ্গী পোদোক্নি। লৈবাক্লিদা লাকখি তাংখুলগী ঈংহোনি অমা অচৌবা। ওসি পোইরো, লিশমলোক্নচিংবদা তাহৌরিবা ফুরুপশিংসিনি। কোনৈ মখোয়রু তাংখুল ফুংগা অরিবা। মখোয় মরক্তা শমং তাংখুম্না থোইথোইবা ওইনা ভৌই। মখোয়না পাল্লবনা চৌংঙুং সনা লোক্তনি। হৌজিক চৌংঙুং হায়না খঙন-রিবা নোংমাইজিংগী চৌংথৈ লমসিনি। মখোয়গী নিংথৌনা নোংপোক নিংথৌনি। শমংনা মখোয়দগী নিংথৌগী লৈমসু মুনখিবা, মখোয়না লোইসু হাবনা রাখোঙ ওই পোকখিবনি মহাকাব্য অমা—পাল্লোইবী থোঙ্গুল, বাণভট্টগী কাদম্বরী মতম নাংখিবা।

মহাকাব্যদগা মতুং ইন শক্করিবসিনি লাই হরাউবদা ওসিফাও—

চেক্লা পাইথরবনা

পোম্বী হক্লিক্কপদা

চেক্লাগী লৈফম থঙদবনা

পোম্বী কংঙা ওনরেদা।

শাবী ইনেম্মচা মুংশিবা

চীংন্থংগী সনা লোক্তগী
পাইবিরক্লোদা।

অসিগুম্বা অরাবা ইকাইবা নংঙি থীনা হেক হেক অনৌবা খুন্দা লাকপগুম্বা, লান্দা লাকপগুম্বা অয়াম্বদা। অমা মমিথংদসু নংলৈ অমা অসিগুম্বা, নাউখঙবা মৈতৈ ফুংগাগী তরেৎসুবা নিংথৌনি। মহাক্না খোংজি হুংলাইবগী লৈমা মুন্দুনা লৌ পীখি থোইনা ইকাইবা নুঙাইতবা ফুংগাসিদা হাম্না শেগা থা মম্বায় থূরবা। চীংজেং নারল পাংগনবনা মহাকথক্তা মপাগী লম্মন খুমগে হৌরুববু খুভম পূম্মুং মুংনবা ওইনা থোকখি। মরম থাদোক্রুনা মীরমদা চেনবা তাখি, চেনখি ময়াংদা।

হুংশিবা অমা—লোইখি মপুর্নাশ চীংজেং নারল পাংগনবা খোরাং খোরাং মরৈবাক মরমদম মপা মপুশিংগী খুনাম্না শেংনা থোক্লবা মহাক মশাগী মফমদা। শিন্নখি মচা মশূশিংদা পুনশিগী অরোইবা পূংফমদা, "য়োইল্লু ইপাগী চরৈ ফিমন্দদি কংলৈ সনাপূং, ঙন্নমদরে হনবা হিংলিঙৈদদি লাইবক্লা ওয়ওইনখিবনা"। অরোইবা সোর মিংকী পিগা ঈরোয়ননা তিনখি অতিঙাদা।

লাকখি চেংলৈগী মথংদা মতমগী চৈথা মঙাং ফুংগাদা। চীংরাংলক্কী পুরৈরোম্বনা তকথোরকখি মথোয় ইম্ফাল তুরেল রাংমদা, চুপশিনখি লুরাংনা মতমগী মতুং ইন। মুত্তে য়ুমদারোন্দি, লৈ অহুম লুরাঙীদা কায়দনা মথং মথং।

চেংলৈগা মঙাঙ্গনা মরায় চায়দ্রবদা পানখি মপূং অঙোমগা থাবা, ঙানব, মচীন মনাও ফুরুপ অনীগা তুরেল রাংম রাংম। পান্দি পান্নিম্রে, অহুবু অঙোম্না কল্লি খূং থাবঙানবনা শোল্লি মতু। হাংখি মোংমা অহিংদা তুরেল লুখাইগী রাথোক অমদগী পুরৈরোম্বনা ঙানবা থমজিংগোল। মনাও থাবা লৈরোলখিনা চেনশিনখি অ লৈম্পং থোঙারেন্দা ময়াম্গী লম্মল খুম্নবা। থারকখি মনাও অতোম্বা ইউরা চাঙ্খোঙ পোইরৈতোন।

ইতিহাসগী ইন্থং ঙাল্লমদাইগী রাথোক মতাং অসিনা রাখোঙ ওই পোকখি কাব্য অমা কোলোয়নবা পোইরৈতোন খুন্থেক—শ্রব্যকাব্যনি নীংখিবা, রূপক্কী নীংখিবা খেল। লীনৈ অহুনোং পেম্লোল মথং মথংনা

ফুংগা খামরেন্দা চাকওাইবা অওাং, শিন্নাইভম কাবী নৈশাবী মচাশিংদা "য়েনবারাবগী তোকপা লান্দা" হায়না য়ারী পরেং অমা সেমদোক্লগা "কে ক্রে কেক তোকপা লান্নাগে" হায়না য়েনখোং ভম্না য়ারী হৌ। ইন্নকখি কাব্য অমসু নীংথিবা, কৌই "সুংবাল পোম্বী লুরাউবা"। এহেক্লৌ যুগগী ঐতিহাসিক উপন্যাসনি নীংথিদ নীংথিবা।

থাবগী মীচঙবা পোইরেভোন খুন্থোয়রক্লে ভাবদা থেংথি মিপাইশা পুরিরোম্বা। য়েংথি. পিথি মীচঙ কৌথরুই ভন্না অরাংলমদগী নোংদা লাইরেল পাথংবা। মতম্না পাথংবগী মীচঙ লেপথিবরা খঙদে অরাকপসু লৈরম্বসু চম্খি মঙোন্দা লোইনা, ভাখি মখূত্তা কংলৈ সনাপূঙোয়েল। চম্খি মথং মথং ফুংগাসিগী শেকপিল মথাদা থূমন, মোইরাং, খাগী, খাম্রং, কবো, ময়াং, চকপা, চাংমী মত্তমগী মতুং ইন—পোকথি অপূনবা লৈবাক্কী অপূনবা সমাজ। লেঙনি য়েক শলাই তরেংনা মপূং চিংশিন লোইনা মথোই মখোই পোকপা মশা মশাগী ফুংগাদ নোংপোক নোংচুপ হারম খিবিক হাজিন্নরকপা মত্তমগী মতুং ইন।

নোংদা লাইরেল পাথংবদগী চোংথোরকপা পিবা, নাউদা ফুংগাশিংবু নিংথোজ্জা হায়না খঙৈন। পুকোকমক্তি শেন্দ্রেং পাথংবনা ওইবগুম তোই। শেন্দ্রংনা নিংথেম (নিংথৌ ময়ূম) ওই হায় পুয়ানা। অমবু ওইরে অমবু ওইরে মশক য়াম্না নাইবনা চৈগোক ফম ফুংগা লিংবা ঙাক্লি। পাথংবগী ফুংগা পরেং অসিগী অশেংবা মশক মচুদি পাথংবদা লৈরে হায়বা অতুম মখঙৈন। মৈতৈগী পুয়া শবশিংনা মীশক মীওং য়েং য়েংদুনা তুংগী মীরোম্না খঙনজংহৌসন মতা লৈম নিংথৌ, মাখোই মীহুল. পুকোক পুরেম্নচিংবগী মিংছল ভথদা খোইজ্জগী থূংলোল হেক হেক হাম্নি। হপ্লম্মি অতুনোং পাথংবগীদসু।

তম্মি মিংছল—

অরাং ফাংলো লাইমকোল
মীরা নমুপোং থোক্লম
হৱাং চীংমৈ ইন্না থুন্দারকপা
নোংদা লাইরেল পাথংবা।

মিংছল অসিগী অর্থ ব্যাকরণগী থোঙদসু, লাইরোলগী বারী বাভাইনচিংবা কন্নাগীদসু অমা অনীদ নত্তনা হেন্নত্তুম পুবা য়াই।

অদুবু—

পাখংবা "ঐথোয়দি হুমিংকী ঈনি লাইনি" চৎপা কাণ্ডবু'মগী মকোক্কি ; কাণ্ডবুসিগী হৌভম নম, মূ. পোংনচিংবগী পোকফম অরাংলমদনি ; খুম্বোক খুম্নারকপসু লম অমত্তদনি ; হান (গোবি) মরুভূমিগী চৌংলম তুংইন লাকপনি হায়বা অসিমদি লেঙফদবা, লেঙলরোইদোবা রাফম্নি।

অদুনদি মথোয়সি ইতিহাসগী ইন্থংনা ভান্দ্রিভে উত্তরা কুরুপ্রদেশ (সাইবেরিয়া) গী চৌখ্রে কাংজুমদগী থাদা হাথরকপা শানগী ফুরুপ অমনি হায়বা মশানা অদুম ভাই।

শলাইসিবু মৈতৈসু কৌনৈ। মৈতৈ কৌরুবগী ওইবা য়াবা মরম অমদগী হেন্না লৈ। মথোই ফুরুপ্তা মৈগা টাইগা পূনবদগী মৈতৈ কৌরম্বসু য়াই ; হিন্দু খুন্দা অহানবনা মথোয়বু হুমিৎ নীংভি হায়দুনা মৈত্রেয় কৌবদগী মৈতৈদা ভারুক্লম্বসু য়াই। অংদা, মৈতৈ মিংখৈদা থেৎলি মিংথোল'ম্বা— পোইরৈ (পোইরকপা)। তাকই অদুনা মৈতৈ হান্নগী মীশিংগা মান্নদে, মীতোপ্পি—ওইরম্বা য়াই অদুনদি মথোয় হিন্দু অমুকক্ত মৈত্রেয়, অদুনোং মথোয়গী মিংখৈ। নিংথেম (নিংথৌ ময়ুম) গা নিংথৌজাগা অনী পুনশিন্নবদা অহানবসিনা মৈতৈ ওইরম অপূনবদা মৈতৈ হায়বা মিংথোল অসিসু অদুম চৎনরম্বা য়াই। পূনবি, পুনশিনবি হায়বসিদি য়েক শলাই থুদিংগীনি, থুদিংদনি। ঈদা থঙদে হৌভমদা থঙদে থেংনা তান্নবা মীরাল ফুরুপ কয়া কয়া য়েক শলাইশিংদা পূনবা ভাক্কি কোঙ্গায় কোঙ্গায়। নিংথৌজাগী মঙ্গংদা ময়াং নিংথৌজা মৈতৈ নিংথৌজা অনী চংপগুম লুরাংদসু শাং (তিব্বতী) গা লোনচিংবগা অনী অদুম মচৎলি। অদুভাক্কি অতৈ অতৈ য়েক শলাইশিংদসু। অদুগা, অসিমসু লৈ, ইচম চম্মা মৈদগী (হুমিক্তগী) তৈরকপনি মৈতৈ হায়না চংনরম্বসু য়াই।

বিভক্তি, চঙলবা শব্দবু পদ কৌই। পদগী গুণনা শক্তি চেনবনি। হায়নৈ অদুনা শক্তিমন্তং পদত্বম্। হায়রিবসিমক ফাওই মৈতৈ হায়বা মিংখৈসিদা ভশেং ভশেং ভরং ভরং। জগৎপোকপগী মশক, মিংনা উগা

লাই হুমিংকী মচু ভয়েং অময়ম শক নিংথৌজাদা অঙাঙবা, অঙোমদা অঙৌবা, লুয়াংদা হিগোক খুমন্দা অমুবা, মোইরাংদা নাপু, খাবঙানবদা অশংবা, চেংলৈদা অরাউবা থুং য়েক (মচু) তয়েং পান, মশা মশাগী মশক মচু অমত্তু মাঙহন্দনা মৈদা পুদিল সেম মৈগী চাদাশিংগী লৈবাক মৈত্রবাক, মৈতৈ সমাজ হায়না পাগ্লক্লিবসিনি সিগা ছগা কৌবা থোইনা থল্লুবা লৈত ফুরুপ'মত্তনা ঙসিফাও।

পুৰৈরোম্ববু চৌংয়াংলক্কী হায়না মিংথোইয়ে। কংলৈপুংদা মঙাংনা পাল্লিৰে নোংপোক চাংগী য়াংমদা পানবদগী থোল্লুবনি। মাগী ফংগাবু অঙোম (আঙ ময়ুম) কৌই। পুংকোকমক্তি কুপত্রেংনা ওইবগুম উৎলি। অদুবু, অমুকসু য়াঙম (য়াং ময়ুম=নিংথৌ ময়ুম=নিংথেম) পোকপা শেনত্রেংগা মহাক্কা মচৌন্মনাঙনি মথোয়দি লাইরুপ অমানি কয়োকই। অদুমা শেনত্রেংগী ফংগাগা পাথংবগীগা অনৌ পুনশিন্নহনা ঙসিগী নিংথৌজা ওইবগুম, কুপ-ত্রেংগী ফুংগাগা পুরৈরোম্বগীগা অনীনা পুন্শুনা ঙসিগী অঙোম ওইবনি হায়বা অহুম মত্তাকই। মতাং অসিদা নোংসিংহৌনিঙাই অমা—কোংবা হিয়াঙদা মৈতৈ নিংথৌনা অঙোম নিংথৌদগী মৎলি হায়না থঙনবা নিংথৌগী সম্পোং মচু চহী চহীগী হোংবদা য়াওদবা ইঙোদ ঙৌনা লৈবা চোঙ অসিনা কুপত্রেং শেনত্রেং মচৌনমনাও লাই মরোল অমা ওইনা চৎপগা অনীসিনা ফুংগা অনীসিদা হিন্দুগী ঈ থর চঙবরা থন্দবা ঙমদে।

ইউরা চৌম্থোঙ পোইরৈতোন ইউএ ফুংগাদা পোকপনি, নিংথৌ মচানি। অদুনোং মৈতৈ পুয়া শূবশিংনা ইউরা চৌম্থোঙ হায়না মিংছল তন্নবনি। ফুঙগাসি চৌগী মঙাসুবনি। চৌন লৈবাক্কী নোংপোক সমুদ্র মপাল তাবা চেকিয়াং লমখৈদা পাল্লম্বনি। নিংথৌরেল শরাংটৈগী দিগ্বিজয়গী অকনবা চৈথাদা মরৈবাক মথুভম কায়হুনা চেন্থরকপনি থাদা, পাল্লবনি এরাদা খুভম অমা সেম। মফমসিদগীনি পোইরৈতোন্না থুম্হোক্লক্লিবসি। মঙোন্দগী থুমন লুয়াং চোংথোকই হায়। অদুবু, এক শলাই অতৈদা অয়ি অনৌ, অরি অনৌ চপচাবিমক্ক নত্রবসু মঙং মত্তা অমদা হেক হেক পুনশিন্নবগুম্বনি। নিংথৌজাদা শেত্রেংগী ফুংগাগা পাথংবগীগা, অঙোমদা কুপত্রেংগী ফুংগাগা পুরৈরোম্বগীগা পুনশিন্নথিবগুম হান্না লৈরম্বা শাং ফুংগাগা পোইরৈতোনগী

খোঙলোয় লোশিংগা পুনশিন্নরখিবনি। অতুগুম, হান্না ভাবন্নবা খূমন ফুংগাগা মহাক্কা লোয়নবকশিংগসু অহুম পুনশিন্নরখিবগী ন্নাদনি। মোইরাংগীসু অসি মঙায়, মরন্নাই অমা চৎপা নত্তে। থাংজীংগী ফুংগাগা কৌব্রুগীগা পুন অতুম মরেপ্পবনি।

ইতিহাসগী ইন্নুংনা ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপা, পোইরৈতোন্না খুন্থোরকপা, পাখংবনা খুনগুন্নকপা মতাংসিদা অঙোম, খাবঙানবা, চেংলৈ, লুরাং, খুমন, মোইরাং ফুংগা তরুক্লিনা লেপ্লি ভমগী পুংমায়। য়াররে শরুক লিংনা চাউনা মৈতৈসু—পাখংবগী ফুংগা। কারে মশীং তরুক্তা অমা, লেপ্লে ত্তরেৎ। তমখিবরা খঙদে নোংদম মাগী নোংদমখোল, পান্নু পাখংবগী ঈনা কংলৈ সনাপুং। মুৎশি অতৈ খুভম লোইনবা মথং মথং অসুম অসুম মতমগী মতুং ইন। চায়থবা হৌবদি অহানবা অঙোমগা লুরাংগা অনীনি। খাব-ঙানবগা চেংলৈগা অনীদি হান্নবা চায়বগী চায়বা, হামুগী হামু তারবনি অতুম। পুরৈরোম্বা কনগে মখুভম, পানগে চাউনা মত্তিক মঙাল নেক্রুবনি পাখংববু লাল। তাখি মশাদা কনৌজগী মপু জয়চন্দ্রগী দশা। অতুক খেন্নরুবা হায়ববু জয়চন্দ্রনা মাঁঙি মখুভম, চেন্নখি মথরায়; পুরৈরোম্বনা কায় মখুভম, চেন্নখিদে মথরায়মক্তি। পানবদি তাখি নিংথৌ অখুবা শক পাখংবগী শেকপিল মরুম তাং। তুংগী চারোন্না হৌদবদি নত্তে, ক্না হৌই, থংঙি মায়খুবদ ওঈওইনখিবনা লালগী লাইরেম্মনা লানফম খুদিং। মুৎশি পুম্মৎ তুংইন খুভম, লৈহৌখি ফমশক্তদি মগুণ থরদং ঙাকপা ওইনা অতুক।

লুরাংপুং শাং (তিব্বতী) গী লম্নি। লাইনা থাবা, মতম মতমগী ফাওরকপা গুরুনা লুরাং (ঋষি) মিংথোল লোঙ্গ্না কোইব লমথৈনি। মতাংসিদা কোইরিবনা লুরাং গুরু পুনশিবনি। গুরু ধর্ম্ম ওকপা, লাই-পোক্লি, শূরোল তরুক পুনশি, নাউথিংখোং ফমগারমদাইমক্তা থুপখিবনি। পাখংবনা ফম্বাল কাবদা হৈ ঈশিং, চৎলি মাগী লমজিং মথাদা অমাই, অশৈ লোইনবা। নাউথিংখোংমকসু চহী অমা গুরুগীদা রায়েল পথাপনচিংবা লোইনা তম্বনি। মসিমক্তা লুরাংগা মৈতৈগা অমত্ত ওইবদোনা অতুন লাকই। খুভমদি মুত্তে। অতবু মমৈদ মমৈদদি অঙোমগী মতম হোৎনা হোৎননা মুৎখি খুভম। পুঙ্গী মগুণ ঙাকপা ওইনা থমখি মৈতৈ নিংথৌনা অঙোমগীগুম ফমশক্তং।

থাবা মশাগী মথুঙমসু কনগে,ময়াম্বা ঙানবগী লম্বন্দ্ খুমগে পুরকপনি পোইরেত্তোন। খুরে মমায় পোইরেত্তোন, ওকপা তারে—ওক্লে পাথংবগী কম্বাল মৈ। থাবা মাঙলে লোইনা হোৎনমল, তাংবা তারে—তাংলে থাবঙনবা ফুংগা অনীমক মৈতৈগী শেগা। চেংলৈগীস্ অগুনি অত্তুম। হান্নবা মমায় চায়হনা লৈরবনি হান্নগী হামু অত্তুম মওইরে। অমুক্তংদি হৌখি—অমত্তুংদনি অহুস্থ। মৈদিঙ্গু নাউথঙবনা মূনখি খোংজি নূংলাইবগী লৈমা, পাখি অমুম শাথিনা ইকাইবা চেংলৈ ফুংগাদা। চীংজেং নারল পাংগনবা মপা নূংলাইবগী লম্বল খুম্বা শক্লা খুরায় থুনফমলেন অমুক্তং হঙ্গিনবা ঙম্। য়েংগে মৈতৈ নিংথৌগী মথক্তা হৌখি লাল। মৈ মুৎলমদাইগী থংঙান্দুম শক মুংখি পুম্মৎ তম্না মথুঙম চেংলৈ, কংলৈপুংগী খুম্দা অহানবা। কদৌনি! খুৎ কনবগীনি লম। শক্লে অহনোং

জোর যার মুলুক তার

অমরোমদদি, মৈতৈনা খুৎ কনবননি থঙদে, ময়ায়বক লৈবননি থঙদে লাল কয়া লাহ্লো কয়াগী মতুংদা অতৈ ফুংগা মথিবু মশেগা থাখিমসি অপূনবা মৈতৈ জাতি অমা, তুংইন অপূনবা মৈতৈ সমাজ অমা পোকন্উ তম্বদৌনা থোকখি। অঙোম, লুরাং, থাবঙানবা চেংলৈ—পুং মরিনা মথং মথং মখুঙম মূৎ মৈতৈ পুংদা তিন তমখি নীংথিনা অপূনবা জাতিগী. অপূনবা সমাজগী মমী। খূমনগং মোইরাংগা অনীসিদ মঙায়খি তাহোবা তোঙাল। লাল কয়া থাঙ, লাহ্লো কয়া তম লৈনা লাক্লা থাখি ফনত্তুম কুইনা অনীমক। অহুবু মমৈদ মমৈথংদদি অপূমবা শক্তিনা অস্থুম অস্থুম লাকশিল্লক তিনখি মৈতৈপুংদা অনীমক মথং মথং। মথুঙম মুংলে মুৎনা হিংখি ফমশক্তি অঙোম, লুরাং অনীগী মতম।

পোকখি অস্থুম মৈতৈ জাতি, লিংখি অস্থুম মৈতৈ সমাজ। কৌনৈ পূম্না মৈতৈ, লেপ্পে কায়দনা মশা মশাগী য়েক শলাই, চংনৈ অত্তুম মশা মশাগী পরিং পথাপ, ঙাক্লে অত্তুম মশা মশাগী লোক্লং শাজ্রৎ লাইনিং লাইসোল। য়েক সলাই তরেৎকী সম্মিলন অমনি নীংথিবা য়েক শলাইদদি তরেত্তমক হায়রবসু, ঈ মরমদি, মথক্তা মতাং অমদা অত্তুম মপনথরে, চাম্মনি তিল্লিবা। নোংপোক নোংচুপ মায়গৈ অনীদগী লাকপা মীপূম কয়া,

মীরুপ কয়া য়েক শলাইশিংশিনা মখোই মখোই খোকপা অদুম চিংশিন চুপশিন্নপ্রবনি।

ঙসিদি সমাজগী মীথিৎ পম্বেং অচৌবা অমা ব্রাহ্মণ ফুংগানি। মখোয়না লৈবাক্সিদা ভারকপনা নব্যবৈষ্ণবধর্ম্ম লাক্লিঙৈ আ মমাঙদনি, মশক্নক নাইনা সমাজদা তিনবসিনা মৈদিঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তা বিষ্ণু সেবা চৎপা হৌরবদনি হায়বা মথক্তা মতাং অমদা অদুম মপনখরে। লৈবাক্তা বিষ্ণু পূজা চৎলকপা, নোংমা নোংমগী বৈষ্ণব ধর্ম্মদা ওনশিল্লক বৈষ্ণব জগৎ অমা ওইরকপদগী অরাপ অনক ব্রাহ্মণ ফুংগা কয়ানা বেদ পুরাণগী কুষ্টি মখল মখল পুরক তিল্লরে। মুঙাইবা অমা—মৈতৈগী কুষ্টিগা বামোনগীগা অনীসি তুরেল অনীনা ঈহৌনরক ভাম্না ভাম্না লমখৈ অনীদগী ঈভিন্নরবগুম মভা চাক্ন অমদা, অমুক মওং অমদগী ঈথাই চেন্নবগুম মাগী মাগী থোকপা, মাদুমক নহিল্লক্রে, ঈশিং মচু অনী লুথায় চেন্নবা মত্তম চৎলিবা মতাসিনি।

মৈতৈ সমাজ বৈষ্ণবধর্ম্ম লৌরুবা মতুং ইন চনখি হিন্দুগী পরিকরদা; তমখি য়েক শলাইশিংদা গোত্র অমমম। থুংখি নিংথৌজাদা শাণ্ডিল্য গোত্র, অঙোমদা কৌশিক, লুয়াংদা কাশ্যপ, খুমনগী মৌদ্গল্য, মোইরাংদা আত্রেয়, খাবঙানবদা ভারদ্বাজ, চেংলৈ (শরাং-লৈশাংথেম, হাওরোক কোন্থৌজমগী) দা বাৎস্য। চৎলি অদুবু গোত্রস্থ যেকসু অনীমক অদুম— পুনৈ মদোম মদোম্নসু থবক পরিং অমমম, পুমিন্নৈ পূন্নস্থ পরিং অমা অদুম। পুই গোত্রনা শ্রাদ্ধগুম্বা থবক পরিং, য়েক্না অপোক অশাৎনচিংবা খুরুম্বগুম্বা পরিং, পূন্না অমুক অনীনা লুহোংবগুম্বা পরিং। লৈ অদুবু অনীসিদা থেন্নবমদি। গোত্রনা চৎলি কোম্নপ, য়েক্না চেংনা। গোত্রদি হোংডি, থাই পুরোহিতকী মতুং ইন. হোংদে য়েক্তি থক।

লৈবাক অমা পাম্নবদা বর্ণ মরিগী থৌগাই পরিংদি মশানা অদুম লৈজরবনি। খুল অমা, লৈকাই অমা পাম্নবদস্থ অদু মঙায়। লৈবাক পানবদা থঙদে, লৈকাই পানবদা থম্বদে নত্রে খুল অমা লিংবদা থঙদে, চেন্নরিবা থৌগাই পরিং মরিসিমক মীনা পোকপদা অদুম চেন্নরক্রবনি। শক্তম মরি থোনবা তুংইন থৌগাই মরি পুবা মীনি। লাইনা থাবা মশাগী চেভনাগী মঙান্না বুদ্ধি লৈবা, জ্ঞান চেনবা মহাক্তি, মানি অণ্ডনোং মহাক

ব্রাহ্মণ ; পুনশি লানফম্নি, শিদ্রিমথৈ লোইবা কৌবা লৈত্রবা লানগী মকম্নি, পুনশিগী অয়োইবা মিকুপকাও লেপ্পা লৈত লাঙ্গুবা লাম্থেংনবা লাম্লোয়নি মহাক, মানি অত্নুনোং মহাক ক্ষত্রীয় ; পুক্ষ:থোহি অর্থল্য দাসঃ—লনগী মনাইনি মী, ভান্দবা য়াদে লল হিংননবা, তাম্নি লল লেপ্তে মহাক, মানি অত্নুনোং মহাক বৈশ্য ; সেবা পুনশিগী ধর্মনি, মশাগী থওদে ইমুংগী থওদে নত্রে থওদে অ:চোবা পরিকম্নগী, লৈবাক্কী, মজাতিগী ভোবা ভাই—ভোই মহাক সেবা, মানি অত্নুনোং মহাক শূদ্র। যুগ অমদা, আ থায়নঙৈগী রানি. মীদা লৈবা গুণ মরি অসি ফুগৎপা ফুদোকপনা ওইরম্মি শিক্ষা দীক্ষাগী পান্দম ; পুরম্মি রাখল "মী লাকই মদোম হল্লি মদোম, য়েংবা ভাই হিংনবা লম্বী সিগীসু অংগীসু অনীমক্কী মদোম অত্নুম"! য়েংলম্মি লম্বী মদোম লেপ্পা ঙম্নবা সিদগু আদসু অনীমক্কা অত্নুম ; চৎলম্মি সেবাগীনি পুনশি—পোক্লবনি জগৎকী মাইক থোগাই মতেম্মা পুনবা, নত্তে লাকপা জগৎকী অমাঙবা থোক্লবা, পুনরম্মি অত্নুনোং গুণ মরিনা ফুগায়না শাৎলবা পুনশিনা ফিদম্মি মীওইপোক্কী নাংথিদ নাংথিবা। অহনি শিক্ষাগী পরিংদা ভুম্মিরম্বা ছাত্রশিংদা জ্ঞান. কর্ম. যোগ, ভক্তিগী পরেং চতুবর্গ কোম্না ফংনবা। শিক্ষা দীক্ষা অসিগী মতুং ইন পুনবা ফিদম মাওদা থম জনক কুরুনচিংবা রাজর্ষিশিংনা ব্রাহ্মণ ওইনা ঋষি ওই, ক্ষত্রীয় ওইনা নিংথৌ ওই, বৈশ্য ওইনা পায়থিবদুনি পোৎপু লাঙ্গল। অহুসু বর্ণভেদনা থেংনা চংলবা পুরাণগী মুংদনি। ফিদমসিমক চংলম্মি ঐথোয়গী লৈবাকসিদসু—লৈরম্মি কনা থেঙনবু ভুবি চরাইরোংবা সনা হাপ্তুকফাও। লৈমা নিংথৌ পনগী লৈমরোল নিংথৌরোল কাও শূনর্রাম্ম লোশীং লোইনা মীপুম অমা ওইবা মীশাচল। নিংথৌগী মমোম, নিংথৌগী লৈমা পাম্থোইবীনা পাম য়ানবগী রা অত্নুম মম্তানৈ। চীংঙ্গুং সনালোক্কী মপু নোংপোক নিংথৌগীসু অত্নুম মথওনৈ। নিংথৌ পৃথিবগী মমোম শোবোম লাইরেম্মা চম্নু মচীন মনাও অনীনা লো য়ানবগী, কোরৌ অঙানবু নাইশীং চনবগী রারী অত্নুম মরীনৈ। মৈতৈ থূদিং অমাইনি, লাম্লোয়নি. থাবীনি। অমম্নোমদনা, য়েক শলাইগী হোজোম্নিমবা ফুংগা থূদিং নিংথৌ ফুংগা ওাক্লি ; পিবা, নাওদা ফুংগা থায়না চচ্চবদনি শুভম মুংলফাও কমশক্তি অত্নুম মরৈ, মুক্ত। চঙ্গিদে

চপ চানা অদুনোং বৈষ্ণব সমাজ অমা ওইনা পাল্লবদা হিন্দুগী বর্ণভেদ। ব্রাহ্মণদি মশাগী ফুংগা মশক নাইরবনিনা মশানা অতুম চৎলে। ক্ষেত্রী হায়বা অসিমগা করি করিগুম্বদা ব্রাহ্মণ শব্দগী রাপাং নত্রে রাপা ওইননি হায় নত্রে চাম্মোক থাদোক অমা অদুক ওইননি হায় মশীজিন্নে। মাদুগুম ব্রাহ্মণ ক্ষেত্রী, ক্ষেত্রীমচানচিংবা খরসিদং অদুক তাওনা শীজিন্নবনি। বৈশ্য শূদ্রগা হায়বা রাহৈসিদি ইত্তাবু তাদবদোনা অতুম মচৎপনি। নোংমা ফাদোক রারী লাইরিক্কা তাবদা অদুক মথেংনরুবা অতুদনি।

মণিপুর চাঙ্গী পল্লোন্নুংদা পীরা চিপক ঙাক্লবা লৈম্বাক্লি। পীরে পীরা, চিপক ভারে ভানা, মশাগী ভাভম্না লমখাই অচোবা অমা ওইরুবা, তুংইন মশানা লমদাইবুং অমা ওইনা খোক্লুবনা, মালেম্না এহ্লোইঙৈ, ইতিহাসগী ইন্নুংনদি ঙাক্রিঙৈ আ মমাঙদা, থক্তগী হাথরকপা নোংচুপ্পগী হাজিল্লকপা, তুইন অমুক, নোংপোক্তগী হাদোরকপা থাদগী হাগৎলকপা মীগী ঈহৌশিংগী মনীংদি মাগী লৈকোয়হুংসিদা খরদবু ওইরবসু য়াম্নবু ওইরবসু অতুম হেক্ক মতাহৌরবনি। ইতিহাসগী ইনুংনা ঙানবদগী হৌজিক হৌজিক্কক কাওসু লাক্লিবনি ঈথৈ, ফাওরিবনি ঈফূং লমথৈনুংসিদা, লুপশিন্নরিবনি কোঙ্গায় কোঙ্গায়না ঐখোয়গী সমাজসিদা অতুম। মালেমগী মীগী ঈহৌ পূম্নমক্কী ঈথৈ লাক্নুনা তিল্লথিবা অচোবা লমথৈ অমা ওইবনা ভারত ভূমিবু বিশ্ব কবিনা মহামানবসাগর কৌরম্বগুম কোবা য়াই ঐখোয়গী কংলৈসনা পুংসিন্নসু মানবোপসাগর অমা ওইনা মীগী ইরেনবুং। ভারতকী মহামানবসাগর খোঙবান্দা বিশ্বকবিনা খনখিবগুম ভারতমাতাদা "ভারততীর্থ" থক্ষনীংলুই থরায়না কংলৈ সনাপুংগী মীগী ইরেনবুং খোঙবানসিদা খোগল-পঙেং'মত্তং ইমাদা—

লাউ থম্মোই ভোরো লাউ পূণ্যভুমিগী দরশন।
থম্মোই নঙ্গী ওংনভম কংলৈ সনা পূঙয়োন
হেল্লিবা তুংশিনা মাগী ইরেনবুং খোঙবান্দা
কৌবনি মণিপুর ঙাল্লু চাঙ্গী পন্নুংদা।
তুংশিদরা য়েংলো লাউ লোইবি চাংনা পল্লোন কোম
শেল্লিবসে চাংনা লেম শোয়নি মত্তা কিনা কোই।

ঙংশিবনি ভারো লাউ লিরিজবা ঈথোল্লা
শৈরাংলিবা ইমাদা খেক্লা খোয়না ফুরেল্লা।
কচ্চৌ ভক্তি ইমাদা তীরথনি থোইথোইবী
শেংজবদা গঙ্গানি গঙ্গামক্তা ত্রিবেণী।
কৌখক্লনা অহুনোং ভোরিবনি মাবু ধ্যান
জগৎপোকপীহুমক্তি মানি মাদি জ্ঞান বিজ্ঞান।
লাউ থম্মোই খুরুমজরো লাউ চিদ্শকপী ইমাদা
কাউহু খুরুমজো নোংমইমুক তীর্থখোঙবাস্নিদা।

লাকখি মীগী ঈহৌ নোংহৌ নোংহৌ পরেং পরেং
তারৈ তিলৈ ইরেনবুংসিদা পরেংনি পরেং।
তাংখুল মরিং চোথে পুরুম আনাল নানফৌ তরাউ
লাকখি পোংজাই খারম চিরু কোম অকোনবগুম লাউ।
লাকখি তারৈ তিলখি নাম মো পোং রা লোলো টাই
চকপা ফয়েং লৈথ্রাম অঙ্গ্রো খুরখুল চাইরেল শেংমাই।
কবো ময়াং তথেল তেখাউ লাকখি মথং মথং
তিলখি বামোন পাঙল অতৈ কয়া খাই মতম।
লাকখিবনি পরেংনি পরেং তা খিংবনা খিং
থাঙ লেংথোংনবনা থাঙ থোং লৈ কৈদা লাম্বা চীং
তেনশূবনা তেন চীং থঙ্গুম হান লমদাইবুংসি তম
পাল্লুরনি মতা মাইকনা লোক্লু তক্লা লম।
তিল্লাখি অসুম চাম্মা চাম্মা সিন্ধু লোহিত
কংলৈ মনাপুংসিগী মীগী ইরেনবুংসিদা।

ঈঙাং ফুংগা চাম্মনা খুজিংনি ঈহৌরবা
ঈমু ফুংগা থাঙমদে চৈশীং ঈথিল্লবা,
ঈঙৌ ফুংগা লাকঙমদে, মশীং ঈকারবা
তিনখিবনি লোইনা ঈ ঈরীমদা লুরবা।

পুনশিগী

তিনথি মচুহুম—গঙ্গা যমুনা সরস্বতী,
নোংদম মাগী নোংদমখোল, কংলৈপুংদা—ত্রিবেণী।
গঙ্গা লোহিত মেঘনাদ পুনথি অহুম্মা
সেমখি মশাই ঈফম গঙ্গাসাগর তম্মমা।
মুংথি লাল্লাউ সানথি ঙাই কাউনথি ঈরাল্লি
হুংশিনথি চৎনথি "ঐখোয় ঈহৈনি ঈহৈ"।
পোকখি অসুম খোঙবাল্সিমক্তা ঐখোয়গী জাতি,
ঈ চান্মই অপুনবা শক্তম মণিপুরী জাতি।
চেল্লি ঈদো শেংলবা হকচাং থুংনা ইশাদা
কংলি প্রেম মখোয়গী ঈমল ঙসি তীর্থসিদা।

লাউ চৌংবু তম্নু হিংলিবা ইমাই খোম্লাং মপাল
হোঙসি মুক্ত নোহো ইমাই ফাংখোং তোংসনু কপাল।
লাউ নখোয়সু চেক্লাগুম চাক্তাররিবা লন্নাল
তুংওইনরম নপাম লম তাংলরে ইমাই মপাল।
থক্লি ঈশিং চারি হুংশিং সেল্লি নশাই নকোল
পাল্লরি নপারি নমোম নতালোয় লোইনা কোল।
ওইদৌরি নখোয় কয়া কুই কংলৈপুংদা মৌরাল
কংলৈপুংনা কয়া কুই অমুক নখোয়দা লন্নাল!
লাউ তিল্লরো হোঙলসি ঙসি ইমাগী ফাংখোং
খোমজিল্লুরো নরোয় ননাঙ ঙসিগী য়াইফ নোং।
থুংলুদ মনীং কদৌনি মাখিবা চাংমান্দা
কেনথিনি পান্মই কেন্দু কেল্লিদো অরেম্বদা।
মশানদি নৌ মঙম্মদি হক পুঙম্নুদ
কঁঙাওনগল্লি ঙৱৈবশিং পুনশি ইন্থুংদা।

ফৈক্করে ঙহাক ত্রিবেণী খোঙবাম্বা, নত্তে, সাগরসঙ্গম মপান্দা। চৎনুরি
ঙহাক ইমাগী শৈরাং খোগল। তারসি হৌজিক্কি তুথুল। হাজিন্নরকপা।

ফুংগাশিং মতিক মঙল মতীং মঙাল মতুং ইন লম পীক্কা চাউনা কন লৈকোয় সেম পুং লিং পাম্নখি। খোংগ্রেংগী যুগনি। নোংমা লাল, নোংমা লোই, নোংমা ভাই চৎনৈ অতুম—যুগ কয়া কয়ানি। চায় ভা অচৌবনা ভা মচা, হংনদে থক করিগী, চানৈ অতুম অঙম অঙম। চাখি, য়োংখি মৈতৈ ফুংগা অতৈ ফুংগা লোইনবা। নোংদম মাগী নোংদমখোল থঙলুগনি কনানা! পোকখি মৈতৈ সমাজ। লেপখি পরেং অনী—মপু, মনাই। মপু তারকখি মচা অনী—অপাল অপিল, অরাম। চৎখি সমাজদা পরেং অহুম। খোমজিন্নকখি বামোনগী পরেং, চৎখি তুংইন পরেং, মরি—বামোন, নিংথেমচা (অপাল অপিল), হাও (নাই), অরাম। বৃটিশগী আমলদদি মুৎখি পুম্মুং হাওগী পরেং। লেপখি অহুনোং পরেং অহুমদমক।

বৃটিশ মখোয়গী শাসন নীতি মতুং ইন শোকখিদে ঐখোয়গী ধর্ম্ম অমসুং সমাজ। অর্থ অমসুং রাজগী পন্দা লাকপা অহোংবনদি শোক্তবা তৌখিদে, শোকখি ফনবু থীননি। শাসনসিনা পুরকখিগুম তৌখি অপাল অপিলশিংদা বিধাতাগী শাপ অমা শাখিবা, হাও অরামশিংদনা বর অমা নাংখিবা। মুৎখি লোইনা লৈবাক নিংথৌ পনগী লোয়শঙ, মাখি অপাল অপিলশিং লোইনা মখোয়গী হক অমসুং খুভম। চাইরে কাং খোং তুংইন অতুম য়ুম্বাল কৈবাল। লিংনদ্রে নাই ফুংগা। মশা মশামক রানরে হিংবা। থাদোক্লরে নাই লোইনা অতুম। মনীং থরদি তাহোই। সরকারগী আইন্না য়াদবনা মচীন থুপ্পা তাবনি। সরকারনা পাল্লকপা চহী কুন্থ্রামুক্তা হায়রকপা অতুরাইদদি রাজ দরবারগী প্রেসিডেন্ট মি, ক্রফোর্ডনা লোইনা তক্পা মুখৎখি। নাইগীদ নত্তে শাকখিবা, অরামগীসুনি। মুৎখি লৈকাই শঙসারোয় কাবন-চিংবা অরাভম লোইনশা। লৈবাকনিংথৌ পনগী থবক্তা চৈথা পুম্নমক লোইনা মুৎখিবনা জাতিগী পুনশিদা থবক ইকোম কোম্নগুম্বা অমা থোকপ-দগী বৃটিশগী আমলবু তিংথৌ ফোয়দুনা পানবা যুগ হায়না থঙনৈ।

নাইনা নাইফম মুৎ নাইফম কোক পানা থোকচরো মতা থোরক অরাম পরেংদা লুপশিনখিবনা মুৎগ্রে অতুম মখোই পরেং, লেপলকপি অতুম পরেং অহুম চহী য়াম্থেমুক্সি। আমলসিদা অরামগী মশাগী অতাম্বা পরেংমক্তি কায়দ্রপা মর্য্যাদাগী থাক্তদি থাকফম ফম্না হাইগৎখি। আ

পূনশিগী

নিংথোরোল কয়াদগী চৎনরক্লবা অরামগী তয়কপা কা অনীসেম্বি, অহুমসেম্বি লায়োক্সবি অসি লৈবাকনিংথৌ পনময়ক্লপি নত্রবসু লৈবাকপন্না অহুম মুথৎখি। চৎখি লোইনমক্তা অহুম সেম্বি ঙাক। নাই লৈরক্লবা, পানা মচা ঙাক্ত ওইনা ভোয়কপা, নিংথৌ শাগৈগা শিক্তবামগগী মথক্তা, অমরামদনা, নিংথৌ ফুংপা নাউদা ফুংগাগী লৈমশিজ মচা মশূনা নোংমা নোংমগী য়ামখৎলকপা, অমুক অমরোমদনা বিদ্যাগী পন্নাচিংবদা মশক নাইবা কোঙ্গায় কোঙ্গায় চোংথোক্লকপনচিংবা অসি পূন্নমক্তগীনি।

ঙসিদি মুৎলে নিংথৌ খুভম, পান্নে প্রজানা অদুম। প্রজা তম্বু নাপ্র গণতন্ত্রনি চৎজিবা পথাপ। লাক্লি তুইন সগাজদা অহোংবা অমা। অহোংবসিগী মক্কমদা চংলি লাল পরেং অমা থাক্লীনি, হক্লীনি। থওরদ লোইরনি করি করম। নীলা নঙ্গী নীলানি।

গচ্ছন্তু ত্বদিচ্ছা পরিপূর্ণতাম্।

অহুমশুবা মতাং

সমাজগী শিক্ষা দীক্ষা।

বৈষ্ণব সমাজদা বৈষ্ণব শিক্ষাদীক্ষা মশামা অদুম ভাজবনি। চংলি অতুনা ঐখোয়গী সমাজ অতুদসু বৈষ্ণবগী অহুম। অহুমু মতম্রদি নত্তে। বৃটিশ রাজনা পুরকপা মতমগী শিক্ষা দীক্ষাসু হোই চংপা অদুম। অতুনা মতমতুগী শিক্ষা দীক্ষাদি চংলি অনী। অনীমক অয়োবদি নত্তে অমত্ত। অহানবগীনা তম্মি ধর্মগা মোক্ষগা অনীদা মপুং, অকোনবগীনা অর্থগা কামগা অনীদা। মী ঐখোয়দি অর্থগা কামগা অনীদা য়োনা পোকপনি। পাম্নরুই অদুনোং অকোনবগীসিনা হেন্না হেন্না অদুম, ওনশিন্নরকই তুংইন অহুদা অহুম। অহুমু, মতম্মা যুগান্তর চংথংলকপা মতাং ওইবনা মপুংদি লেপ্লি অনীদা অহানবগীনা অহুম। ঐখোয় লোন থরদি খোঙহৌরকপনি অহানবগীদা। অতুনা ঐখোয়গী রাথল, ফিদম, মিংয়েং, পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরোঁ চংলি নম্মা অহানবগী মঙান্দা। য়েক্লি অদুনোং হান্নবা অহানবগী শক্তম মত্তেক্মা লৈয়িনা লাকপা।

মণিপুর চুম্নগী বৈষ্ণব জগৎ অমা নত্তে, ভারত লৈকোয়পুংগী অপুনবা বৈষ্ণব জগৎকী অসুপ্পা শক্তম্নি পিক্তকপা। বিষ্ণুমক নীংবদ নত্তনা লৈবনি অদুম লৈবাক্সিদা হয়গ্রীব (শগোল লাই) অনন্ত (কোংবা লাই), নৃসিংহ (মীনোংশা), গণপতি (শামুলাই), রাম, গোপালকৃষ্ণ নীংবনচিংবা বৈষ্ণবধর্মগী মপুং ওইবা লোইনব।। ক্ষেত্রনা গোড়ীয় বৈষ্ণবধর্মগী ওইথিবনা ধর্মসিগী শিক্ষা দীক্ষানা মপুং অতুক চংপদনি। অতৈ ধর্মখিবিকশিং অসিমু নাগী মাগী থোকপা অদুম পীক্লা চাউনা নীংথি নীংখিনা থাংলিবনি মশরুক মশরুক। অতুনা লৈবাক্সিগী ভশেংবা মশাক্রক্তি অপুনবা বৈষ্ণব-ধর্মগী অপুনবা শিক্ষা দীক্ষানি। মতাং চানা চানা অতুম মউমরক্কনি। হৌজিক্কীমক্তি মপুং লেপ্লিবা গোড়ীয় বৈষ্ণবধর্মগীদ অতুক মপাম্নথংসি, মপায়সি।

গোড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা পীরমবনি। ধর্মসি মমম্নাই তম্ম অমা চংলি। শ্রী, ব্রহ্ম, রুদ্র, চতুঃসন হায়না থওনবা ভারতগী অতৈ

সম্প্রদায় পূন্নমক্কী মপূং ওইবা সম্প্রদায় মরিনা চৎনরিবা ভত্তশিংদগী তোপ্তোপ্পবা অমনি থোইথোইবা। শাস্ত্র পূন্নমক চনবা, সাত্ত্বিক পুরাণ অথোইবা শ্রীমদ্ ভাগবততা ভূমি ওইবা দর্শনগী অসৌবা নীংথিবা তত্ত্ব অমা ওইবনা গৌড়ীয় বৈষ্ণবমত হায়না খঙনৈ। দর্শন্নদি অচিন্ত্যভেদাভেদবাদ হায়না লাচল্লি। মরন্নাই তত্ত্ব অসি চৎপনা সম্প্রদায়না গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়, ধর্ম্মনা গৌড়ীয় বৈষ্ণবধর্ম্ম কৌনৈ। গৌড়দেশগীনি হায়দুনা গৌড়ীয় হায়বনি। গৌড় হৌজিক্কী পাশ্চিম বঙ্গগী থায়নচৌগী মিংথৈ 'মনি। অসিননি ঐখোয়গী লাইগুরুশিংনা ধর্ম্মসিবু গৌড়ীয়া, ধর্ম্মসি চৎপবু গৌড়ীয়া চৎপা, ধর্ম্মসিগী নীতি নিয়ম ঙাক্না চৎপবুনা গৌড়ীয়া তৌবা হায়নরিবা।

খ্রীষ্টগী কুমজা ১৪৮৬ তনি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা মালেম থোঙদাবা। মহাক্না থোঙদারবা মতং অঙকপনি। গর্ভদা থা তরাগা হুমদোইনি লৈবা। সিংহরাশি সিংহলগ্নদা পোকই। ষড়বর্গ অষ্টবর্গ অনী ভূনা ফৈ। গ্রহ পূন্নমক উচ্চনি। মশক ঙক্না মুংশিনা ফজে। মশা লৈতেংঙি চিহ্ন কয়ানা মহামঙ্গলগীনি খঙনবা। লমদাগী থানিল হুমিত্তনি মহাক্না গর্ভদগী চোং-থোকপা। গ্রহণ থোকই। গঙ্গাদা স্পর্শস্নান তৌদুনা বৈষ্ণবশিংনা হরিধ্বনি তৌরকপা, মুস্লিমশিংনা হুগাইবোই করিবোই মতৌ তৌদুনা হরিবোল লাউ-রকপা, গঙ্গাগী থোঙমং তোর্বাল নবদ্বীপ জগৎ হরিধ্বনিনা পূনিল নিল্লকপা। তাক্না অহুমক্তা থোঙদাই লৈদা চৈতন্যদেব। মপা জগন্নাথ পুরন্দর, মমা পোকপা মপু নীলাম্বর চক্রবর্ত্তী ঈশ্বর থাজবা পণ্ডিত ঙাক্লি; পুনৈ মবুক্তা নত্তে লাক্লিবা অঙাংসে অচম্বা। পোল্লি মমিং নামকরণদা বিশ্বম্ভর—ভগবানগী অচকপা নাম। নাম নির্থেক্লি, কান্নদবা অরেম্বনি হায়নৈ। চুমদবা নত্তে অহুম্, চুম্মি অহুম। অহুবু নিরর্থক ঙাক ওইবদি নত্তে, সার্থক্ অহুম মওই। চৎলি অহুম অর্থ, পাল্লি অহুম মিংকম। ধর্ম্মশাস্ত্রগী রাকমদি থাজবনা থাজবা, থাজদবনা থাজদবা, অহুবু থমখিসি। ইতিহাসরোমদা চঙসি, ঙরাং নহান্দগী ফোঙ ফোঙ শারিবা মিংকম অমনীদংদবু য়েংসি। বিশ্বকবি কবিতানা মঙাল ওই ঙানথি বিশ্বজগৎ, ওইখি রবিদ রবি (ভুমিত্, ভুমিৎ); ঋষি অরবিন্দ দিব্যজীবনগী ভত্তনা হুংশিবা মনম ওই, ওইখি অরবিন্দন অরবিন্দ (থম্বান্দ থবল); সাধক মুকুন্দ পৌখি ভারত্তা

মুক্তিগী মন্ত্র, মানথি মুক্তিগী লম্বী, ওইথি মুকুন্দদ মুকুন্দ (মুক্তি পীন-হৈবদ পীনহৈবা)। বাপুজী পীনখি ভারততা স্বতন্ত্রতা মপাগী নিষ্কাম কর্ম্মনা, ওইথি করমচাদদ করমচাদ (নিষ্কাম কর্ম্মীদ কর্ম্মী)। লোইবা লৈরোই থারুবগী, লৈরিবনি কয়া কয়া, চাম্মা চাম্মা, লিশীং লিশীং। মিংফম্না সার্থক ওইরবা থেংডি হেক্ত পল। পানথি মিংথোল বিশ্বম্ভরগীসু। পীথকথি জগৎ প্রেমগী অমৃত, ঈংথি মবুক প্রেম নংলবা জগৎ। তুনথি জগৎ মখোঙদা, লাৎনথি লাইনি মাগী প্রেমগী শক্তম। ওইথি বিশ্বম্ভর বিশ্বম্ভরদ বিশ্বম্ভর (জগৎ য়োকপা মপু)।

চৈতন্যদেব ঙক্ত ঙকপা অঙাং ওইথি নবদ্বীপ পূম্বদা। পূর্ণিমাগী থানা মশেক্লা মঙালগা লৈদা কুম্লকপগুম, লৈমায়দা চৎলবগুম থোকথি নীংথিবদা। মিৎকম খুদিং হুথি, গুমথি থম্মোই খুদিং। অদ্বৈত আচার্য্যগী আচার্য্যানী সীতাদেবী শচীদেবীবু লুনা তৌই। অঙাংনা কুমারমক্তুম ফজমনথিবা উবদা তিমু লাইমুগী থুকথি মবুক্তা, থোনথি মমিং, মথোয়না শোক্তনবনি, নিমাই—নিম্মুক থাবা অঙাং। শচীদেবী মমা অমা ওইনা জগৎকীদা মরায়বক থীগ্রবীনি। মচাহুপী নীপাল পোক্ক শির পোক্ক শির নংলবীনি। মাপলহুবদা লাকপা মচানিপা বিশ্বরূপ মুংলম্বদগী মথা থাজদনা অমসুং তারকপনি। মচা শিমম্লুনা শিক্লোরোইদ কিরবী তনিক তনিক হিংলবী থম্মোইনি। আচার্য্যানীগী প্রেমগী মিংথোলসি থোকথি মঙোম্দা অম্রুত মতম। কৌজথি শচীদেবী মচাবু নিমাই মপুনশি চুপ্পা। মপানা থোঙবা বিশ্বম্ভর, মমানা কৌজবা নিমাই— মিংফম অনীমক হাপ্নথিদে নাপ্লদা কনা নিপা মুপী অমত্ত নবদ্বীপকী। কৌনথি মমিং মানা মানা থোকপা— কনানা গৌর, কনানা গৌরাঙ্গ, কনানা গৌরচন্দ্র, কনানা গৌরহরি। অদুনোং ভক্ত পরমপরা শরুরকপনা শরুরি ঙসি ভক্তশিংনা মাগী মঙ্গিরয়া—

গৌরাঙ্গ সুন্দর
নব নটবর
তপত কাঞ্চন
নদীয়ার ইন্দু
... ...
(কজবা গৌরাঙ্গ

নোঙবা জগোইবা

সনাগুম হেঙবা

নদীয়াগীনা থা)

নৎথিদে চৈতন্যদেব মমা শচীদেবী, মপা জগন্নাথ পুরন্দর, ময়াম্বা বিশ্বরূপ-কীদ, নিপা মুপী খ্বায় পূম্নমক্কানি নবদ্বীপ অপূম্বগী। তাকথি সার্থক ওইরগদৌরি মপানা থোনখিবা মাগী নাংথিবা মিংফম বিশ্বম্ভর।

মশাগী অহকপা মগুন পুঙমদবননি থঙদে তনৌ তনৌবা অঙাং ওইবা মহকচাংনা নত্রে ইন্নুংদা ঈথক্কবা মঙান্না মমিৎনা মশক থুনা উংলনি তাকপগুম জগত্তা তৌবননি থঙদে থীনা ঙাওনা হৌই নিমাই। কুম্মি গঙ্গাদা পুংগক চাউরক্কৰা মতম। গঙ্গা পূজাগী রুম্নকপা লৈশাবীশিং, অচৌবা থঙদে মচা, থংলি— হায়, "করিগী গঙ্গা পূজা ঐ লৈরিঙৈদা ! মশাসু ইনাইনি, মাগী নিপা শিবসু ইনাইনি, তৌ ঐঙোন্দা পূজা।" য়াদে, নোকই লোইনা লৈশাবী ময়াম, থৈদুনা চংকে তৌনৈ। হৌজি কদৌনি ! মূনবি লৈ চন্দন, নমজৈ মথন মমায়দা চন্দন, শিজিঞ্জৈ মঙক্তা লৈ পরেং, মুম্লি চায় নৈবেদ্য। "নিপা ফজবা ফংজো, নিপানা পাম্বা ওইজো, নচা অফবা তরেং তরেং পোকচৌ, লক্ষ্মীনা ভাণ্ডারী ওইজো, পীরবনি ঐগী পূজাগী বর" হায় নোক্লা নোক্লা মীপুম খুদিং কোয়রৈ লৈনা লৈনা য়েং। পূজা থুগাই শাউজিন্নৈ. মবুক্তদি পেন্নজৈ মাগী ইন্নুংদ মুংশিবা শাউগে কৌবা ঙমদবা মশক্তা। খুম্নৈ অয়াম্বনা "হোয় পেনবিরো ইবুঙো, পেনবিহৌরো মুঙাইবিহৌরো, চচ্চরে।" লৈথোকফাক্তে, নোকই লোন্না, চংনৈ অতুম পূজা কায়বগী নাচুংলুবা তৌদ করিমত। চৎনা চংনদুম মু মুদুনা য়েংনৈ মঙোন্দা নোকফেং নোকফেং পেন্নজরুবরা থঙদে মাগা থেংনক্করদো নুজা ওইবী মথম্মোইনা চন্দ্ররাশিংদুগী। চেনখিবা য়াওরো কনা'মা নাম্মোক্কুনা, লাউই শুক্কোক্কুনা, "নিপা হুম্বা ৰায়থু-নাংবরা, তুরোল তুথা থানাংবরা !" কি, থুকই মবুক, হঞ্জিহকই শাউজিন শাউজিন্ননা "সে ফম্মুসে" হৌই পূজা। নম্মি চন্দন, কংলি লৈ, কায় নৈবেদ্য— থুরুম্মি। ফংঙি বর, হায়জিন্নৈ মচান্দদি "পেনবিরবরা ইবুঙো", পেইজ্ঞ মবুক্তদি, নোকচৈ লোন্না হৌগং হৌগংনা য়েংজৈ থর চং তুংহল লোন্না থৌরাংলু মুংশিবা মমায়থোং। অঙকপনি গৌরাঙ্গগী গঙ্গা খোঙমুংগী লীলা। খোঙমুং মাগী রাজ্যনি। মানা ঙমদবা লৈতে কনামত,

লোইনা ইণ্ডমদ ভম্মি। থোকখি লীলা পরেংসিদা নোংমদি ভক্ত ভকপা অমা, কুম্নকথি গঙ্গাদা পূজাগী পুংগক চাউরবী হুপীমচা'মা। লক্ষ্মী কৌই। বল্লভ কোবা আচাৰ্য্য অমনা পোকপনি। চহীদা নিমাইনা খিংকাদা লৈবা হেক থংম নাউমমক্নি। "নং অপাম্বা নিপা ফংনীংবরা, ঐ মহাদেবনি, পীগে, ঐগোন্দা পূজা তৌজো" হায়রুই নিমাই মঙোন্দা মোমোন মোমোন হুংশিনঃ য়েং। লক্ষ্মী নমথি তুমিন নিমাইদা চন্দন, হুকথি মঙক্তা মল্লিকা পরেং, কংথি মখোঙদা লৈ, কাথি নৈবেদ্য, থুরমথি মখোঙমক শোক্লা মকোক। থকখি মিকুপ'মক্তং মমিং থ়ম্না নিমাইগী হুংশিনা ফজবা মায়থোং— মিৎলুদদি পিরাং। পিনা নঁঙি পি। উরু লক্ষ্মীগী মিৎলুদা প্রেমগী পিরাং পিরাংনখি নিমাইগী মিৎম্না থম্বাল। নীংসিংলকই মতাংসিদা চণ্ডীদাসকী

> দুহুঁ কোরে দুহুঁ কাঁদে
> বিচ্ছেদ ভরিয়া
> (কপ্পরি তম্বাক তম্বাক কোল
> লাংলু কায়ন-মৈশা)

মিলন্দা বিচ্ছেদগী চৈনা ফংবা বিচ্ছেদদা মিলনগী রস চুপ্পা খোঙফম্নি প্রেমগী অতাবি। পিরাংনখি অদুনোং হৌনদুনা মিৎম্না থম্বাল মরি।

খোঙচুংদা শৈশাবী লাক্লবদনা লোইখ্রি নিমাইগী লীলা। ঈশিং মচুংগী লীলাম্ন লৈরি কয়া। অদুবু লীররোই, শাংগ্রনি। মাগী লীলা পরেংসিদি মতমদুগী সমাজদদি পূমকায়নি, থীনা কায়গ্রবা ঙাক্নি। মখোই ব্রাখল, ফিদম, মিংয়েং, পান্দম্নচিংবা পূম্নমক্তা থীনা শোকগ্রবা ঙাক্নি। অদুবু, নিপা থঙদে হুপী কনামতনা করিমত হায়দে। লীলাদা অফবা ফত্তবা, তৌহৈবা তৌহৈদবা পূম্নমক লীলানি হায়দুনা মুভাইনা পঙয়েংদা য়েংনবগুম য়েংনবনি মানা হেক তৌরিমথৈ পঙচুংদ মুভাইনা পঙনোক্ত নোক্তুনা অদুম। অঙকপনি নিমাইগী গুন, নিমাইগী লীলা।

ভাওরে ভাওনা বুদ্ধিদদি বৃহস্পতিনি। লাইরিক গঙ্গাদাস চক্রবর্ত্তীদা তম্মি। তাকপগা থঙবগা, থঙবগা হৈবগা হৈবনা হাম্লি। অঙকপা মওংনি নিমাইগী। নীংসিংলকই মতাংসিদা হৈমবতীগী শিক্ষাগী মতাংদা কালিদাসনা হায়খিবা ব্রাকম

তাং হংসমালা শরদীব গঙ্গাং
মহৌষধিং নক্তমিবাত্মভাসঃ
স্থিরোপদেশামুপদেশকালে
প্রপেদিরে প্রাক্তনজন্মবিদ্যাঃ।
(তাইরে গঙ্গা কাংঙা মপৈ শরত্তা,
ফাওই মঙাল অহিং মহৌষধিদা।
ফুদোরকখি অতুম হৈরকপা মহৈ
লাক্লবদা মতম তান্নবা মহৈ।)

চহী থরদংদগী মতুংদা লোইখি তক্লা ব্যাকরণ, কোষ, কাব্য, অলঙ্কার। ফাওখি হৈবা খঙবদা নিমাই। ঙক্লখি নবদ্বীপ লোইনবা।

অমত্ত ঙায়বা ময়াম্বা বিশ্বরূপ পাথং পুংগক ফারকপা মতমদা থাদোকখরে লোম্না মন্নুম। মপুনশি তেহকপননি থঙদে, মচা বিশ্বরূপকী থোঙ্গল পূম্মুং মুৎপগুম তৌখিবগী মৈশা নাংবননি থঙদে লৈখিদরে ঙস্তানা মপা জগন্নাথ পুরন্দর। ইমুং মপু পান্দবগুম তৌরে। নিমাই টোল অমা হাং মন্নুম লেপ মমাগী মতেং পাংনবা য়েংলগে নাংলে। মশাগী চহীনা তরাগা তরুক হায়রকপদা মঙায়রিঙৈনি, লিংখি টোল অমা মুকুন্দ সঞ্জয় কোবা লৈকাইগী মী অমগী চণ্ডী-মণ্ডপ্তা। তম্বিখি কলাপ ব্যাকরণ। চন্নখিদে ছাত্রনা চিংলূ চায়রা, ফাওখি হুমিৎ থা থরদগী মতুংদা নিমাই মপা লৈতবা, তাঙদ খাঙবা ওজানি হায়না হুমিথাগুম মশেক মঙাল চাউরবা পণ্ডিত চাম্বা চান্মনা খূজিং ওই পৈরবা নবদ্বীপ্তা। অদুবু, অহাঙবদা চৎলি অদুম মাগী শিক্ষাগুরুগীদা মশাগী অধ্যয়ন মপূং ফানবা।

টোলনা নাংথিনা চখরনা পাংলে নিমাই মমাগী মতেং শেন থুম্মচিংবগী মরম্ব অয়াম্বা মপূং ওইবা অপূম্ব। রাংলি অমা উম্রে, মমাগী অন্মারনি, পোখাবা কোবা ফংজদবা ইমুংগী থবক্তা। মমাগী মপা থরদং কোমজনবা লেপথি খোঙদাবগে গার্হস্থ্য আশ্রমদা।

লক্ষ্মী নিমাইনা অঙাং অঙাওবা অমা ওইনা ইঙাও ঙাওনা খোয়দাথি উরদা গঙ্গা পূজা লাকপদা, উংথি মঙোন্দা হুংশিবা মত্রো। কৎথি লক্ষ্মীহু হুমিত্ত নিমাইদা ইঙাও ঙাওনা মথরায়, হুকখি হুংশিনা মল্লিকাগী পরেং লাইগীনি

তম্নকপা পুম্পচন্দন খোয়দানা হুংশিনা কৎলবা তুং; কৎথি মথম্মোই পেন্না নৈবেদ্য; কাথি লৈ, তুথি মখোঙ শোক্না মকোক; উৎথিবগুম তৌথি, উৎথি, "ঐনা খোয়দাজবা বরদি নংনি, নংমক্তি, নংদনি" নিমাইদা। "হুক্লবনিকো নং ঐভেন্দা বরমাল্য" হায়থি যোমোন নোক নিমাই। নোকথি লক্ষ্মী ইকাইনা যোমোন; তাথি মিমাইগী শক্তম মথম্মোই লায়মদা শরৎকী গঙ্গাদা পূর্ণিমা থাজ মতম। লক্ষ্মীগী হুপীজা ওইবী থম্মোইগী অশেংবা নিমাইগী প্রেম উবদা হুংশিবিক্লয়বরা থগুদে প্রজাপতি, লাকথি শচীদেবীদা বনমালী ঘটক। নাংসিংথি নিমাই অঙাং ওইরিঙৈগী হুংশিথিবা থৌদোক্কা ঈরোয়ননা নোংমা ইকুই কুইদ্রিঙৈ লক্ষ্মীনা গঙ্গাগী থোঙচংদা থৌয়াংনা য়েংতুনা লৈহৌবা মশা পুমকাউ কাউ মহাক্না অহাঙবদা লাইরিক হন্নবা হল্লকপদা। লুহোঙথি অনী। চহী তরাগা তরুক্তা থোঙদাথি অতম গার্হস্থ্য আশ্রমদা নিমাই।

ওজা ওইরে, গৃহস্থ ওইরে, পণ্ডিত শীংদম্থ চন্নে অচৌবা, অদুবু, ঙাওবদি হন্দে নিমাই। অয়ুক স্নান মতমদনা শান্নে ঈশিংদা ছাত্রশিংগা, হুমিদাংবাই মতমদনা লাঙমিন্নে অমুক মখোয় মখোয় ময়ামগা খোঙবান্দা। লাকথি নোংমা হুমিদাংবাই কাশ্মীরগী দিগ্বিজয়ী পণ্ডিত অমা, সরস্বতীনি। মায়থীথি দিগ্বিজয়ী নিমাই পণ্ডিতকী মফমদা য়াকম অমা অনীদংদদা, লৌথি নিমাইবু শব্দব্রহ্মগী মশক্নক্তি, চঙজথি মথোঙখাদা, কৎথি ভক্তি হোনবিদ নক্তনা মথম্মোইমক য়াওনা তশেং। হুরুথি নবদ্বীপ, শক্লথি মগুন— য়াইফজে নবদ্বীপ, য়াইফজবীমক্তি পোকচক্লবা নিমাই পণ্ডিত। অদুবু, মশাদি হৈপোম্বাগী হৈ তেকথনা পানবা হৈপান্নি, কাঙদে, হাইগত্তে, লুকই মশা থিবিক অপিক অচো লোইনবা— গুণীদ গুণীগী তশেংবা মতৌ।

নিমাই উনীংথি শ্রীহট্ট ঢাকাদক্ষিণ, মপা মপুশিংগী খুনাম্না মতোন্দা লেংলবা লম। শন্দোকনাংই বিদ্যাস্থ। চৎলি বঙ্গ, শন্দোকই বিদ্যা। থেংনৈ ঈশ্বর থাজবা পণ্ডিত অমা। তপন মিশ্র কৌই। নিমাইনা মশাগী চহী মঙাগা হায়-য়কপা অদুয়াইদনি, শচীদেবীনা মাবু অদ্বৈত আচার্য্যগীদা ময়াম্বা বিশ্বরূপ কৌবা থায়। মহাক্না কন্নিমত হংগোইবা লৈতনা আচার্য্যগী সভাদুদা তবিৎ তবিৎ হুংশিনা চঙলকপা উবদা আচার্য্যনা মুম্না য়েংলগা "লাক্লেদনা ঐনা কৌথবা" হুঙাইজথিবদো মিশ্রদদি তশেং অদুম ফাওথি মশাগী মঙকম অমনা, কৎথি

লোইনা মথৱায়, হৌগৎখি ময়ুম ফুক্না ইল্লগে নিমাইগী মতুং। অদুবু, খণ্ডদে, মশাগী তুংগী লম্বী সেমগে মতা থাখি বারাণসী। বিদ্যা কন্না শন্দোক্লিঙৈ য়ুমগী অৱাবা কয়াগী ফংখি খুদম। লাকখি তন্না য়ুম। লৈৱমদ্রে লক্ষ্মী লিন্না চিক্তুনা। ফায় মবুক তুনা মমাগী।

জাতস্য হি ধ্রুবো মৃত্যু ধ্রুবং জন্ম মৃতস্য চ।
তস্মদপরিহার্য্যের্থে ন ত্বং শোচিতুমর্হসি॥
(পোক্লবদা শোয়দে শিবা শিরবদা শোয়রোই পোকপা।
শোয়দনা থোক্লবসিদা ৱানীঁ ঙাই করি লৈরিবা॥)

লাকপা নত্তে মাদি মঙাল লোকপা, লাকপনি য়েনগে মঙাল। চথখি ঈংনা অধ্যয়ন অধ্যাপনা অনীমক্তা হান্নগী মতম ঈংনা অদুম।

নোংমা চৎখি নোংমা লাক চয়োল অমা হৌ থাবুম অমা লান চহী অমা কা কুমওন অমা লাক, হৌগ্রে হুমিৎ থা চহী থর মথং মথং। শচীদেবী, য়ুম লেপ্পবনি, হৌই য়েংবা মচাগী মমৌ। ৱাৎলুনি করম নিমাই পণ্ডিতকী! নদীয়াগী থানি। কৎকেগী কৎকে ঙাক্লি। নদীয়াগী মীপুম খুদিং, নীপা খণ্ডদে হুপী, লুপ্পা ঙাক্লি মঙোন্দা, ঙাওবা ঙাক্লি মাগী হুংশিবা মনমদা। লুহোঙলে নিমাই মমাগী য়াথং মতুং ইন, রাজপণ্ডিত সনাতনগী মচানুপী নীংথিবী বিষ্ণুপ্রিয়াগা অমুক। অদুবু, লক্ষ্মীনা লৈথিদবগা নিমাইগী পুনশিগী ত্যাগলীলাগা করি মরী লৈনবা খণ্ডদে, শকই লোচনদাস মাগী 'চৈতন্যমঙ্গল'দা, শক্লে অতৈ বৈষ্ণব কবি অপূর্ব্বা গৌরপ্রেমগী মশক্লি লক্ষ্মী, কায়নমৈনা লিনগী মশক ওইনা চোং-থোক্তুনা চিকখি প্রেমগী মশক ওইবী নীংথিবী। নিমাইসু লক্ষ্মীনা মাবু হুংশিজবগুম লক্ষ্মীবু চপচানা হুংশিবনি হায়বা তাকই অনীগী পুনশিলীলাগী হুংশিবা মতাং থরনা অদুম। গৃহদা হৈনীংদবা অমা পোক থম্মোইদা ত্যাগগী ৱাথল মমি অমা তাথিবরা খণ্ডদে লক্ষ্মী লৈতবদা! তাবগুম তৌখি পুনশি লীলা তাংকক'মগী অগ্নোইবা ফিজঙ। নোংবাম্বাদা তন্তনা হেক হেক ঈহৌ ঈঙাওরম্বা ভুরেন্না শরত্তা লিরি থোইরি চেল্লবগুম নিমাইগী কঁঙাওনবা পুনশিদা লক্ষ্মী লৈতবগা লোয়ননা লোইখিবগুম তৌখি, ফাওখিবগুম তৌখি মথম্মোইদা ধর্ম্মগী ৱাথলগী মঙাল অমা। লাক্লবরা খণ্ডদে মশক ফোঙবা মতম।

কুইদ্রি বিষ্ণুপ্রিয়া লুহোঙবা। পিতৃকৃত্য লোইনীংলক্লে। চৎলি গয়া ফুক হৌগত্তুনা ছাত্র থরগা অরোইবা পিতৃকৃত্যগী। থেংনৈ মাগী প্রেমা পুল গোবিন্দনা ষঙ্গোম হুনখিবা, মহাকথংগী ক্ষীর লোৎলু ক্ষীরচোর মিংথোল পুখিবা মাধবেন্দ্র পুরীগী শিষ্য ভক্ত ঈশ্বরপুরী। লৌই দীক্ষা গোপাল দশাক্ষর মন্ত্র। লাকই মুম্ব মশক পুম্মোং হোং। তম্বি ছাত্রশিংদা নাম কীর্ত্তন। শকই ছাত্রশিংগা খূবাক থা থাত্নুনা—

হরি হরয়ে নমঃ
কৃষ্ণ যাদবায় নমঃ
গোপাল গোবিন্দ রাম শ্রীমধুসূদন।

নিল্লি মুকুন্দ সঞ্জয়গী মণ্ডপ পুম্নিল।

থাদোক্লে অধ্যাপন, লুপ্লে কার্ত্তন্দা

হরের্নাম হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলম্।
কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা॥

ঈশ্বরগী নামদনি লেঙদবা।
লৈতে কলিদা অতে লম্বীমা॥
তৌ জীবদা দয়া
ঈশ্বরদা ভক্তি।
থঙু ভক্তিগী সাধন
মানি নাম সঙ্কীর্ত্তন॥

তাকই, তত্তে, চোংঙি, শকই, ভাওই—

হরি হরয়ে নমঃ
কৃষ্ণ যাদবায় নমঃ
গোপাল গোবিন্দ রাম শ্রীমধুসূদন।

ফাওখি মশাদা মতাং মতাংদা অঙকপা শক্তম, অঙকপা মঙাল ঈশ্বরগীদ ওইবা। থঙনখি ঈশ্বরনি, জগৎকল্যাণগী লাকপনি। ঈশ্বর থাজবা পণ্ডিত শ্রীবাস আচার্য্য, ভক্ত ওইনা লাক্লবা যবন হরিদাস, শুক্লাবর ব্রহ্মচারী চঙজখি

নিমাইদা, য়াখি শরুক কীর্ত্তন্দা। লাকখি অদ্বৈত আচার্য্য, ফাওরকখি অবধূত নিত্যানন্দ। তিল্লখি গদাধর পণ্ডিত। পুখি কীর্ত্তন্ সুকণ্ঠ গায়ক মুকুন্দ, শ্রীরাম, শ্রীপতি, শ্রীনিধি। শকখি কীর্ত্তন অহিং অহিং ইমুংদা— শ্রীবাসগীদা মপুং, মশাগীদগা মাগী মামা চন্দ্রশেখর আচার্য্যগীদগা মরক মরক। চৎলি, চথৈ, তুপ্পে কীর্ত্তন। চিংখি নবদ্বীপ তংখাইমা।

উরে লাক্লে মতম, য়ারনি নাম প্রচার। পীনরে ভক্তশিংদা বাণী—

তৃণাদপি সুনীচেন তরোরিব সহিষ্ণুণা
অমানিনা মানদেন কীর্ত্তনীয়ঃ সদা হরিঃ।
নাপীদগী থোইনা তুনা উপান্দগী থোইনা ঈংনা
লুনা মীবু নোম্না নশা সোনগনি তত্তনা হরি

নেৎলে নাপী তুথৈ অতুম,
নেৎলিমথৈ থাঙি অতুম।
য়াল্লে উ পুই চৈনা তুমিন
থনবি অতুম স্তুংশা মনিল।
থঙু নাপীনি বৈষ্ণবতি
চৎকনি শাজৎ নাপীগী।
কাউন্ উপাম্নি বৈষ্ণবতি
চৎকনি লীচৎ উপালগী।
লৈতে ঈশ্বরদা বর্ণবিচার
চণ্ডদে ঈশ্বরদা জাতিবিচার।
লৈনৈ লোইনা নায়দা অধিকার
তৌ মীপুম খুদিংদা নামপ্রচার।

চৎলে নগর কীর্ত্তন। পুরে কীর্ত্তন নিত্যানন্দ, হরিদাস। থেংনকরে নোংমা জগাই মাধাই—নগর কাটোয়াল মচীল মনাও। থীনা তৌরে মচীমনাওনা নিত্যানন্দ। ফুরে, চৈরে, ভাহৎলে। ফুজো, তাজো নবুক পেম্না, শোল্লু নায়দদি অমুক্তং। ওনখি মবুক অনীমক, সোনখি হরিনাম, য়াখি শরুক্ল মক্কীর্ত্তন্দা, ওইখি বৈষ্ণব।

নবাব হুসেন শাহ্ মশানা যবন ওইবনা পামখিদে চৎলিবা ধর্ম্মগী ঈরাংতু। ঈশ্বর থাজদবা পণ্ডিত থরগী মন্বাদা হয়াউনা তোং থিংখি তন্না নগর কীর্ত্তন। চোংথোক্লে হৌজিক্তি নিমাই মশামক। চিংলে য়াচঙবদা নগর কীর্ত্তন; তন্নে, য়োরে নবাবকী সনথোভ। মাম্মা, থিংভি করিগী ঐগী কার্ত্তন! নিংথৌনি মাম্মদি, নিংথৌগীদি ধর্ম্ম কনবা, ধর্ম্ম য়োকপা ধর্ম্মনি পঙ্গাউ। ভাঙনখি তত্ত্ব কয়া। মুনখি নবাব গৌরগী গুণদা, গৌরগী জ্ঞান্দা। লৌথোকখি তন্না হুকুম। চথখি কীর্ত্তন। শক্লখি গৌরাঙ্গগী জয় হিন্দু মুস্লিম পুন্নমক। সোন্নখি লাইনি, প্রেমগী অবতারনি গৌরাঙ্গ।

জগৎকল্যাণগী লাকপনি গৌরাঙ্গ। শচীগী বাৎসল্যপ্রেম, বিষ্ণুপ্রিয়াগী মধুরপ্রেম—কত্রং লংলা অনীনা নামিবা ঙন্নুগনি পুনবা মাবু কয়া কুই! নোংমা ঈরাই হুমিৎ অমা, ফাইরেন্না পানথৎলকপা, মশাগী চহীনা কুনগা মরি ফানাং, কামা তোরকপা কাল, লৌখি সন্ন্যাসধর্ম্ম কাটোয়াদা, মাধবেন্দ্র পুরীগী শিষ্য, ঈশ্বর পুরীগীনা গুরুভাই কেশব ভারতীগী মফমদা লৌকিক্কী গুরু নাইবা হায়-বত্নদং থোক্লবা। সন্ন্যাসী ওইরবা তুং ফাওখি নৌহৌনা প্রেমাবতার গৌরাঙ্গ নীংথিবা ত্যাগগী মিংফম্না শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য। কপখি শচী বিষ্ণুপ্রিয়া—বাৎসল্য মধুরপ্রেমগী শক্তম অনী; কপখি গৌড় বৈষ্ণবশিং—সখ্যদাস্য প্রেমগী শীংনাইত্রবা শক্তম ময়াম। প্রেম মরিনা ঈহৌরক ঈচাউ অমা পোক ঈরাকখি গৌড়, ঈন্নায়খি বঙ্গ, ঈয়ৌখি নোংচুপ্তা বৃন্দাবন, থাদা নীলাচল। ওইখি পূণ্য ভূমি মরি প্রেমগী উর্ব্বরা ভূমি। য়েনখি জগত্তা প্রেম, থঙ্খি জগৎ প্রেমগী মহাউ।

শ্রীকৃষ্ণ জগৎকী মূলতত্ত্বনি। অবতার নত্তে, অবতারীনি। পূর্ণ ভগবান্নি। ভগবানগী অকিবা হুংশিবা— রূপ অনীদা হুংশিবা রুপ্তুনি শ্রীকৃষ্ণদি। অমকপা লৈতনা ফজবা, অন্নাংপা লৈতনা নীংথিবা, ভগবান মদোমগীদ ওইবা মফজ, মহুংশিগী মশক্তি। হুংশিবা ফজবগী মশক কাম্না মিহৌবা শকফম্নি মহাক্কীদি। কৌনৈ অতুনা মাবু মদনমোহন— কাম্না লুপ্না শকফম। তিনবনি মঙোন্দা ঐশ্বর্য্য, বীর্য্য, যশ, শ্রী, জ্ঞান, বৈরাগ্য— ভগ তরুক্মক।

ভগবান আনন্দগী মশক্তি। অতুনা পরমরসনি। চুপচগে মশাগী রস, শান্নগে লীলা সেম্বনি জগৎ। বিশ্ব-জগৎ রঙ্গভূমিনি— লীলাপুংনি লীলাগী মশক

ওইবা ভগবানগী। ভগবানগী লীলা চৎলি অনী—অথুপ্পা অমা, অফোংবা অমা। ভগবানগী সৃষ্টিদা অয়োবনি মী। ফাওই মঙোন্দদা মপুং ফানা প্রাণ। কৃষ্ণি অতুনা ময়ক মরক মীগী জগত্তা, শান্নে লীলা ফোংনা হেক হেক মীগী শক্তমদা। শাস্নবদ নত্তে চুম্নদ, ভাকপনি মশক, উৎপনি মাগী লম্বী। ব্রজভূমগী লীলা থোইথোইবনি ভগবানগী অ.ফাংবা লীলাদা। উৎলম্বনি অথুপ্পা কায়দবা লীলা, তাক্লম্বনি লেঙদবা হুণ্ডাইবগী লম্বী, "থিরকউ ঐবু জগৎ, তম্নকউ ঐগী লম্বী, ফংগনি হুণ্ডাইবা থোইথোইবা—সামাপ্য, সাযুজ্য, সারূপ্যনা তানবা ফংদবা সালোক্য—লীলাগী শরুক য়াবগী অধিকার।

গোপালকৃষ্ণ প্রেমগী মশক্তি। কৃষ্ণকপনি ব্রজভূম চুপকে মশাগী প্রেমরস। শান্নথি প্রেমগী লীলা, চুপথি পেন্না প্রেমরস মরি— নন্দ যশোদা অমস্তুং মথোয়গী পরেংদা বাৎসল্য রস। দ্বাদশ গোপালনচিংবা গোপ পরেংদা সখ্যদাস্যরস, রাধিকানচিংবী ব্রজগোপীশিংদা মধুর রস। উংথি ভক্তশিংদা সাধনগী লম্বী— সম্বন্ধনা ঈশ্বর, অভিধেয়না ভক্তি, প্রয়োজননা প্রেমনি। তাকথি ভক্তিদা শুদ্ধাভক্তিনা থোইথোইবনি শুদ্ধাভক্তিগী অয়োবা শক্তম্ কৌই রাগানুগা ভক্তি। পুন্নি ভগবান প্রেম্না—প্রেমদনা, পোল্লি মাদি ভক্তগী মথা।

জ্ঞান, কর্ম্ম, যোগ, ভক্তি— ঈশ্বরগী লম্বী ম্রাক্লি। থোইথোইবদি ভক্তিনি। ফংডি ভক্তিদি অতৈথিবিক্কী ফল, ঙমদে ফংবা অতৈ থিবিক্লদি ভক্তিগী ফল।

ভক্তি চৎলি অহুম— জ্ঞানমিশ্রা ভক্তি, কর্ম্মমিশ্রা ভক্তি, শুদ্ধাভক্তি। জ্ঞানমিশ্রা ভক্তিনা ফংডি মোক্ষ— অয়ানবা থুভম, কর্ম্মমিশ্রা ভক্তিনা সুথ— য়াইফবা মপোক, শুদ্ধাভক্তিনা ঈশ্বর— ঐশ্বর্য্য মশক।

শুদ্ধাভক্তিগী মশক চৎলি অনী। কৌই অমনা বৈধী ভক্তি, অমনা রাগানুগা। বৈধী ভক্তিনা ফংডি ভগবান, রাগানুগা ভক্তিনা শ্রীকৃষ্ণ— পূর্ণ ভগবান।

ভক্তিগী অঙ্গ হুম্ফু মরিনি। শ্রবণ, কীর্ত্তন, স্মরণ, সেবন, অর্চ্চন, বন্দন, দাস্য, সখ্য, আত্মনিবেদন— মাপল্লিনা মপুংনি। থোইথোইবনি কীর্ত্তন্না মাপল্লিদা।

ঈশ্বরদি নামগী মশক্তি, নামশক্তি। সার্থক্তি মাগী নাম থিবিক, নত্তে অমত্ত নিরর্থক। তৌ নাম কীর্ত্তন, পোক্কনি প্রেম। কাউহু সম্বন্ধ শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র, অভিধেয়

ভক্তি, প্রয়োজন প্রেম। শ্রীকৃষ্ণ প্রেমগী মশক্তি, প্রেমশক্তি; ফংগনি প্রেম্না, প্রেমতনা। প্রেম ফংগনি নামকীর্ত্তন্না, তৌ তৎপা লৈতে কীর্ত্তন।

প্রেমগী মশক মথিনি— দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য, মধুরপ্রেম। মধুরপ্রেম্না খোইগোইবনি মথিদা। দাস্যনা মনাই ওইবনা চঙজবা মওংদা ভগবান্দা চঙজবা থঙনৈ। অদুগুম, সখ্যনা মরুপ ওইবনা চচ্চবা মওংদা চঙজবা, বাৎসল্যনা মমা মপা ওইবনা মচাবু শুংশিজবা মওংদা চঙজবা, মধুরপ্রেম্না শুংশিনবী চান্নবী অমনা চচ্চনা মওংদা চঙজবা থঙনৈ অদুম।

মধুরপ্রেমগী মশক চৎলি অনী— বৈধী প্রেম। অবৈধী প্রেম। বৈধী প্রেম পুই স্বকীয়া ভাবনা, পরকীয়া ভাবনা অবৈধী। বৈধী প্রেমদা স্বদে প্রেমগী শক্লোন, স্বই অবৈধীদদি। পূর্ব্বরাগ, রাগ, অনুরাগ, অভিসার, উৎকণ্ঠা, বিপ্রলব্ধা, খণ্ডিতা, মান, মিলন লোইনা চৎলি। চৎলি তুংইন স্বনা ভাব। কায় মপূং প্রেমলীলা। ফংই চুপ্পা স্বনা প্রেমরস। চুপথি অদুনা ভগবান্না ব্রজগী প্রেমলীলা—পরকীয়া রস। লুম্মি অদুনা স্বকীয়াদগী পরকীয়ানা মধুরপ্রেমগী ক্ষেত্রদদি। চঙ্গদবনি অদুনা পরকীয়া ভাবতা ভগবানগী প্রেমসেবা।

লীলাগী মশক ওইবা ভগবানগী অফোংবা প্রেমলীলাগী যোগমায়ানা সেম্বা অফোংবা বৃন্দাবন্নি বৃন্দাবন। পুখোকপনি পূণ্যভূমিসিদা লীলাগী ভগবানগী সাঙ্গ পাঙ্গ লোইনবা। সেম্বনি বাৎসল্যনা খোঙদাফম দাস্যসখ্যনা খোঙলোয়। আনন্দগী মশক ওইবা ভগবানগী হ্লাদিনী শক্তিনা রাসেশ্বরীগী শক্তম লৌ মশাগী শক্তিনা গোপী ময়াম সেম পুরবনি পরকীয়া ভাবতা প্রেমলীলা। ভগবানগীদমক্ত অশেংবা রজঃ— লৈরীক চাইতুনা সেম্নবা, মাগী রজঃ খুদিংমক ভগবানগী চরণ সেবা ফংলবা পূণ্যভূমি বৃন্দাবন। বৃন্দাবনগী দর্শন, মাগী রজঃ থক্তা গড়াগরি অমুত্তং কচ্চবা মহাপূণ্যনি। জন্ম কোটিগী পাপ কোক্লবনি অদুম।

প্রেমগী সেবা চৎনি মওং অনী। অমনা মোদন্নি, অমনা মাদন্নি। মোদন্না ইশাগী চৎপা সেবানি— কাম্নি, কামগী সেবানি। মাদন্না নত্তে ইশাগী পেন্নবা চৎপা সেবা, প্রেমগীদমক্ত পেনবিনবা চৎলুবা সেবানি প্রেম্নি, প্রেমগী সেবানি, নত্তে কামগী সেবা। ব্রজগোপীশিংগী কৃষ্ণপ্রেম মোদন নত্তে মাদন্নি

আত্মলুপ্তনি মখোয়গী কৃষ্ণপ্রেম। কৃষ্ণগীনি মখোয়গী মথন্নায়, মহকচাং, মবুক্লীং। চঙদে মখোয়দা জাতিগী লাজ, কূল, মান, ধর্ম। মখোয়গীদি কৃষ্ণদনা পেনবিরগা লোইরে। মখোয়গী কৃষ্ণপ্রেম প্রেম্নি, নত্তে কাম। পুনবনি অদুনা প্রেমগী মশক ওইবা পূর্ণভগবান শ্রীকৃষ্ণ গোপীশিংনা তন্নাই। গোপীভাবতা চঁঙু ভগবানগী প্রেমসেবা, ফংগনি শোয়রোই প্রেম মাগী প্রেম।

মী মীনি মীমান্নবা নত্তে, থেন্নে মপোক। কনানা পোকই ঈশ্বর নীংনা, কনানা পোকই নীংদনা। নীংনা পোকপা কাঙবুদা চঙদে মায়া পঙ্কল্মক কন্না, নীংদনা পোকপা কাঙবুদনা থোই মায়া, চঁঙি থীন। অস্থুম অস্থুম পুনশিল্লি নোংমনোং, চল্লি মখুং পূমজল, শান্নে শান্ননাংবা মওংদা মনীং তম। লৈতে নাম্বোকপা কোবা মায়াগী থূবাংদগী চেৎলবা। মশানা হৈজরবা অমা নত্রে করিগুম্বা খুদোং অমা মতাম্মা চারু ফংলুরবা মনাম্বোক্তবস্থ নত্তে, অদুম মনাম্বোকই। হৈবা হায়বনা নাম সোনবনি, খুদোং হায়বনা নাম তাবনি, কীর্ত্তন্দা শরুক য়াবনি।

লীলাগী মশক ওইবা ভগবান্না সেম্বনি মী লীলাগী। হৈতদুনা মঙোন্দগী তাম্বদনি। মায়াদা লুপ্তুনা ব্রাবদনি। হৈরবদি মীপূম খুদিংমক শরুক অদুম ময়াই লোইবা নাইদবা কালগী প্রেমগী লীলাদা ফজবা মুংশিবা মহাক্কী লেঙদবা।

নামকীর্ত্তন্না শেংদোকই পুক্নীং, পীনৈ থম্মোইদা ঈশ্বরগী প্রেম। লাকই তুংইন সেবাগী পুকচেল। থোজালগী মশক্তি ভগবান, পীনৈ মহাক্কী হ্লাদিণীগী মঙাল। চিংশিনবি অস্থুম অস্থুম নোংমনোং, শুদ্ধ সত্বসিদা থম্মোই। কাউরকই মশা, পুরকই মবুক্তা মহাক মশামক্কীনি ভগবান। পোক্লকই দাস্য, সখ্য, বাৎসল্য, মধুরপ্রেম মথং মথং অধিকারগী মতুংইন। তিল্লুই ভগবানগী অথুপ্পা লীলাদা, পুরুই সেবা য়ারুই শরুক অনন্ত কালগী অনন্ত লীলাদা লীলাগী মশক ওইবা ভগবানগী। পুই, চঁঙি সেবা অস্থুম সেবাগী সেম্বা জীবশক্তি, তাউজৈ আনন্দদা ব্রহ্মানন্দদগী থোইরবা।

লৈতে ঈশ্বরদা নিপা মুপী। থায়দে মঙোন্দদি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রীয়, বৈশ্য, শুদ্র। নাইদে জাতি, বিজাতি। ঈশ্বরগী চিদাংশনি জীব। মুংশিন্নু জীবনি, মুংশিবা তম্মু। কল্লু মখোয়বু মায়াদা লম্মুক্করিবা।

পাউ শ্রীমদ্ ভাগবত সাত্বিক পুরাণ অথোইবা। থঙ্গনি মশক ঈশ্বর, জীব, জগৎ। শ্রীকৃষ্ণগী মশক্মক্কি। কৎলু ভক্তি, থঙ্গনি শ্রীকৃষ্ণ, মহাক্কী অঙকপা লীলাগী পরেং।

জীব ভগবানগী অংশনি, মাঙদে। মায়াগী ব্রাংমদা ভগবানগী নিত্যলীলাদা শরুক য়াবা ফংনবা হোৎনবনা ধর্ম্মনি জীব মশাগী অথোইবা।

তাকপীথি অস্থম ভক্তশিংদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব।

থাখি রূপ সনাতন ভক্ত মচীন্মনাও অনী বৃন্দাবন্দা, শিন্নথি গৌড়দেশ অবধূত নিত্যানন্দদা। পুখি মশানা দাক্ষিণাত্য। শন্দোকখি কৃষ্ণ উপাসনা, রাগানুগা ভক্তি নীলাচলদগী কুমারিকা লৈচাল থেং। তেমশীংনখি হরিধ্বনিনা সমুদ্র ঈরাউখোল। লেপখিদে, কোয়খি থুংনা অমুক মশানা গৌড়দেশ, তৌখি দর্শন বৃন্দাবন, কাশীধাম। হরিধ্বনিনা নিনখি পূম্লিল মফম খূদিং দর্শন ফংবদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবগী অমকপা লৈতনা ফজবা, অৱাৎপা লৈতনা নীংথিবা, মুংশিনা ফজবা মশক্তম।

কোয়খি অস্থম চহী তরুক, তৌখি প্রচার রাগানুগা ভক্তি। লৌখি মথংগী চহী তরুক অমনা গুরুগী আসন হকথেংনবা ভক্ত কয়াগী। নীলাচলদনি। হাজিন্নরকখি ভক্তশিং— ঈচাউ লাকপনি। তাকপীথি, তম্বীথি ধর্ম্মগী অথুপ্পা তত্ত্বশিং মাগী মাগী অধিকারগী মতুং ইন। অরোইবা চহী তরাগা নীথোইনা হরিদাস, রামানন্দ, সার্ব্বভৌম, প্রতাপরুদ্র, বৃন্দাবনদাস, রঘুনাথদাস, রঘুনাথ ভটনচিংবা ভক্ত থোইথোইবশিংগা লেনখি সাত্বিক আনন্দদা পূম্নপ লূপ। উংখি ভক্তশিংদা, জগৎ পুম্বদা, রাগানুগা ভক্তিগী থোইথোইবা মধুরপ্রেম পরকীয়া ভাবকী ব্রহ্মানন্দনা ফংঙমদ্রবা প্রেমানন্দ।

তম্বারম্মি ধর্ম্মদা ব্রত অহুম— জীবদা দয়া, ঈশ্বরদা ভক্তি, ভক্তিগী সাধন নামকীর্ত্তন। পীনরম্মি উপাসনাদা রাগানুগা ভক্তি, দর্শনদা গৌড়ীয় বৈষ্ণবমত — অচিন্ত্যভেদাভেদবাদ, কাব্যদা— রসকাব্য, সঙ্গীতা কীর্ত্তন, নৃত্যদা উদ্দণ্ড নাচ, লীলাদা রাস।

বৃন্দাবনদাসগী চৈতন্য ভাগবত, স্বরূপ দামোদরগী চৈতন্য কড়চা, রঘুনাথ-দাসগী চৈতন্যাষ্টক, কৃষ্ণদাসগী চৈতন্যচরিতামৃত, লোচনদাসগী চৈতন্যমঙ্গলনচিংবা ভক্ত কয়া কয়াগী লাইরিক্লা মশীং থাঙমদনা লাচল্লি প্রেমাবতার গৌরাঙ্গদেবগী

অঙকপা মপোক, অঙকপা মপুনশি. অঙকপা লীলা, অঙকপা ক্ষতি, অঙকপা অবদান। উৎলি মহাক মশাগী অঙকপা মপোক্লা

কৃষ্মি ভগবান হেক হেক জগত্তা

মায়া মাম্নষগী শক্তমদা

জগৎকী মঙ্গলগী দমক্ত।

শ্রীকৃষ্ণচৈতনাদেব লাকপনি প্রেম য়েনবা জ্ঞান, কর্ম্ম, যোগনা হারবা প্রেম নংলবা জগত্তা। লুপখি মাগী প্রেমদা গৌড়, বঙ্গনচিংবা লৈবাক কোঙ্গায়। পোকখি প্রেমভক্তিগী মশক্লক ওইবা গোস্বামী কয়া কয়া। য়েনখি মখোয়না অমুক নৌহৌনা প্রেমভক্তি অনক অরাপ লৈবাক কয়াদা। য়ৌরকখি ত্রৈখোই লৈবাক্লিন্দস্থ। য়ৌরকখিবমক্তি মহারাজ গরীবনিৱাজ সনাহাক্তত্তনি, লৈবাক-নিংথৌ পনগী লেঙদবা ধর্মমক হেক ওইরবনা শাই মচীয়্মনাও অনৌগী মত্তুংদগীনি। ইবস্থ অদুম ইগ্রবনি মথক্তা নব্য বৈষ্ণব ধর্ম্মনা লৈবাক্লিদা লাকপগী মতাংদা। ধর্ম্মসিনা লৈবাকনিংথৌ পনগী ধর্ম্ম ওইরবা, তুংইন গোবিন্দ নিরূপণ তৌদুনা নিংথৌপন্দা সেবা চৎলক্লবা মতমদদি চৎলে অদুম চংকম থোক্লবনিনা সম্প্রদায়গী ওইবা গ্রন্থশিংগী অধ্যায়ন অধ্যাপনা। হৌখি কীর্ত্তনগী শিক্ষাদীক্ষা তুংইন চর্চ্চা অমসুং অভ্যাস। শা লানগী খূংগু খূংলাই তম্বা, মন্ত্র যন্ত্র সাধন তৌবদ থংলম্বা লৈবাক ওইখি তন্ত্র। অধ্যাত্মবিদ্যাগী কেন্দ্র, কীর্ত্তনগী ক্ষেত্র। মিথিলাগী নব্যন্যায়না গৌড়দা অনৌবা নাংথিবা শক্তম অমা লৌখিবগুম লৌরখি গৌড়গী বৈষ্ণবধর্ম্ম, বৈষ্ণবকীর্ত্তন মণিপুর সনালৈবাক্লিদা অনৌবা শক্তম, অনৌবা মনীংথি।

গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়না অতৈ বৈষ্ণব সম্প্রদায় মপূং মশাখিদক্লগী হেনবা অমা লৈ। পোকখি সম্প্রদায়সিদা ভক্ত ভাবুক ভক্তকবি কয়া থোই-খোইবা ঙাক মথং মথং ময়োল ময়োল। মশীং থাঙমদে। মখোয়না শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যদেবগী বাণী পরেং চুয়া লাচনবদ নক্তনা বাণীশিং অদুদা থুপ্লিবা দর্শনগী ধর্ম্মগী লুরবা তত্ত্বশিং কুপ্লবা, লুরবা জ্ঞানদা মচা তানা তানা পান্দুনা সাধারণ জ্ঞাম্না তরাই লাম্বা, খূনবা ঙম্নবা নীংথি নীংথিজবা, যুগ পূম্বগী ওইবা লাইরিক কয়া কয়া পুথোক্লম্মি ; পাম্মোক্লম্মি রসকাব্য কয়া কয়াদা ভাবুক ওইবা থম্মোই খূদিং শুপ্লবা তরাই। অঙকপনি ভাবুক ভক্তশিং অসিগী কৃতি ! পুথোক্লম্মি অঙাংগী ব্যাকরণফাও নাম কীর্ত্তনগা মরী লৈননা থোইথোইনবা। সূত্ররৃত্তি

পুন্নমক ঈশ্বরগী বিষ্ণু, কৃষ্ণ, নারায়ণ, হরি, কেশব, গোপাল, মধুসূদন্নচিংবা নাম পাশ্নুনা ইরম্মি নীংথিবা হরিনামামৃত ব্যাকরণ। তন্নম্মি অসুম সম্প্রদায়দা, ভারত পুম্বদা খোইথোইবা খূদোল মশীং নাইদবা, মমল লৈতবা লাইরিক্কী পরেং। কল্লিবনি ভারতকা সাহিত্যমন্দিরদা কাদুপ পরেং অমা চাউরবা। পাকনি কনানা লোইনা লাইরিকশিং! পুনশিনা অদুম মরোইখিবা লাইরিক্লা অদুম মরৈহোবা তারবনি মশানা অদুম।

বৈষ্ণবগ্রন্থগী অধ্যয়ন অধ্যাপনাদা লৈবাক্সিনা থুনা ৱায়শিনখিবা, অধ্যাত্ম-বিদ্যাগী নাংথিবা অনৌবা কেন্দ্র অমা ওইনা চোংথোকখিবগী মরম লৈজবনি অদুম চাউনা। গোবিন্দনিরূপণগী মমাঙ চহী চহুম্রোমদগীনি লৈবাক্সিনা বৈষ্ণবধর্মগা শকখঙনরকপা। হংস, ব্রহ্ম, রুদ্র, চতুঃসন সম্প্রদায়গী শাখা প্রশাখা কয়া মথং মথং হাজিন্নরকপন. মখোয়গী দর্শন, ধর্ম, রীতি, নীতি, ভজন, পূজন লোইনা চুরক্লবনি খর খর অদুম। অসিসু অসিনি, লৈরি অতৈসু-কয়ানি। মশক নাইবা সাত্ত্বিক পুরাণ খরসু লাক্লবনি হান্নবু অদুম। মৈদিঙু খাগেম্বা সনা হাক্তক্তা লাক্লে তখেল (ত্রিপুরা) দগী সাত্ত্বিক পুরাণ অথোইবা শ্রীমদ্-ভাগবত। মহারাজ গরীবনিৱাজ সনা হাক্তক্তা থোমজিল্লক্লে অনুক তেখাউ (আসাম) দগী পুরাণসিগী দশমস্কন্ধ। সনা হাক্তক্সিমক্তা লাক্লে ব্যাসগী বাল্মীকিগীমক নত্রবসু রামায়ণ, মহাভারত। কৃত্তিবাসাগা গঙ্গা-দাসীগনি। লাক্লবনি চৈতন্য সম্প্রাদায়মক্ম্। রামানন্দীগী যুগ ওইবনা অদুক থুপচিনবগুম তৌবদনি। চোংথোক্লবনি অদুবু রামগোপাল বৈরাগীগুম্বা সিদ্ধবাবা।

জাতিসি দেবযোনি ফুংগানি। চংলি সাংখ্য যোগ দর্শন অনী। নীঁঙি পুরুষ প্রকৃতি— জগৎকা মপা মপা অনী, কৌই মখোয়না জগৎ পোকপবু গুরু, জগৎ পোকপীবুনা লৈমরেল। অহিয়াবু গুরুগী শক্তম্নি পুই, পুই মালেম্বুনা লৈমরেলগীনি। হুমিৎ মিৎনা উবা লাইনি, গুরুগী মশক্তি, গুরুমক্তি লোই। মখোয়গী মার্গনা যোগনি। দীক্ষা গুরুগী লমজিং মথাদা ছায়াব্রহ্ম সাধন তৌবা, ছায়াব্রহ্মগা শক্তিনা কুণ্ডলিনী হোদোকপা, কুণ্ডলিনীগা শক্তিনা চক্র লোইনা ভেদ তৌবা, পুরুষ প্রকৃতিগী মিলন, মিলন আনন্দগী শরুক য়াবা অসিনি মখোয়গী সাধনগী পান্দম। গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্মগী শরণি গুরু, সখী, মঞ্জরীগী

চংলিবত্নগা পরেং অমত্তনি। অনীসিগী অমবু নীংথিনা খণ্ডলবদা অনীমক খণ্ডদি মশানা অত্নম তারবনি। লাইশক লাইমিংগদা অত্নক মথেন্নবদনি থরদং।

মশাগী নীংথিবা কৃষ্টি লৈজবা জাতিমা ওইবগা উপাসনাগী সাধন মার্গনগা অন্না ওইনা ত্তৌবগা লৌশিনবদা কোম্বা, অধ্যয়ন অধ্যাপনাদসু ব্রায়-শিনবদা থোইনা লুদবা ওইনা অত্নম মতাথিবনি। লুপথি অত্নুনোং সাত্ত্বিক আনন্দদা পূমতাউ তাউ ব্রাহ্মণশিং অপাল অপিল কোঙ্গায় অধ্যয়ন অধ্যাপনাদা। চোংথোকথি ব্রাহ্মণ খণ্ডদে অপাল অপিল খণ্ডদে পণ্ডিত কয়া। লৈবাকনিংথৌ পন্না টোলমক লিংবা ত্তৌব্রবসু পণ্ডিতশিং অত্নগী য়ুমথোঙ থূদিং ওইথি অত্নম নীংথিবা টোল অমমম। য়েনখি বিদ্যা অয়ুক হুংথিল য়ুমগী টোলশিংদুনা ব্রাহ্মণ, অপাল অপিল মচামশূশিংদা অয়াম্বা।

বর্ণ মশক হেক খণ্ডবদা তম্মি ব্যাকরণ। তম্মি সাহিত্যনা হিতোপদেশ পঞ্চতন্ত্র। শোয়বা য়াদবা লাইরিক অমনা নিত্যাচারনি। ব্রাহ্মণমচাশিংদি নিত্যাচারগা কোন্নবা পূজা পদ্ধতিসু তম্মি। মতাং অসিদগাদি ব্রাহ্মণ মচাশিংগা থৃায় অতৈগা লম্বী থায়নরপ অত্নম মচৎনরে। ব্রাহ্মণমচাশিংদি ভাগবত তম্মি —তমদবা, হৈত্তবা য়াদে। একাদশী, থাশি, থানিন্দসু মেরা থাবুম চুপ্পদসু অপাল অপিলশিংনা ভাগবত শ্রবণ ত্তৌনৈ। দশাহ মত্নুংদসু প্রেতগীনা মুক্তিগী লৈহৌরিবশিংগীনা পূর্ব্বাংগী শান্তিগীদমক শ্রবণ ত্তৌনৈ। অঙম্বসিংনা শ্রাদ্ধদনি হায় সাম্বৎসরিক শ্রাদ্ধনি হায় নত্রে অনামক্তনি হায় মশা মশাগী সামর্থ্য মত্নুং ইন সম্পূর্ণ পাঠগা লোয়ননা ভাগবত পূজা ত্তৌই। সপ্তাহ কংপসু ব্লাংপা নত্তে। পৌরহিত্য, পঠন পাঠন্নচিংবা পূন্নমক্তি মথোয় ব্রাহ্মণগী মথৌনিনা য়াম্না নীংথিনমক নত্রবসু থবক পুবা য়াবা, ঙম্বগী থাক মথৈ ফাওদি হৈত্তবা য়াত্রবনি মথোয়দি। তম্মি অত্নুনোং ভাগবত, ভাগবতনা মপুং। থৃায় অতৈনা তম্মে গোস্বামীশিংগী লাইরিক্কা, বৈষ্ণবকবিশিংগীনা মপূং। রূপগোস্বামীগী ভক্তিরসামৃতসিন্ধু, উজ্জ্বলনীলমণি, সনাতন গোস্বামীগী বৃহদ্ভাগবতামৃত, বৈষ্ণবতোষণী, হরিভক্তিবিলাস, বৃন্দাবনদাসগী চৈতন্যভাগবত, রঘুনাথদাসগী চৈতন্যাষ্টক, শ্রীজীবগোস্বামীগী ষটসন্দর্ভ, কৃষ্ণদাসগী চৈতন্যচরিতামৃত, গোবিন্দলীলামৃতনচিংবা কয়া কয়ানি তম্নরিবা। রসকাব্যদা ললিতমাধব, বিদগ্ধমাধবনচিংবা কয়ানি। রামায়ন মহাভারত, ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণ, উৎকলখণ্ড

গর্গসংহিতানচিংবা কোঙায়মম্মনি তম্নরিবা। কনানা থাবা শুম্ন্নি, লাইরিক্লম্ম লৌইবা লৈভবা, মীগী রুচিনম্ম পম্খেল অতুম মথেম্নবা। ব্রাংলিবনি থারিবসিদা অমুকম্ম পৱেং অমা অচৌবা— বৈষ্ণব পদাবলীনি। অহিং ঙংথিল অনাগী লীলা পৱেংগী— নিত্য অমস্তং নৈমিত্তিক, চৌষষ্টি রসগীস্ম অতুম তম্নরিবনি কোঙায়মা ইশৈ তৌবা কাঙবুনা থঙনীং হৈনীংবা।

অধ্যয়ন অধ্যাপনা অসিদগী পোকথি পাঠক্কী পৱেং কথক্কী পৱেং। পাঠক-শিংনা ভাগবত নীংথিনা নৈনৈ। অপাল অপিলশিংগীদা একাদশী পূর্ণিমা অমাবস্যাদম্ম মেরা থাবুম চুপ্নম্ম শ্রবণ তৌনৈ। পাঠকশিংন' পাঠগা লোয়ননা ভাগবত্তা থুপ্লিবা তত্ত্বশিং গোস্বামীশিংগী অতৈ বৈষ্ণব আচার্য্যশিংগী মত মতুং ইন শ্রোতাশিংদা নীংথিজনা ব্যাখ্যান তৌই; ভাগবতকী গুণ অমস্তং মাহাত্ম্য শকই, ভাগবতকী শিক্ষাদীক্ষা প্রচার তৌই। লৈকাই লৈকাইগী অপূনবা ওইনা মেরা থাদদি থাবুম চুপ্পা মন্দিরশিংদম্ম ভাগবত শ্রবণ তৌই। অসি নত্তবা চুম্নগী মূল পাঠদ তৌবা পৱেং অমম্ম শ্রাদ্ধ, সপ্তাহনচিংবদা অতুম চৎলি। শ্রোতাশিংদা ভক্তিভাব অতুম মপোক্নে। ভাগবত নত্তবা চৈতন্যভাগবত, চৈতন্যচরিতামৃতন-চিংবগী পাঠদি পাঠক অমা কথক অমা অনী চঙি। লাইরিক থীবা লাইরিক হায়বা কৌই। লাইরিক থীবনা মূল ছন্দ পাম্মুনা শকই, লাইরিক হায়বনা গোস্বামীশিংগী অতৈ বৈষ্ণব আচার্য্যশিংগী মত পান পাম্মুনা অর্থ হায়, ধর্ম্মগী গূঢ় তত্ত্ব ব্যাখ্যান তৌই, অতুনা ভাষ্য তৌবা হায়না থঙনৈ। মথোয়সি নত্তবা কথক পৱেংমা লৈরি, রারী লীবা কৌই। মথোয়দি রামায়ণ, মহাভারত লী। চুম্না লীবা নত্তে, রস তরাগা হুমদোইগী মূর্ত্তি পুথোক্তুনা শীবনি, ভাবুক পূম্নমক্কী, থুপী নিপা অঙাং অহল লোইনমক্কী মথম্মোই অতুম হেক্ত গুম্বনি। লাইরিক থীবা হায়বা, রারী লীবা মথোয়শিং অসিদি ব্রাহ্মণশিংদগীবু হেন্না সমাজদা ধর্ম্মগী শিক্ষা দীক্ষা পীবা ধর্ম্ম প্রচার তৌবা ঙাক্নি। লাইরিক থীবশিংনা রস রসগী মতুং ইন ধীর, দ্রুত, বিলম্বিতদা অনেম অরাংনচিংবা থোম্বাং গুনা থীরকপা তুংইন লাইরিক হায়বশিংনা চপচানা চৎলকপা— অতুমক্তনা থম্মোই থূদিং অতুম গুম্নবনি, মথোয়গী বাণী অমৃত ওইনা অতুম থোক্নবনি। রারী লীবশিংগী রাস্ম অসিগা অমত্তনি। মথোয়না মিৎনা নানা থূংনা শানা থোহলায় থোঙাউ থোম্বাংনা অরা ফুঙাই ঙংশি ঙডোলনচিংবা রসশিং পাম্মুনা লীরকপদা লৈক্ননি

কনা মূন্দবা ! অঙকপা গুণনি মথোয়গী, হাল্লবনি অত্তুম লোইনা মথোয়গী ৱাঙাং খোনফম খূদিং পুক্তা। শন্না, মথোয়সিমক্তি লোককল্যাণগী শিক্ষাদীক্ষা পীগে মত়া ধর্ম্মনা মূর্ত্তি পান্দুনা চোংথোকপগুম্বনি।

লৈরি অসিদা অমস্থ পঙ্গাউনি। পূং ইশৈগী পরেংনি। লাইরিক লাইশুগী পরেংদি লম পঙ্কনবু কন্দে, ইম্ফাল ময়েংল থরদংদনি। মীশকস্থ অথন্নবা মত়ানি। ব্রাহ্মন অচৌবশিংগী মচামশূ, অপাল অপিলশিংগী মচা মশূ, লৈবাক্কী ওজাগুরুশিংগী মচামশূনচিংবা পরেং থরদনি। অকোনবগী পরেংসিদি থায় লৈবাক্কী ওইনা তৌই। লৈবাক্কী অচৌ অপিক, অনেম অৱাং অয়াম্বা থরদবু ওইরবস্থ কাবক মপূং অমা ফানবু ওইরবস্থ পূং ইশৈ তৌবা ঙাক্তি হায়বদা লৈবাক্কী ফিদমগী ৱাকম অমনা লান্দে হায়বা অত্তুম তাকই। নীপা ওইবা অমনা নাম সংকীর্ত্তন মতেক অমা পূরক মতেক অমা পুবা ঙমদ্রবদা মী ওইনা পাল্লুবগী করি কান্নরিবা হায়বসি চাস্থাং অত্তুম মচৎনবনি। ঙসিগী সমাজদা লাইরিক ময়েক থিজুংদং ওইরবস্থ চৎপা পান্নবা, চংনবা হোৎননবগুম্বনি।

কীর্ত্তন নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মনা পীনবনি। ঙসিদি চহী চা মঙামুক হায়রক্লে লৈবাক্লিদা নব্যবৈষ্ণবধর্ম্মগী ঈথৈ অমা লাকখিবা। মৈদিঙু ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তনি। সনা হাক্তক্লিমক্তনি ঙসি নিংথৌ পন্দা নিংথৌরোল মথং মথং সেবা চৎলক্লিবা বিষ্ণুগী স্বর্ণবিগ্রহ মচা অপিথক অসিনা লেঙলকখিবা। ভগবদ্ ইচ্ছা অমদগীনি থঙদে সেবা চৎখি নাংথিবা ব্রাহ্মণ অমনা। ভবানানাথ কৌই শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবনা গৌড় ভ্রমণগী মতাংদা ভাগবত পাঠ ফজবদগী ভাগবতাচার্য্য হায়বা উপাধিনা চানবিখিবা বরাহনগরগী রঘুনাথনা পোকপনি। হয়গ্রীব উপাসক্লি। মশামক্ষু নাতি নিয়ম কায়দনা চৎপা সদ্ব্রাহ্মণনি। মহাক্কা নিত্তি সেবাদা হৌদোকখি কীর্ত্তন। য়োক্তেক অমা য়াল য়োক্তেক অমনা য়ৈ শকখি জয়দেবগী দশাবতার হৌদোকখি অস্থুম কীর্ত্তন। জমিখি কীর্ত্তন, হেনখি অস্থুম নোংমনোং। কৎলকখি নিংথৌপন্দগী পূং অমা। পূজারীগী মরাস্থ লৌত্নুনা লৈবাক্কী পূং অমা তম সাবনি। ঙসিগী অরিবা পালাগী পুংসিনি। লাকখি অতৈ বৈষ্ণব সম্প্রদায় কয়া। তন্নখি কীর্ত্তনদা মথোই মথোইগী থোক থোকপা শরুক অত্তুম। পূং শেন কোম্নবা কীর্ত্তন, সংকীর্ত্তন্না হেক পোকখিবমক্তি তুম্বী চরাইরোংবা সনা হাক্তক্তনি। সনা হাক্তক্লিদনি লৈবাক্লা বৈষ্ণব সম্প্রদায়

তশেংনা তিনবা হোবা। সনা হাক্তক্লিদা লাকখি ব্রাহ্মণ অমা, উৎকলদগীনি, নিযান্দৌনি। বনমালী রায় কৌই, মশাগী ইষ্টদেবতা মদনমোহন কোম্নরকই। মাগী মগুণনা নিংথৌনা মহেন্দ্র গুরুচরণ তৌই, তৌই কৃষ্ণমন্ত্রদীক্ষা। বিষ্ণুমন্দিরগী থৌগল পালা অমা লিংঙি, ঝাল পালানি, তৈবাক্কী সংকীর্তন অহানবনি। মন্দিরগী মোইরবুং থৌগল্ম তৌই সনা হাক্তক্লিদা ঝাল হৌদোকপগা ঈরোয়ননা অতুম। মথংগী নিংথৌ মৈদিঙু ময়াম্বা সনা হাক্তক্তদি নামান্দা ধর্মনা লৈবাকনিংথৌপনগী ধর্ম ওই। শান্তিদাস রামায়েতনি, শ্রীহট্ট নরসিংহ টিলাদগী লাকপনি। মহাক্না সনামাঙদা রামায়ণ হেক হেক শকই। রাম্না মপাগী ব্রাশক ওাক্লবা চঠৌ তরামবিগী বনগী অরাবা থোঙভমদা করি নাচুংবা তৌরুদ, সিংহাসনগী হুঙাইবা অপূন্নদা করি মিহৌ মিত্রাবা লৈরুদ, উক্ত শেং জটা পু তরাই বনগী থোঙশানবা তারকপ, মহাক মশানদি সিংহাসনগী নোংথাঙ চারবা মপাবু তরাই তামা লোংশিল্লবা— লাংখি মথম্মোই অনুতাপকী পুঙমদবা মৈশা অকনবা। চিংখি হৈন শান্তিদাসনা নিংথৌগী সনা পূক্নীং। "ভগবান্দি নাম্নি, জগৎকী ত্রিতাপ মাগী নাম্না কোক্নি হায়ত্তনা ভগবানবু রাম কৌখ্রবনি ঋষিশিংনা। রমন্তি যোগিনোহস্মিনিতি রস ঘঞ্। সোনবিসি মহারাজ রামনাম— কোক্কনি পাপ, ঈঙ্গনি থংবোই।" নিংথৌ লৌখি রামমন্ত্রদীক্ষা, নিংথংখি শ্রীমূর্ত্তি, লিংখি থৌগল পালা। পালা কার্ত্তন রঙ্গগী পালা কীর্ত্তনগী চঙদা কানা রূপা, কীতনা রাধা. ঠাকুর শ্যামা, প্রেমানন্দ, খেলেম্বা, তেনশূবা, ভীম্মোনচিংবা ওজাশিংনা পানথৎপনি। চঙগী মতুং ইন থোনখি বঙ্গদেশ। অতুবু লৈবাক স্থ মফম মতম মতাংগাম্ব ওইনা মওং থরদি পূংদা শেন্দা শৈশক শৈদানচিংবদা চন্নিদবা নত্তে, চৈগোক্তগীবু অতুম মচঙলবনি। হৌজিক্তি, মহারাজ গম্ভীরসিংহ সনা হাক্তক্তগীনি, লৈবাকচাবা, সেবক হায়না অনা চৎলে। লৈবাক্কিগী অহানবা পালাকীর্ত্তন ওইবনা পালা অনীসি অরিবা পালা হায়না নম্না অতুম মচংলি। লাকখি মথংদা রাধাভাব কীর্ত্তন, ঙসিগীনা নটসঙ্কীর্ত্তন। মহারাজ জয়সিংহ সনা হাক্তক্তনি, শ্রীগোবিন্দগী অভিষেক্তা রাসগা কোন্ননা কৎখিবনি। চৌংথোকখি তন্না খুরায়, ব্রাংখৈ, থঙ্বাই, য়াইস্কুল পালা মরি; কাখি সনাকোন্নুংগীগা থানা চৈশীং মঙা। সনা হাক্তক্লিমক্তনি মহাধুমেনগী মন্ত্র তাখিবা। রাজর্ষিগী সনা পূক্নীং মতুং ইন, "ঠাকুর শ্যামাগী লমজিং মথাদা সেবা হৌথিবনি ওজাশিংনা

মহাধুমেনগী পূং পরেং। পোকথি হুপীগী পালা অমসু— য়াসেশ্বরী, নীপাগী পালা মথল অমসু— য়াউশংগী হোলী। কীর্তনগী চর্চা, কীর্তনগী অভ্যাস চংশি, চথখি কন্না অহিং-হুংথিল। নিংথেমতোন (চৌরজিৎ) সনা হাক্তক্কা পানখৎখি মহাধুমেন, কংথি মবাইবুঙো নোংমাইথেম্বা পুত্রম্বগী শ্রাদ্ধদা। পূংয়ৈবা মশীংমক্তি হুফাৎথিদে, মথংগী নিংথৌ ময়াংতাবা (মারজিৎ) সনা হাক্তক্কদি হুখি অদুবু তন্না অদুম। নিংথেমতোনগী সনা হাক্তক্কা লাকথি ঢপকীর্তন। গোস্বামী কিশোরদাসনা হৌদোক্লবনি। পোকথি কীর্তানিদগী ঢপ পালাগা চৈতন্য-সম্প্রদায়গা শয়নগা অদুম। পোকথি সনা হাক্তক্লিংগী ভক্ত থোইথোইবা দীন রসানন্দ। গাথক্লি, গায়ক্লি, মহাকথক্লি চংথিবা কীর্তনগী শৈশক্লা দেশীদ দেশী।

দীন রসানন্দ—

অথাম শাগেদা পোকপনি। কায়নৈ নৌনা, চহী মঙাদা, মমা মপা অনীমক। বিধাতাগী তমথিবা শাপ অমা কোয়কনা লাকপগুম উই মশাদা। অদুবু, শাপ নত্তে শাপ ঙাক, বর ওইনা থোকপসু য়াওই কোঙায়। অষ্টাবক্রগী শাপ তাখি ভগীরথদা নাংথিবা বর, তাখি অদুম অর্জুনদা উর্বশীগীসু। অসি-থিবিক্স, অসিথিবিক ওইরে, বিধাতাগীসু অসিমঙায়। মার্কণ্ডেয় লাকপনি চহী তরাতকক্তগী পুনশি পুত্লনা— বিধাতাগী তমথিবা নোংদম। কংথি মপুনশি ভগবদ্ নামকীর্তন্দা, তৌথি কাল ভগবানবু জয়, ফাওখি মিংথোয়া মুনি-পুনশিবা। নংসিংনরি মাবু, সোয়রি মাগী নাম জগৎনা ঙসি জন্মতিথি পুজাহ্না মশা মশাগী পুনশিগী। য়ানা নংনা হিংউ তোয়া তানা পান্থু তম্নকপগুম লাকপা কোঙায়নি জগৎসিদা। দীন রসানন্দসু মথোয়গী অমনি মশানা অদুম তাজরবা, অমুক হায়রুনিঙায় নৈত্রবা। অদুবু বিধাতাগী শাপ অসে থোকখি মঙোন্দদি বরগুম। অরা অনং অতোন অতাশিংগী লৈ মীনা তরাই ফংঙমদবা গুণ অমা। মপুনশিগী অরাবা থোঙভমদা কনা উবক্তবা চিদ চিয়বা মভাংদা চঙৈজে হেক হেক মথোয়দি ঈশ্বরগী খূয়াথা, কচ্চে তশেং মপুনশি মিংকী পিন্না চাম, ফংজে ভগবদ্ কৃপা।

চতুর্বিধা ভজন্তে মাং জনাঃ সুকৃতিনোঽর্জুন।
আর্তো জিজ্ঞাসুরর্থার্থী জ্ঞানী চ ভরতর্ষভ॥

অক্ষ য়েংবা মীওং মম্বি নীঁঙি ঐবু য়োম্নহে অর্জুন।
অতোনবমা থঙনীংবমা লন পাম্বমা জ্ঞান লৈবমা ॥

লৈরিবসিনি ভগবদ্ বাণী। চঙজখি ঈশ্বরদা অঙাং ওইবা রসানন্দ, কৎখি মথন্নায় মহকচাং তুনা মথম্মোই, ফংখি তুংইন ভগবদ্ দর্শন।

রসানন্দ ইশৈ পাম্না হোই। অঙাং ইওই ওইনা ইশৈ তাবা চৎলি। অফংবা অনকপা ওজাশিং মনাক্তা ফম্মি। অত্রন্নবম্ম মখোয়না শকপা সোনবা তায়। শ্রুতবোধনি, হেক্ত ফায়। মাগী মতৌনা ওজাশিংনা ছুংশিবি, অত্নবু নোংদম খীনা পোক্লকপনা মনীং খুংনা তম্বা ফংখিদে। মানা চঙজকুবা, মাবু চানবিবা ওজাশিং অমনীদি অত্রম্ম থুরেমথৈ লৈখিদে। মখোয়দগী থরদং ফংজ.হৌবা অত্নদনা মহাক্কী মপুনশিগী চেঙজেল ওইত্রনা হিংবা তাখি—নীংবা খীনা কায়খি। চঙজখি ঈশ্বরদা ভোল্লবা মপোক। নীংসিংলকই মতাংসিদা বিশ্বকবিগী ইশৈ অমা।

আমার মাঝে তোমার লীলা হবে,
তাই তো আমি এসেছি এই ভবে।

শান্নবা নংনা লীলা ঐঙোন্জিদা,
লাকপনিদো ঐ লাকপনি জগৎসিদা।
শংলনি পোরোল কাঙলনি খোঙ্গী নাতৈ,
কোক্লনি লোইনা কোক্লগনি ঐগী ঐ।
তাহৌররোই ঐগী কৌবা মচেৎমত্ত।
হে তন্নাম সিদা নঙ্গী জগৎ অসিদা।

হিংলনিদো ঐ শিক্লগা অত্নদি,
শান্নরনি নংনা লীলা ঐ'সিদদি।
থক্লনি লোইনা ঐগী অপাম্বা পূন্না,
তিল্লনি প্রেমদা নঙ্গী অমত্ত চংপা।
অব্রাম্ভাই মচু শঙলবা পুনশিদা
নংদনি লেপ্তোম্নিবা নংদনি নংদ।

কোনখি রসানন্দ গৌরাঙ্গবু মথম্মোইদা চেংনা, কাখি লোইনা অব্বা অনং, কংখি লোইনা মিংকী পি অথাকপা লৈতনা গৌরাঙ্গগী চৱন্দা। শ্রুমিং খুঙ্গিং সন্ধ্যা

য়াচঙবদা তুলসীবোংদা ভমজবা হৈ নৈ থরদংনা গৌরাঙ্গগী পূজা কংলি, মহাক্না হৈজবা ইশৈ থরদংসু লোইনা হেক হেক শক্কুনা মিংকী পিথা লোয়ননা সেবা চঙি। গৌরাঙ্গগী ময়াথং

ভক্তির সাধন সঙ্কীর্ত্তন

হায়বন্তু চপচানা থোকখি মঙোন্দা। যংখিবগুম তৌখি চৈতন্যদেবগী থৌজাল। থম্বিবগুম তৌখি মথমোইনা সাধনগী তত্ত্ব— ঈশ্বরনা সম্বন্ধ, ভক্তিনা অভিধেয়, প্রেমনা প্রয়োজন। চথখি পূজা অসুম কায়রা লৈত কনৌন্নংদা করিস্নং। প্রেমগী মশাক্তি ভগবান, পীনখি কৃপা ভক্তদা।

নোংমা সন্ধ্যা তকুম তবুম্না মতমদনি। রসানন্দ ধূপ থাউমৈ হৈ লৈনা কীর্ত্তনগী মবুঙো গৌরাঙ্গদেবগী পূজা কং চঙলি ইশৈগী থোগল ভাব জগাত্তো— মিংলু অনাদদি প্রেমগী ধারা। যৈরুম্নবরা খঙদে ভক্তগী ইশৈ প্রেমগী মশক ওইবা ভগবানগী প্রেম, চাল্লম্বরা খঙদে ভক্তগী শৈশক জগংকী তেংথাখোইদা ঙংশিবা, ফওংকখি তন্না ভগবান ভক্তগী মিংমাঙদা পাখং অনীগী মশক লৌ। য়ুমগী মপু অমা ওইনা অরাকপা মীপূম খুদংমকপু ভগবানগী মশক্তি, মখোয় থাইগী সেবাবু ভগবদ্ সেবানি খন্না চংপা ভক্তনি রসানন্দ, ওকখি অরাকপা অনীডুবু তরাম। লংফৈনি, য়ুমথুং থিরকপনি হাম্নবা ত্যাবদগী গৃহিণীদা পীখি তন্না পাউ; মশানা অতিথি অনীগী য়াথং লৌরগা চথখি অডুম ইশৈ! সুনবনি মশীং, কায়বা য়াদে মাগীদি— কায়দে, থরু, শিঙ্গাংনি। ফমধে অনডুস্থ অডুম, তায় ইশৈ অনীমক ঙংশিনা য়োয়োন। লোইরে থোগল। হৌরকই ব্বারী

অরাকপা অনীডুনা তন্না অডুম—

অমা— ওজাগী ইশৈ ঙংশিন্নে, লৈরিব্রা অতৈ!

রসানন্দ—লৈজদ্রে লোইরে।

অনীসুবা— ঐখোয়না ইশৈ তৌবনি, শক্কে তাসি।

হৌখি ইশৈ, শকখি অনীমক্না থোঙ্গেল অমত্ত ওই। শক্তি ইশৈনা ইশৈ, তৌরি আলাপ রাগনা রাগগী, পুরি তালনা তাল, চংলি লয়না লয়। খিকথরি, শিম্বরি, চুথরি, হৈথরি রস। চুপ্পি রস রসানন্দ, মন্যাকোং থ য়া, লজ্জে অনাকোং য়াম্নিং

অনীমক থম্না— মনাকোংনা ইশৈদা, মমিৎনা মশক্তা। খঙজদে মশানা মঙলি মশা মঙ, মঙদা মঙলোন। খঙকমস্ত থোক্তে তাইবং মঙফাওনদ্রিবেঁ।

মতম থর লৈশিল্লপ তৌরে। গৃহিণী করিনো ঙকই, মপাল থোরক্তুনা য়েংঙি— অঙকপা মজলিসনি, অতিথি অনাগী হুংশিন্না মশক, হুংশিবা ইশৈ, মপুরোইবগী সাত্তিক বিকার— মুল্লি মথম্মোই, থৎপা ঙমদে মরৈ। উইথৈ খঙদনা উইথরু খবেক চিং মঙফাওনরক্কম নাংসিংলকখি ইমুং, চম্বি খবকী চৈথানা কনবনা মখোঙ থাঙমথাঙমদনা অতম। থনবদি থনখি করিনো মওংমনি। লোইবা মাবা থবকমখে লোইনা পরপ পরপ লোইশিন থঙ্গী নাতৈ খিক্তং কাঙ য়েংখি কুম্নে, তাখি ইশৈ সিদ্ধশিংদনা তাবা ফংনবা।

হৌথরে লোইনা অহিংগী পূজোয়, লাক্লে নিশান্ত, হায়রকই অতিথি অনা "নিশান্ত লাক্লে, চংলগে ঐখোয়, মা উনবা য়াদে, তাঙ্খোখো অমক্তংগা", শক থ শ্যাম করা। লোইবগা "থোঙ্গান্দা মা লৈরে, কৌশিল্লু" হায়। রসানন্দ মঙ ওই হা ওই থোঙ্গাল্লোম থোঙভম থর থাং লাউরকই "কনা লৈ থোঙ্গান্দা, লাউ সিদা।" ওইরম্লে গৃহিণী—লুম্লবনি অনাইগী লক্ষ্মী।

মাখে তাল্লক্সিদা অতিথি অনা, লৈহৌযে অঙ্গগন্ধদি—পুষ্পচন্দনগী হুংশিবা মনম। তাকখি তুমিন হুংদগী মথম্মোইনা "লেঙলক্লম্বনি গৌরনিতাই।" ফাওখি তম্না রসানন্দদা সাত্তিক বিকার— স্তম্ভ (তুমিন হুংবা), স্বেদ (হমাং কাবা), রোমাঞ্চ (তুজুংবা), স্বরভঙ্গ (খোন কাইবা), বেপথু (হকচাংনাকপা), বৈবর্ণ্য (কুচু তাইবা), অশ্রু (পি তাবা), প্রলয় বা মূর্চ্ছা (য়াম্থবা)—তাখি কুইনা লৈমায়থক।

রসানন্দ ফংখি অস্থম ভগবদ্রূপা। হৌদোকখি তম্না লৈবাক্তা কীর্তনগী শৈশক পরেং অমা। লৈবাক্তা অশৈবশিংনা আ এহেল্লোইজেদগী পেনাদা পাম্লুনা শক্লরকপা শৈহৌ অতেনবা তরুক, অশাংবা তরুক কোম্নবা নাহৈরোল হুই-কপল্লোল, শিকপলোল, জাক, লম্বিন, হিরী পাবোৎ, হিরী থাংয়ৈ কোবা শৈশক তরেত্তা মপূং ওইনা তোং সেমখিবনি। গোস্বামী কিশোরদাসনা থীনা য়েংখি। লৈবাকনিংথৌ পন্দা গোবিন্দগী অগ্রদা পীনবা ম্রাথি পরীক্ষা মখোয় কীর্তনে অনী। শকখি রসানন্দনা হাম্না। মহাক্কী রাগদা পাইশিল্লকখি কাকয়েল অমা ইখঙ থঙহৌদনা, তোংলৈ মরেংবান্দা, তায়ৈ ইশৈ রসানন্দগী মমায় চেপ্পা

য়েং। ওক্রখি লৈবাকনিংথৌ, তৌথি জয়ধ্বনি শ্রীগোবিন্দগী। খখিদে রসানন্দ মশাদি। কংথি অসুম পরাজয় কিশোরদাস! চংথি অসিনোং ময়ন্নাই শৈশক পরেংমা ঐখোয়গী নট সংকীর্ত্তন। মুংথি মার্গ চংথি দেশী।

পল্লমী ভায় অমস্তংদগা লৈরি অসিদা দীন রসনান্দগী। চুম্বদ হৈবা নত্তে মাদি ইশৈ, রাগসিদ্ধনি। মহারাজ লক্ষ্মণ সেনগী রাজসভাদা, তায় ঐখোয়না, বৃদ্ধণমিশ্রনা পঠমঞ্জরী রাগ শকপদা মনাক্তা হোৌবা সনা খোংনাংমা কেজি লোইনা তক্লা মনা, ভক্ত জয়দেবগী ভালোয় পদ্মাবতীনা গান্ধার শকপদা ইশৈনা য়োবা গঙ্গাগী খোউদ্ভুংদা ভাবা ছি মথৈ অমস্ত চিখবা লৈতনা লাকই রাজঘাটতা লোইনা, ভক্ত মশানা বসন্ত শকপদনা মনা কেল্লবা খোংনাংদুদা চোংভি য়েন্নীং, ফায় তন্না নারেপ। তায় অমুকস্ত ঐখোয়না বাদশাহ আকবরগী দরবারদা তানসেন্না দীপক শকউ হোই মৈ। দীন রসানন্দগীস্ত অদুম মহায়নৈ।

কুম অমা ঈশিং থীনা তাও শিনৈ লৈবাক তোরা ভুনা। ব্রাহ্মণশিংনা মণবী চান্দনীপালগী মথোয়া শ্রীগোবিন্দগী পূজা কংলি— কায়দে। নীংসংনৈ ভক্ত রসানন্দবু লৈবাকনিংথৌ পন্না। শকথি ভক্ত মেঘমল্লার। হিজগাংদনি, হিয়াঙ হিরেল মক্তুংদনি। তাথি, চুথি, হৈথথি নোং--কোকথি লৈবাক্তী অরাবা।

ময়াং তাকা (মহারাজ মারজিৎ) পক্ষুই কুইনা পানখিদে। অরা লান-গায়বনা হানখি। অদুবু তৌরম্মি কীর্ত্তনগী ক্ষেত্রদদি অবদান অচোবা অমা। ভাংবা ইরাবস্ত, অথা রঘু সনা হাক্তক অসিগী অকাওবা কীর্ত্তনেনি। মহারাজগী সনা পুক্লীং মতুং ইন ওজা অনীসিনা পুখোকখিবনি নিতাই থুমেন।

মহারাজ গম্ভীরসিংহ সনা হাক্তক্কা লাকথি বঙ্গদেশগী রাওজ অচোবা অমা। লৈবাক্লা এটদা লুপথিবনা পালাসি থর তুকথরপ চংলুরে। অদুবু সনা হাক্তক অসিদা সেবক, লৈপাকচাবা হায়না অনী খোক্তনা নোহোনা সেম-গংথি। মপাবুং মহারাজগী সনা পুক্লীংনা পামথিবা মতুং ইন সাত সম্প্রদায়গী অপূনবা শক্তম চাউরাক শক্লা ইশৈ হনবা, চুহায় তরেৎ তরেৎ থম্লগা মথোয় ইশৈহনবা তরেৎপুনা শ্রীরাগ, গান্ধারী, স্বস্তগা, গোরী, কৌমারী, বেলয়ারী, বৈরাগী রাগ তরেৎসি মথং মনাও কায়দনা মথং মথং শকহনবনচিংবা সেমজুবা বঙ্গদেশ থুমেন পানথংখি। লৌথি অসুম মহাথুমেন খোইখোইবা শক্লোম্নি অমা লীংথিবা।

লাকখি মথংদা ফজংগী পূজারী, ধর্ম্মগী মশক ওইবা মহারাজ নরসিংহ। ধর্ম্মনীতি, রাজনীতি— ত. চন্দ্র সনা সিংহ্নেং থম, নৈরাকর্নিংগৌ পনগা চংনবি ফিজোল্, কায়দনা লনা সেম, হৌদোক্লম্মি ঙসিগী কীর্ত্তনগী ফিজোল। পুথোক্লম্মি নীংথিবা ধুমেন গৌরধুমেন। ওজা যদুনাথনা সেম্বনি সনা পুঙ্গীং মতুং ইন। পোকখি জলকেলিস্ম— অপাল অপিল চন্দ্ররাশিংগী অনাস্ববা পালা।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি নতিং কলা পাম্বা নিংখৌনি। পানদস্ম ঙংনা কুইনা পাল্লি। সনা হাক্তম্মি জাতিগী মরম পূম্নমক চাওখংলু লম মতাং অমনি। লাইরিক লাইশু, পুং ইশৈ, জগোইনা পিংহু চেন্না চংপন্দুন লৌই। লাইরিক লাইশুগী থওদে, পুং ইশৈ, জগোইগী থওদে, ওজা রাজে— মথং থাম্ন, মথংনা কয়ানি মপানগীনা কোঙ্গাম্ননি। চোংথোককই তুংইন পাংখোকখনা কয়া, মগুন নৈবা কয়া।

মশক নাইবা ওজাশিং কোর্নাশনমা য়াবমথৈ কোনশিন্নবা সন পালা অনী থোকখি। গুরু নিত্যানন্দগী পালানা পালাহন, কউব্রাজ থাক্নোকপগীনা পালা নহা হায়না চংখি। দস ভূম্ফ মবি কাংনখি, মেল ভূম্ফ মবি নৈখি। মে ইসৈ ওইনা মেলশিংস্ম তানশিংস্ম ফাংই। পোকখিদনি দেবো পুমেম্ম্ সন চাক্তম্মিদা। ওজা যদুনাথনা মহাদেবগী সংকল্প ঠাকুরা সেমখিবনি। পুথোকখি ওজা শঙ্গম্বন রাজমেল চোলোম। সনা পুঙ্গাং মতুং ইন্ননি। ইহকখি পুনাক ওজা হরপ্রবোক-চান্দগী রাজমেল চোলোম অরৈবি। লাকখি তুংইন ওজা খোংজাইনচিংবগী ভুহারগী চোলোম মথন মথন ফজবা নাংথিবা ঙাক। কাখি অতুম মপুং মইর নটগী চোলোম, ওইখি থাদ নাটা নটসংকীর্ত্তন।

সনা হাক্তম্মি মণিপুর চংলি শক্লোল অনী। শক্লোল অমন বিদ্যাগী কেন্দ্রনি। তম্মি ব্যাকরণ, কোষ, কাব্য, অলংকার। চথৈ মথং অপাম অপাম্বা বিষয়— ধর্ম্মগ্রন্থন মপুং। ভমুক অমনা গীত, বাদ্য, নৃত্যগী ক্ষেত্রনি। তম্মি গীত, বাদ্য, নৃত্য— চংলি পুংদবা ইশৈদবা অপাম্বা। ইশৈদা খাল কোম্নবা, করতাল অচৌবরা মচান্না কোম্নবা, রামতাল কোম্নবা, মন্দিরা কোম্নবা কয়ানি। চোলোমদস্ম অতুম কয়ানি। পুংদস্থ অতুমডায়। পুং অরিবা, অনৌবা, খোল, ঢোলক, ডম্ফ, খঞ্জনি কয়ানি। লোয়ননা খাল করতালনচিংবগী মখং শাথেক্লচিংবা কয়ানি। অসিনস্ম লোইবা নত্রি নৈরি তপ-তু-তপকী ইশৈ,

ভুম্বরু, পাখোয়াজ, তবলানচিংবা যন্ত্রগী শিক্ষা, তালিম, পুংদগা কোম্লবা কীর্ত্তন মথল কয়াগীস্ত শিক্ষা, তালিম।

মথক্তা মতাং অমদা সনা হাক্তক অসিগী রাফম অমদা মতাংনা পনবু পনগ্রবনি। অধ্যয়ন অধ্যাপনাগী পরেং, কীর্তনগী পরেং য়েংলুরগনা মণিপুর শ্রীধাম নবদ্বীপনি; মন্দিরগী পরেং, ভক্তগী সমাবেশ য়েংলুরগনা শ্রীধাম বৃন্দাবননি। শ্রীগোবিন্দনা গুপ্ত অমসুং প্রকট বৃন্দাবন তুনা ডানবনি। অওইবনি, অওইবমক্তি, মতমতুগী মণিপুর পূণ্যক্ষেত্রনি অথোইবা, ধর্মক্ষেত্রনি থোইথোইবা। ধর্মগী শিক্ষা দীক্ষা, পঠন পাঠন, শ্রবণ কীর্ত্তন, দর্শন পরশন পুম্নমক্তা জাতিগী পুনশিদা অধ্যাত্মজ্ঞানদনা মপূং ওইনা চংখিবনি।

জগৎকী মূলতত্ত্ব ওইরিবা ব্রহ্মদি অক্ষরগী মশক্তি। লৈ অদুনা ভগবানগী বাণী—

"অক্ষরং ব্রহ্ম পরমং … …"

"ওমিত্যেকাক্ষরং ব্রহ্ম … …"

কৌনৈ অদুনা ব্রহ্মবু শব্দব্রহ্ম, মাগী শক্তিবু স্বরাত্মিকা (স্বরগী মশক ওই), ত্রিধা মাত্রাত্মিকা (মাত্রা অহুমগী মশক ওইবা), অর্দ্ধ মাত্রাত্মিকা (মাত্রা তংখাইগী মশক ওইবা)। ইশৈ ব্রহ্মশক্তিগী মশক্তি, মশক্তক্তি। চিৎকা মশক ওইবা ভগবানগী অংশ, সৃষ্টিদা প্রাণনা নাংথেনা, থোইথোইনা মপূং কারবা মাওইবগী আত্ম—থম্মোইবু হুই অদুনা তরাই। ধংপ্রাণ ওইরবা বৈষ্ণবকবিশিংগী শেংলবা, লৈরবা থম্মোইগী প্রেমভক্তিগী মপাউ, কীর্ত্তনগী নীংথিবা ইশৈশিংনা, পেনাথোম্না শানু, সৌম্রথোম্না শজি, ভুম্বাথোম্না লিনগুম্বা মতম শুম্মি তরাই হেক্ত মাওং খুদিংগী থম্মোই। চিংই মথোয়গী অংকপা শক্তিনা থম্মোই খুদিং ঈশ্বরগী মায়গেদা। মথোয়গী শরণ বন্দন, আত্মনিবেদনগী ইশৈন পান্নবা থম্মোই নত্রবনি মাগীদি। অধ্যয়ন অধ্যাপনাগা ঈরোয়ননা পোক্লিন্নরবা কার্ত্তনশিং অসিগী প্রেমগী মশক ওইরবা ইশৈশিং অসিগী মন্ত্রশক্তিনা মথরায় হাপ চংথিবগুম ভোযি লৈবাক্লিদা রাগাত্মগা ভক্তি শংশংনা মূর্ত্তি পাই।

নোংডাল্লমদাই তু উরকপা মতমদা হৌরবগুম ভৌই হুমিং খুদিং মীপূম খুদিংদা গোবিন্দগী মঙ্গলারত্তিগী ঈংলবা শরিক মথোম্না—

"এস জীব আমার সাথে
কৃষ্ণ দিব হাতে হাতে"

নীংসিংলবগুম তৌই অমুক থালায়রিগীনা। থম্মোই নোংমঃ নত্রে নোংমদি ইল্লি অত্নম।

উনয়কই সংসার অস্থম অস্থম অব্বাবদ অব্বাবগী মশক্রুমনা, পুনরকই চুম্বোইনা মহর্ষিগী বাক্য--

সংসারো দুঃখমেব
(সংসার অব্বাবগী মশক্লক্রি)।

ফাওরকপগুম তৌরকই মুংগী মিস্ত্রা আনন্দগী মশক ওইবা ভগবানগী অনন্ত কালগী অথুপ্পা অনন্তলীলা মুডাইবা ; খোৱাংনরকই চিরন্তন আনন্দ, নীংসিং-নরকই ভক্তশিংগী বাণী

নূনং বৃন্দাবনে রম্যো শৃগালেত্বং মন্যে।
(ঈংজুরবা বৃন্দাবক্তা পোকচগে লমহুই ওই)।

হিংথি—হিংনথি ভুংইন ভুংগী—আ তুংগীদমক ; হিংখিদে—হিংনখিদে হৌজিক হৌজিক্কী। পানখিদে—পান্নখিদে হৌজিক হৌজিক্কীদমক ; পানথি, পান্নখি ভুংগী--আ তুংগী। ধর্মগ্রন্থগী অধ্যয়ন অধ্যাপনা, কীর্তনগী পুং ইশৈ তৌবনা ওইখি লৈবাক্কী শিক্ষা দীক্ষা। নিপা ওইবা অমনা য়ামদ্রবদা লাইরিক মরেক খিস্তুং চৎপা, পুং ইশৈ মতেক অমা শকপা য়ৈবা ঙম্বা, অত্নগুম, মুপী ওইবা অমনা ইশৈ মতেক অমা শকপা শোনবা ঙম্বা অসিনা ওইখি সমাজগী শিক্ষাগী মিংয়েং, দীক্ষাগী পান্দম।

থোকপস্থ অত্নম থোকখি তরাই। লৈকাই খূদিং, নিপা মুপী নহা অহল অয়াম্বা, চৎনৈ দর্শন মথোয় মথোয়গী মন্দিরদা সন্ধ্যা গৌড়া মতমদা, য়াই শরুক গৌড়ী থোগল। ওই অত্নমা মন্দির খূদিং অঙাংশিংগী পুং ইশৈ তক্ষম অহানবা। লৈকাই লৈকাইদা ধর্মপ্রাণ ওইবা মীওইশিংনা য়াস, গোষ্ঠ, গৌর-লীলা হেক হেক কৎনৈ। পর্ব্বদিন লাক-লাকপা মতমদস্থ পুং ইশৈগী মীওই

কয়া কয়ানস্থ নিপা থুপী অঙাং অহনগী পালা, থুবাইপৈ কয়া কয়া লিংখৎনৈ। অতুদা মখোয় কয়া কয়া শুক্তা নাইনা তম্বা হৌই—তশ্মি। পীথোরকপা অঙাং-শিংনা চংথ অতুদগী অতুম ওজাগুরুশিংদা মশক নাইরি। নিংথৌ ফুংগা থরগী চন্দ্ররাশিংগীদি বাধাবু বাধানি ইশৈ ভগোই। মাবা তাই মখোয়দি য়াই শরুক চহীগী পর্ব্বশিং, পর্ব্বশিংগী রাসযাত্রাশিংদা—কুঞ্জরাস, মহারাস, বসন্তরাস; জলকেলি, [illegible] রাসমণ্ডলস্থ।

থোকখি অতুনেং পুং ইশৈ ভগোইগী লৈবাক মণিপুর। ওইনস্থ ওইরি অতুম। অদুগি ভাষাংকা লালিৎকলাগা জগতা পুং ইশৈ ভগোইগা নাংথিবা থোইথোইবা মথল মহেল কয়া তোপ্তোপ্পবা, মখল তানঙমবা।

মতমগী শিক্ষা দীক্ষা

মতমগী শিক্ষা দীক্ষানা মমা লমথিবা মহারাজ গম্ভীরসিংহ সনা হাত্তুত্তনি। অরা লালগী মণিপুর লেভি হভম হল্লিহৃবদস্থ অতুম লৈথখি। মখোয়গী মচা মশৃশিংগী স্কুলগা লিংখি। লৈবাক্তীমক নত্রবস্থ স্কুলদদি মসিনা ইংহান হানবনি।

লাককখি মথংদা লৈবাক্তী স্কুলমা। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাত্তুত্তনি। লৈবাকশিংগী পন্না লিংবদি নত্তে। কর্ণেল জোনষ্টোননা লংপনি। মিডল ইংলিশ স্কুলনি। লৈবাক্তা থোওইবিদবনা চাউদম থীবা হৈ লৈগুম কুইনা য়ৈশিন্দুনা চাউদম থীনা শিংনা হিংখি।

লাক্কে বৃটিশ আমল, সেন্নে অনৌবা রাজ সরকার, খ্রীষ্টগী কুমজা ১৮৯৩ দনি সরকারনা শিক্ষাগী থবক পায়থৎপা। অত্রবু, চৎলিবা শতাব্দীগী অহানবা শরুক লোইনিং লোইমা তৌবকাও হায় স্কুল অমত্ত লৈত্রি। মতাং অসিদা অত্রক লৈরিবা হায়ববু লাওয়ার প্রাইমারী স্কুল থর, অপ্পার প্রাইমারী স্কুল অহুম, জোনষ্টোন মিডল ইংলিস স্কুল অনিদনি। আমেরিকান ব্যেপটিষ্ট মিসনগী কাংপোকপিদা স্কুলমা লৈজবত্রদি লৈজবা হায়বত্রনি— মরম্মাইনি।

শ্রীইগী কুমজা ১৯২৬ তদনি হায়স্কুল অমত্তং চি লাউনা ফাওবা। একজামিনেশন সেন্টর্মশিং কন থুইনা কংদে। চহীসিদা মেট্রিক পরীক্ষা থাবা ঐথোয় তরা তরকই। সিলেট গবর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা ভাংজুনা থাই। অসিমক্কা মতমগী শিক্ষা দীক্ষা মপাংগল লৈনা পোক্লি, মপাল শুককৎ ফত্রি হায়বা অতুম তাকই। অমরোমদনা, বৈষ্ণব শিক্ষা দীক্ষানা স্বতন্ত্রমক নত্রবস্থ সমাজদা মপূং চংলি হায়বা অতুম উংলি। অসিনোংগনি ঐথোয় কুনস্থবা শতাব্দীগী চৈকোল্লী মায়োল থানা মাঙওই-থ্রবা যুগগী পর্যায় মপুং ওইনা চৎলিবা।



মরিসুবা মতাং

ইশ্বাগী শিক্ষা দীক্ষা

শিক্ষা গর্ভদা হোই, মংদা লোই। অভিমন্যু গর্ভদা লৈরিঙৈ হৈরকই ব্যূহভেদ, থুগাইরে কুরুক্ষেত্রগী লান্দা দ্রোণগী চক্রব্যূহ। সংসার অৱাবগী মশক্তক্লি হায়বা ঋষিগী বাক্য, পুনশি দুঃখান্ত লীলানি হায়বা কবিগী মপাউ খঙি তশেং মীওইবা মংদা, অমং য়াথোঙ কুম্বদা— চৎনৈ অদুনোং মীপূম খূদিং মিৎকী পিনা ৱাথৈরম ৱানা হেক হেক।

জগৎ শিক্ষাগী ক্ষেত্রনি, লৈবাক্তা কেন্দ্রনি, য়ুম্না কেন্দ্রগী কেন্দ্রনি। ফংনৈ য়ুমদা ধর্ম্মগী জ্ঞান অমসুং চরিত্রগী পাংগল। অদুনোং চাউই, থোইথোইবনি মীওইবগী পুনশিদা য়ুমগী অবদান। ঐখোই ইমুংদা ঐদনি অঙাং। ইমুংগী মীপূম খূদিং ঐগীদি শিক্ষা দীক্ষাগী গুরু ওঝাক্নি। অদুবু, ইধৌনা থোইথোইবনি। ইধৌগী ধর্ম্মগী জ্ঞান, থম্মোইগী গুণ, চরিত্রগী বলগী মঙান্দনি ঐগী ধর্ম্মগী ভাব, থম্মোইগী গুণ, চরিত্রগী বলনা মমী তমখিবা।

ইধৌদি লাইরিক্স হৈ, ইশৈস্ত তৌই। চুমদ হৈবা তৌবা ওইনা তৌদে, অনীমক্তা ওজাগী থাক্তা লৈবদৌনা তৌই। ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিং লাইরিক তৌবা ওজাশিং য়াম্না লাকই ঐখোই য়ুমদা, তৎপা লৈতে নোংমত্ত। মগোয় মথোয়না শৃক্ শৃক্ৱা লাইরিক্কী অরু অরুবা মতাংগী ৱা পুথোক্নুনা ইধৌগী ব্যাখ্যান হেক হেক তানবগুম তৌই, লোনবগুম তৌই— লোনৈ। মসিনা মশা মশাগী মরম্নাই মরম্নাইগী ৱানি। লৈবাকনিংথৌ পনগী ধর্ম্মগী অরুবা মতাং লাকপদফাও ইধৌগী ৱা তানৈ। নীংসিংলি ব্রহ্মসভাগী ৱাথোক অমা। ইশানা অঙাং য়াম্না ওইরিঙৈ ওইবগা, মতম্নগা কুইমনখিবগা ৱাথোক্কী তাংদাংবা মরমদু-মক্তি তশেংনা হায়বা ঙমদ্রে— কাউরে। মৈতৈনা শালচক্র সেবা চংপগী ৱারা, ঙসি পঙ্কোৎ (পক্ষ) হায়না থঙনরিবা পরেং অসিগীরা, দিবারাসগীরা অমদি ওইরমগনি। ব্রহ্মসভা অনী তানৈ। অমগীনা বিন্দুমাধব পণ্ডিতনা লেপ্লি, অমগীনা লৈহাউথাবা চক্রবর্ত্তীনা লেপ্লি। শিম্নৈ ৱাথোক্কী বিচার শ্রীযুৎনা চৈরাপ্তা। চৈরাপনা মধ্যস্থ ওইরগা পক্ষ অনী শাস্ত্রার্থ তৌনবা তারে। লেপ্রে

স্থমিৎ। পঙ্ক অনীমক্কা ইধৌদা লাক্লখি মত্নংদা। ইধৌগী বিস্তাবত্তাগী মশেক্কা য়ৈথিবগুম তৌথি ঐগী অঙাং ওইবা থম্মোইদা, পোকথিবগুম তৌথি আশা অমা "ওইগে ঐস্ন নোংমা ইধৌগুম লাইরিক হৈবা মীশক অমা"। লাইরিক্কী লাইরিক হৈবশিংনা লাক্লবগুম লাক্লে ইশৈগী ইশৈ তৌবশিংস্ন অতুম। ইশৈ পরেংগী, শৈশক শৈদাগী, করতাল মরৌ মথাগী, মরোলগী, থোঙথাং খূথাং, শাথেক শানোম্নচিংবা কন্না কয়াগী য়ানি হংলরিবা খিররিবা। লাইরিক্কীদা কোম্না কোম্না হৃদ্বগুম খুম্মি, তাকই ইশৈগী, চোলোমগী, করতালগী, তাল-মেন্ন-চিংবগীদস্ন অতুম। লোইনা ইকোম ইকোম কোম্ননি। ইধৌ মশাগীদি থঙদে ঐ ইশাগীদি তশ্বাক্তা ফন্না কন্না হৃঙাইবনা কায় লুতোল, মঁডি থঙ-হৈবগী পুনশিমা ইধৌগীগুম্বা ইশাগী পুনশিদা।

ঐখোই মতমদদি হৌই চহী মঙাদা লাইরিক তম্বা। মাসি

> লালয়েৎ পঞ্চবর্ষাণি দশবর্ষাণি তাড়য়েৎ।
> প্রাপ্তে তু ষড়োশে বর্ষে পুত্রে মিত্রবদাচরেৎ॥
> (কোন্নি লুনা চহী মঙা লাক্লি চেৎনা তরা।
> স্থরে চহী তরা তক্লক মরুপ মতম লৌনি মচা॥)

হায়বা নীতি চংলুবদগীনি। নীতি অসিমক্তি আ থায়না মমাঁঙৈগীনি। অস্থুম চশ্নরকপদগী অতুম চৎনরকপা, চংনরুবদনি।

অঙাংনা লাইরিক তম্বা তারবদা লৈতে মমা মপাগী মনাক্তা, চংলি গুরুগী ময়ুম। গুরুগী ময়ুম হেক য়োবদা অঙাং ওইবা য়াত্রে অঙাং। ওইবা তারে, ওইরে অতুম মশা কাবক ইংপা ঙম্বা মীশক অমা। অয়ুক স্থমিদাংগী থোঙহায় খুহ্লাম, ঈরু মায়থক্তনেচিংবা থবক থৌরম পূন্নমক মশানা থঙনা য়েংনা অতুম তৌজবা তাই। হান্না লৈরম্বা ছাত্রশিংগী মতুং ইন পাংগলগী থবক কয়াদা অঙম্বা শরুক য়াবা তাই। যজ্ঞেন যণ্ডাক চংলি, লৌ শীং ইংথোল শূবা য়াওই, শীং য়েন চনবা চংলি, ভিক্ষা চংলি।

অসিস্থ অসিনি, লৈরি অমুক্তু অব্রাফম পরেং অমা শাথিনা থোকপা, নক্তে, শাথিদ শাথিবা। ব্রহ্মচর্য্যাসাধন্নি। চাবধকপা, তুম্বহিপ্পা, শেংপচাবনচিংবা

পূন্নমক নীতি নিয়ম অমগী মতুং ইন্না চংলি— মনীং কৌবা তম্বা ফংজদে, পীদে য়াদে করিমত। মপাম্বোংদদি তাড়ন্দ তাড়ন্নি, লাক্লবগী অথেংবিনি। মঙ্গুংদনা পককুম্ভন্যায়গী মতুংইন দেহ লিংনবা শীনবনি, লোয়ননা হকচাংগী পুক্নীংগী থম্মোইগী মতীং মঙল মঙাল ফৃদোক্লবা সেম্বনি, মীদ মী ওইনবা য়েংবনি।

শিক্ষা দীক্ষাগী পান্দম যুগতুগীদি অরাম্বঙাই অনীগী ব্রাংমদা লেঙদনা লৈবা আত্মাগী দর্শননি, মাগী মখুভম তানবনি। জ্ঞান, বিজ্ঞান, প্রজ্ঞান তানবদা পুবা ওম্বা হকচাং চঁভি। অতুনা ব্রহ্মচর্য্য সাধন অমসুং পালন শিক্ষাগী অচৌবা অঙ্গ অমা ওইনা চৎপনি— চংলি। পীনৈ দীক্ষা অতনোং গুরুনা শিক্ষদা—

সত্যং শিবং সুন্দরম্

নায়মাত্মা বলহীনেন লভ্যঃ।

(আত্মা সত্যগী মশক্তি,

মঙ্গলগী মশক্তি,

ফজবগীসু মশক্তি,

ফংদে মপাংগনা লৈতবনদি থক।)

পূন্নমক্তি লৈবনা করুম্বনি ঋষিশিংনা বিদ্যারম্ভগী মতাং চহী মঙাদা। অতুবু, মসিমক্তি পথাপ অমা নাইনা নীতি নিয়ম অমগী মথা পোন্না শিক্ষা দীক্ষাগী থবক চৎপা হৌবগী বাদনি, শিক্ষা দীক্ষাদি গর্ভদগী অতুম হৌরবনিনা মশাগী পরেং অমা অতুম মচঙ্কবনি।

পীক্লিঙৈ

(বিদ্যারম্ভগী মমাঙ)

ঐনা জ্ঞান থর থর তারকপা মতমদা ঐখোই য়ুমসি অমুক্তনা টোল-ফুংথিল মমিদাংব্রাইরমদনা ইশৈগী আথড়া ওইনা অতুম লৈরম্লে।

অমুক্তীদা সারস্বত ব্যাকরণনচিংবা লাইরিকশিং তম্বা পরেং অমা, ভাগবত-নচিংবা বৈষ্ণবগ্রন্থশিং তম্বা পরেং অমা— পরেং অনী চংলি। বিদ্যার্থীসু পরেং অনীসিদা মঙা মঙা তরা তরা অতুম মরৈ। ধূপ আরতিগী মতম অংব্রাইদগী ভুক আরতিগী অতুরাই ফাওবা হেক হেক চথে। ফুংখিন্দনা থাল আরতিগী

মরম্ভু খুদীনগা মী লাকপা ঙমোই। কনাগুম্বা ইশৈ শক্লি, কনানা পুথ্রবা ঙাদ্রি, কনা'মনা ফগোই ত্রগি। মদুগা ঙাম্বত্রিগী মত্তম অস্তুবাই লাওবা চৈৱে। কস্রি কুশিগুম্বা লোং, থাবলগা শুবা মতম্মদি ইশৌনা মত্তাগী মাঙমুক্ন লোইবা ঙাইরগা মস্তা মস্তুং কাওবা চথবা য়াওই। মপালগী শ্যাম্ব অসি চঙলগা, থাহোজনা পোথাম্বগা তথেঙ্গী মমাংগী লেবকশিং অমনী লৈবা মমাংগদি, মুম্বিদাংগী ইশৌনা মূক হাজ্রিকাও মথোমগী অমূক চৈথে। মসি সদাইশিমি। চুটি লৈতে। ইশৌনা ইশৈগা থোনবা লেঙবা, কনা কনাগুম্বা লেমকশিংনা গোষ্ঠ, গোৱলীলা, রাসনচিংবা তম্বিকুমগা পানথৎলমদাইদা লেঙবা নত্রে হকচাংগা অত্তুক গুমদ থোত্তবা থোক্লবমদা মরেন্নি। টোলসিদা থগুদে আখড়াসিদা থগুদে ভাবুক্তি ঐনি, ইশৌগী তমদনি হায় নত্রে নাক্তনি হায় ঐহাক লেঙবা ভাবুক পুৱেন্নি।

লাইরিক তম্বিরিবশিংসিদা অঙাংদি থোইনা য়াওদে, পাথংগুম্বদগী মীয়ায় চন্নবগুম্বা ঙাক্লি। লৈত্তুনা শুথম্ব নত্রে লাক্তু্না ভমনি। অত্তুনা, ছাত্রমক্তি হান্নবা য়াদে। মাত্রবম্ব বিদ্যা তাম্বিবনিন' বিদ্যার্থীদি বিদ্যার্থীনি। মপানা সেবক কৌজে। অত্তুগুম কুংথিলগী ইশৈগীদা লাম্বিবশিং অসিম্ব অঙাং য়াওদে। অঙাং ওইনা ইশৈ তৌমুকপদগী পামজত্তুনা চথরগে থম্নবা নহান্দা নহাদি নত্রবগুম্বা পৱেং, মপক মমিং কাবক কাবক নাইগে তৌমগুম্বা, অত্তুনা নাইবা য়ামবদি নাইমগে তাম্বকপা পৱেং, কাবক কাবক নাইগুম লাক্তুম তৌমত্তুনা তশেং নাইবা হায়বত্তু ওইমগে তাম্বক-পৱেং— অসিগুম্বা ঙাক্তনি। মথোমসিম্ব মপানা সেবক অত্তুম কৌজে। মথোম সেবকশিংসি সেবক্তা সেবগ্নি— সেবক্তী ধর্ম অত্তুম চৎলি, থক কায়দে। মথোম মথোমগী মমুম মমমদা পানবা হৈ-য়া, মহৈ-মরোং, মনা মশীংদা নীংথি নীংথিজবা মেংত্তুনা ইশৌদা অত্তুম কৎলৈ, মথোমনা থোকচঙবা ফংজক্কবা ফি-রোল শেন থুমচিংমগীদম্ব ইশৌগী শকক অত্তুম্ মতমকই। অত্তুগী মথক্তা নহা ওইমপ তৌবা কাঙবুশিংগী কাউঙমদবা সেবা অমনা মথোম অমনী অমনী চুংশিমত্তুনা মতম মতমগী এলাং নাপী থাই, শঙল মুংদল লেমজিন্নি, লেশ্বি, কমি কমিগুম্বা মতমদা কৌ চেঙ্গ থোমনচিংবফাও তৌই। ইমুং অনা অয়েক য়াওমক্লবম্ব মথোম মথোমনা তৌবা য়াবা পূমমক তৌই। অসিগুম্বা মম্ভুং মপালগী পঙাউশিংগ্রিদ নম্ভনা

অঙলবা লাকপ'মনা ভুমাঙ শিন্তোকই, শীং য়েম্নচিংবা লোইনা য়েংশিন্নি। কদায়দা করি ব্রাৎকদগে হায়রবসি কম্না য়েংই।

থায়নাওগী মতমগুম্না লৈগাক্লা নিংথৌনা শিন্ন থম্বা গুরুশিংদা লৌ শীং, মণ, সনা লুপা ধর্মগী মিংদা দান তৌদুনা শিক্ষা দীক্ষাগী চাওথৎনবা লম্বী সেমদুনক্ লৈত্রবন্থু সেবকশিং অসিগী ভক্তি শ্রদ্ধা প্রেমগী অর্ঘ্য পূম্নমক অসিনা ইথৌদা থগী সুখ শান্তি পীবগুম তৌই, লম্মীনা লেঙদনা শেনবিগুম অত্থুম মথোকই। চহী মঙাদা নত্রে তরেত্তা গুরুগৃহদা লাকপা করি থঙদ্রিবা অঙাংনা হান্না লৈরম্বা শিন্নশিংগী মতুং পঙইন্দ ইনবগুম্ ইশাগী হৈনিংবা মতম থোকপদা সেবকশিং অসিগী প্রেমগী সেবাশিং অসিগী শরুক হেক হেক য়াই।

শিক্ষা গুরুদি অপোকপা ইপাগী শরুক তরানি থঙনা চৎলিবা সেবকশিংছু নীংসিংলুবদা মতমগী চোয়রবা সমাজগীদমক পোয়েট ব্রাউস্ব্রার্থনা চোয়রবা মজাতিগীদমক মাগী "লণ্ডন ১৮০২" দা মিল্টনদা লাউজখিবগুম লাউনীংলকই ঐস্থু

লাকখো নখোয় সেবক লৈরে নখৌ
হৌজিক কংলৈসিদা !

মীঘি মমামপা লৌবনি— নিপানা মপা, হুপীনা মমা, হায়নৈ। অচুম্বনি, অচুম্বমক্নি। মুম্না মীগী শিক্ষাগী হোদোক্মিন্নবা কেন্দ্রনি— অথোইবনি। নিপানা মপাগা নক্লে—নক্মিন্নৈ। মপাগী লীচং শাজং, ব্রাঙাও খোনফম, ফিজেৎ চাকচা, লাইনীং লাইসোল লোইনা তম্মি—লোই। হুপীস্থু অদুমঙায়। মমাগা নক্লে—নক্মিন্নৈ, মমাগী লোইনা তম্মি—লোই। অনীমক্তা অপূন্বা ইমুংগী মঙাল নত্রগা মম্নি অমূক তাই। মঙান্না মচু লোকই, মমিনা মচু শঙই। পূম্নমক্তি মী মীতুগী মপুন্শিদা কদৌ লেঙত্রবনি, মাঙত্রবনি, মুত্রবনি। তাক্ববা সমাজনা, ডিজুবা মীওংনা, পান্নুবা মতম্না তায়োমম্রফাও নুংনা উনা ননুবা তিংথৌনা শিবা তৌদনা মচু ওন্দুনা থাঙজুম্নগা তাঙ্গা হেক্ ফংবদা থিন্গৎলকপগুম তনৌ তনৌ ইশং ইশং তাঙ্গা লাকপদা অত্থুম হেন্নক্ ফুংদাকই। উন্ মমাঙদা চীংমায়দা তাথিবা গেঁছনা উন লোইথিদুনা থিনগৎলকপদা নাপী শীংনাস্থু অত্থুম মন্নাওমক-পগুম অক্ববম্ন কঙবস্থ অনীমক কোম্নমা অত্থুম হেন্নক ফাওমকপা ঙাক্নি। অদুনা মুম অসি মীপী পুনশিন্না য়াম্না লুই।

ইথৌন্না অমুক লেঙখৎপদা নৈদা থোঙ থাব্রিঙৈ থুং লোয়রদুনা পৃথ্বীস্তোত্র থী, য়েৎন্না জৈযায় লাইবক কৎলি। লোর য়েংলগা যাত্রাগী নাম লোম্নুনা থোঙ থাই। মপাল দাবিদা অমুক থুং লোয়রদুনা সূর্য্যস্তোত্র থী— থুক খুদক খুক্রম্মি। থূলোং শ্রুহক অমা কাম্লগা চীন্ কুপ্তি, মচুং কেঙশিন্নি। মচুং কেঙশিনবদা থুবাক হেক হেক থুই, ভুমিন ৎপ্রপ কহিগুম্বা থর থী। কেঙখোইকপগা পুত্রীদা হকচাং ৎংথাইদি হায়রগা কনা নীংথিনা কোকলু ঙশিং চাইথস্তুনা চাইথে। বৃন্দা চবুভরদগী ভিলক থর নম্মি। ফি অকংবা হোংদোক্লগা সেবকশিং থেংনৈ।

ঐগীদি হিপকমসি অহম্মি। ইথোগরা, ঐঙ্গাগরা ইমাগরা নোংমগী ঐনা হিপ্পীংলুবা মকমদা অদুম হেক্ত মহিহি—ইনীংনি। অমগবু ভুম্নবস্ত্র অমগবু ভুম্নবস্ত্র হোদোকপদি ইথোগীনি। ঐবু হিপকল্লি ভুমগল্লি হায়দুনা চোথে থুনবান্দবা কৌই। ইথোনা হেক কেঙখৎপগা "চোথে থুনবান্দবা হোগৎলো, ঙ্গুম্মিৎনা নম্লনি" হায়দুনা হেক পুথোকই। কৈবাক কৎপি, ঙ্গুম্মিৎ থুকস্থি, "অঙাং মমায় মম্মিৎ ভাবিয়ু" হায়দুনা ইমুংদা থাজিহি। ঐঙ্গাগা ইবেনগা অনীগী অমুক্কী অহানবা থবক্তি ঐগী মায় মিৎ তাবিবা, চৌত্রি থোংদুনা পীজবনি। ঙশিং লুম্বু লুম্বু শাবনা নত্রে অঙ্গংবনা মতম মতম চানা মায় মিৎ তাথোকপি, চীন য়া শেংদোকপি। তম্বাক্তা পম্না পম্না চৌহি থোংদুনা পীজৈ। চৌত্রি চাবা লোইবগা ইথোগী নাক্তা চংলি, তম্বাক্তা ফংদুনা লাইহিকী ভাবুক ওই। মথোয় বিস্তা-থীশিংনা হায়বা থীবশিং অদুদগী ফাহৌবা লাকহৌবা থর ইত্তোমদ ভুমিন ভুমিন হায়দুনা থীদুনা শাম্নে। লাইহিক কোইরদুনা ইথোনা চাইথবদা হেক হেক য়াওই। নিংথমথাদদি ঙশিং অশাবনা লুহিঙ্গা অঙ্গংবনা অমুক থর থর চাইদুনা শেংদোকপি। লাইথুরস্তমদা ফি মচা অমা থাবিদুনা ফম্মহি, চন্দন থিনবিরগা মন্ত্র সোনবা, পাঠগা লোইবফাও অদুম থম্মি। গিরিরাজগী নির্মাল্য বৃন্দাদা কৎপদা পুই, গোবর্ধন পরিক্রমাদস্ত য়াওহহি। ইথোগী নাক্তা পুথম মচা অমদা চাক হেক হেক পীজৈ, চাক তাংন্দনবা, চারিবা পুথম তেংগোৎ য়োৎহন্দনবা কম্না য়েংশিল্লি। চাক থিজুং তাথিবা, পুথম তেংগোৎ থিজুং তৈবা উবদা "ঐগী চাক তাবরা, নঙ্গী করি তানি, ঐগী তৈবরা নঙ্গী করি তৈনি" হেক হেক হায়কই।

ইবৌদি মপানা অত্থুম শাক্তমবনি। নোংমত্ত কৌক তুমদবা লৈতে। নৌংমত্ত অক্তা কেক্তবা লৈতে—থোংগ্রা মতোন্দা মত্থুগী থ্রাচেং অমা লেমহল্লা অত্থুম্ থম্নবনি। চাম্ব নাল্লি, শেংলি নাল্লি, লাইহিক ইবন্দা কাও চে পুনাং চাইন্দে, মুক অমত্ত হাবা উন্দে— খুংই চাং কাম্নদে, ময়েক লুই। মশা নাওবগা শিনকমগা ইংথোলগনা তপোবনগুম ভৌবগা মুনি ঋষিগী আশ্রমদা লৈবা গুরুকুলগা অমা ওইনা অত্থুম মথোক্লবা ইদুংনি।

মতাংসিদা পুনশিগী কাউওক্লবা থবক মগু কয়াম্থ নীংলিংই। ঐ ইশাসি নিঙাই লৈভবা অঙাংনি। পোংকী চৈগী অঙাং'মা ওইবগী নিঙাই ভৌথিকা ঐ ইশানা নীংসংবদা পগুথোক থোকথিদে। মসিগী অয়াম্বা শরুক্তি ইথোগী চাম্নোক ফজবননি, ইথোনা অঙাংগী মনস্তত্ব হৈবননি হাম্নবা তাই। কয়িমত্ত থাংহন্দে। মথুক থোক্লা য়েংথোগী শগোল সাবি—তোংহল্লি; কালোক কোনবি—ওল্লল্লি, গাড়ী চনবি—তোংহল্লি, উহল্লি, তেলংগা সাবি—পাইহল্লি; কাঙজে থাওবি, কাঙক্রম সাবি— শাম্নহল্লি, খুং সাবি, মম্নী তাবি— উংবা তম্বি, উংহল্লি। মতম মতমগী মশাম্ন লোইনা শাম্নহল্লি। ঐনা হুঙাইজবা অমনা য়েংথো মপাল সাবা মতমগা য়েংথো মপাল থোংবা, য়েংথো মপালগী তৌদ্রি থোংবনি— ইথোনা ভত্তনা থক্লা অত্থুম হল্লি। অসিদম্থ নত্রি। য়েম্না লাক্লে তুর্গা পূজাগী দোল চনবি, চে ফুং ফজনা নম্নি, থাকল মাস্তনা লাংকম নীংথিনা সেম্বি, ঘট লিংজ্জনা ইথোনা পূজা নীংথিনা কংপি, পঞ্চমী লাক্লে অতুমঙাম্ন। অত্থনা পুনশিদা অথাংপা মথক থথিদে, অথাংপগী থাথল অমত্ত পোকথিদে।

রাজ্যাসিদনি অঙাং ওইদুনে পিক্লিডে ঐনা পাল্লকপা। অঙকপানি থম্নুবদা! ইপাগী মশাইগোন্দা মভ্যাক্তা চাউ তমম্রবা, "মহী মম্নাহি কনবা অঙাংনি, মহাক চঙ লকপদা ইমুং মাঙ ভাকপা অঙাংনি" হাম্নত্থনা ফত্তবা অঙাং, ফত্তবা মচা শীংদা চনবা ঐহাক্লা পাল্লকপা, চাউরকপা স্বর্গদো ঋষিগী আশ্রমসিদনি। ভবা ভমদে কনানম্থ থঙবা লৈতে কনাদম্থ মীওইবগী পুনশিথোক্তকম্। শঙ্খমিবাসিনি, অত্থনা ভগবান শ্রীবাসুদেবনা

মিপা ওইমই লাইথক,
হলী ওইবই শাজং,
মণি কৌ'ফুই মম্নল
থগুদে মুক ঐকাও।

বিভাগিতগী মতাং

চহী মঙ্গা চঙ্গলকপদা লাইরিক তথা হৌই। ইবোৗনা এনী ইহান হানবা শিননাওকনি। অমবা চুম্রিং অমা নেং হৌনবি পূজাগা তৌ; মৈয়েরোদা গুরু সরস্বতীগী বীজ "ঐঁ" ইঙ্গা হৌই নোংমা লাইরিক তথা। ইযোংদি খুং মায়া কজে, মেন্না কাঙ্লা মশী চাউনা ইঙ্লা তথি। নোংমা নীনিপা মতুংদা বাঙালগী বর্ণ পরিচয় অমা লৈহনুই। মৈতৈলোলগী মপী লাইরিক লৈতবনা মখেং, অমাদি মরৈরয়বনি। মণিপুরগী শিক্ষা বিভাগগী ডেপুটি ইনস্পেক্টরদা ইহৌন হানবা ভোলবাবুগী মতমদা সব ইন্স্পেক্টর্‌রা ইন্স্পো কং পণ্ডিতলা ওইরবা মকরসিংহ কোবা লিপা অমনা ইরকনি। পাঠশালাদা পাঠ্য ওইরকমা পুস্তক লৈরতনু অদুম মতাররবনি। অতুবু, লাইরিক হৈবা লাইরিক শূমা অপাল অপিজলশিংগী মফমদদি পণ্ডচন্ চারিত্রি। চরিত্রিবসিগী মরম অদুম চাউনা মদৈবনি।

বাসনত্তে মণিপুরদা লাইরিক লাইরু পণ্ডতম তয়রবা তৌদে, অপাল অপিজ, অকল অখৌপশিংগী মচা মপূপিংনা থাঙ তা, শা লালগী বিভাদা, সাধারণ প্রজাদা লোউ শীংউ, মিংখৌ পলগী লানুংদা অদুম মথো ইনবনি। লাইরিক লাইরু হৈভবা মাদে মতা অদুক কায়দনা তথা হায়বদবু মপা মপুগী খুভম কংহৌমবা, শিংখৌনবা পণ্ডিত লোয়শঙ কাবা পণ্ডিতশিংগী মচা মপু, অমাই লোয়শঙ কাবা লৈরাক-শিংথোগী অমাইবশিংগীদা থমলনি। জাতিগী মরক জাতিগী লাইরিক লাইরু লৈজয়বয় অখঙ অহে মথোম থয়দনা পূবনি—পায়বনি। থ্ াই চুপাইগ্রস্থ অপাল আপিজ অকল অখৌপশিনম পণ্ডচঙ চণ্ডনুমা পঙপোক পোঙ্বা ন.ডা। অদুক পাম্বা থয়লংমা ইবা পাবা ভেকাওলংগা মডোয়পা অমুম মতৌকপগি। তৌরমে, তৌরকে অমনোং লৈরাকনিংথৌ পারম্ অথঙ অহৈশিংনম অজাং লাইরিক ভবিলরগী থৌঙ্গাংনি অমত। লিংবে, লিংলকে পঙ—অজাংগী তথা; লৈভে, লৈরকে লাইরিক—অজাংগী তথা।

অয়লোয়ামা, মৈরমবৰ্মনা পুরকথি শিক্ষাগী মহৌ অতৌখলি অমা। লৈবাক্লিংখৌ পমা তৌলমচিংবা লিং থোঙ্বা মীরক লৈবমচিংবা তৌথিনমজ্ ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংগী চুমখোঙ চুমিং লৌনবি তোলমী মথক। তৌলশিংলিমা তৌথি কম্মা অদুক চংখিল শিক্ষাগী প্রচার। জাতিগী ব্রাহ্মণ, ক্ষিত্রয়, মিংলেং, পাজব,

পুনশিংগী অর্থ মরো গুঙকপা মতুংইন অপাল অপিল কোজাময়মন্থ য়াখি প্রচারগী শরুক। ভাময়কপনা ধর্মশিংনা চেংকপা লোনশিংনা, মপুংমক ওইনদি সংস্কৃত, বাঙলানা জাতিগী নৈতিক নৈমিত্তিক ক্রিয়াকাণ্ডগী মরোম্ব ওইনা চৎনবগী অপাল অপিল ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংগী লোংম লোংমগী পুনশি খোঙকমদা অতুম থম থম অতুমতুম তোংশিনবগুম তৌখি। মখোয়গী য়াভাও সংস্কৃত, বাঙলা, ব্রজবুলিগী শব্দশিংনা পুখি, পয়েং শানা অতুম চৎখি। মৈতৈয়োল শিথরো তম্বা মতা থোককখি, শিথখি অতুম লোংমলোং; মৈতৈ ময়েক, মৈতৈ লাইরিক তাথি থীনা কাম্বখাঙ।

লোইবা নত্রি অসিনা, লৈরি অতৈম্ব কয়াম্বা। সংস্কৃতি লাইরিকী লোল ওইজবগী ওইজবা লৈজরে অতুম। বাঙলাদি ধর্মগী কায়দোং ওইবদ নত্তনা চঙ চঙ লাউনা হিংলিবা চৎলিবা লোম্নিনা লৈবাক্লিংথো পানবগী থোয়মদম্ব শরুক তম্না য়ায়কখি। ঐখোই লৈবাক্না কম্পানী বাহাদুরগা শম্নবা হৌবসি মহারাজ গৌয়শ্যামগা মহারাজ জয়সিংহগা নিংথৌ মচীন মনাও অনীগী সনা হাক্তকনি। কলিকাতানা মখোয় কোম্পানীগী কোম্মুং ওইবগা, শাসননীতিনা বৃটিশ কর্মচারী পুম্নমক বাঙলানচিংবা ভাবতকী লোল মপুংশিং হেক হেক তম্বীবগা বাঙলা লোম্না ঐখোয়গী অর্থ অমম্থং রাজনীতিগী ক্ষেত্রদা মতাং অসিমত্তমগী মফম চাউনা কনবা হৌখি। জগন্নাথদাসগা হরিদাসগা গোস্বামী অনীনা মথং মথং লৈবাক্লিংথো পনগী এজেন্ট ওইখি। মতুংদা লাকপা নিংথৌশিংগী সনা হাক্তক-শিংদম্থ বাঙালী নত্রে বাঙলা হৈবা তত্থেল ময়াংদা পোক্নবা মৈতৈ, নহি ক্ত্রে মৈতৈগুদা মীওইশিংগী মতেং হেক হেক লোখিবগুম—লোংগুম, তোবদগী লোল অসি লৈবাকনিংথো পানবগী হিংনরম অমা ওইনা থোকখি। শম্না, লৈবাক অসিগী ধর্ম, সমাজ, অর্থ, রাজনীতিগী খানকদবা লোল অমা ওইনা লোখি। হৌজিক ইংরাজী হৈবা মীবু অথণ্ড অহৈ শীংদা চম্নবগুম বাঙলা হৈবা মীবুম্থ অতুম চম্নখি।

পঞ্জাউ অমনা হৌখিবা শতাব্দীগী কোইরমদাই, বৃটিশনা ঐখোয়গী লৈবাক অসি লোম্নুনা পানবা হৌরকপদা বাঙালী কর্মচারীশিংনা অচৌ অচৌবা থবক লোইনা পায়। সরকারনা শিক্ষাগী চৎনবী য়েংকপা মতমদা মখোয়না লৈবাক অসিগী ওইরিবা মগুং অসিদা পুরোং লোম্নুনা বাঙলাগী মাধ্যমদা শিক্ষা পীরবা থীরদি পীখি।

ময়ম থিবিক অসিদগীনি ইথোনা মকয়ম্নিংহগী 'মপী লাইরিক লৈনা লৈনা, পাঠশালাদা খুম্নক লৈরক্কা ভঙয়ে খওনা খওনা বর্ণ পরিচয় ওইনা লৈকখিবা।

ময়েক মশক থয় থঙলবদা য়্রাচেংকী কলয়া মৈত্তে চেলা ইবা নিত্যাচার অমা পুথোক্‌না ত্তুরি। অহুম অহুম চথয়কপদা হেক হেক থেংনমকপা পৃথ্বী-স্তোত্রগুবা পূময়ক চান্দা লোইনা পুহল্লি। মকম মতম চানা শীখিময়বমু ত্তখি। অয়ুক হৌগৎপদা থুং লোয়রক্লা স্তোত্র অসি থীরগা লৈবাক কোক কস্তুনা খোঙ থাবা কায়বা য়াদে। থা কনা য়ায়া চথয়ক্কুনা লাইরিকসি লোইনিং লোইবা ভৌয়রুবা অহুবাইদা চান্দা ব্যাকরণগী অ আম্ থয় থয় অহুম ত্তখিবা হৌই। মত্তা চাক্কবদা ত্তম্লিবা লাইরিকসিমক্কদমু পান্দুনা অহুম্ মত্তাকপি। ঐম্ থয় থয় অহুম য়্রায়শিনবগুম্ য়্রায়শিনবগুম ভৌই। ইথোনা য়ায়া হয়াউই। মমক মরক্কা সেবকশিংদা "ঐগী ইপুসিদি মী মওইজগদৌরি, ভাকপসি হেক্তে মথংদি, কাউবমু থোইনা লৈতে, মসি সংস্কার কনা নীংথিনা লৈ" নোক্লা নোক্লা হেক হেক ত্তম্খি।

মতম অসি নাম সঙ্কীর্ত্তন মতেক'অমা শকপা ডৱদবা, পুং মতেক অমা মৈবা ডৱদবা হায়বসি নিপা অমা ওইবগী অচৌবা অহোবা অমা ওইনা লৌনে। অয়াম্বনমক নত্রবমু কোঙ্গায় অমদি অহুম মঙ্গবা ওইনমু ভৌই। মঙয়খিবসিগী ময়ম অচৌবা অনীনি। অমনা, মতম অসিগী মুপী অঙাং নহারোলশিং অসি সাধারণ অমা ওইনা লাই য়ায়া থাজে, লাইগী থবক্কা মথয়ায় য়ায়া য়াওই। লৈকাই লৈকাইগী মন্দিরদা সন্ধ্যাগী আরতি মতমদা লাই খুরুম্বা য়ায়া চৎনৈ। মতুমু গৌড়ী য়াওবা, চংপা, খুরুম্বা হায়নৈ। নহারোলশিংদা পুং ইশৈগা শক-থঙনবগী খুদোং অমা হেক হেক পী। মপাদা সংস্কার থয় লৈবশিংদি কনা নীংথিনা য়্রায়শিনথিবমু য়াওই। গৌড়ী পুবা নত্রে দর্শন লাকপা অহল্লমনশিংমগীমু মতেং মংদবা নত্তে। অয়ুক অমনা, লৈকাই পালা খুনগং পালা হায়বা অমা কনা চৎনৈ। পুংমৈবা ইশৈহনবা হাপ্পুনা থয়ে। কয়ি কয়িগুবা লৈকাই, খুনগংদদি মতিক চাবা লৈয়বদি মুহায় থোনবাংতোন খাওবা থিজোক্লে। পালা অসিনা লৈকাইগী অপি অনা, মুহোঙ কৈহোঙ্গচিংবা পুময়ক পুই। অল্লা অয়াম্বনা পুং ইশৈ থয় থয় অহুম মতৈ।

অদুনোং, ইপোনা ঐদুগী পুং ইশিং শিত্তং খুজুঙ্গীংবগুম তোৎলমনা, পুং মচা অমা তিথুই, মংখিল্ খর খর ভগি। ঐগী তনবি হায়বদু খর লেংই। ভাবুরলিগী মরম অকিবা অমদগীনি। ঐ য়ায়া পঙনা হোই। পালাদা পুংগৈবা অনী তুংথ মাঙথ তুংথ মাঙথ চেংহোক চেল্শিন্ লোবা, পুং পানকুনা লৈবা হনবা, থোংথোং সাকুনা কবা ফুংগী উবদা খংনরিবোই ফুমগদৌরিবোই থগুনা ইপা পাখংতি, কিন্তুনা অরাবা অতনদা মিং উইশিন উইশিন হেক হেক থাঙি। অতুগা ইথো কিবগী খোংপদি মখোংজি, থন্নায়দি চত্তদে, মত্রেক চস্তে। "থিবোৎলোয়রসিদি, থী ওইগোইজৌরি" হেক হেক চৈ—জোইশিন্নি। ঐজাশু পুং খর খর হৈ। "ইবেম্মা, নপুন্সিপালি খর খর তন্তিউ, মরেক খিত্তদি চংহল্লি" ঐজাদা হেক হেক শিয়ে। "হে শিদা পুরকউ, ঐ ওন্তিগে, হোয়েল নথোনা চৈথিনি" হেক হেক কৌই, ঐনা মাথিদে— ঐজাবুদি ঐনা ওন্নি। "নং চিনি চক্ চাত্রেদনা, লৈবাক হল্লাই থোংমাং মনা চানীংত্রেদনা" হেক হেক থেম্মি। পোৎলম্ অনী অসি ঐথোয় অতাংমা য়ায়া পায়ে। হৌজিক্তি কৈথেন্দা থোক্তে—লৈত্রে। অহানবগীনা, মবুক্তা তাং অনীগামুক্তং, মরেগুম্ অতুগামুক্তংগী থা থা লাউবা মথুন থেয়া থিত্ত মত্তুংপা চক্কুদা চিনি হৈবনি। চাবনা পত্তুম মতেক অমনা খিং খিত্ত কোং, কোস্তু না চাবনি— পাই অমগী অনী অহুমগা অতুম তৌবনি। অকোনবগীনা, সনা থোংনাং নত্রে নারেংবি মনাদা লৈবাক হল্লাই মক চিনি তোৎলগা কোয়না ফজনা হৈবনি, ফক ফক্ক না চাবনি, লৈবাক হল্লাই চিনি তোৎপক্কা থোংনাং মনাগী মংশিবা মনম অমসু য়াওবনা য়ায়া হাওই— মতেঙ্কী অনীগ্না তৌই। "হায়া পীউ অতুদি, চাথিগে!" পী। চাথোকই, ভয়দে। মথোয় কনায়মক্ত ঐগী ফুদে, ফুবা ওয়দে, খুড়োল হংদে, মংশিনা চৈবগনি। "থীয়, য়ানরসিদে" লোইয়ে তোক্রে।

অমুম্বা নোংমা লেন, নীনি শু, হুয়ি চং, মঙ্গানি কা, চয়োল লোই, পা য়াবক্, পা লোই অতুম্র চংলে—পুংচি মরেক চত্রে। কয়িদগী চংলুনি! তন্দুনা তোকথিবর লাই খুরুম্নিবনি। নোংমত্তি "ইবেম্ন পাক্কু, নম্বুক্রিপাসি পুং অথিংখুসি, মথুয়ায়্নয়া মুকপায় পায়দে, কায়য়রোই, লাইরিক মতম্ভিদুদি" হায়রক্লে ঐজানা মায়ুয়বয়া খুড়দে ঐগী ইত্তোদা। "হোয়রনে, ঐত অত্তুম থমবত্রি, মসিগী মতৌসি পুংগী সংকায় য়াওরক্তুবয়া থজবনি" খুমদোয়রক্লে ইপোম্। ঐ তিংলে—তোক্লে

অদুম্। মাঙজবনি হায়নবা থওদে অদুগি, অতেঙবা অয়ানবীদি হিংলে অদুম।
পূংগী পূংকয়দা ব্যাকরণ চক্লরে। শব্দরূপ, ধাতুরূপ, সন্ধিনচিংবা থয় থম
অদুম অদুম মথং মথং তমথবা হোয়ে—তমথয়ে। ঐগী লাইরিক্তা থব্রায়
য়াওবা উবদা ইথৌদগ্‌ কয়ি খুত্তাইতবা অমত্ত উথিদ্রে অদুম।

স্কুল থওনীংলকপা

চহী অনীরোম হায়জিল্লক্লে য়ুমদা অসুম তম্বা। ঐবু স্কুল থাবগী ব্রাথল
ইথৌনা থোইনা তৌরুবা উদে। মসি ইথৌ মশানা সংস্কৃত, ধর্ম্মগ্রন্থশিংদা
লুপ্পা থব্রায় অমা ওইরুবনা ঐবুস্থ ক্ষেত্র অসিদা অসুম মরৈরসু হায়বা
ব্রাথল প্রাপ্তী নত্তবরা, কয়িগুম্বা অকিবা অমদগী তৌরবরা থনবগুম তৌই।
মতম অসিদা য়াইস্কুল পনপাস্লিগী তম্ফম অসি শীংজমৈ থোকচোম লৈকাইদা
লৈবা পেট্টিগ্র্ স্কুল হায়না থওনবা পাঠশালাসিনি। হৌজিক্তি কয়ি ওইরবা
থওদে, থিজিল্লুবসু লৈতবনিনা হায়বা থোইনা ঙমদে। মসি মম্মিংসিমক্লা
সাহেব অমনা, নত্রে সাহেব অমগী মমিংদা লিংবনি হায়বা অদুম মতাকচে।
লিংবমকসু আমেরিকান ব্যেপটিষ্ট মিসনগী পেট্টিগ্র্ কৌবা পাদ্রি অমগী লমজিং
মথাদনি হায়। ঐখোয় ইশাগী পায়োন শরেংদা লাইরিক লাইসু চে কলমচিংবা
লেম্না লেম্না য়েন্দুনা ছাত্র থিজুনা থোমজুনা হৌথিবনি তায়। অম্মুম্রা মিসম্না
চীং মান্দা স্কুল লিং লিংজুনা চীংগী অঙাংশিংবু দীক্ষা হেক হেক পীজুনা
খ্রীষ্টধর্ম শন্দোকপা উরুবদগী পাঠশালা অসিমকসু খ্রীষ্টধর্ম শন্দোকফম অমা
ওইনা উনবগুম্বা অমা লৈ। মসিদগী অমুকসু ফকয়েংলোমগী পরমসিং
কৌবা নিপা অমনা খ্রীষ্টধর্মদা দীক্ষা লৌজুনা বাইবলগী নিউ টেষ্টামেন্টগী
মভাং থয় থয় মৈতৈলোন্দা ফোংবা লাইরিক মচা কয়া কয়া লেম্না লেম্না
য়েন ধর্ম্মসিগী প্রচারগী চেথোক চেনশিন তৌবা উরুবগা স্কুলগী মরমদা চিংনরুযজ
চুমদ চুমাল্লে থনথিবগুম্বা অকনবা অম্না উথিবগুম তৌই। "জাং তানবা
লাইরিক তক্তম থোকপ্রা" হায়বা থ্াইগী ব্রাথল অমনা স্কুল কাবা থাবনি
কথা পাউথোক্লথিবনা থজি। অপাল অপিল অয়াঘনা মচা মপু পঙথা থানদে—
থাদে। অজুনা স্কুল কাবা মংনি হায়বা থোইনা উথিদে, কাগে হায়বজ্ঞ ক্ষিথি।

কাবদি কানীংই—প্রোক প্রোক চাকই। থঙনীংই স্কুল হায়বসি কময়োই, কৈদোই—করি তম্মি। "আশাদি মৈনি থোইথোইবা" হায়বা ব্যাসদেবগী চীনগোই মপাউ অসি ঐগী অঙাং ওইরিবা থম্মোই অচন্দা চপচানা পান-থিবরা থল্লি। চাকই—খিত্ত নত্তে, প্রোক প্রোক্লি। -"নীংবু নীংলবদি থুংই" হায়বগুম স্কুল চংনবগী লম্বী অমা লাকথি।

লোম্মা য়ানোম্বা

নোংমা ছুংথিল অমগী য়ানি। ইথৌ নৈত্তে—ইশৈ থোনবা লেম্খি। ঐঙ্গানা "ছুংশা শাই" হায়দুনা মঙ্মুংদা নমশিনবদগী ওহাক ছুম্লুরে। ইতোমদ মঙায়রে, লোয়নমক ইমুংদা পোথানরি। কোয়থোক্লীংলক্লে। ইমুং চঙদুনা "ঐঙ্গা ঐ তামোহোই শাম্নক্লগে" তাক্লম অতুম থোক্লে। ঐঙ্গানা "হৈ জৈশিং কুম্বা য়াদে" লাউহোই, ঐস্থ "কুম্লোই" থুম্নমই। থুম্না থুম্না অতুম প্রপ্ প্রপ্ চংলে।

তামোসি ইমাইবেম্মশিংনা পোকপনি, ঐঙোন্দগী চহী মরি মঙামুক হল্লি, ঐবু কোয়া পোবা ওম্মি, য়াম্না চাল্লি। লাইরিক ওরাইরম্মি, ঐ মনাক্তা ছুমিন মম্লুই। অঙাং ওইরবস্থ ঐদি থুংশা কয়া লেঙদবনা ঐ মম্লুবদা মঙোন্দা থোইনা কায়বা থোক্কে। অতুবু ছুংশিবনিনা য়া ঙাঙনীংলুবরা থঙদে "ঐ হয়েংগী হস্তলিপি লোইথোকখিগে, কৈনো অমা পীজগে, মম্মু" হায়। হায়না হায়না লাইরিক মাক্তোক্লুনা থাতা থুংনা থুম্লা অমদা হস্তলিপি ই। লোইবগা লাইরিক প্রপ প্রপ লোইশিন ইমুংদা থমজিনবা অতুম চম্খরে। থোয়কপদ্দা লৈবাক হয়াই থোংনাং মনা অমা পুথোয়কই—"নং লাকপা ঙাইরমনি" হায়, ইচীল ইনাও অতুম চামিম্লরে।

তামো !

হুঁ।

ঐ নহোই স্কুলদা অমুক্ত চংকেনা, পুবিগেরা ?

পু'বুরি পুবিগে, চৈয়োইদরা ?

ঐঙাদা লোম্মা হায়রগা ল্লোইরে।

অদুদি হুম্মে অমুক ওম্মা লাকউ।

চাৱা হেক য়ানবগা চেল্লক্তে, শোয়দনা ঙাইবিয়ম্।
খেঙবদি পঙখেঙ খেঙবা য়াদে, ফাল লেপ্পা ভজি।
খেঙলোই।

য়্বা লোইনরে, হয়েং অয়ুক্লি হায়বতুদা চৎপা য়ানয়ে। মতুংদি তামোনা মাগী লাইয়িক্তগী বেণী হায়বরা কয়িনো, কাউবু কাউয়ে, যজেন্নহা অমা ওইদবা ঙাঙবদগী কৈনা চাবগী য়্বারীগা য়ায়া লীবিয়ে। ইমাইবেম্নম্ ইচেম্মতোন্বীগা লেঙখোক্ল্‌বদগী "ইচা লৈরম্মেদনা" হায়ত্থুনা কবোক্লা হৈয়া, কাউরে, হরাউ হরাউ তরাম তরাম পীজরয়ে। পীজ পীজনা তামোদা "হৈ, ইমো নংনা ননাওগী থাকপা খোংনাং মনাহুদি" হংলরে। "চামিন্নরে" খুম্লে, য়্বারী অমুক মথা লৌথরে। হুমিৎ তারক্লবদা তামোনা থিনবিরে।

লোম্না চেনবা

অহিংহু ঐজাগা তুম্মি। খংহুম তুম্বা য়াদে, পুক্নীং ইরাও লাংঙি, ফৎ ফাৎ ফৎ ফাৎ থর ওঙি, থর ওয়িঙাই ওন্নগা তুমথখিবা খঙহোম্রে—অহুম তুম্লে। অয়ুক মিকপ খোক্লকপদা চাক লোইরম্লে। চৌত্রি নত্তে, ইমাইবেম য়াইমনা শেংনা চাকখুমদা খোংবনি। খিত্থং ওক্লপ তৌই, ভাব অত্নম্ তারে। ঙরাংহু ঐনা মচ্যা ওইরপ হক্লকপদা লা শীং থর মাংগোজদগী ইবেন খোইদিংজাখীনা পুথোকরপা, ফক হুং থর পুম্নিনগদবগী কোনশিন্নগা হুং হুত্থুনা লৈবা উথি, পালা ত্রিয়খিবনি হায়বা খঙলে।

মতম অসিগী ফজবি, চৎনবি অমা—কনাগুম্বা অমগী শোরাৎ ইশৈ শকপা তাম্বদা, হয়েং শোরাৎনি হায়বতুদা ইশৈ শকপগী ময়ুমদা হুংখিল যণগারকপা মতম অহুরাইদা পালা লোইনা তিঙ্গি—ইশৈ তিন্নবা হায়ত্থুনা তিন্নৈ—লোইনমক হোদোক্লে, থর থর লুনা খোক্তদবা মতাংনা নীংসিংনৈ, শক্লিমৈ। য়ুথুনা শেংগাদা, হোয়াইদা পালা বার্তন হায়ত্থুনা পানা ফা থেনগত্থ্‌না পুয়রৈ—খুয়মৈ। য়ারিবমথৈ অষ্টকাল কায়দনা শক্লে—সোয়ৈ। গুরুজন, চাকথোং পরেংদগীগা হোৌবা শৈকয়দগি পালা খুদিংমক ওয়া ওয়া মতম খঙনা চৎনৈ—থক শোয়নদে। মতমগী মতাং চুনদনা ইশৈ শকপসি অপরাধ অচৌবা অমা লঙবনি জৌনবগুম

ভৌবা ভাই। অদুনা চাকখোং অহু উবদা পুক্নীং মুমখি, লাইকু য়ারনি, কোয়া তাঙ্মাগী মতুং ইনবা য়ারগনি থম্ হয়াউ-হয়াউ হৌগৎখি।

হৈনবিগী ওইরবা ভৌদবসু য়াদবা, লৈমায় লাইবক কৎলে, হুফিং খুররে, হুরচাং শেংদোক্লু মিং মায় তাথোক্লে, চীন খা তেংথোক্লে। "য়াবেম, ঐগী চাক পীরো" হায়দুনা লোয়গা তপ্পা চাথোক্লে। খুদৈ অয়াংবা ঐগীদমক সাবা মচা অমা শেৎলগা য়োক্তা ফুরিং, অথাবা অঙাংবা ফজবনি, অমা লিংলগা "থাকা, ঐ ভামোহোইদনি", হায়রম্লগা অদুম চেল্লে। ঐঙাদি ইথোগী হোৎনবদা তারিত্রা তারিয়োইদরা খঙদে, ঐদি পাউথুম ঙাইদনা অদুম চৎলে।

মিং নমদুনা চনবিবা

য়োরে স্কুল। পেট্টিগ্রু স্কুলদনি। স্কুলগী কোম্বোং খর হেক লানশিনবদা তামোগী মমাম্নবশিং অমা অনীনা "কনানোসিদে, ননাওরা, কৈদোবা লাক্লিবনো" হংলে। তামোসু "উম, ইনাওনি, স্কুল য়েংনা ত্তি হায়এ, পুরিরক্লিবা" খুম্মি অদুম হেক হেক। ঐদি মথোয়গী রা থোইনবু তাকদে। স্কুলগী ইংখোল মচৌদ হেক য়োরকপদগী টিমা কুপ্পা স্কুল শঙনা খা রাং, ফুট চাম্মদি ওইনি, চাউদম শাংদম ইশাং শাংনা থিল্লিবা, ইংখোল মায়গে মরিদা লৈপম্মা শাংদম রাংদম থাম্লিবা, লৈপন ময়া থুংনা লক্ু পরেং থাম্লিবা, স্কুল মনাঙ থুংনা পঙক ফজত্রবসু লৈকোল সেম্লিবা—পূম্নমক্তদা ঙাওরি। ঙাওরিঙৈ অসুম তারকখি তামোনা কৌরকপা "হৈ ইমো, চঙলসি লাউ"। থোঙঅদি তামোরোমদা থাংঙি, মিত্তি স্কুলগী মায়োক থোক্লা নক্লা ভয়ক হুংবা অগাফুল পাখীমদা থম্মি। লৈপাক্কিদা ঐনা অদুক যুম্না য়েংউরিবসি মশক থঙদবগী নত্তে, থঙি, অমোহোক্পী থোক্পাগী লৈকোল্দা হোই, মানা তেংথাবতরো তাবদগীনি। মরোম্দুদি গন্দিরে মতম অদুমক্তদি, অঙাং ওইবদুনা ওইবা ভাই। হৌজিক জান তারক্লবসিদদি খন্নি ওইরবা য়াই মাগী তেংবা মরোম্দো "পেট্টিগ্রু সাহেবনা হঙোক্লয় কেংখি-নিঙাই কনা লৈজদ পিরোম্না হিং শিবদ ঙাই রানা মুংবদী ঐদি।" মখিবক্তি পেট্টিগ্রু সাহেবকী মতুংদা য়াজসরকারগী শিক্ষাবিভাগ পুখৎলা তেংগী ইনস্পেক্টরশিংগী কনা ইকাইনিঙাইনি।

চত্তলে স্কুল। প্ৰথম শ্ৰেণীগী কাদনি, কম্বি তুম্বিন—তাযোগী কনাতা নত্তূনা। ওহাকী মফুংদা চত্তলক্লে ওজা। ময়াম্ন লোইনবা হোৌগথবৈ, উৎনা লেম্না নত্তে, খুবিং খুবাইনি, ফাদ গ্ৰোংগ্ৰোংনি। ঐ খৎপ্ৰেক থত্তি, ইত্তাও তাওনা হুক হৌগৎলি। মচানগা ওইবগা ইনেমগা নেমবগা ওজানা হেক উই, হংত্তি তনহং কনানো সিদে।

তাযো—ঐগী ইনাওনি ওজা, স্কুল হেনিংত্তি লাকপনি।

ওজা—লাইরিক্তি তম্বিংদবা নংদে?

ঐ—মুমদা পাবুংদা তম্বি।

ওজা থিত্তং গুরুপ ভৌই, তাযোদা য়েংত্তি।

তাযো—ইথৌবুনি মানা হায়রিবসে।

ওজা (ভাব ভারে) হংত্তি—ইথৌদদি কম্বি তম্বি?

ঐ—য়াম্বি, নিত্যাচারস্থ ব্যাকরণ সম্বিস্থ তম্বি।

ওজা—অঙ্কদি তম্ৰা?

ঐ—তমদে, হৈত্তে ঐদি অঙ্কদি।

ওজা—মনি, অঙাং পুরকউ লাউ।

তাযোগা ঐগা ওজাগী তুংইন্দুনা চৎলি। পঞ্চম শ্ৰেণীগী কা য়োরে।

ওজা (ওজাতোন্দা) ওজা, সি থত্তবিবরা?

ওজাতোন (তাযোদা য়েংদুনা) মনি, নন্দোইবেম্মগী মচা নত্রা?

তাযো—মানি ওজা।

ওজাহল—অঙাংসি ইকুইবুত্তোনা সনায়ে চাবা লাইরিক্ত। মাগুহনগদোৱে। ময়াম্বগী মতুং ইন্নক্লিত্তেসিদা য়েংদুনা মম্বিং থর চনশিনবিহৌ, দশলকারগাদি হৈয়রবনি, অঙ্কদি সনায়েনা চাখিত্তুনা পুন্নো, চনবস্থ লুদোইরিবনি—থন্দুনা ভৌবিরো।

ওজা অনীমক ঐথোয়গা মম্বী ইথোক থোক্লমগ্ৰে। তাইবংমীগী মম্বীত্তি লী:রোয়ৈ হায়রবগুম অনীমক ইথৌগস্থ ঐজাগস্থ মম্বী অত্তুম ইথোক থোক্লবনি। অত্তুম্ব অত্তুনি, মতম অসিগী মীওইশিংগী থন্দোইগী গুপ্তী বিকাশ অসি থিংস্ন মপুং ফাবদোনা ভৌই। শাগৈ নাইত্তে, মম্বী মতা, মরুপ মপাং, শকথত্ত মায়খত্ত-নবগীদ নত্তনা, থ্‌ায় অত্তৈগীস্থ-প্ৰেম মম্বা ইকম থম্ৰকত্তম ভৌই। অত্তম অত্তবা,

অমা অমাবা অতেং অতুম পীনে। অমাবগী মাখিবা মুত্তাইবগী মুত্তাইখিবা, মৈরে-লৈত শেৎন-থাইন চাখিমবা, অশি-অনাগী অমাতম শরুক মাখিময়মচিংবা লোকং অমা ইচং চৎনৈ। নামতাকা অমা তাবদা "মী লৈতবা মাওবোইদো" হায়বা অমাবগী খোঞ্জোক অমা অমদগী নত্রে অমদগী তানৈ হেক অতুম। তানৈ অতুওম কনাওবা অমগী মাইকবা উবদা অমা-অনংদগী থওদে মুত্তাই-মাইকদগী থওদে "মাইকসয়, কর্ম কয়কপগীনি" হায়বা হুংশিবগী খোঞ্জোক অমা। পখোই তুবোই থওদে অমা অনং থওদে নঙ্গিলক্তে অত্তাও অথৈ থওদে ছিকা অমা লাকপদা ইমুং খুদিং খুমন মণি মমা তাঙ্গি—"ছাপথো ছাপথো অরৈবা থম, ঐখোয়গী খোকপা লাকনি" অসিদনি। ইংখোলদা হোৌবা মনা মশিং, পানবা মহৈ মম্নোং লোইনা লাইগী ওমৈ, কৈয়োম লৈকাইগী শরুক থুংনৈ। মীশি মীনা লোইনা মশাগী ওইনা চৎনৈ। শম্না, মানবধর্ম হায়না থঙনবা মীওইবা ঐখোয়গী ফজবা লোকং কায়দনা চৎলি।

অমাখদা পীজনৈ চাক,
খৌরাংবদা পীথক্লে ঊশিং।
অনাবদা চঙনৈ সেবা,
অমাবদা পীনৈ তেংবাং।
হুংশিবা মাহৈনা
হুংশিবা মতৌনা
কোক্লে কোঙ্গায় অরাম খৌরাং
মুৎনৈ মৈচাক অমা অনা।
প্রেমগী জগৎনি
চৎনৈ লোইনা থওনা অতুম,
সেবাগী লাকপানি
পুনৈ লোইনা চৎনৈ অতুম।

অসিমনি মতমমতুগী লৈবাক্কী লোকং। মংলোই কয়িনোং ঐহাক অত্তাং অমনা ওজা ওইবশিংগী মতেং। চনখিয়ে য়িং পঞ্চম শ্রেণীগী ক শাখাদা। মচম অমনি, খা অহমগীনি। হস্তলিপিগা অমপা অনীগী খোঞ্চেং লেৎলপ্পা ঐগী তাংজাংবা

থাকনম, লেপকদৌরিবনি। ওজাতোম্না মুনিস্তুরক স্লেট, কাল্, থাবাপাত, মপী লাইমিক লৈনবা তাবোদা পিন্নয়ে। ঐ মুম চৎপা মাবনি অন্নু ভাবো ভাইবা ভাবনিনা কয়ে অন্নুম। ভাইবগী অৱাবদি ঐতোপ্পা চঙ্গে, মুশৈ লেংবন ভবনি। মুশৈমজ্ অনৌবা মুভাইবা ওইনা থোকপনি ঐতোপ্পদি অন্নুম।

পেট্টিগ্র্ স্কুল (খ্রীষ্টাব্দ ১৮৯৩)

ব্রিটিশ আমলগী ইহান হানবা স্কুলনি। আমেরিকান ব্যাপটিষ্ট মিসনগী মিসনারী রেভরেণ্ড পেট্টিগ্রুগী থৌশিল মথাদা লিংবনি। রেভরেণ্ড মশানা অনাহারী (honourary) ইনস্পেক্টর ওইনা মথং তানবা শীনখিবনি। অমুনোং ষ্টেট সরকারনা সম্মান উৎপা ওইনা রেভরেণ্ডগী মমিং৽পানখিবনি।

লাওয়ায় প্রাইমারী স্কুলনি। ক্লাস মঙাথক লৈ। প্রথম, দ্বিতীয়, তৃতীয়, চতুর্থ, পঞ্চম শ্রেণী হায়না চৎলি। পঞ্চম.শ্রেণীগী শাখা অনীনি— ক শাখা, খ শাখা হায়না খঙনৈ। মৈতৈরোল্দদি থীনা ভৈনা চৎলি—মমৈ মকোক পূমওন ওয়ে। পঞ্চম শ্রেণীনা অহানবা, চতুর্থনা অনীস্বুবা, তৃতীয়না অহুমস্বুবা (মসিমদি মভাং চাক্কবনা কায়দনবু থোক্লুই), দ্বিতীয়না মরিস্বুবা, প্রথমনা মঙাস্বুবা হায়না চৎলি।

স্কুল অসি ওজা অহুমদনা পুই। ওজাহল্লা প্রথম শ্রেণী কোম্নে, ওজায়াইমনা দ্বিতীয়গা তৃতীয়গা অনী, ওজাতোম্না চতুর্থগা পঞ্চমগা অনীমা কোম্নে। ওজা মশীং হ্রাৎলিবসিগী মরু ওইবা মরমদি ওইবিনবা লৈভবনি। স্কুল অসিগী হৌদোক্লিন্নবা ওজাগী মমিং পূর্ণ কোই, মরাংলখম্নি, মশা মপানগীনি। মাগী মভুংদা লাকপা ওজাশিংসু মপানগী ভাক্লি। ঐথোই মতম্মক্তী ওজা মকোক খ্বাইরাকপম নবকিশোরমক মপানগীনি। অতুগুম, মতম অসিদা ইম্ফালগী মরোল অমমুং মভাইদা লৈবা নিম্ন অমসুং উচ্চ প্রাইমারী অনী পূম্না স্কুল ভরেং নীপাল্লুমসু মকোক্তি অয়াবা মপানগী ভাক্লি। হায়দি লোইনবা মপানগী ভাক্লা ওইরমনি। স্কুলনা চহী ভরামরি মঙা হায়জিনকপা, মশীং থর কাবকপা মতুং ইন নিম্ন প্রাইমারী, উচ্চ প্রাইমারী পাশ তৌবা থর থর থোরকপা, মাই-নমগা পাশ তৌবসু থর থরমং মরাওরকপনা থর থর অমুম মজুংগীনা পিক্লিনবা৻ শিলকপগী মাদলি।

স্কুল অসিগী থোইথোইবা মওং অমদি কস্‌মোপোলিটান ওইরম্না চৎপনি। মৈতেই, চিঙ্গমী মসিদা জাতি ধর্ম্মগী খ্যা। ভন্নি মসিদদি, মসিদদনি; মৈতৈ মচা চৌং মচা পাঙল মচা পুম্না লোইনবা। হাংলগদোইয়ে পন্থোং মতম্না থুনমক, থিংবা মায়রোই, মচাম নলাও শকথঙনহৌ—শকথঙলৌ, মভানি মোংদম মাগী নোংদম খোল। ঐথোয় পঙতিন্দ ভিয়ৈ, পঙচান্দ চায়ৈ, পঙঙ্গুদ হুংশিনৈ। অঙাং ইওই ওইনা, ইপঙ পঙনা মানবধর্ম্মগী শিক্ষা মংনবগুম তৌথি ঐথোয় লোইনবা। হিমালয়গী চিংমায়দা উন্নাংদা ভাথিবা গেঁহনা উনলোইদা ময়োন চোং মহে মাঙ্গলবগুম অঙাং ওইনা মংথিবা মানবধর্ম্মগী বিকাশ ফাওবে পুনশিদা লৈবাক্কী মীথিং অমা, নত্তে, মীকোক অমা ওইনা লেপ্পরবা মতম। অপুনবা ভারতকী মীথিং মীকোক মশীং চন লেপ্পরবা মতমদসু থোক্লে ইকোম কোম্না, চুশিন্নে অতুম।

স্কুলসিদা ভম্বা ঐথোয় ছাত্র চনীদগীদি কল্লমগনি। কা অমত্ত থাদে, লোইনা উনৈ। ওজানগা স্থনস্রে, লাংবনা থেংডি, কৈথেন্নি, কৈথেন্নল্ল, চাক-খায়রকপগী মক লাউরকপা মতমদুমক্কি। ওজানা ফনা লাউজৈ, চৈনা টেবলদা ফনা ফুদুনা থিংজে কৈদৌনি, য়োং তেংগোন্নি, কনানা কৈদোক্কনি। নীথিনা আড়ন চৎপা ওজা ঙাক্কি, মশা মশাসু লাড্ডুগোপাল সায়রকপা, চৈদ চাহুনা লাকপা ঙাক্কি, লোই শিবগী রৌদ্র মূর্ত্তি, সাই প্রলয়গী তাণ্ডব, হূই ভক্তনা ছাত্রশিং—ফুবনি মপ ইরোই। অদুবু, ঙংাক্তনি চিকপা, লাঁঙি ভম্না অমুক অন্নাং, মায়গী ভম্না অচুম ওজা। য়োংয়াম শেনবগী অরাবা ওহাক পোথানবা, নাকল্দা য়েম্না শোর অমুক্তং হোল্দোক্কবা পুংথায়মুক ছাত্রশিং মপাল্দা শাম্নবা থাদোকই। হাও ছুটি হায়না থঙনৈ, হাফ ছুটিদগী থৈথরকপসি, মতেক ওহাক লেপ্পনি হায়দুনা হাফ খোক শিজিন্নরবগুম্বা ভৌবা তাই। হাফ ছুটিসিগী মতুংদা অমুক লাঙ্গা লাঙনা ওহাক ভম্বা ছুটি থায়।

ওজাকলগী মিংদি মমঙ্গা মভাং অমদা পনগে। ওজামাইমগীদি অভোবা কোই, যোইয়াংথেন্নি; ওজাভোকলীনা অঙাংজাও কোই, হৈয়াংথোংজন্নি। ওজাহনি নর্মোল পাশ ওইবদা মাই, মাইমগা অভোকপদি নিম্নপ্রাই উচ্চপ্রাই অহুবাই থাক্তগী পম্বা কায়রোই। মীদি মী ঙাক্কি। মশা মশাগী অমান

ভাক্লা চৎলি, মখোৌ থঙনা থঙনা চৎনৈ। নিংথম কালেন, নোংজু ফুংগা স্কুল নোংমত্ত থেঙদে, নোংমত্ত থবক কোমথোক্তে, মীকোক য়ৈনা অঙাং য়েংশিল্লি, কনাগী করিদা হোই লোইনা থঁঙি। মখোয়গী য়াখল, ফিদম, মিৎয়েং. পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরো অঙাংনিনা থোইনা থঙলুবা নত্তে, অত্তবু, নীংথিবা তাই, নীংথিবা ফজবগী মশক ওইবা আম্মা পেন্নথি লোইনবা, কৎলখি মখোয়দা থম্মোইগী অৱাংবা ভক্তি, অচেৎপা শ্রদ্ধা।

শিক্ষা বিভাগ অসি মণিপুর ষ্টেট দরবারগী অর্দিনারী মেম্বর অমগী মিৎয়েং মথাদনি। থবক্লক পুবদি ডেপুটী ইনস্পেক্টর অব্ স্কুলস্না পুই, ইনস্পেক্টিং পণ্ডিত অনীনা মত্তেং পাংঙি।

ঐখোয়গী স্কুল অসিনা বৃটিশ আমলগী ইহান হানবা স্কুলনি, রেভরেণ্ড পেট্টিগ্রুনা অনাহারী ইনস্পেক্টর ওইনা থবক পুত্লা লিংথৎখিবনি হায়বা মথক্তা হায়রে। নীপালফম্বি হেক লিংবদগী মেম্বর অমনা শিক্ষা বিভাগ পুখি। লোয়ননা ডেপুটী ইনস্পেক্টরগী ফম অমা সেম্মি। সিলেট মাছিমপুরগী তোম্বু ডেপুটি ইনস্পেক্টর থিম্মোকই। মহাক্লা আসাম সিভিল সার্বিসতা চঙখ্রবদা কাছাড়গী থেলেন্দ্র সুবেদারগী মমাক চান্দম গোলাপসিংহ ছাপ্পি। ঐখোয়না স্কুল তম্বা মতমদদি মহাক্লা ইনস্পেক্টরেট্ পুরম্লে। ক্ষেত্রীমযুম মুনালগা চিঙাখম্বা জাতীশ্বরগা অনীনা ইনস্পেক্টিং পণ্ডিতকী শরুমদা মাগী মত্তেং পাংলম্মি। মখোয়সি ইনস্পেক্টরদ ইনস্পেক্টরনি। আসাম এডুকেশন মেন্নায়েলগী পথাপ মত্তুং ইন চৎগী শরুক তংথাইমরমদি ইনস্পেক্সনগী থবক তৌই। অনক অৱাপ স্কুলশিং পুম্নমক্তা লৈনা লৈনা শগোম্না পরিদর্শন চৎলি। অয়াম্বা খোঙ-ভম্রদা মেম্বর মশামক য়াওই। পরিদর্শন নীংথিনা তৌই, য়েংশিনফম্র খোকপা পুম্নমক য়েংশিল্লি, ওজাশিংগী য়াকৎ পুম্নমক লোইনা মুন্না তায়, অঙাংশিংগী থাক্তী মত্তুং ইন চাং য়েংঙি, ওজা অমত্তুং ছাত্রদা তাকফম থোকপা কয়া তাকই।

লোইবা নত্রি অসিনা মতমত্তুগী ইনস্পেক্টরেট্কী মথো, লৈরি পল্লাউনি অমা। লোই মখোয়না অনেম অৱাং ক্লাস পুম্নমক্তী বার্ষিক পরীক্ষা, কোম্বা এলাহো পরীক্ষা লৈরবস্তু অত্তুম। এলাহো অলাউ (allow) দগী লাকপনি, মতমত্তুনা টেষ্ট এক্জামিনেসনবু কৌনৈ অত্তুম। তৌবদবু, প্রথম শ্রেণীগী

পরীক্ষানা নিম প্রাইমারী ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষা হায়না লৈবাক্কী ওইনা পূন্না ভৌই, অদৌগীদমক্তা স্কুল পরীক্ষাদা মথোয় ইনস্পেক্টরেট্ না লৌবদনি। হৌজিক্কী হোম একজামিনেসনবু মতমদুদা স্কুল পরীক্ষা হায়না খঙ্গনৈ। স্কুল পরীক্ষাশিংদি নোংমা নোংমদা লোই। শ্লেট পরীক্ষানি; সাহিত্য, অঙ্ক, শ্রুতলিপি মথং মথং পুং মরিমুক্কী মতুংদা অদুম ভোইশিল্লি। হায়দোকপদু থুনা অদুম হায়দোকই। বিষয় অমত্ত তেকপা য়াদে, অতেকপদু অমুক থাবা তাই।

ইনস্পেক্টরেট্ না চেকশিন্‌গা ওজাশিংনা মথৌ থঙনা মশাগী সম্মান ভাক্লা চৎপগা অভাং অয়াম্বা মপুজেং অদুম কাবক নৌংথিনা পুবা ভম্মি। ক্লাস মশীংগা ওজা মশীংগকাও কোম্নদে কদৌনি, ওজাদ ওজা ওইনা চৎপা ওজা ভাক্লিনা অহোবা শকুক অদু মেম্নবগী অৱাভম পুনৈ ত্বাই। হোম টাস্ক নোংমগী শোয়ফদনা পুই, ভুংথিল ময়ুম ময়ুম থোঙ লাওনা হাংভি, অশোনবা অভাং থৌওইনা কৌদুনা তম্মি, থাংজ খুদিং পরীক্ষা ভৌই প্রোগ্রেস চাং য়েংভি। ওফাহন্না পরীক্ষা মতম থা অছম্লোমদি পুই হেক হেক অৱাভম—পঙ্গাউদ পঙ্গাউর্মনি। মহাক্কী শকুক প্রথম শ্রেণীগী ছাত্র হুমিগাং লেক্‌না তম্মি। লেম্নি।

বিদ্যাদান মহাদান

দান্দা বিদ্যাদান্না অথোইবনি হায়বা ধর্মগী নাতি চৎপা ওজা ভাক্লিনা স্কুল চঙলুমন মনীং ময়াম অসি পুজবা ফংবনি হায়না মবুক্লীং মকা লায়া চৎনবা ভাক্লি। ভৌরিবা দাম্মুয়ম্ভু ভগবদ্ ইচ্ছাদগীনি পুনবনা

"ত্বয়া হৃষীকেশ হৃদিস্থিতেন
যথা নিযুক্তোহস্মি তথা করোমি"
(হে জ্ঞানগী মবুভো মুংদা ভাক্লিবা,
চচ্চবদনি ঐ নঙ্গা পোইরৈ য়েং)

হায়না কথোকচবনি ভগবান্দা হরাউ হৱাউ মশা মশাগী কর্ম।

ভসি মতম্না চোয়রবা কংলৈ সনাপুংগী ওজাশিংগী মতৌ উৰুবদা কবি ৱার্ডস্‌ৱার্থনা চাওথং-ভীপজবা মৱমদমগী মতুং মাগী লণ্ডন ১৮০২ দা মিল্টন কৌথকুবগুম কৌথকনীংলুই থম্মোইনা মথোয় থায়নঙৈগী ওজাশিংদুবু—

লাকথো নোংগুম্নকথো নথোয় ওজাশিং অমুক্তং,
লৈরে নথৌ কংলৈপুংদা নথোয়গী থম্মদং।

চন্দ্রে ওজানা ভসিদি ওজাগী থন্নম,
মাণ্ডলে লোইরে সনা লৈবাক থওদ্রে মশক কর্ম।

তেংথানীংলুই অমুক্ম কবি দ্বিজেন্দ্রলাল রায়না লৈখা তারবা মরৈবাক মজাতিগী মতং তেংথাখিবগুম মহাক্কী আর্য্যগাথাদা—

কৈদা চৎদ্রে ওজাগী রাখল ওজাগী ফিদম—
মাণ্ডথরেদো ওজাগী মিৎয়েং ওজাগী পান্দম।
কমল্ল.বাইদো ওজাগী থম্মোই কলি ফুংশিং লাং,
পামুই মর্ত্ত্যগী লাইনা থাবা স্বর্গগী লৈরাং!

স্কুল কাবা

অচম্বা ফিজোন্দনি। থৌঙুপ থোক্ল্লাউ শকথওনদ্রি। খুদৈ অমা, মোজা ফুরিৎ অমা, ফুরিৎ থাউপানবি অমা—অসিনা ফিজোল অম্বুবিনি। নিংথম থাদা ফি অমত্তং হাপকৎলি, লোইরে অদুনা অদুম।

ফিজোল অসি লৈবাক্কী অমুক ফিনি। স্কুলনগা অমুক্কী ওইবগা ঐথোয় মতমদুগী অঙাংনগা প্রকৃতিগী মশাইগোন ধোইনা নম্না কোইবগা ফুংথিল ফিগা ঐথোয়গা চুনদে। কবিগী লোন্দা হায়রগা অকে অমৌ থোংগুল তাবশিংনদি তাথী থীনা উফুল, উবা য়াদে, কম্বোকই, নাম্বোকই, মথেণ্ডভম ফাও রাই হৈনাঁশ্ভি, অদুবু, অঙাংদি লাইনা থাবা জ্ঞান্না পুবনা মশা উফুন্দগী হৌরকপনি হায়বা কাউদে—খঁভি, তৌই অদুনোং লুনা উফুল। সেন্নাংলে মকে সেম্মি উফুন্না মশা পুম্বা লোইনা তৈ, হুরাউরে ওম্মি উফুম্বক থরো মারো, ফুঙাইরে চাই উফুল খুবাম খুবাম। কবিগী রাংকম অসিদি মতেক অমত্তগীনি। ঐথোয়গীদি ইনাংতম্মা শান্নবা, ইনাংতম্মা কোয়বনি—তৌনাংবত তৌবনি। ঐথোয়গী লাইগুরুগী পরেং পুন্নমক ঐথোয় মচামশুশিংবু অঙাং ওইরিঙে ফুঙাই-জহৌসন্থ মতা অদুম য়াবমথৈ মথাদোকপনি।

ঐথোয়না লাইরিক থর তম্নব্দা খেংনক্কই নোংমা কবিবর নবীনচন্দ্র সেনগী

হাস হাস হাস শিশু নহে দিন দূর
... ...
(নোকহৌ নোকহৌ নোকচম্বৌ কুইদ্রবনিকো নাবা)

ছায়বা শৈরেং, খঙি মখোয় লাইগুরুশিংনা ঐখোয় মচামশূশিংবু কয়াদ হুংশিন্নবা, করিন্থং ঐখোয়বু কোয়া থাদোক্লবা। মখোয়না ঐখোয়বু হুংশিবিমল, ঐখোয়গী তুংগী শোয়কন্দবা অন্নাবা খোউভমগী কাও ব্রাবিরম্মল কংলি ওসি থম্মোইনা, ইশাগীস্থ ওইনা থাইগীস্থ শক্লা, মখোয়গী মখোঙ খুয়াথাদা ভক্তি অমস্থং প্রেম।

লৈরক কোনশাং, খোংবান লোক্লাং, তোরৈ তোর্বাল, চাংজো খোংহুং, উমং ব্রামং, লমজাউ লঙ্কাং, তু খোং পুন্নমক ঐখোই য়াথোকফম্নি, কৈথেম্না য়াথোকপুংনি। লোইনমক ঐখোই হক্তা নৈবনি। নোংমগী তানিংবা মফমদা তাই। চেন্নি চোংঙি ফন্নি, লাউই খোংঙি নিহ্নি—শান্নে শান্নলিংবমথৈ মথল মথল। শান্নমথৈ শান্নরগা লুপ্পি তুয়েন্দা। লুপথৈ লুপ্নগা হকচাংদগী তিনফানাংগা থাদোকই। মায় মিৎ হকচাং শেংদোক্লবা তুং অরোইবা ওইনঃ—

অক্লবা
অশেংবা
ননাই পূজারী কাক্সরগে,
চুপ—

ছায়তুনা পূন্নুপ অমুক্তং লুপ্নগা কায়। তোর্বাস্থক্তা ফি য়োল ভুমদোক্তুনা তৈথোক খোক্তোকই। অচোৎপা ফিহু হুংশিং হুংশাদা

হুংশা ও খোয়ক্লো,
উরুমলৈমা চন্ধরো,
কবো লৈতে ফিরৈরতে—
কোনায়বা তীং তীং।

হায়তুনা মী অনী অনীনা হুম হুমতুনা মতু ময়ান থর কংহল্লগা শেচ্চিন ইনশিন্দুনা য়ুম চৎনৈ। ঐখোয়গীদি শিক্ষাবিভাগনা অধ্যয়ন অধ্যাপনাগীদ মথীনবি। অতুনোং ঐখোয় ইশানা শীঞ্চবা পরেংশিনা নিম্ন প্রাইমারী স্কুল ছাত্র ঐখোয়গীদি একস্ট্রা-ম্যুরেল কো-করিকুলর এক্টিভিটিজ হায়বতু অতুম মৎইরে। ইন্ট্রা-ম্যুরেলস্থ অতুম মরৈ। হুমিৎ খুদিং পুং তরাগা ভাগকপা অতুরাইদা ওজাশিং ওহাক পোথাজনবা পুংথায়মুক ঐখোয় শায়বা থাদোকই। শিক্ষাবিভাগকী থৌশিল মতুং ইথনি। হেক থাদোকপগা ঐখোয় লোইনবা স্কুল পয়াও

থোকই, লম্বী লম্মাং লোইনা মথল তৌই। অচং অথোক কিবরা থগুদে, থৈ থৈজুনা চংনৈ। য়োংলক কাওবযু কন্নিগীমু কিয়োই! অহল থগুদে, অগাং থগুদে, লোইনা কিনবা ওাক্লি। থয় থয় চাউবশিংনা শায়ে মথল মথেল। মচীন মনাও, কৈয়েল, অথাবি, পী পা, মক্কমকোনবি, চেজোং, মাগুজোং, থোংয়াই, থুবৈ, থোঙবী কয়ানি। থয় থয় পিকপশিংনা ভাবুকনি। শাগী থগুদে লালগী থগুদে, হরাউ তম্নামগীমু থগুদে, লাইনা ভাবুক ওইবদি লৈ চাইথে, লৈনা নোং চুই হায়। অগাংনা ওইবদি উফুল চাই, উফুলগী লৈচিল থায়। থোইয়ে থোইবগীমু পোয়ে পোবগীমু উফুল খুবাম খুবাম খুজোক খুজোক চাই, উফুলগী লৈচিন্না মখি অতিয়া পূম্বম। চঙ:দ অসিনোং ঐথোয়দা স্কুংথিল ফি, অয়ুক ফিনা ফিজোল্লি ঐথোয়গী চপ চানবা। কাবনি অত্তুনোং অয়ুক ফিনা স্কুল।

স্কুল কালেন্দনা পুং তরুক্তা নিংথমদনা তরেস্তা হোই। ওজা খুদিং মতম চায়। খিত্তং থেঙ্খিবদা ফান্দা লেপ্পা শোয়দে। অতুনা ঐথোয় অয়াম্বা মতম চায়। নোংমত্তু হস্তলিপি শ্রুতলিপি লেপ্তে। হস্তলিপিনা য়ুমগী থৌদাংনি, শ্রুতলিপিনা স্কুলগী থৌগাই পয়েংগীনি।

হস্তলিপি

ঐথোই মতমদা ঐথোয় অঙাংদা চে কলম পীদে। লোইনা শ্লেট কাঙ্গু শূই। স্কুলগী ওইনা হায়রগা পঞ্চমগা চতুর্থগা শ্রেণী অনীগী অঙাংদি চে কলম শোক্কে। ইবা থোংপা পূম্নমক শ্লেট কাঙ্গুনা তৌই। ইরিবা পোংনা অনৌ অনৌবা পড়াগী শরুন্নি। লাইরিক্কা অক্ষগা মমায় নাম্ব নাম্ব থন্না থন্না ইবনি। পঙই ইবা য়াদে, নীতি নিয়ম অমগী মথা পোন্ননি। লাইরিক্কীনা পঙক্তি থক থা থক থা পথাপ থাত্তুনা পূম্নমক লনবা লাওবা মান্ননা চিংঙি ইয়িবা ময়েক খ্ দিং য়ুংনা মগং তানা থক থা থক থা শোক্কদৌবনি। অক্ষগীনা য়ুংনা চিংবা, ফৈনা চিংবা অনী চংলি। মশীং মথং মনাও নত্রে যোগ বিযোগকী ভুপ্নাক ইবা মতমদনা য়ুংনা য়ুংনা পূরণগীদনা ফৈনা ফৈনা চিংই। ময়েক থগুদে মশীং থগুদে চাং য়াম্নগদবনি। ওজানা লোইনা মুম্না য়েংঙি অশোয়বা নীংথিনা তাকই।

হস্তলিপি

হস্তলিপি য়েংবা লোইরবদা পড়াগী লৈহৌবা শরুক লৈরগ! লৈয়ে লৈভ্রবস্থ ওজানা মওং অমা য়েংদুনা পড়াত্নগী মতেক অমনি হায়, অথনবা য়াটহ মভা তয়ানি হায় হেক হেক হায়দুনা অমুক ইহল্লি। অয়ানবা য়াওরবা, অয়ানবহু চুমথোকহল্লি, মভায়ক মভায়ক ইহল্লি।

পড়া লৌবা অমসুং পীবা

পড়া ফাদবশিংবু ফাল্দা লেপ্তুনা চুয়া ওয়াইহল্লি হায় নত্রে অফাবশিংবু মনাস্থ লৈহল্লি হায় হেক হেক তৌই। য়ায়া ইক্বাইনৈ, মায় থীনা থীনা ভাংনৈ। খুমত্রিমথৈস্থ ফস্কন্দে।

লাইরিকী পয়েং লোইরবদা অঙ্ক তৌই। একক, দশক, শতক ··· কোটি ফাওগী মফম শূন্য নাঁপাব্দা পান্দুনা তাকই। য়েট্রা শূন্য নাপাশু ইদহ্রগা অঙ্ক মশীং ইবগী নিয়ম ওয়্বি, যোগ মচা মচানচিংবা চৌনগা কোয়না তম্বি।

হাক ছুটি পুংথায়মা থায়, স্কুল পম্মাঙদা শামৈ। কৌশিলবা মতুংদা ঐথোয় মরক্তা থয় হৈবা ইচঙস্থ থোবা অমনা হল্লগা মতম মতমগী মতুং ইন্না মশীং থঙদে শুপ্রাক্ থঙদে হেক হেক থী। থীবা লোইবগা ছুটি থায়।

লোংমা চৎথি লোংমা লাক চয়োল অমা ফারে। চয়োল অমা অনী অস্তম মথং মথং হায়রক থা ফারে। থাস্থ মপুংদা অনী মচেস্তা অহম হায়রে। ঐ ইশাস্থ ওজাগী মমিৎ থুপ্পা থবক চথৈ। হস্তলিপি থুৎলোয়রে, অঙ্ক মশীং চানগা থুৎকা থোঙমায়না হৈরে, এককতগী কোটিফাওবগী মশীং হায়বগা ইবা লোইনা ঙম্রে। যোগ বিয়োগকী শুপ্রাক ফাবদ নত্তনা অঙ্কস্থ মচা মচা তৌবা ঙম্রে। ওজাভোম্রা য়া হৌদোক্লবয়া থঙদে ওজাহন্না য়াটহ মভা তয়াদং চৌয়া হায়দুনা ইহল্লি। থুৎইস্থ থোইনা থীদে, বানানস্থ লোইনা চুম্বি। অঙ্কগী ক্লকমস্থ অয়ায়বা যোগ বিয়োগ অমা অনীস্থ মৌখিক ওই করি ওই হংঙ্কি। চুম্বি। "ইচাদি য়ায়া হৈরেনা সিদে, চৎলো থদা ফম্লরো" ফঙ্করে। "ভসিদগী অমুক থা অহুমদা পূরণ ভাগনচিংবা নীংথিনা তৌবা ঙম্রবা চতুর্থ শ্রেণী কাহনগনি, কয়া হোৎনৌ" ভাই মতোল। অঙাং ওইবা থম্মোইদা থবক পাওবগী য়ুভাইবা মহাউ অমা ফাওখিবগুম তৌখি।

তল্লে থ শাথাদা থা অম্না অনী। হস্তলিপি থুৎলোয়রে, মওং ভায়ে। অঙ্কস্থ যোগ বিযোগ পূরণ ভাগ নীংথিনা হৈরে। অড়াং অসি চতুর্থ শ্রেণীগী বার্ষিক পরীক্ষা ফমজনবা ওন্নপ থাগৎপিবনা ফয়োইদরা হায়রবা ওজাগী মপাউ-থোল মতুংইন ওজাহল্লা ঐগী পরীক্ষা লোরে। হন্দক্তি থর চেকশিল্লপ ভোই। লাইগী নোংদম কাজয়ো হায়রবতুম ত্তোবরা ওজানা যোগ্যতা লৈরে লৌথি। মতম ফনা য়ায়া মাঙজোননা কাথি ঐ চতুর্থ শ্রেণী।

বার্ষিক পরীক্ষা থা মরিয়োমদ ভায়রবা মতমদনি ঐনা চতুর্থ শ্রেণী কাবা। পঞ্চম শ্রেণীগী অঙ্কদি অশেংবা মশীংগী যোগ বিযোগ পূরণ ভাগনি। চতুর্থ শ্রেণীগীনা অয়ানবা মশীংগীস্থনি। শিংগৎকদোবা য়ায়প্রবনি। অদুবু, ওজাগী অহৈবা লমজিং অমস্তং ভাযোগী হুংশিবা ভেংবাং অনীনা লেঙ্গদবা পাম্বে ওই অহোবা পূম্নমক জোইনা যেন বার্ষিক পরীক্ষা ফমথি।

স্কুল পরীক্ষা

পঞ্চম শ্রেণীদগী দ্বিতীয় শ্রেণী ফাওগী পরীক্ষানা চুমগী প্রযোসন একজা-মিনেসনি, প্রথম শ্রেণীগীনা লাওয়ার প্রাইমারী স্কোলার্শিপ একজামিনেসনি। অদুনা মমাঙ্গী ক্লাস মরিগীনা হোম, মতুংগীসিনা পব্লিক একজামিনেসনি। অদুবু পব্লিক একজামিনেসন অসিদ নত্তনা চতুর্থদগী দ্বিতীয় ফাও শ্রেণী অহমগী ·হোম একজামিনেসনশিংদু ইন্স্পেক্টরেট্‌না লৌই। অদুনোং হোম থওদে পব্লিক থওদে চহীগী পরীক্ষাবু পরীক্ষা অচৌবা হায়না থওনৈ।

পরীক্ষাগী থুমিৎ মতম থর লৈনা হায়। হায়রকপগা ওজাহল্লা ঐথোয় ছাত্রশিংদা অদুম হায়দোকই। অমুক পরীক্ষা হল্লেংনি হায়রবদুদম্ভ লাউথোকই, হায়, "নথোয় চাক চাদুনা নক্ষি নয়োল লূনা কায়রকউ, স্লেট ফজনা ফেজদোয়রকউ, কাস্ত অমোনবা য়েংদুনা পায়রকউ, পরীক্ষা পূং ভরাদা হোগনি, ৯।০ দা স্কুল য়োয়রকউ, থবক লৈ, শোয়রবা য়াদে"।

পরীক্ষা থুমিৎনি। ওন্তা ইরুবে, চন্দন চুম্না থিল্লে। মচি পানবা ভা, যোরোক শাবা এনশাং চাহৈদে হায়দুনা অমেগুবা পীজদুনা চারে। পরীক্ষানি অচৌ অশাং ভিনগদৌরিবনি হায়দুনা থংথিজ ফি শেৎহজি, শেংলি। লাল্লিংথো লৈমরেল থুমল্লে, ইথোহোয় ঐজাহোয় লোইনা মথং মথং থুরুগ্লে। শোয় য়েংহজি,

য়েংলে। অকেংবা স্লেট অযোমবা কাজু মপাংগ পাক্নুনা ভাকপা মতুং ইন পোল্লগী তুংইন খোজপাে।

য়োেে স্কুল। ঐখোই ওয়াখিংগী ইনস্পেক্টিং পণ্ডিত অমীগী হায়্রা লৈরম্লে। স্কুল চৌকিদারনা ইনস্পেক্টরগী চাপরাসীগা মখোয় মীকোক অনীনা ঐখোয়গী স্লেট খোমজিনগা ক্রেমদা ক্রমিক নম্বর অমম্তুং মিং ইবা লেবেল অময়ম থেৎলে। মিং কৌহনা স্লেট পীবগা লোয়নলা কন্দ্রগী পীনুনা অতুম ফম্লে।

লাইরিক্কী চাংয়েংনা হান্না তৌই। অপগী কায় ওক্লদা মশক তোপ্তোপ্পবা য্‌ দা উ কায় গুম্বা, য গী ফলা তক্লদা মশক ওনবা ক দা রফলা গুম্বা, ময়েক অনী তিন্নবদা মশক হোংবা জ গা ঞ গা গুম্বা থিবিক্কী মশক, মখোয় চঙবা য়াহৈ অময়ম, য়াহৈদু য়াওবা বাক্য মচা অময়ম লেমহনা পীবনচিংবা হৌহল্লি। গুহাক্কী মঙ্গংদা "লোইরবরা, স্লেট থল্লো" লাউই। খোমজিন্দুনা য়েংখোকই। মথংদা পাঠগী তৌই। পাঠগী লোইবগা শ্রুতলিপিগী তাই। অতুদগী ঐখোয় মপান্দা গুহাক পোথাই। ঐখোয়না পোথারিঙৈসিদা মখোয় মীকোক মডা চঙহনা শ্রুতলিপি য়েংখোকই। লোইশিল্লি অতুম থবক্কী পরেং অমা তন্না অতুম।

কৌশিল্লে। অঙ্কগী পরীক্ষা হোৱে। অহানবদা অশেংবা মশীংগী পুন্নিবা য়েন্নবনচিংবগী পরেং চৎলি। অয়ানবা মশীংগী শাগৎ-শাথনচিংবা পরেং অমনা ইল্লি মতুং। পরেং পরেংদু য়েংখোক্তুনা হেক হেক লোইশিল্লি।

স্লেটকী থবক লোইরবদা মৌথিক তাই। •মীকোক রৈনা অময়ম হংঙি, অশোয়বদদি অমুক্ত হংঙি। অর্জগী মতুং চনবা পাই কয়ানা লুপানো গুম্বা ঙাক্লি।

মৌথিক লোইবদা "পরীক্ষা কোম্না হায়দোক্কনি, চৎলো" লাউখোকই।

লোইরে অসুম পুনশিগী পরীক্ষা অহানবা, হল্লে য়ুমদা হরাউ হরাউ ঋংলনি শান্নবা কোম্না। তৃতীয়, দ্বিতীয় শ্রেণী অনীগী বার্ষিক পরীক্ষাসু প্রথম শ্রেণীগী এলাউ একজামিনেসন্দু অতুম মথং মথং চথখিনি, লোংমা নীনিত নক্তে •মঙানি ভরুক্লিনি ঐখোয়না কোমগদোবা থল্লুবদা অমুক হেন্না হরাউখি লাইগী ঙমথং ওইবা অঙাংগী থম্মোই।

মতাম্বুবা মতাং

বৃন্নাম চংপা

মৈথেনা বৃন্দাবনদু বৃন্দাদেবীগী লৈজনবা খুতাগী বৃন্দায় কৌই। বৃন্দাযদগী লাকই বৃণায়। অদুনা বৃন্দাবন চংপদু বৃণাম চংপা হায়রে।

বৃন্দাদেবী জলন্ধরগী মপু অসুর নিংথৌ শঙ্খচূড়গী লৈমনি—সতীনি, মপুঙোইবগী মতক্ত হিংবীনি। মাগী ধর্মগী ভুপনা স্বর্গ, মর্ত্য, পাতাল—লোক অহুমগী মনাওনা কয়ে হায়রবা শক্তি অমসুনা মপুঙোইবদু শোকপা ঙমখিদে। পানখি অহুনোং চঙনা শঙ্খাসুর, কাখি তুংইন মথোই অঙ্গমন্থম নোংমনোং। থুক্রখি দেবলোক তন্নকদরা নোংমা ইন্দ্রগী খুতম। তমস্থ তন্নকখি মথোয়না চিংনবগুম অহুমক। দেবলোকী অরোবা থোন্নাউ তাঁবদা কুম্নকখি তম্না বিষ্ণু—থুগাইখি সতীগী ধর্ম, লোইশিনখি শঙ্খচূড়গী মপুনশি।

হিংগ্রে অসুর দেবলোক্তি, শিহোরে থীঁনা সতীদা বিষ্ণু মশাদি। "নুংনি নংদি, নংলমগ্রে প্রেমগী মশক" হায়রবা সতীগী মখম্নোই কায়রবা স্বারৌখোল ভাবমক্তা ওইখি বিষ্ণু নুঙ্গী মূর্ত্তি—প্রতীক্তা ওসিগী শালগ্রাম। বৃন্দাগী প্রতীক তুলসীগী পত্রনা ওইরাখ ভগবদ্ পূজাগী পত্র, শঙ্খাসুরগী প্রতীক শঙ্খগী ভজনা, জল। মৈথি বিষ্ণু বৃন্দাগী মথা পুম্নোন পোন, লেখিদে বৃন্দাবনগী থোঙকম অমকাণ্ড, শায়খি লেজনা মাগী অপ্রকট—অংথুম্বা, লীলা। দ্বাপুরদগি শায়খি পূণ্যধামশিদা প্রকট—অকোংবা লীলা কাণ্ড।

দ্বাপুর যুগদনি, তাইমেদনি, রজঃ গুণনা কাবা থেংডি, থেংবদ নক্তে গুনবনি থাক—গুনবনি নাং। ভুংইন, শায়খি থীনা সত্ত গুণ। তমঃ গুণদি কথি অহুম মশাক রজঃ গুণগী মরম থুপ। হোংখি থীনা হায়মগী মঁশী স্বাথল, ফিদম, খিং-লেং, "শায়দম অমত্হুং পুনশিগী অর্থ মরো।" মশাদগী য়েংবা, মশাদদু জাংপা শাশিদ্ধা অওং অমনা ওইখি যুগধর্ম।" "অময, অওম থায়না থায়নী থায়খিদে অময়-অওম; পাপ, পূণ্য থওম্না থওনা থিখিদে পাপ-পুণ্য।" পুনশিদা অময়অওম্বা পাজন্দনা রুদ্রগুবা দৈত্য, দানব, মাকমনচিংবা মশীং থোকওমদবা শক্তিশিংগী

তঅমিবা শাজং, ভগবানা কনগয়েবা শক্তি কংলবা নিংথৌ কনা কয়াগী হিংচা মাতমগী শাজং—পূয়শিংদা পাক্লা নৈনবগী পুঙ্গিনা থাঙবা য়োকঙনা যথ অনৌবাগী মণক লৌ কৌথি ভগবানবু অম্বা-খোয়োম মাঙ্গগে কাকন পুংশা চেল। পুথ্বীগী অয়া তেংথাথোল পানথি ভগবানগী খোঙজানগী নাকোং।

পৃথ্বীতায় কোক্কে
সাধুসন্ত কনগে
খোঙজাথি মালেম তম্না ভগবান।

পাপী তাপী লোইগে
ধর্মই ঊরয় মানগে
লাকথিবনি মণামক ভগবান।

যুগশিংগী লম্বক
কোরুগে লোইনা থল
কুমথি মীগী শক্তময়া ভগবান।

ভগবানগী অহানবা খোঙদাতম মথুরানি—কংসগী কারাগারদা থোঙ-দাবনি। নোংয়ায় দণ্ড দণ্ড হেক মৈবা মতম্মক্তনি। খুদক্তা গোকুলদা থৈ। লৈথি নন্দালয়দা মায়ানা মণক মচু লোইনা লোং চহী তম্রাগা নীথোই। থঙনথি নন্দ, যশোদা মণা মপানসু থ্বাই অপুনসু মথোয় অনীগী মচামচা অঙুম। শায়থি দিব্য লীলা কম্বা, নত্তে, পরেং পরেং। চুপথি সখ্য, দাস্য, বাৎসল্য, মধুর প্রেম খিবিক্তা রস। ঊৎথি জগত্তা অকোংবা লীলাগী পরেংশিনবা আনন্দগী মণক ওইবা ভগবান মহাক্তী আনন্দগী লীলাদা শক্তক মানবগী লম্বী।

গোকুল ব্রজসু কৌই, ব্রজমণ্ডলগী মচুং চুমবা লম্নি। ব্রজমণ্ডল মথুরা মহানগরীগী অকোয়বদা কোশ মরিফুগা মরিনা কোনবা লমথৈগী মিংনি, মতাঙ্কু পরেং হায়বনি। গোপশিংগী লমথৈ ওইবনা কৌরবনি অঙুম। গোপগী পুংদা গোপ মচা ওইবা য়োকথিবনা বালকৃষ্ণবু গোপালকৃষ্ণ কৌনৈ। গোপালকৃষ্ণ মীংবা বৈষ্ণব সম্প্রদায়শিংগী মক্তদা ব্রজমণ্ডল ভগবানগী বাল্যলীলাগী মফম ওইবনা, তীর্থ অথোইবনি—পূণ্যধামনি।

বৃন্দাবনগী গোকুলদা মরুংদনি। অদুনা ব্রজবৃন্দাবন হায়না অমত্তা থমলে। অদুগুম্বা মৈফমশিংদা চৎপদু ব্রজ চৎপদু হায়রে। মরম অসি হৈনা ময়ুংনে। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য-দেবনা লৌহৌনা পুথোক্লবনি। মেবারগী অমাবা চৈতন্য সম্প্রদায়গী গোস্বামীশিংগী থাক্নি। অদুনা, গৌড়ীয় বৈষ্ণবশিংগী মরমদদি ভগবানগী লীলাক্ষেত্র ওইবগী পুণ্যধাম ওইবদ নত্তনা গুরুবর্গগী পুনায়া ঙম্বা শেংজবগী মথক্তা থোইনদুনা শেংলবা মরম অমা অদুম ওইরবনি। ঠাকুর মহাশয়গী প্রার্থনাশিংদসু মখোয়গা পুণ্যভূম অসিগী অকনবা মৈথৌ অমসু অদুম মহাক্নবনি। বৃন্দাবন দর্শন চৎপনা মখোয় থুনিংদা ধর্মগী কান্নবা শোয়নবা থোগাই অমা ওইনা থোক্লবনি। চহী খুদিং “পর্বদিন অমত্তং নংঅদুনা উৎসবতা শরুক অমুক্তং য়াজবা ঙমলবদি” হায়বা আপাদা, থোক্তনা চৎলিবেদগী হৌনা, বৈষ্ণব লক্ষ লক্ষনা দর্শন চৎনবা পুণ্যধাম বৃন্দাবনসি।

ঙসিদি মৈতৈনা গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়দা তিলকপা চহী চনীদগী ফনা নীংথিনা কলে। গোবিন্দ নিরূপণমক্কসু থয়গী মথৌ অদুম মকলবনি। গোপাল-কৃষ্ণ উপাসনাগী হৌবদি চৈতন্য সম্প্রদায়না য়োয়ক্তি ঙে মহারাজ নীলাম্বর সনা হাক্তকনিনা চহী চহুম হায়নীং হায়মাবু তৌরক্লবনি। অদুমু রাজ, অর্থ, সমাজগী ওইবা অপনবা ফমাংগী হং থাংবনা অঙনবা যুগশিংদদি অয়াম্বনা বৃন্দাবন দয়শন পয়শন চৎনীংলে চৎনীংনা চৎপা হেক পঁঙম ঙম্বিদে। ভরামাপলম্বা শত্তাব্দীগী তাঙীনরাইদগীদি হং থাংলে থাংনা ফনা চৎনরকথি। ভুংইন, নিংথৌ পাক্লিগী নিংথৌ যুবরাজ অমা অনীনা ভগবদ্ সেবাগী লমদা তীর্থ যাত্রিকশিংগীসু কায়দোং মতেক অমা অদুক ওইজনবা মধ্য বৃন্দাবনদসু শ্রীকুঞ্জদসু মন্দির কৎনম্মি। শ্রীকুঞ্জদা মহারাজ চৌরজিৎকী পুরাণী কুঞ্জ, মহারাজ গম্ভীরসিংহগী বড়ীকুঞ্জ, মহারাজ নরসিংহগী যুবরাজ ওইদুনা কৎপনা যুবরাজ কুঞ্জ হায়না থঙনবা নাওল গোবিন্দ মন্দির, মধ্য বৃন্দাবনদা মহারাজ সুরচন্দ্রনা যুবরাজ ওইরিঙৈ কৎপনা নাওল গোবিন্দগীসু যুবরাজ কুঞ্জ হায়না থঙনবা—মন্দির মরি অসিনা থায়নবা নিংথৌ পাক্লিগীদি মপুং ওইনা তৌই। হৌজিক্কু লৈরি মন্দির-শিংসি অদুম। মপু অপায়রবগী মঙংদি থীনা চঙবা নত্তে—অৱাবনি য়েংবদা।

ঐথোয়না জান থয় থয় ভায়কপা মতমদা নাওল গোবিন্দগী সেবা অবোইবেন্দা য়াইহুল লাকপীনা পুই। সনাইবেন্দা যুবরাজগীসু লৈ। থাকাসি

নবদ্বীপ মহারাজনা পোকপনি, রাইস্কুল লাকপদা হেক [illegible]। মখোয়গী মরম্না মপাউড়দি য়ায়া ভাব, মশক্তি থকয়ে—থকনি তি। [illegible] [illegible] ঐনা মনা দুনা হৌবা কাস্তগী অাই, এ, এস হোনগী ইথোয় [illegible]—ট্রেনিং অমুক্তং। চহী অমঙুবা ক্যাং চহী অমা ইথৌগা ঐজাগায় হেক হেক লেংত্রি. ঐ অমুক্তং য়াওগে নীংলকপা কুইরে। নীংথু নীংলবদি খুত্তি [illegible] হৌরে। ঐগী চতুর্থ শ্রেণীগী পরীক্ষা লোইখিবা নোংমা নীনি মতুংদা ইরেন মোইরিং-জাম্বীগা ঐজাগা মবাযচা অনী পোং চৈ- কি রোল পুরবা গ্রহ গ্রহ থেংনন থোক্ছিনবগুব অমা হৌই। অনৌবা নকুবদিনা বৃন্দাবন পোল্লকপানি হায়রবা ঐ ভাব তারে। "পুবিনি পুবিনি হায়রগা থক পুরিদবদো হমেক্তি য়ার-য়াই-রবনি, ঐ পোয়দনঃ চৎকনি, হেক্ত চেন্নকনি" হায়রবা লোইক্যাত্রিজেনা "মখোনা, আদা পুবকউ হায়রকই, পুবিনি হায়বনি। নবেনগা হোরেল রাইস্কুল লাকপযা থৌগুপ শীঁ ডুচো।" থম্নকপা ভাবদা থেংথি হুন্দাইরবগী অমুক্তং।

চৎলে রাইস্কুল লাকপমদা ইবেনগা ফুংখিল। রাইস্কুল লাকপগী হায়রিবসি মনোহর শাহিদা চুম মমিং চৎপদ নকুনা ওজাগী থাস্তা লৈরবা রাজকুমার মনা-মচাখোয়শু ইয়ুংনি। মখোয় দাউজীগী থারানি। দাউজী ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পোকপদা থ ায়গী অর্হম—মনা নীকথাং ওইফম থোকপনি। মখনা ভগবদ্ ভক্ত ওইনা পোকপনা মপাগী হক ভগবান্দ কখোকথিবনি। ইমাথমনা রাইস্কুল লাকপা ওইবদগী রাইস্কুললাকপম হায়না থঙনখিবনি। ইয়ুজো মনামচাহোয়গী মবোকশিজদি খুমোল পুন্না, খুমাইকাবিনচিংমা ভুবা য়াজো হৈ, লৈমনিংথোগী খুনেং খুন্নোমচিংবা অয়াবা ইয়াশিজমিনা ভুবা ওাঙ্গি।

ইয়াশিজম্নিা ঐগা খুমাইকাবিগী নাপ জোৎহৌরে। ইবেনগী মবা মতুং ইন চৎপম্ব নংনবা, চোংগী নুঙ্গায়ম্ব থাঙনবা থুয়া থাবপ হৌনা থাঙবা কিথী থুমাইকাবি অঙাংবা অমা কজনা তুঙনা নীনি হম্রিগী মতম অমুম পুন্নকে। মগিনা ঐগী পুনশিগী ইহান হানবা থৌঙ খ্রি। মপায় চৎলমম্বা থৌঙ পম্বা অতুব ওমা শকথঙনদী ওাই মমম থোইনা লৈত্তে। ঐপোমগী ইয়ুংগী জোমুলনম ঐথোয়গী ছাত্রজীবনগী ইহু ম্রামেজ অমমুং এক্ষুইম্রামেন কো–অপরেটিভ এা ইন্স্টিটিউট নম থৌঙ প য়ানা অতুব মতৌরনি ভ্রায়বা মপুম্বা মনম থৌঙ্গি অমব য়াংনঙবনি।

খোঙচৎনবা

খোঙপাকে বৃন্দাবনদা—ইথোনে ঐখোয়-ঐদে ঐখোয় অমদি। থেংনিন অঙনবদনি। ইমাহোয় মরাম কাকেন্নেম মাও ইথি। ঙৌতিনবা কাঞ্চিকর্বেসনি হায়রিবসি। খাঙনদ্রে মরাংদিনা পুরকপা অঙদে মৈতৈদিনা লৌকপা থঙদে, অয়াকপা কা (বা) পুরবক মরমদিদা থায় কাকেদেদ ফৌই হায়। অহোবি অয়াখন চুমা ক মাঙনা অতুব হায়। ইনদেন্দা ঐখোবোক সেক্রেটারিয়েটকী মাখো মনাজাউবগা অমনা ওক্লগি। হায়রিবনি মণিপুর ইউনিভর্সিটিগী প্রোফেসার রাজকুমার তাবাসনাগী মপান্নুংনগা মবোকপিজখনি। মখোই ইমুংগী রাকম থংদি লাম্বোন অহানবদা ইবু ইরবনি। ইথোংদা ঐখোইগী অনকপা মরী ডাক্তি—ডাঁয়োমবান অদুম।

চঙ্গলে লোইনা ইমুংদা। ওহাক অম্বা-পোথাবনে—ফা হৈ চায়ে। ওহিংগী চুমিৎ মুমজংফিক্কি মুম কৌদোনবা চৎনবা তোরে ইমাহোয় লোইনবা। লোইদ্রে থদ্রে হায়বা রানা খোক্লবা, অময়-অঙান কাও-কাওক্লা চৎনকপদা মংকম মংকম থুংলিং লোইরেদো হায়বা রাথম মাঙদা থা কায়নবম থং লাক্লবা ভীবডাক্লিনা কায়নবদবু হায়রবদি থুক লাউবনা হেক্ত হান পিনা তনইন ইনবদি পোক্লবনি। মতম থরংদগীনি হায়বা হেক্ত কাউনবরা থঙদে লোইনা পিক্কনে মিক্তা পি। ঐমু কপ্পি থঙদে কাম্বনলো থুক লাউই। মাসিমকপু পুনবরা থঙদে সংসার।

ইমাহোয় চৎখিবগা ঐগ্যাবোক্লা চাকপুর অদুম লেপ্তপিনে। অতবা মথেল লুকোম কমা খোংদে—নিরামিষনি। কুপাম চৎপগী কাজবদা নিরাকিব চাবপিবু অমনি। মতম থরদগী ওইরবসু ঙা হেক্তবদিনা জীবহিংসা তৌরে। চাক ঈশিং লোইরকপগা তমিংনা মাচম্বগা মতম অমা ওইনা খোক্লরে। মদুগী নাম্ব পোনবা লোইবগা চাক ঈশিং চা-থক্লবা অদুম তৌরে। মপাডীমক লাক্লে। পাড়ীমালাদুম চাক চাবা মাওরে।

চাবা থকদা লোইরে। মদ্যা মধুর অতনবসি। লম্বী শাংবদিনা পাড়ী ওমা পাকনা কপানি হায়নবে। থাবমসু পাকথানি, চৌংদমবা খোঙকম হায়বা অমা তৈগ লাইদোমচংগা পুর্বা, থ্রুনা চৎপদী মাওনবা মাকবা মথৌ 'পর্ব' তৈ। কাক্কা-গী লেপ্লবা মাই, থা হৈ অমবা মাই। কামে পাড়ী। পুর্বী মাৰ্বী,

লেত্রে মহুতা তুবকব। ঐজানা-ঐপুবি মিলমদে, ইমৌমি মাংলা চৎখোলি।
ঐঙীদি ইথোগা ঐগ্যাগনা নাক্তা লৈবনিনা য়ুম থাদোক্লকী থাবল থোইনা
লোক্ক। পাড়ীনা চৎলকপা মচু ঈস মুখটনা হাইবা য়েথ্লা য়েং তুকথিবা
অত্তুম মথক্তোকহে। তুত্রে অহিং চুপা অদুম।

তুনা তুনা "হায় চোথে হৌপংলো" হায়বা থোনুকব অমা ভায়কই—
মাথোমাইনগীনি, হায়না চীংথী লোৎলেক অনীগা মাত থাম্রবনি। মিং থংপাও
হেক পাঁতি, মাখোনা চিংথোকপোই কব্রিবোই অদুম হৌপংলে। মোং ওানখুং
ওানখুং মথোৎবনি। ঐজাগা ইথোগদি মৈ তিক্লনি। মাখোনা মৈনাক্তা
পুন্‌দুনা ঐজাগী নাক্তা মত্রে। ইথোগা ঐজাগদি থানগা লোইয়রে, মাখোদু
চাক ঊশিং লোইয়রবনি। অদুনা ঐবু হৌদোক্লবনি। মী লোইনবা ভাইয়েন-
পোকপিদা চাক ঊশিং চান-থক্লবনিনা চৎনবা হৌরবনি। পোৎলেক অমনা
কেথুনা ঐ তোর্বান মচি অমদা, থোংজাউরোক মপান্দনি, হকচাং শেংদোক্লে।
মাখোনা ঊশিং অথাবনা শি-শা শি-শা ঊক মায়ৎজবিরে। ইথোনা মাদবনিনা
মায়ুবা চন্দন থয় নমশিনবিরে।

ঐথোয়না কনা মাংনা হোৎনৈ হায়বত্রুমগুায়, ঐথোয়না থোগুশানবা মতম-
তদি মী লংলবনি, ঐথোয়না মনীংবু থোথদোনা তোরবনি। অদুবু, মাখোনা
জিলাকাও থিনগদোবনিনা পোৎলেক অনীগা থুং পগুনো লৌনা থোক্তবগুম
তোবনা কনামত থোইনা হুনাংদুবা তোদে। চীং মাঙ্গা নৃসিংহ, লমজাউ
লম্মাং উঙ্কংয়াঙুংদা মাম, তু থোং পাং কোমদা মমাহ নীংসিংউ হায়বত্র তম্না
নীংশিং, মঙলানমক মাথব লোন ইথোনা মনীং থোম মাখোনা ঐবু শন্না শন্না
পোৎলেক অনী হোই, ঐজানা মত্রক চৎ তুরেল লান্দুনা কাবে চীং।

প্রকৃতিগী ওবাক্তা

(কোত্রো শীংবুম থয়)

পোকপদগী ঐ মীবকগী থোঙ্কৈ অমা লামক্তি। শ্রাবদে—তথাও লেলোংদা,
কোয়রে—লৈয়ক কোনশাংদা, চৎলে—তুলদা, কাবে—কোত্রুদা পর্বাদিনশিংদা
ঐগ্যাহোই তুং ইন্দুনা—মীবক্তা নমনা চাত্রিবনি অদুক্ত লমক। হায়দে ওশিহি,
থম্বানি, ইঙ্কংনা ফুদ ওানবা কাদ, তুত্রো লোবা থপং মমদা, অদুক উঙ্গিদা,

খঙ্ৱিবা, মকুলম মঙ্ৱিবা। প্রকৃতিগী হুখাক্ষি—চীং মানগী লম, উ-বাগী কৌন, উক্লেক গ্রাবাগী চাক্তাভম, নুরয়ো হাক্বিগী রাভাভম, প্রকৃতি মপাঙ্গীনা নীংথিবা তখেৎবা মনাইপোল। খক্তা অপথবা অতিয়া থারিজ মায়গী তাকন কোয়গা ধুং। থাদা অঙৌবা লৈচিল ভাধুল ভাবুল পনজি নোংখোঙ ঘৈনা মায়গী থ,দিং। চীংথৈ মনা লোক্তা উঠৌগী মঙাল—মাঙ্ক মঙাল হুঙাং হুঙাং। ভাঙ্ঙানম্রি নোংপোক্তী অতিয়া মচি মচিনা—মাইমুমরি অপংবগা অঙাংবগা মচু অনী। পংবগী মথক্তা পংজিজি নোংচুপকী অতিয়া। লেপ্রি চীংলো মচি মচিদা চিপক চিপক—খুম্রি থয়না লৈচিলগী ফিকক। পাম্নবি চীংমায়দা, চীঙয়াঙদা, চীঙথাঙদা, চীঙথেঙ্গা, নাপোমদা -অয়ম অঙাল অনীনা ছুমিন ছুমিন। হোংলি মিকুপ থ,দিং মচু চাম্ব চাম্ব পোৎলম থ,দিং। নীংথি মচৈ পুক্লীং হুই, অমা য়েংবদা মুক্তি অদুম। উনা উনা উপাল থ,দিং পাজক্লে মণি মুক্তা চয়োং চয়োং, চাইয়ক্লে চীথোঙ চীংয়া মণিমুক্তানা পুম্নং পুম্নং। থোংজি উচেক্কী পরেং ; শক্তি, ঙংলি, নিম্নি কৌজেং হায়োগী শাগৈ ; ঙংলি, শক্তি, হেক্লি হাম্বিগী কাঙলুপ—য়ৈরি থোম্বাং চীংমায় থ,দিং মৈনা চীংলোন থ,দিং, নিম্নি থক-থা থোম্বাং তয়েৎনা থোয়োল অদুম মুনা চৎ। নীংসিংথি পংনীং পঙ্কম শ্রেণীদা তম্নকপা শৈয়েংগী অহৌবা মতেক অমা—

অহিং মঙম হৌথয়ে
নোংপোক মায়গী ভাজকলে
উচেককী মরুপনা থোংলকলে।

মশক্তি থঙ্গবা মপাউদ তাম্নকপা ইম্ফংপা উনয়ে ওসিদি শক্তা শক্তা প্রকৃতিগী কোন্দা, থঙলে মুম্না অদুম মশক। মাগী মশক্তুদা কম্নিনো অমা কাঙখভম উবগুম তৌথি, থঙবা লাকপদি কম্নি থোইনা তমখিদে। ইম্ফংগী মচুনা মিকুপ খুদিং হোংখভম থোঙথাং খুদিং ওনবা অঙাংগী পুক্তা তিনয়ে তমা কম্নিনোজে অদুম। অদুবু, চাউখ্রবা, লাইরিক লাইত থম্ন য়াম্না ভম জানগী মঙাল থম্ন লাক্রবা মতম অদুম্বাইদদি অথঙ অউ কমাগী মপাউগী মমং মমং লোইনা থঙলকলভম তৌথি।

জগত্তা ফুল অনী চংলি—প্রকৃতিগী ফুল অমা, মীগী হায়বদি মীনা শিংবা ফুল অমা। অনীসিদা অহানবগীদা কনৈ অম। মংলবা জানকী মপাউনা

অদুগুম্বগী মিথুম শীংনাগী-নৌবিবগী। শীংনী ফুমদা। তামুং-কিনমক লংকোইনা শাগৎপগী মতমদা অদুক পূনখলাদি প্রকৃতিগী কুন্দারছু মসুক্ত লোক্তবাদি মঙ্গল লোক্তে—সাইনিক: থৈরে থৈনা লাইত শগোনবা হায়বা 'থক য়াবে' অমসুং প্রকৃতিগী কুন্দা খরা শীংনী অমানুংনা এখোয় মীনা ঙমিদাও হিংলবি-বনি। তাবুত এখোয়গী মসীগী খৈরোক ওইমিথো থোঙ প্রকৃতিগী ফুনগী শীনখবি। অদুনাং মেনগী মতম, পিতাগী মপুংবু আখ্যাকম্, বৃহদারণ্যকম্ হায়না থংলদি-বখিবা-চংলিবা শাকখনিগী লেঙখবা প্রথাম অদুম ওইরমবি।

'লৈ অঙ্কবা নীংথিবা অপেংবা পোৎলমদা চঙি। ভগবন্ পূজাদা শীজিন্নে। মুত্রাই-থাইবদা পানবা মীওইশিংনা ইমুংগীম মপানগীম লৈতেং ওইনৈ। মপাগী মকৈম পৈয়ে—চিয়ে, শিনৈ, খেৎনৈ, পায়নে। মচু তমদুনা কি শঙনৈ। মওং থিনা হৎনৈ, লোয়ে। থ লোলগী, অথেনগী, খোঙাগী পোৎলম ওইনৈ। নাগ-কিশোয়তনা লৈগীদি লৈরিয়কম্ম লুকোয় নীংথিবগী মচু ওইনৈ। কয়া অযবুন্ম কবিরাজশিংনা হিদাক ওইনা শীজিন্নে। লীখোঙ থিবশিংনা মপোক, মপা, মচৎ, মহিংনচিংবা কয়া থি, অনগী লনগৈ চাউনৈ। হকচাংগী লীখোঙ থিবা কাঙবুদা পাউথোকই লৈগী লৈনম, হায় মাঙি হকচাং। কয়ামচুদা কয়াম লানবা থঙি ভগবান্দনা। মনম লৈবা লৈদ সমাজ, ধর্ম, অর্থ, রাজনী ক্ষেত্র থ দিংদা শীজিন্নবদ থংহুনা লাকপা তায়রু অদুম নীংথিনা মহিংলকই, হিংলি অদুম। আয়ুর্বেদ শাস্ত্রনা দ্রব্যশিংগী গুণ মাইকপদা ফুলসীগীদি রোগ চাম্মপা নোপাল কোয়ে কনৈ হায়। পূজাদা কায়দনা লোয়নবা তাবা, লোয়নবা লৈগী মনবগী মাচি কবিরাজনা মনম অমদগীবুদি ওইরমদ্রে মাই, লোইনা হায়মদবদৌনা ঙোই। অদুমু, হকখোঙ থিবশিংগী মাকমসিম্ জান্দি অমা ওইনা অদুম লোকই। অমুমা লৈবু লুনা ভোঁরে ভোঁনা, লৈখোং থিয়ে থিনা মমম অমদি ইচাউ চাউনা অদুম মহোই। লৈনা কয়ি পাউদশি, কনাগী মঙ্গল শঙকই, জগত্তা কয়ি পাউতাকই হায়বসিমদি মখোয় কনায়ত থড়ে। প্রকৃতিগী থোঙ্গা তাবা, প্রকৃতিগী-কুনদা তথা, প্রকৃতিগী শিকা মীকাদা মপাগী জ্ঞান মচু লোকপা থবি [illegible] থবিগী গ্রাজী মীপুক মীখকদা খুডি, খুই, আয়ু, অমুমা, রাজমমিংদি, [illegible] মখোয়মদা অচৌবা অহোবশিংনে থ দ্রেদা খীংখরে লোয়রা। [illegible] লোয়বা

অদুম্, খাইনা লোংথোক্তনা পাকই, অঙকপা ফংনা ঊওস্রি, মেংবদা চুপ্তাই, অঙকপা মতৌ ! লোইরদে অসিনা অদুম। অদুবু, মহাকবি রাইমনগী লোং-থোক্ত মৈনা পাম্না তা, অঙকপা ফংনা অহুকপা ঊওনা তম নীংখাইদনা শাগৎলিবা মাগী মশক্তা ঊথি বিশ্বজগৎ কোঙিব, শক্তি পূবক মৈবা ভগবানগী শকল অমসুং মহৎ, তাকথি ভুংইন বিশ্বজগত্তা সমুদ্রনা প্রতীক ওইনা ঈশ্বরগী শকল অমসুং শক্তিগী মহৎ। অদুগুম বিশ্বকবিনা লৈগী মশক থিঙি, লৈগী মশাউন-চিংবা লোইনা তাথি। হায়থি খবিদা লৈ, "ঐবু ফজে থম্লি নংনা, ফজবাদি ঐ নত্তে, লৈ অমা—মাদি তুবুম মৈনা ফজে। মাগী ফজবগী মরীক মচেৎ অমত্তনি ঐনা পুম্নক্লিবনি। ঐগীদি ফজবা মহাক্তী মরীক মচেৎসিংদ পুদুনা মহাক্তী মপাউ তম্লুচো অদুক লাকপদনি, ঐগী লৈকাদা ইরিবা পত্রগী মরোলসি পাউ।" মেংথি তম্না লৈকাদা থবি, ইরম্রে মরোল, "ফজবা পাম্নবদি লাউ ঐ লৈ।" ভগবানগী রূপ অনীনি—রৌদ্র অমা, মধুর অমা। মধুর রূপতি তুবুম মৈনা ফজে হায়, শকই অদুনা "সত্যং শিবং সুন্দরম্"। কৌই অদুলোং ভগবানবু সর্বাঙ্গসুন্দর আমরশীনিনা বিশ্বকবি। শম্না, প্রকৃতিগী স্কুলনা পী জান, জাতুগী মপাউনা ওইনৈ মীগী স্কুলগী শিক্ষা চীক্কাগী বিষয় হায়বসি মশানা অদুম তাজবা অচুমনি।

রাকৈ থম চৎনুরে, হৌজিক্কি পক্লিংদা তাবনদি চুম্রে, অদুবু, তাফাত্রিংগে রাকম অমত্তংদদি থেৎহ্নোবনা চুদবা থম্লি। মকবসিংহনা মহাক্তী অহানবদা হায়খ্রিবা মথক্তী শৈরেং অসি মশামক্তী নত্তে, বাঙলা কবিতা অমা তাংহ্না ইবনি।

পাখী সব

করে রব

রাত্রি পোহাইল

হায়বা অসিগী রূপান্তর (transliteration) নি। বাঙলা সাহিত্যনা ঐথোয়গী অনুশাওন বা সমকালীন (modern or contemporary) সাহিত্যগী মঙং ফজারকাও লাকপা, মাগী মতোল ঐখোয়গীদা কয়াম চঙবা হায়বদো মাসিমক্তা ফজা অদুম মতাকশনি।

চথলে অদুম হমাউ হয়াউ চীংগোল অমদগী চীংগোল অমা মথং মথং অনৌবা জগৎকী মিহুপ পুক্তি চেক চেক ওনবগুম শোক্নবা অনৌবা মঙং

মতুং য়েংনা য়েং। অমুক্ন্না পোৎনেক অনীগী পোৎলুম চৈথাও মখোল তুক মখোয়গী তান্দা নেং থাংজি খোঙ। অমুক্না উচেক অমা কয়ি অমত্র উত্রিথা অমা উবদা মুন্নি অতুম। খোঙফম্না অকা অকুম শাক্ত চৎলকপা, মুংশাক্ন তুংইন অমুম হাইগৎলকপা মতুং ইন হকচাংদা অম্নাবদি কাওয়ে কাওনা পুন্সীংগী হয়াউবা, খম্নোইগী চঙাইবদি তাখিদে থক মল্লেং। অমুম চৎ অমুম চৎ য়োথি তাইয়েলপোকপি, থেংনখি খোঙভম হানখিবা অয়াম্বা। মচি মচিদা চাক থোংনবনা থোংনরি, চানবনা চানরি, চাবা লোইরবনা কা চৈ চানরি, হিদাক চুরুট বীড়ি থক্সরি, অমুক খোঙশাম্নবা পোৎশি পোৎলোইনরি। ঐখোয়গী য়োবগী মফম মতা চাবা য়েংজুনা পোথানরে। মাম্মোনা ঊশিং শোক্ন্দুনা চেঙপাক থর চাম্নগা চিনি লফোই হাপ্পুনা ফলা (ফলাহার) তোৎলে। লোইনবা থর থর চানরে, হৈতুপ হৈমাং লাড্ডু অমনী অমনীম্ব চানরে। পোৎনেক্না চরোম চাবা ভাইবা ওইনা ইথৌনা খুদোং ফাক্তি, ঐজ্ঞাগা মাম্মোগনা পানা হারি। মখোয় অচুম লোইরক্লে। খোঙশাম্লে অমুক মম্নামগা লোয়ননা অচুম। অচুমু থরদি থুরেমথৈ হেক্সংথয়ে অতুম। থম্বায়গী মায়েককম মদম্ব লৈরমদরে—অচুম উনখিদরে। কুমিৎ খুদিং মখোয়দোনা তৌবা মী থর অতুম থেংনৈ, অচুম হেক্সংথি—খঙলকথি মমৈদা মখোয়দি ময়াং (কাছাড়) চৎপনি, ডা (ফাবৈ) কা লৌবা চৎপা খুংনি, হুয়িগাদা ময়াং তাই।

নোংভান্দনা হৌ নোংভান্দনা চৎলি—কোম্বনদে, কিনৈ মী, শা, কৈ। কুমিৎ মুংলমদাই চাক চানৈ—মফম অমদা পুম্বনি, চোইদে। চৎলি অমুক কুমিৎ তানিং তানিং ভৌবা কাও। মিৎ না উয়িডৈ চান-থক্সবা, তুম-হিপ্পবা পরপ পরপ হোৎননৈ। অম্মুম চৈ থানা চৎপস্নিনা তরুক্নি স্থবদা লখিপুর (লক্ষীপুর) তাই, নোংভাক্লগা জিলা (শিলচর) কায়।

চীঙ্গী তরুক্নি খোঙফমসিদা অকিবা অথুকপা, অজিংবা মুত্তাইবা কয়া থেংনৈ, থরদি পুক্সীংদা অতুম তাখি, তারি হৌজিক কাও—মুম্নি। ঐখোয় মভম পুরমক্তা অচুবা লম্বী ভাক চত্তে, অশম্বম্ব অতুম মচৎলি। অশম্বা লম্বী অমদি নুংথাবি কৌই হায়, ফনা ভ্রা ফনা শাংনা নুংথাও মথং মথং কুম্নি। মফমম্ব শুকই, ঊশিংগী খোকই, নুং থুনাশিং অম্ব চোৎলি, ইশং থাংজি, ইনাক আম্দবম্ব মত্তে, ফনা থীনা নানবম্ব য়াওই। থাম্বকম্ব চাং চপ মাম্নবা মত্তে, মম্নাংকম্ব

অত্তুম ময়াওই। মাত্তু তূমন্নু:ত্তসি ফাঙ্গা কিরি। খোঙকম থ,দিং মাখোনা শন্না শন্না থাংনা থাংনা কিবনা খায়-খায় লাউই, লুতোন কায়। কুথা লোই-মবদা য়েংনিংমন্দুনা হঙ্গৎনা য়েংলুবদা তু খ্যাউ চুংগি। খ্বায়া হেন্না কিবা অমনা খোবুম তথাক্তনি। তুমিদ্যাংঙ্ঙী থম্ম চাগদোবা চা.ম। মীং উত্তুপ উম্বাং থম্ম ম্বানা থি জম্ন,ত্থনা মৈ হৌরে। অকোয়বদা কম থাদ্রুনা হিপ্পরে। ঐদি তুম্ন তুমথকরে। ঈশানা থরম্ম তুমগল্লি, অত্তদা অমূক ম্বাপা ম্বাশিল্লে, কোক্কা মোনগা শয়বা মাদে, হেক্ত তুম্মি। কায়থি.অত্তুবু থুরেমথে। তারকথি মঙ ওই.হ্ম ওই থোন্নাউ অমা, "নৈবাকমচাশা, ঙসিদি লৌম্রাউবি মথে,ল্ল্যাংঙ্গি, মৈ থম্ম চেকশিল্লবিদি"। তাথি উরোয়ননা চৌংমায় কৌছদোগ্তম তৌবা খেকপা পয়েং পয়েং উম হুঁ, উম হুঁনা হেক হেক মমক থংপা। থুকথি পুক্কোং, নংকথি থম্মোই।

তাম ঐথোয়না ম্বারী কয়া অহল্লোনশিংদগী। এহেল্লো ম্বারী ঙাক্লি, মীগা লাইগা শয়রিঙ্গেগী ঙাক্তনি। লাই-থ,ৎপাংবিনা ফক্কাংদা মথ,ৎ থিংজিল্লক্ত,না অঙাং ফাগে তৌবদা মপানা থাংজোনা মথ,ৎ ক্ষকপা; লাই থদাং-পান্দবিনা হাথৈ-য়োনবি সাত্থনা অঙাং চাগদোবগী লাকপা, অঙাং মচৌনমোপ,না মপাল্ল খোক্কৌংবা সাত্থনা চেনবা; মী-মরাম্না মী ফাদ্রুনা চাবা; কবুই-কৈয়োইবনা লম হেল্লি হায়দ্রুনা লুপাবু মথূৎ থূৎপাদগী হৌনা থেক থেক্ত,না চারা; লৌম্রাউবিনা মী ফাত্থনা পান্নবা, মচা পোক্লবা, শাগৈ নাতৈনা থোঙ্গ,ল থঙ-লক্ত,না ফারবদা মচা শেগাক শেগায়দ্রুনা লংলকপা—কয়া কয়ানি। মথোয় লৌম্রাউবিশিংনা থেকপা হেক তাবদা নীংশিংলকথি অকোনবগী ম্বারীসি। করিগুম্বা ফারয়বদি কিবনা লুতোন শাৎথি। অহিং চুপ্পনি মথোয়না লাঙবা, অত্তনা তুম্বা থবেৎ থবেৎ অত্তুম তৌরবনি। ফম্বাং তত্তনা কাং লোয় চনীং চমাঙ শয়বা কোবা নৈত অহিং অত্তুম মরেল্লবনি। অহিংদ্রুগী অকিবা অম্বাবদো হৌজিক্কাও ফাওবদ্রোনা তৌরি, নীংসিংদবু নীংসিংল্লুমবা।

থঙদে মথোয় অশি প্রকৃতিগী করম্বা থূৎলেম্মো! য়োংদোনা মতু পাল্লি, মথোঙনা থূনীং থ,মাঙ ওয়ে হায়। শা উচেক্কাদি চাদবয়া, থয়োইশাদি ময়াম্না চুপ্পী ম্বা ওইনা লোই। লোক্কা তায়দা, তু থোং মপান্দা অচুপা থয়োই পৈত্থনা নৈয়বা, মথোয়গী য়াতাকম্মক নক্সবম্ম চাক্কাতমদি পোয়দ্রবনি—

চেৰ্কশিন পদোৰবনি, হায়নৈ। অদুবু, ফুংহিল পোবোল্লা শক্তা শক্তা শকচাল্লা উকলগে হায়বদি থোইনা য়াওদবনা হিমালয়গী শো-মেলশীগুম থম অদুমক্তু তৌ থওনগুমম্ব তৌ অদুম মৈয়েম্বনি ঐথোই লমগী লৌত্রাউথিছু অদুম। অদুবু, মসিমদি ভশেৎবনি, মথোমগী থেবা হেৰগী থোম্বোক থোম্বাংগা মীশীগা অমানি। শা ওইরে অনোকপা শানি, শামমক ভামমক ওইরে অনোকপা জীৱমনি।

অকিবা অথুকপা থেংনবগুম ফজবা ফুংশিবম্ব অদুম থেংনৈ। ফবোক-চাইবি ঈশিং-চাইবি অমগী মমিংনি ; লমী মপান্নক্তা লৈ। চীংগী মমিংদি থত্তবে। লমদি ফনা য়াম্না চগুশিল্লে। থোবুম ভম্পাক্তি লাইমতোল কৌকংবা, লাইমতোল অচৌবা লানশিল্লগা লৈবনি। ভম্পাক্তিগী পনথে অমলা ভম্নাল চীংগোলনি। থোঙকয়গা শাংবা মতম়গা ফুংশানা হাইগৎলকপা মতাংদদা থোকপগুম ভৌগন-বগা "ভম্নাল কোনা মুক্তপদোবসিন্না" হায়নবা চীংশাং অমি লান্নবা আ. মতুংদনি। ঈমংদি লান্নবয়া লাম্রিবয়া কাউয়ে, নক্তি নক্লে থদ্রি। প্রকৃতিগী ফজবা থুং-সেন্মনি, নিসর্গগী নীংথিবা পোৎলম্বনি। ইপান্থাদদি লমী য়াংমা লাম্না চাই; মথাদা মী চৎনৈ হায়। ঐথোয়না চৎপা মতমদি নীংথম মমৈনিনা ঈশিং মপাংগল হল্লে। অদুবু ফজবদি হয়মথোই, অদুম নীংথিজে। অমনা, য়ানা শানা লাকপদা লীক্লাই মচু মানবা ঈশিংনা ঈথোলগা লোয়ননা চীঙথাঙদগী চাইনা চাইথমকপা, চীথোঙদা ঈমীক ময়াম্না হয়াউ ঈচোংবা উবদা, থঙদে ফম্নি অমুত থিকথিবনো, হকচাং লোইনা অদুম তেকথৎথি। লোংদোল লীক্লা চাবা হৈপাল লৈপাম্নি।

অচৎপা পূম়মক কম্নি থোইনা হায়নক্কবা লৈত্তে, ঈশিংচাইবি মথোঙসিদা মবুক মবুক থোক্লা অদুম হেক্ত ফমথনৈ। ঈশিং চাইথম্নিবা চীংমায়সি নুংনি। নুংফুম নুংজাউ অমত্তনা ফনবা মতাম্বুদি নক্তে, নুং ময়োল মযোল লোনথৎনবনি। ভোঙাল ভোঙাল ভাবম্ব নক্তে, হিদাক চনবা মতাগুম চৎপনি। ফক্লাংগুম চপ ওম্নি, য়াংবম্ব ময়াংঙি. মুম মরেপ অনীমুক্তুবা ওইয়বা য়াই। চীংমায়ম্ব মুম্না য়েংলগা মাম্মোয়াইনা মতোম ছুমিন লোজকই—সিবু থড়ম ভোংফুনা ফাবকো!

ঐ— ফনানো মাম্মোয়াই সিদা থড়ম ভোংফুনা ফাববো?

মাম্মো—ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ।

ঐ— শিদবো কয়য় কাদৌরিবা, চয়য়েরা, নারয়েনা, রাথরেনা !

মাপো—লাইনিংলা মহারাজয়ে !

লোইরে অসিদা ছুকিং অদুগীদি অদুম। মতুংদা ঐসু লাকে, অদুগা মাপোসু লাক্গে, কায় হায়রিবা অদুম অচুবনি হায়রবা অদুদি মা রায়নখয়রা থওলকথি।

অদোনা থেংথাং থেংথাং লান্থাগিদক লেপ্পা য়াশিরক মতম থর মণিপুর রাংমদা লাইফেবনা ফগদবা থল থোঙগাকপদা অথাং মায়গেনা থর কোয়রা থোকদোবোই নীং থোঙদাকই। মতম্রা ময়রবা কিংস্রোইগী রাই তাঙবা হৌনবনা মায়রোং য়াবিনবা কনা লৈখিরে, লেপথি লোইনা মায়োক্তা লালগী শক্তম তম্রা দো। জয়সিংহ লাইপোক ওইবনা কৈদগীদু শওরাগীসু নাম্বোকথি, তায়কথি রানা মরাং লবী। মনেমথিজ ইন্দ্রপ্রতাগী কোচুং তামগী পোথাথি ঈশিংচাইরি মথোঙসিদা, লেপথি মনা পুক্নীংদা লাইবক চাং অদুকুং য়েংগে। খিমথি তম্রা শ্রীগোবিন্দদা মপুনথি। "হৃদয় মপোক্কিদা নদী লেরা মপুং ফানা চৎপা লেগপদরা লৈবগা কয়, লৈত্রগনা লোইখিগ্নো" হায়না হায়না মালা লপ তৌ খড়ম নেং কাথি চৌংমায়সি পুম্নমক্তা চঙ্কা কিনা য়েং।

জগৎ অঙকপনি, ঈশ্বর অঙকপনি, মাগী লীলানা অমুক হেন্না অঙকপনি। সন্ত জ্ঞানেশ্বরগী মরাখং মতুং ইন ইরোইনা বেদগান তৌই। মীরাবাইগী প্রেম মথা পোল মাগী পোইরে ইন সাই জগোই গিরিধারীলাল। মাধবেন্দ্রগী রাশক তাক্লবা গোপবালক সাহুনা যশোদ হুজি গোপালকৃষ্ণ। জয়সিংহবুসু থোক্ত-ভেকপবু মথ্ৎপম চৌংলানবিবগুম অদুম থুৎপখিরনি। ভক্তদি চৎলি থুায়দগী তোপ্তোপ। লৈতে মাগী মফমদা ওইথোকপা ওইথোক্তবা—ভগবান ভক্তগীনি, পোল্লি ভক্তগী মথা।

ওইনামলোং ঐথোই মণিপুরগী লোংচুপকী পল্লোল পয়েংদা থুায়দগী অয়াংবনি। রাংবগী মণ্ডিক মশাসু নোম, কজি লয়। মমিদাংগী চাক ঈশিং চান-থক্লবা লোইরকপা, ফমগাদি থোইনা থানজ্রিবা মতাং অজুবাইদা কনালো অমনা লাউরকথি "লৈবাকমচাশা, থামবা মতমসু নত্তে, ওলিতৈসিদা খিক্তং তকশিলহৌরবদি হয়েংদি থর কোয়গনিগনো"। "অয়ে, চৎনবা তৌসি" মানয়ে লোইনা। মথোয় থয়না কনায়দগীনো মচাক শোলদুনা মৈরাসু চাউনা লেয়ে।

চৎলে লোইনা মৈয়া অমনা মাঙ থা মৈয়া অমনা চুং ইন। ঐদি লমদাং অমম্বদনা চৎলি থোঙনা, ফত্তবদনা মাঙ্গোলা পোবি। চৎলে ফনা শাং, কায়ে থা ফনা য়াং। লমদাং য়ায়েককয় চাবা অয়া জৈবগুম ভোয়রবয় থঙদে ময়াম পোথাগসি হায়নয়ে। মৈ হৌবনা হৌকা, ফম থাবনা থাবা ভৌনরি। ঐ ইশাদি তুম্লীংবনা মূল্লবনি, ফম থাবা ঙাইবা য়ানা থোক্লবনি। অত্তুমু, চংশিবা থোম্বাং চাম্ব চাম্বনা নেম্না য়াংনা, হৌনা পিক্লা ফুজিন্নক মৈয়বনা উইথক্লরবা লাকোং শিংথি ভন্না মমিং। হংথি য়াম্বোদা "করিনো মাম্মো থোংলিবা ময়ামনে"। "ভায়ানি" লাকথি ভন্না পাউথুম।

ঐথোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা চীং অমি য়াম্না য়াংঙি। লোম্ম্ চাউই, জুই। কয়া য়ামম্রবনো থঙদে, চীংদোন্দগী অা লোকথা ফাওবা থুংনা পয়েং চাম্ব চাম্বনা থূজিং ওই লেংবদোমা তৌই। থোম্বাং অমম্তনা চাম্ব থোক্লা ভায়। চীংদোন্দ চীংদোন্দগী লোকথাদ লোকথা ফাওবদা লৈরিবা অনেম অন্নাং থাক মতুং ইন লাকপনি যথোম্নুম্ন অত্মম। চীংদোন্দগী হৌনা চীংজেপ চীংথাঙ থূদিংদগী হাথয়কপা ভাযগী থোম্বাং পয়েং, লোকথা লোক্লূংদগী হৌনা লোকচেপ থূদিংদগী হাগৎলকপা ভাযগী পয়েং, অকোয়বা অনক-অয়াপ মফম পয়েং থুদিংদগী হাদোয়কপা ভাযগী পয়েং—লোইনা পূন শকথিবগুম তৌথি—নোংজা ভিম্না শাম্তিগী পৈয়োল চাম্ব চাম্ব, গুমথি অঙাং ওইয়িবা ঐগী থম্মোই। তাম তাম, তাম ভাম, তাম তাম তাম—হায়বা থোমৈগী ঈচেম্না চেনথি ঐবু কৈদনো থঙদে অমদা—ঈংথয়বা মকম।

অা কাইনথংদা, লাইরিক লাইত থয় পায়ক-থোৎলক্লবদা থেংনব্ব ই নোংমা বিশ্বকবিগী ইপৈ অমা—

ভৃপ্ত তুমি আমার গীতরাগে,
ভালো লাগে তোমার ভালো লাগে,
জানি আমি এই গানেরই বলে
বসি গিয়ে তোমারি সম্মুখে।

পেনবিজো নংনা ঐগী ইশৈদা,
পেনবিজো পেনবি ঐগী ইশৈদা,

ফংজে নংবু থঙজে ইশৈঙ্গনা
ফমজে মাঙদা নদা মায়োঙ্গনা।)

থম্মি ইশৈগী মগুন। থম্মি ঐগী অঙাং ওইরিবা থঙ্গোইরু তাম্নানা পকপ ফুমদা থোং চেনথিবা মফমদো ওইরে।

চৌঙ্গী যুম্বাল

(মনম থাজিজন)

লেকথি নোংমা থুল অমদা। সুব্রাংলোং কোইই হায়। খুলেঙ্গা খুঙ্গৌরা কাউয়ে অত্থুদি। হুমিং মঙাল ফনা মীংথিনা লৈরি, চৌঙ্গী নঙ্গোন্দনি, ঐথোয়না থুল য়ৌবদা। চৌংগী যুম্বালগা তমগীগা থেঙ্গমনবনা ঐ উক্কুবা উমখিদে, থীনা উকথি। তমগী যুম্বাল হায়রিবসি ঐনা থঙবা ইম্ফাল মতেক থরদগীনি। মপুং ঐ থঙগ্রি। লৌব্রায় লমসু সুকথঙ থঙগ্রিবনি ঐ। লাইকু অমদগী চৌংগী যুম্বাল উম্বা থেংনরুবদনি। চাং য়াম্না ব্রাংনা কারগা থুল লৈবা, যুমলীংসু পঙয়াম য়ামদবা, যুম লোইনবা পল অমগী মমুংদা লৈবা, পম্বোং অমস্ত ফাংপা, অকোয়বদা উপাল অয়োকপগুমসু লাংকপ লাংকপ তাম্নপ তাম্নপ মহৌবা, পম্নুংদনা, যুম মওং অমস্তদা সাবা, পরেং চানা লেংবা, উপাক অথাবা, অচৌবদনা ফক্লাং থাবা, যুমায়দা শজি, শঙাই, মগুং মকোকাসু থেংপা, মাজোল উপাক মশাদা মী মকোক মওংগুবা হক্কুনা সাম্নুনা হংপা, যুম থরদা চিরোঙ থেংপা, চিরোঙ চাউবা মায়দবা—কয়াসিনি অহানবা উরিবা। পূম্নৌ ভাক্লিনা উকপা থেংথি। ঐথোয়না থুন ময়ায় য়ৌবদা খুজা অমনা "নথোয় নঙাই লৈবরা" হংঙি। "থোইনা লৈতে" হায়রবদা চিরোঙ থ্ায়দগী চাউনা থেংপা যুমত্থুগী মাজোন্দা পুশিল্লি। কনামত লৈরমদে—থোঙ লোল্লম্মি। অত্থুবু, থুনমক ছুপী নিপা লোইনবা লাকথি মরী মরী। অহন্দুনা "ইম্ফাল-দগীরা, কৈদগীনো" হংনা হংনা "নথোয় হুমিং মমগ্রিঙে, ঊশিংথোংদা চাক চাথোক্লুয়ো" হায়। চৌঙ্গী মীচঙ মীথোক কুজবা মতৌ অঙাং ওইরে ওইনা থম্মিবগুম ভৌথি ঐ।

থুনবুগী ইমুংদু মী ভরুক ওয়েংমুক চাবযৌনা ত্তোই। ঐথোয়না চাক চায়গা লাকপদা মথোয় চাবা লোয়্নকাংলগ্রি। ঐথোয় মাংগোন্দা অরুম

কন্থি। চাব-থকপা লোইবগা কৌশিজগে। ইমুং মৈ থাজে। শীং উত্থুপ অশাং অশাংবা য়ায়া থায়। মৈশি থম থম থোকই, মৈনিঙ্গুলা অয়াইনক্তক্রকাণ্ড থয় অত্থুম লুমজৌনা ভৌই। মৈত্থুগী অকোয়বদা কয় থাক্লমা অয়াবা অত্থুম হিপ্পরে। থয়না মচিদা ময়াদা, ইমুংদা লৈবা তুখন মথক্কা অহিংদ্ধু লেয়বা হোৎননরে। ভুমরে লোইনা কন্থি নীঙাইকবা মৈভনা অত্থুম।

উচেক খোংত্রি, য়ুম্নুমবীয়ুদি হোৎপলক্লে। তুবদা, ময়াদা অতুমশিং লেয়ইনা হোৎদোক্লে। কৌ তুরে, কৌ তুবগী যুকথোরে, ইমুং লৈমায়নগা তুংইন নীকপনে ঐথোয় অত্তেছ লোইনবা অত্থুম হোৎপলে। ঐথোয়না পোৎশি পোৎলোইনখিডে মাস্থ কৌ তুবা লোইত্থুনা শীং থায়রে। অত্থুমস্থ ইমুংদনি। শীং থায়বা লোইবগা চাক থাংপৎনবা অত্থুম হোৎনহোরে। ঐথোয়স্থ অত্থুম খোঙশালে। চৎনা চৎনা অঙাং ওইরিবা ঐগী খম্মোইনা লোনথি মদোয় হুমিন, “ওস্তোক্লা কয়া য়ানা চিয়া হিংঙ্গিদা চীং”।

লম্বী লমশাংদা

(অমুক কৌয়ৌ শীংবুম থয়)

ঐথোয় ভক্কিদা লখিপুর ভাই। লখিপুর ভাবদগীদি লোইনা শয়জি খাইনথরে। মাপী মাগী খোকপা অত্থুম চৎনথরে। ঐথোয়দি বামনগী ইমুংমদা লেকই। হুমিং ভকক্লি চীংলমদা লমজাউদা লম্নক্তা খোঙবু থয়দংগী নত্তনা মীগী মনম খোইনা মংদনা লাকপনা ভসিদি পুক্লীং থয় লুমদোনা ভৌথি। চীংদা অঙকপা কজবা কয়া লোংমা নোংমগী থেংনরকই, মিং থ্‌মা থক্কই, খম্মোই পেয়া চুপ্লকই। অত্থুবু, মীয়ক্তা পোক মীয়ক্তা চাউ লাকপনা অকিবা অথুকপা অমদি ইচেন অত্থুম মচেরে। বিশ্বকবিগুরু দনীদি নত্তবনিনা—

নূতনের মাঝে তুমি পুরাতন

(অনৌবগী হুংদা থুপ্নি নং অরিবা)

হায়না খুডাইখোকপদি অপঙবা অঙাং ঐনা ভ্রেভম খোক্তবনিনা অনৌবা থেংনবদা অমবু ওইরে অমবু ওইরে পুক্লীংনা লৈভাকবদি থক ভোদে।

ভয়েংবিগী হুখিল অঙনবদা ঐথোয় জিলা মৌই। হায়রিবদে শিলচর-খুনি। জিলাদি কাছাড়নি। জিলাশিগী সহর অমবু অহুম থোক্লিবশিগী মমম

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইমুংদা নত্তনা [illegible]
ইমুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible], মপাঙ্গা লৈবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
ইরুবা চন্দ্র[illegible] [illegible] তিনবা। অমুসোং বৃন্দাবন, নবদ্বীপ, [illegible]
[illegible] মকম[illegible] মপা [illegible] হিংনবা অদুম হোৎনজবা তাথরি। [illegible]
পনজল, [illegible] চাবা মকম লৈতবসা ইচেলাম (চৈনম) অসুম লৌরে। [illegible]
ইমোমহাল[illegible] অমাম থোরাংগী [illegible] অমাংনা পুংথাম লৈ[illegible]
[illegible] মাংনা চাবাদি হেলবা [illegible]। [illegible] [illegible]
মঙোমপা মিট্টি থরগা লৈক্করে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
চিনি পুথোক্নবা মপা মজনা তোংলে—চানরে, অহিংতুগীদা থওদে কয়ানিংগীনো!

[illegible] [illegible] হিঙ্গ, চাবা [illegible] ইওল [illegible], [illegible] মপা থীনা
[illegible], চামল্ল মপা থীনা [illegible]। অদুমু [illegible], অমাম থোরাংগী
[illegible] [illegible] [illegible] পরেংনা থংথিবনা [illegible] [illegible] [illegible]
চোক্ল [illegible] অদুম লৌই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শাংবা [illegible], অদুমু,
ইচেমম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] থোঙ, [illegible]
পরেং, মীরাম, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পরেং, [illegible] পরেং,
[illegible] পরেং, [illegible] পরেং, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
চাক চায়দ [illegible] [illegible]—[illegible] অদুম [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] চকেৎ লোকয়ে।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible], [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
শিরক্লে—[illegible] [illegible]। পাক্তী [illegible] লোয়না [illegible] লেংদুনা মাহোনা [illegible]
টে-লোইবা থাংথক্লে। ঐঙাদা ঐগী [illegible] থাদিরে? ইরোনীবু থাক্লে।
পাক্তৌগী [illegible] থোক্লে; মাঙৈ ইরোংবা ঐঙাদা পুরক্লু ইরোনা থিরদিত্তাই
শিরক্লে। ঐঙাদা অকোক নাবা মাঙা শিঙাউমাইবা, অকোয়বা চিকৈনা মুক লো,
পঙঙল ঙপ্পাকপ, ইমাগুম থুনা নাকনি' হায়—থিংনুংদি শিবাং। মাহোক
ঐগোগোরখগী অনৌশক্লে—"চোয়ে"। ঐহাক লাইনা তাকপগেবা চেক পুরনি।
মাহোনা ঐবু হোগত্তুনা চেক মাওংবা মাহোগী মখিতা শিবকপি পি অহুম
মচুম, হায়রকপি, "মাঙ্গী চোরে, নং না-ঙেক্ষকো"। ঐহাক থত্তহোরে, শিব-
রকপি মিতা শি। পাক্তী চৎলক্লে, মাহোক পুমথক্লে, পোত্থনেক অনীমা চেঙা
মনাক চোরপা অমুক ঐখোয়দা লেংলক্লই। মথোয় অহুম লেংদুনা অহুম
লৈহোরে, ঐখোয়মক লেংনা লেংনা অহুম চৎলে।

মুখিৎনা থিক্ক লৈহিত্তোদি পাক্তীমা শাথক লেখ লেঙা খোয়না চেনবনু
লেংদুনা চৎলদি। থর মমকসঙবা মতমদদি পাক্তীগী মৈ মথাল, কনাই মহম,
পোং থম্ময থাকাতু অমুক ইত্তক ওঙা লেংদুনা চৎলে। অহুম পাক্তীগী তপ তপ
চেক চেক অহুম প্রকৃতিগী হা মমগী মুংশিং থবা তঙবা থরলে, হাইনা হাইনা
অহুম উইথক, অহুম উইনরক লোয়না থোন শিরক্লে, লেংলে, তাবে মুমমুল—
তাবে থোক্লেং, কাংথি অহুম মুনমক, থরলে মীগী ঈমাউ খোমদি হায়দিবা
নরে পাক্তীগী ইরিয়াদি হায়দিবা নখিনক্লে, মিকপ মপা চাবা খোঙবদি হায়দিবা
কাংবাদি কাওনা মুনা অহুম। কাঙবগী লেংনবরে মুকৈগী মুংশে চেক। মানপুং
অংমনদি। অপাংবা শঙ, অপাংবা মাংলোন, অপাকপা ভমাও, অঙাঙবা মৈগী
কৈত্তাল পরেংগা মীগী মুমাও—চেক্তি হংং মুনা, কাক্কা কাঙক পাক্তী কাঙোবা
পঙে পঙে, ঐমরি, লেপ্পাইনরি অহুনা থত্তং পারেংগা অমম অমম মুমিং
ইকোয়গা লোয়না অমক অমং। চেতি মঙক হং, হংবা কাহুন কাওক খোমহাব-
শিনা মাগী মাগী লোংপেক মরিক কাই, লাইবুদা—কাতনু লোয়না মাংলৈ মাংলৈ
চিং—শান, থীতি, শিখাকাউ; অমুক [illegible]

[illegible] ঙ্-অমুদু কাওবু-অমা, থাঙ্গীমরক্তা ইছু-ইনা পুক্কী থাক-[illegible]—[illegible]
ঊরক্তে, কনাদি। [illegible] মেৎনা শুটৈবী খুবৈ খুমি অকনবা খুমৈনবী।

মী কাখোক কাপ্নি লোইনাবকনা তাঙ্গা লেপ্লে, ইকাইরা পাইখ্রবা কোঁয়বা পুক্কী কোও কোও পাতিবা অকনীগী মিচি মচুগী অমনা লৈথিলকে, [illegible] ৱায় লৌথিলকে। চাবে খরে—অমা তাকপগী মখক্ক লিক খরে। থাঙ্গীগী থাবে মথুং। অংগনবী অকোয়বদা থাইরিবা, ঐজোংদি অহিংবগী মনাং তাকতবগী খরাম্রিবাক-পুখক্না মিনমজন ৱোমবা মৈখী-পকে মেং-মেংদুনা অহুম চৎলে। পুক্কী থমবগী প্রাঙ্গীনা হাই রমদুনা তম্না তম্না চেৎকপগী ভুমখিবা খঙহৌদ্রে অদুম।

এমাং তানকুং তানকুং তৌয়কপা মতমদি। হৌদোঙ্ককই ইকৌনা "হায় লোমে হৌদংলো, কুকনদি"। খুমলে চামপুক্কনদি। খোটিরা অমনা মাও খাঙ্গুনা চৎলি। ফুমেল ওথোমকং ভাইনা তৌই—অমেয়দি খঙকে। খোংবা লাক্পা পঙ্গোংবা কাওদুনা ঊখিংদা খুম অচৌবগী চিঙি। মকম অচাবমা লেপ্তুনা ইথোনা কম কমা থাতিজি, ঐখোয় লোইনবা কনি। কন্না কন্না ঐজানা হিদাক চিকি থিদুনা হাজগী ইথোনা বৃন্দাবন হিদাককু মচামগী পুদোং কাপ্তুনা পোথাই। পুদোং কান্না কান্না ঐজাগী ঐগী চীন থা হকচাং পেংদোক্লবা হায়। ঐজাগী জাহাজ অনৌবা নত্তে, লোইনা থংডি। জাহাজ অসিগমক্তা মনা লোয়রবদি। খোঙহাতুম চৎনা চৎনা "ঐগ্যা, কনাই মুল্লো ঊখিংদা থাম্বিবসিবো" হংডি ঐনা ঐগ্যান। "অপঙবা, মুম নত্তে, হিনি, জাহাজ হায়রবদুদি, ফুমেথিবা পম্বা হায়রবদুনি—হোরেল নৈচিল তাঙ্গগী লোইনা ঊসি" খুমজকখি। থেংখি ওককী পুক্কী, কয়গীনো খঙদে অদুক ওক্ দুরিবা।"

জাহাজদু চৎলে, ফুমিংদু হৌলোয়রক্লে। ফুমিং-খুমগী ভাইনা ইথোনা প্রকৃতী থাক্তা পুখত্তুনা কাথে, খুকপে। খুকপ খুকপা পম্বাগী মকপা অউকপগী ঊথোকপনা লেবা হৌখি। ফুখজিদি হাপ্পগী পাঙ্গিবা মনাক অমুদা ঊনা তকখি। ঐমচিনা পুন্নকোকা কোক্তুরবা কাশ্যপগী কা লেঙা পাইথংগী [illegible] তাখ্রদি ঊহ্রি। [illegible] মতেম অদুগী অহিংবা মনি থাদি। ঊখিংনা [illegible] [illegible] চেনবা অভিরাগী ইশ্বরথকৌবা ঊবি। [illegible] খোংবকপগী [illegible] তাবা থাতুনা অভিরাগী মখিং তাবা—অহিংনা অমাং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

ঈথোয়মনদা ঈচোং ঈচোং চেনবগুম লৌংখিল্লি। ইথৌহ্ মিৎ থ্‌ম্না থল্লি ফজবা, ঐস্থ অদুনি অদুম। আম্মা ঈশ্বরনি, ঈশ্বর ফজবগী মশাক্লি। অদুনোং পাল্লি ফজবা থব্রায় খুদিংদা, থায়দে অহল অণ্ডাং।

তুরেলগী ফজবা য়েংনা যেংনা চীনগোইরকথি ইথৌ। পদ্মাসি তুরেল অহম্মা তিল্লবনি। অচৌবা ওাক্লি। হৌজিক ঐথোয়না উরিবসিনা মেঘনাদগী তুখুল্লি। থর চৎলবা মতুংদা, ময়াম্বদা ব্রহ্মপুত্রগী, হোরেল.গা মতাইদা গঙ্গাগী থেংনগনি। ঈশং মচুস্থ তিল্লরোই, ঈচেলস্থ অতুম খেল্লগনি। মেঘনাদ অসে ঐখোই লমদা হৌবনি। ইস্কালদগী অল্লাংদা মাইল নিফুমুক চৎলগা চাংগী লমদা কারোং হায়বমা লৈ। অদু তুরেলগী হৌডল্লি। নহান নংনা উরকপা খায় তুরেন্দো অসিনি। খায়না নহান নংনা জিলা কাবদা লাল্লকপা এরাক হায়বা খায়া চাউবা তুরেল্দুনি। বরাক্লা অমুক মিলোট্রা স্বম্মা কৌনা চেল্লরগা অসিদা মেঘনাদ কৌনা লাকপনি। ঈচেল কনমনবা ঈরাউথোল হকয়নষদগী মেঘনাদ কৌবনি। ঐথোয়না ঐথোয়গী লাল থৌরিতৌজো পঙচৎ চৎলক্লবা লম্লি। মাসি কীর্তিনাশাস্থ কৌই হায়। অহিং অমদগু পশেশ হায়বরা কাউবু কাউরে, নিংথৌ অমগী কোন্নুং লোইনবা লৈখোও ফুকই হায়। হৌজিক মাগী মপানিনা হল্লিবা ঈহুলসিনি।

কুমওরে মথাদা ঐজাগী নাক্তা। চেংপাক চিনি থর লৌহুনা চারে, ঈশিং থরগা থক্লে। জাহাজ চৎনবা ময়ায়দা চাদাইরিবা এঞ্জিনগী কনককাশিংনা উংলিবা চৎজিবদু য়েংদুনা অমুক ফম অমুক ছিপ তৌডুনা ফনা ফুইনা লৈরে। তুরেন্দি মচি লেওদ্রি। তুংওইনরম এঞ্জিন চৎলে হিবাল তাম্না তুরেল য়েংবা অমুক।

ছুমিৎ ফনা কারে, কোক্লে লোইনা লৈচিল। তুরেল মশা লোইনা উরে। অনোম রাংমগী গোয়ালন্দ য়োমগী ভোর্বাম্সি ফনা থীনা তাম্না উই। ভোর্বাম্দা, ময়াদা হৌবা উ-বা ফাও ইপিক ইপিক পিক্লা উই। জাহাজনা অস্থম অস্থম ময়াম চওখিল্লরগা পাকথোকপা অস্থম অস্তম হেজিনদুম তৌথি। খুংবা ছবাই ওমথনি উখিদে। চওবহ্ চিং ফনা থীনা মতম। অদুক মল্লি মল্লি তৌরিউওলগী হোনবনা ছমিৎ খুংবা মতুং ফনা থীম্না গোয়ালন্দ থুংডি। পুং পান্নদুনা চৎলবদি নীপাম্লোয়মদি হেজেপ চঙলনি। অল্লাং পাংনা হজৎ য়েংবদা, য়েঙকী ভোর্বামস্থ তাম্থিবা ওইরীস্থ অদুম থীনা তাম্লিবা—অনীগী মমক্তা অচৌবা তুরেল অহম্মা

অমস্ত ওইনা তিন্না তিন্না মশা মশাগী মচু মমেল, খোঙৈ খোঙথাং ঙাক্না চেল্লিবছু উবদা ঙকখি অঙাং ওইবা থম্মোই। মেঘনা (মেঘনাদ) না চেল্লি ঈচোং ঈচোং, ঈশিংদি শংলি শংলি য়েত্তা ; ব্রহ্মপুত্রনা চেল্লি য়ায়দা চীক্না জেম, ঈশিংদি লীক্লাই ঈরী মতম ঙোৱৈ শংবান ঙোৱৈ শংবান ; ওয়দা তাম্না চেল্লি গঙ্গা ঈংনা, খোইনা মোং হাদনা, নাপু হাইরপ চঙলা ঈশিং থাদা কোল। অমা য়েংবদা হোংঙমদে মিৎকয়—কাউই অরাম খোরাং।

থাম্না তাম্না নক্না হোল্লি নাউ চাম্ব চাম্ব—থঙদে করিগীনো, করি দৌরি। য়েশিন য়েশিন লৈরি অমুক নাউ চাম্ব চাম্ব—হৃপী নিপা অঙাং মুনা লৈ—থঙদে করিনো, কৈদৌরিবনো। অমুক্ক নাউ চাম্ব চাম্বনা শাংলবা, শাংথরবা ঙক্না শাংবা ঈল অমা চিংদুনা পুরি—লাউনরি খোৎনরি, থঙদে করি হায়নরিবা। মখোয় থ্বায়গী ব্রাবিবগুম নাঙবিনা মমৈ মপোক হেক হেক ওল ফামি শোর। থায়োমদা য়েংখি অত্নমঙায়। ঈশিংনা নোংথোঙ য়েথি। নাউনা পিশক পিশক লুপফেৎ লুপফেৎ হোল্লি ঈয়ায় থুংনা মচি থ্দিং।

ঈশ্বরগী ফজবা থ্ৎলৈম, মীগী মপোক, হিংবগী অকনবা লাল, অর্রা হুঙাই, য়ায়ে য়ানা, হুঙাইয়ে হুঙাইনা হিংনিংবা, হিংদুনা পাল্লিবা পূয়মশিং উবদা চহীগী মতাংনা মুম্না থঙকম খোক্ত্ বক্ষ হৃৎশিংনা চেল্লকপা হৈনম লৈনম তাংদাংবা থঙদনা "হৃংশিয়েদ" গুৎ গুৎ নম্রবগুম অঙাং ওইবা থম্মোই মহাক্ মনম থরদি ফংথিবগুম তোৱরা লাইরিক লাইগু থর তম্নরবা মতমদদি বিশ্বকবিগী হৃংশিবা শৈয়েং অমা ঙংথ হেক হেক মরক মরক—

মরিতে চাহিনা আমি সুন্দর ভুবনে,
মানবের মাঝে আমি বাঁচিবারে চাই।
(শিজনিংদে ঐদি ফজবা লৈকোয় অসিদা,
হিংজনা ঙি অসুম মী থ্বায়গী মরক অসিদা।)

হৃম্নিৎ কনা থেঙজিহক্নে। ঈয়ায় য়োৱে জাহাজ। জাহাজ অমা ঙাইরম্বিগ ঢাকা নারায়ণগঞ্জগীনি হায়। মিংসি হেক তাবদা ঐখোই মতমদা য়াম্না চৎপা কা অনী নীংসিংখি। অমনা তুম্নপ তাই, কোইরেংগঞ্জ কৌই ; অমুক অমনা শাংলপ তাই, নারায়ণগঞ্জ কৌই। কা অনীসিদা অমদি ঙাইরম্বিবা জাহাজনা চৎকদৌরিবা মফমসিদগী লাকপা ওইয়ে হায়বা তাব অমা

ভৌথি। চুমহু চুমলগ্রে। অশাংবদুনা অসিদগী, অফুবদুনা ঐগী ফুমথিন্দুনা উয়ক্ত্রবা কয়িমগণ্ড কৌবা মদয়পুরগা নক্সবা মকম অমদগীনি হায়বা ইথৌদগী অদুম থগুলে।

ঐথোয়গা ভোংমিয়রকপা মী কনা য়ায়া ঙাইহল্লিবা জাহাজদুদা হোংত্তি। হোংলিঙৈ ডাঙাসিদা নাউ কয়ামুক মঙোয়, দই, য়মগোল্লা পুন্নুনা জাহাজ অনী-দুদা হাৱে। ইথৌনা দই চক্ক মচা অমগা পোল্লা থয়পা লৈ। জাহাজনা থোং-লকপদা মথোয়না হোন্দোকথিবা মতৌ, জাহাজ অনীনা মথং মথং থায়কপদা হৌয়কপা ঈমক্তা থীনা লুপ্নি লুপ্নি হাইদুনা থাঙ্খিবা মতৌ, পূময়ম্মি উবদা অঙাং ওইবা থম্মোইনা মথোয় নাউশিংগী দময়ক কয়া ব্রাবিথি, কয়া থুকপিথি।

অয়াম-থৌয়াং থীনা পোক্লবা, ইশা ইউ লোইনা থেংনা চোক্লবা পূঙোয় কয়াগী মতুং য়োৱে গোয়ালন্দ। গাড়ী অয়া লৈরম্মি, তোংল্রে। ইরু-মাইথ-জদুনা চাক ঈশিং থয় চা-থক্কগা মথংগীদা তোংবা ভায়ে। ফুরেল চাউবদগী ঈশিংদা কায়দবদি পম্মানা ময়োইরে। থক্তী ভায়ত মশাংগী অমাংবা অচৌবা ভুরেল অহয়া পুথয়কপগী মকুপ পূময়ক সমুদ্রনা পন থাদুনা ঈয়ীক মৈনা কোয়কদুনা অদুম লৈবনি। অদুনোং ঈশিংগী ইষ্টসেন ময়াদা থয় লুবা মকম্বা য়েংদুনা থয়দং চা থক্রে—ওহাক অফংবা মতম পোথারে।

তোংলে গাড়ী। ফুংথিল অথেংবদনি। চৎলে অহিংচুপ্পা ·ঐদি তুমা তুমা অদুম। লোং ঙ'রে, য়োৱে কলিকাতা। শিয়ালদহদনি মুথিৎ ফুংবগী অদুয়াই ওইনা ভৌবয়া মতমদো কাউরে। ঙকথি উবদা মীগী ঈচাউ। কিজেত্তা চাকচাদা ব্রাডাংদা থোনকমদা ঐথোয়গা অমস্ত ভিয়থিদ্রবা, কয়িমত থঙন-থিদ্রবা ঙাক্তনা চিৎলু-চায়ক্ক চন্দনা কুক কুক ঈয়বা উবদা থুক্তবা ঙমথিদে ঐগী অঙাং ওইম্বিবা থম্মোই। অদুবু, মপু মথেল অনীনা শেনবা অঙাংগদি অকিবা অথুকপনা চঙবা ঙমদবা, চঙলুয়বহু অদুক মচঙলুবা হায়বহু ভাবনা ঐডোঙদি চঙজৈ হায়বহু মঙায় কায়দ্রে, ঐজানা খুজেং পায়দুনা হেক শম্বদা অকিবা অথুকপা পূময়ক তনকোক অদুম কোকথরে। অদুবু, চিনবদি হক্লে, মীনা চিনগা চিমিঙৈদা গাড়ী ট্রাম মিয়া হাপকৎলকপাদনি। মতময়দুগী মিয়াদি মীনা চিংই, শরিক অমা থিং থিংদুনা চেম্মি। মিয়ামদা ঐগা ঐজাপা অমদনা ইথৌপা পোৎকা তোংদুনা চৎলে—কল্লা শাংনবি, কুমক্লে, কাদে

ধর্মশালা অমদা। অহুম মীনা রুক রুক ইয়বদৌনা অহুম যথোকই। ধর্মশালাহুদা ঊরু-মায়থঙজহুনা চাক ঊশিং চারে, ওহাক হুন্ডাইনা পোথারে। হুমিৎ ফনা লৈথরে, চৎলে অমুক ষ্টিমারদা ঐখোয় মীগী পাড়ীগী অকনবা ঊচেক মায়োক মাংয়োক্নুনা, ভাকরে হাবড়াদা মীগী ঈচাউদা অমুক। মহুংদা চম্খিবদা অঙকপা লৈবাক অমা ওইনা খোকখি ঐহোন্দা। য়েংফম অমত্তা থখিদে—মী অচৎ-অখোকপু য়েংগদবা, পোৎ হাবশিংবু য়েংগদবা, পোৎয়োন-ফমশিংবু য়েংগদবা, আফিস পরেং য়েংগদবা, গাড়ী লাকখোক লাকশিন য়েংগদবা—পুমঙক চকখি। অচিকপা লৈবাক্তা পোক অচিকপা কোন্দা চাউরপা অকিবা মীগী মীনিনগা অকিবা গাড়ীগী ঈনিলগা অনী তুনা থংলাং লাংলবহুদগি কোক অসি পুমণ্ডাও ত্তাওখি—ঐত্তাগী তম্বাক্তা ভাহুনা মিৎ উইশিন্নুনা থাখি।

ভোংলে অমুক গাড়ী। সন্ধ্যাগী অহুবাই ওইনা তৌই। অহিং চুপ্পা তুরে। নোংঙাদে। গাড়ী থাবা মফম অমদা চীন-থা শেংদোক্লে। ঐদি তন-শাক-অথুবা থবা চারে। ঐগ্যাহোয় ইথোহোয়দি স্নান তৌদবা, নায় সোন্দ-বনিনা করিমত্ত হাদে, খুদোংজি থয় তোয়রপ ফাজি। হুমিৎ অহুমম অহিং হুংখিল চুপ্পা ভোংলে। অমুক ফয়, অমুক হিপ, লম-তু থম য়েং, অমুক উইথরক তম্বা হিপ, তম্বা তুয় অহুম চৎলে। মথংগী হুমিৎকী হুংখিলদা কানপুরদা হুমলে। লোইনা ইরু মায়থরে। থয় নীংখিনা চা থক্লে। ওহাক্কী মহুংদা কারে মথুরাগী গাড়ীদা। হাটরাসদা ফনা থীনা মমলে। মথুরা য়োবদা ফনা থেংলে—অহিং লেরে ইষ্টসেন্দা অহুম। নোং ডানকাত্রিংঙৈ টাঙ্গামদা চৎলে শ্রীকুণ্ড, য়োয়ে চাকচমাঙদা অহুম। ওখীগী অয়াবা পুমমক কোকত্রে মিকুপ্পা; চায়ক্তবা, থক্তবা, তুমলক্তবা, পুমমক কাউত্রে লোইনা অহুম হুংশিনবা খোমাংনবা মমায়া উরমবা অহুদদি। অহুবু, খোকখি অঙকপা অমা। লৈরবা অবোইবেম্মা, থাকা, ইপৌ অহমম্ ঐখোয়গী ঐগ্যাম্ ইথোম্ লোইনা মিৎলু ঊবা চেয়রে। পিগা পিগা লণ্ঠনে হায়গুম ঐগী মিৎমু পিরে অহুম পি। থঙ্গলে জ্ঞান ভায়ক্রবা মওমদদি অমা হুড়াই অনীমক চেয়রে পি। থেমবা হায়মবু অয়াবগী পিনা শাই, হুন্ডাইবগীনা ঈংঙি—অহুনি।

শ্রীকুণ্ডদা

(থামুক)

ঐনা শ্রীকুণ্ডদা থামুক লৈবসি ইমুংগা মপানগদা মপান্দনা থিৎ নম্না হেন্না লৈ। লৈবগী মরম্—ঐ মীকোক মঙাগী কবাম্নি—পাইনি। অবোইবেন্না, থাঁকা, ঐগ্যা; ইধৌ অনী—মীকোক মঙামক ঐ হেক উদবদা "চোখে কৈ চৎপ্রে" হেক্ত হংঙি। অমনা বাজার থঙদে করি থঙদে খোঙফৈ অমা থাংবদা ঐ অতুম চেন্নে। দর্শন পরশন অনক অয়াপ পুন্নমক ঐ চিথবা লৈত্রবনি।

নিংথেম অমনবা—

খুত্তম তারবা নিংথৌ হায়বনি—কুলচন্দ্র মহারাজবু থঙনৈ। খোংজোম লানগী ৱাথোক মতুং ইন কালাপানীদা চহী তরাগা ভরুক লোই কুমুরবা তুং শ্রীকুণ্ডদা লৈ। মবুধৌ মহারাজ গম্ভীরসিংহনা কৎলম্বা বড়ী কুণ্ডদা বাস তৌই, শ্রীকুণ্ডদা দেহ পতন ওই অতুম। ঐথোয়না চৎপা মতমসিদদি লেঙ-থোয়রুপা ফনা কুইবগুম তৌরবনি। মী ভৌই, ফুলৈনৈ, নোয়।

খুংবা মতুং নোংমা কোনবগী অয়ুংনি। গোবিন্দগী ফিঙার লোইরে। পেঙ্গা পিক্তক তৌবা অমদা খুদৈ অরুবা অমগা পোৎ-চৈ অকং-অয়াক থবনে, ইৎতুপ হৈমাঙ লাড়ু থবনে থেংগৎলগা গোবিন্দগী দোহলিয়াগী মচা নিপা চহী তম্নানাখোই হুমদোইরোম ম্নরবা অমবু পুহম্ভুনা বড়ী কুণ্ডদা ঐগ্যানে ইধৌনে ঐনে নিংথেম অমনবা থুরুম্বা চৎলে।

কালিদাসগী শকুন্তলাদা "পশ্য শকুন্তলাবন্নুং" গী শকুন্তলাবন্নুংসিদা সর্বদমম্না শকুন্তলাদ লৌথিবগুম ঐসু "নিংথেম অমনবা থুরুম্বা" হায়বা ৱাফমসিদা নিংথেমদ লৌরুই। অঙ্গনোং থৌঙদা নোংমৈ পায়বা সিফাই লেপ্লমগনি; মলুং লৈকোল য়াম লৈরমগনি; শঙ্গাই নারুন্দা কৈজাউ, কৈ অমোম, কবো কৈ লৈরমগনি; সিপাই তুরুক সৱারীসু শগোল আরবীসু অতৈসু য়াম লৈরমগনি—য়েংঙু নি থল থুঙাইনা চৎলম্মি। অতুবু, পুমওল ওম্নবা, পুমতৈ তৈনবা মফম অমদা তারুরে। খোঙদি মপাঙ্খোঙ মঙ্গংখোঙ নাইনা চৎলি। লেপ্পে খোঙ অমত্তদা সিফাই নোংমৈ পায়বা। লৈতে সিফাই অমত্ত, উদে তুরুক অমত্ত। লৈতে লৈকোল, লৈতে শারং, লৈতে কৈ কৌবা অমত্ত। লৈতে শগোল, লৈতে গাড়ী,

লৈতে থোইনা মী। য়োরে শুম্মাঙ, উবে লম্মোইবা লম্মোইবী থর মন্দির মমাঙ শুম্মাঙ মচিদা, শুপী অচৌ-অশাংগুম্বা অশেং ফিজোল স্থনা শেংপা থর মন্দির প্রাঙ্গণদা থডখডি মচুংদা। কারে সিঁডি লাইবক কক্ুনা, চঙলে প্রাঙ্গণ থডখডি হাইদোক্কুনা। লৈরম্বা অমনীদু মশক নাইবীঙাক ওইরমলে। ঐথোয় উবদা "কদোঁইঙ লেঁঙকপা ইবেম্মগা ইবুঙোগা, অঙাংসিনা ক.।", ওক্সমলে হরাউ হরাউ তরাম তরাম। "ঙরাং লাকপনি, ঙরাংদি ঙমদ্রে, ঙসিদি গোহিন্দস্থ থুম্রমগে শ্রীযুৎস্থ থুরমগে লাক্লিবনি ইনম্মশিং পূম্নমক" খুম্না খম্না গোবিন্দ থুরমলে, "অসিদি নমৌ অহন্না পোকপনি, ঐনা কোনবনি" তাই মন্তোল। "ফরেদ ইয়া ইবুঙোমস্তু য়াওদে হাযবদি ইশূসিনা ভৌথা তারেদ্না সেবা" হায। "মিংবু করি কৌরিবা ?" হংডি অমনা অমুক। "চোথে পাথ'বা" খম্মি ঐগ্যানা ঐঙোন্দা মোমোন য়েং। "মান্দ'মাল্লি নহায় ইশুদে" নোকই মযাম ঐবু হ'শিনা য়েং।

মন্দিরদগী কুমথরকপদা শঙ্গায় মাঙ্গোন্দা লেঙথোক্কুনা লৈবম্লে। ঐজ্ঞানা ঙসাই পুহল্লকপা লেনগাদু লৌরগা মাঙ ধাদুনা ময়াম চংশিল্লি। "ইংেম্মা সনাজাউবি নং বদোইঙ লাবপা, এ ইমেনস্থ, অঙাংসিদি বনা" চীনগোইংবই সনা য়াথং মথং মথং ঐথোয মীপূম য়ৈনা ওক তবাম তরাম, খুত্তদি মালা। "ঙরাং লাকপনি ঐগ্যা, ঙরাংদি ঙজোদ্রে সনা চরণ থুরম্বা "হাযনা হাযনা লেংগাদু সনামাঙদা থারগা ঐথোয লোইনা থুরম্লে। ইধোগস্থ ঐগ্যাগস্থ রা অমনী অমনী ঙাঙনরে। অরোইবদা "থঙ্ক্রে ইশেজশা ইচলশা, নথে'যদা মঙ্গায়রবনিদো য়েংলুবদা" ভৌথি প্রেম, শিম্থি মিৎলুদা পি। ইধোগা ঐগ্যাগস্থ ভৌথি প্রেম, শিম্থি পি, ঙকথি ঐ—মিৎলুদদি পিরা'।

থঙলে ঙসিদি মতিক মঙল মঙাল মতন্না লোইনা হুববা নিংথৌনি মাদি। মপুনশিদা নিংথৌগী দুঃথান্ত লীলা শ'ন্নবা লোইরবনি—তাববনি অরোইবা মবনিকা। মথং ইচুংগী মঙ তম য়াচঙবনা লেমলবা রাথোঙ লোল্লবা কোবৌনি। নীংসিংলকই বিশ্বকবিগী প্রার্থনা অমগী মতেক অমা—

পাথেয় যাব ফুরাযে আসে পথের মাঝখানে,
ক্ষতির রেখা উঠেছে যায় ফুটে,
বসনভূষা মলিন হল ধুলায় অপমানে,

শকতি যায় পড়িতে চায় টুটে—
ঢাকিয়া দিক তাহার ক্ষতব্যথা
করুণাঘন গভীর গোপনতা,
ঘুচায়ে লাজ ফুটাও তারে নবীন উষা-পানে
জুড়ায়ে তারে আঁধারসুধাজলে।

(লম্বীগী চেঙজেন্না লোইরক্লবা য়াংদো লম্মুথাঙদা,
অমাঙ-ময়িনা তায়রক্লবা মমায়দা,
মীমাঙ ফম উফুল লাং মোচ্ছ্‌নররক্লবা ফিনা যোন্না,
পাংগন্না ময়েং তা মমং লান্নরক্লবা—
থুপচিনবিয়ো চৈনাথোল মানা পুন্নিবা
থুপ্ত-থ্‌প্না অথুপ্না থোজালগী মশক,
শাচ্চরসন্থ নোহোনা 'মুক তদেক তদেক ইম্মুংদা
অমম-ঈরানা মশা লোক ঈংজনা হুক।)

শ্রীকুণ্ডগী শা-উচেক—

শ্রীকুণ্ডগা কন্না ভমদাই ওইবা শানা য়োং, উচেক্লা ম্নাহোংগা তেনন্নাগা অনী অসিনি।

শ্রীকুণ্ডদদি য়োংগা মীগা অতুম লৈমিন্নবনি। য়োংনা লাকই, হুই পোৎ; মীনা ভায়্নে চৈ পায়তুনা, কাঙদেল লংতুনা—"লগে-লগে"। মফুরগে, মপাল্লগন্থ হায়বদি থক চস্তে। য়োংস্থ চাউরে চাউনা কল্লে কন্না "লগে" দবু হায়রবদি হেক্ত চেল্লি, মীস্থ থমকানা অঙাং অঙাওবা, লক্কোনবা লাকপদোনা থনবয়া চেন্নবু চেন্নবদি তাস্থরুদ্রে। য়োংনস্থ মীবু থোইনা তাথীবা তৌদে, মীনস্থ য়োংবু, পঙলৈ অতুম মরৈমিন্নৈ। স্থঙাইবা কুম্মৈস্থ উদবা নস্তে। মবুক লাম্নো য়োং অমা, চঙনি লোন্না ইমুংদা অচা-অথক থিনি, ফংলস্থ পুনি ফি থঙদে কোল থঙদে অফংবা পোৎ অমা, ফমলুনি অব্রাংবা মীনা হেক উবা মফমদা। মী হেক উবদা ফি ওইরগা ময়ানা চিক্ত্‌না লেগায়গে তৌশিন্ননি, কোল ওইরগা গুতুনা থ্‌গাইগে তৌশিন্ননি। কুলা অনীদা চনা থঙদে করি থঙদে হাপ্নগা "লে-লে" হায়তুনা শিন্নয়বদদা পোৎ ফংগি। থঙদবা মীনা কুলা অমস্ত পীরুরবদি

পোয়রে—কুলাম্ব পোৎসু অতুম পুথরে। কুংশেল চেনগ্রবদি য়াম্না নোক্লাঁক্তি। কুংশেল্দা মমি উবদা মথুৎ নাম্বনা কুংশেল মনমদা অমা লৈবরা মাই। কুংশা শারে শ্রীকুণ্ডদা উথক্তগী চোংথ-চোংথ শারে, চমিদাংবাইদা য়োংজাউ অমনা য়োংনাউশিং মল তম্বি। য়োংনা মচা পোকপদা মায়োল্লবী অমা হেক হেক য়াওই। য়াম্না অঙকপা অমা য়োংলুপ পুবা য়োংনা মাগী শরুপকী য়োং অচৌ অপিক থুদিংগী মথোল থংডি। লাপ্পা অকি-অথং অমা নংহুনা থোংলকপদা য়োরকপনা হেক্ত হাল্লি। মমানা চাবদা মচা মথৎনা হেক হেক ঈম্বোকই, ওমহুনা লাকপ্রবদি মুন্দে—লাকপা তম্বিবদৌনা তৌই। বৃম্মেনি হুডাইবা।

বাহোংদি মীরক থঙদে উরক্ত থঙদে পঙলৈ অতুম মরৈ। কনানা কন্নি তৌক্কবা লৈতবনিনা মী থোইনা হংগোইদে। তেনবাসু শ্রীকুণ্ড অকোয়বদা উথোংদা পঙতা মতাই, মী লাকপদা পাইদে, থর থৈরগা অতুম মচাঙাক থুন্দুনা মরৈ। ইনেম নেম্বা উথৎম অহোবদা মকোক থিংজিন্দুনা কন্নি তৌরিবনো থঙদে কন্নি নীঙায়দনা কুইরেমথৈ অতুম লৈথোকই।

ঐথোই মতমদা লৈকাই মণ্ডপ অযাম্বদা, অঙম-অখো কোনশিংদা বারী লাইরিক য়াম্না তানৈ। ঐথোয় অঙাংসু অহনশিংগী মতুং ইন তাই অতুম। মুনি-ঋষিশিংগী আশ্রমদা তপোবন্দা মী, শা, উচেক লোইনা চান্ন-চিন্ননা লৈবগী বা য়াম্না তায়। শ্রীকুণ্ডদা মতু ফনা নীংথিনা উবগুম তৌথি। মী অমত্তনা শা উচেক অমত্ত তাডন মারণ তৌদে, ঙা থঙদে থেংগু থঙদে অমত্ত শোক্তে। অতুনা ঐথোয় উচেক বায়া ফাগনবা, উচেক মরুম থোই মরুম লোক্তনবা, ঙাথি থোঙফয়গনবা, বায়থু-ঙাপ্রুম তানগনবা লৈবাক্তা পোক চাউরকপা অঙাং ওষ্টরফাও মফম্না হোংথি তরাই ঐথোই পুকচেল অতুম। অঙকপনি মফম অমম্বং মফমগী লোঞ্চৎ।

শ্রীকুণ্ডগী অমসুং অকোয়বা লমগী বাসিন্দা—

সন্ন্যাসী বৈরাগী উদাসীনগী পরেংগা শ্রীকুণ্ডদা পোকপা কাউবুশিংগনি। অহানবগী পরেংনা ভিক্ষানা মাধুকরীনা হিংবনি, অকোনবগীনা মাগী মাগী জাতিগী শিনফম্না ফি সাবনা ফি সাতুনা, ফু সাবনা ফু সাতুনা, যণলোইবনা যণ লোইতুনা … .. হিংনবা ঙাক্লি। অকোনবগী পরেংসিদা থোইনা

য়াইফবা পঙয়াও য়াওদবা ওইনা উই। অয়াম্বনা য়ানা নংনা পানবদৌনা তৌই। মদুগুম্ য়াম্না চম্থি, চম্থদুনা নিবদা হালেংবা লৈতবা দৌনা তৌই। লাইদি ঙক্লা নাঁডি। লাইগী মুমিৎ অমা থোকপদা ইয়ুং থঙদে খুন থঙদে হৌদুনা লাক্লে। অবৈবা পোত্তা মশক থর নাইবা থনয়ৗংদবদি কোকথোংদা পুরকই, হামেংফাও চিংদুনা পুরকপা য়াওই। মোৎনা নংনা শেৎ-চারবা, মশা মউ থীনা মোৎলবা, মশম মনা থীনা ফারবা নিপা-হৃপীশিংদুনা—হৃপীনা মকোক্তা কোকথোং, নিপানা ময়েংবান্দা অঙাং, নাম সোন-সোন্দুনা শ্রীকৃষ্ণ পরিক্রমা চৎপা উবদা হায়ফম থঙদবা হুডাইবা অমা পোকই থম্মোইদা।

ঐখোয়না জ্ঞান থর তারক্লবা, লাইদিক লাইগী থর পাবক্লবদা থেংনৈ—

ভগবান্না জগৎ কল্যাণগীদমক কুম্লক-কুম্লকপা মফমশিং অসিদা প্রকৃতিনা অশেংবা লৈয়ৗক, ঈরৗক চাই, মুংশিত্তম্ অশেংবা মরৗক থিক্কই। অদুনা, মফমশিং অসিদা পুঙ্গোয় থয়দংদ ওইরবস্তু তারবদা লেম্না থক মাঙদে। থঙদে কদায়ফাও চুম্লিবা। অদুবু মসিগী মথৈদি থঁডি, ধামশিং অসিগী কবিগুম্বা গুণ থম্বদি নৈ, থম্মোইদনা থঁডি, শান্তিগী ঈবা অমদি থিকপদৌনা তৌই।

গোবর্ধন পরিক্রমা—

শ্রীকৃষ্ণদগী হৌই। ঐখোযগীদি শ্রীকৃষ্ণমক্তা লৈবনিনা মশানা অদুম মহৌরে। য়াম্না ঙন্ননি, মল্লি মল্লিবু তৌরি। থাকানে ইধো সনাথ্যানে ইধোনে ঐজ্ঞানে ঐনে ঐখোয় মঙানি। অবোইবেমদি গোবিন্দ সেবাগী লৈহৌই, লেঙদে।

মতমসি য়াউশং মতম্লি। গোবর্ধনগী ফজবা থেংবা মতম্লি। চীংমায়দা ওংবা উ, চীংখোঙদা চীংয়াদা অকোয়বদা হৌবা পামেন লোইনা থেম্নীং হুনবা মঙাংনি। হুল্লি য়েম্লীং চোংঙি নানৌ উপাল থুদিং ঙঙাং ঙঙাং। বৈষ্ণবগী থম্মোইদা রাধাগোবিন্দগী আবির খেলগী মম্নি তা মুংগী মিৎনা আবির খেল থ্ম্না থক পেল্লবা থম্মোইনা

লাল যমুনাজল,
লাল তমাল তল,
সবু লাল হি লাল

হায়না শকথিবা মতাংদুমক্কী গোবর্ধন্দুমক্লি ঙসি ঐখোয়না পরিক্রমা তৌরিবসি।

মতুদা অমুক্ষ্, সনাদা তম্ফা থিনবগুম থোকপা মওং অমস্থ লৈম্রি। ছুমিৎনা থোয়কপদা থানা নিনবগুবনি হায়বনতুম হেম্রা পকপনি। ঙান্থ্রানরি ইঙ্গুংগী তিম্নানা নোংথক্কা হন্দোরকপা কোয়ো মঙাল লাং, হেক্সি নে'ংথাদা গোবর্ধমা ত্তঙাং তঙাং বসন্তগী মঙাল লাং। শক্তাম্নবগুম তৌরি অনী ঙংজবা, মেঙজবা, নৌজবদা।

থঙদে ঐ গোবর্ধনগী মগুণ থঙদে ঐ পরিক্রমাগী মাহাত্ম্য, থ্রায়গী পাইনিনা চৎপদনি অতুম। য়েংঙি গোবর্ধনগী ফজবা, য়েংঙি ঙক্রা উথক্কা যম্বা হনুমানগী মশক, মমায় মুবা মমৈ শাংবা—মমৈ হাইরগা হেক হুনবা ; য়েংঙি ঙক্সা উকাদা তোংবা নক্রে লৈমায়দা চংপা রাহোং লাবা, চৎকনি কাউই—লেপ্পি, রাহোংনা জগোই সাবা উরবদি। লোইবা নত্রি অদিনা—থেব অঙোবা, অমুবা, নাপু— চেঙ্গি, চোংলি তবিৎ তবিৎ ফন ফন মোংশোংদগী মোংশোং। থোংলি উপাদা কোকিল, চেল্লি থৈরোয় উথক উথা।

কমা নম্বোইবনা তৌরি পরিক্রমা হাথু হাথু তহা তহা, থাংঙি মথোঙ তফিং তফিং—মথূক্তনা মালা মচ'ন্দন', থঙদে করি নাম, মুক্রম মুক্রম। কনা ভক্তনা তৌরি মকম অমস্তদা দণ্ডবৎ হঞ্জিন হঞ্জিন অবক্কবা মশীং স্নবা নূংতুম মশীংনা মশীং লেপ। লৈবা উদে করি নাচুংবা মশাদা মতমগী, থোঙফমগী— নীঙাইক্কদে মতুংগী, থোঙফম মশীংলা কায়বা য়াদে। মাগী চৈশীং পুবা নূংশিং অত্থ থ্লি অমমম, শাংথৈ অমুক্ক্ক। কদোঙৈ কোপ তরামরি থুংবা—ভগবান্দনা থঙি। কুশৈগী কুশৈ ঙাক্লি অঙকপা।

পূর্নমক্সি হৌজিক নীংসিংলুবদা ঐথোয ভারততি ভুংগী হিংবনি, হৌজিক্কী নস্তে হায়নবসি অচুম্বমক্সি হায়বা থঙি। স্বামী বিবেকানন্দনা হায়খিবা ভারতনা আধ্যাত্মিক উৎকর্ষগীদ নস্তনা ভৌতিক্কীস্থ থরদং য়েংশল্লবা, ইউরোপ্পা ভৌতিক উন্নতিগীদ নস্তনা আধ্যাত্মিক্কীস্থ থবদং তানশিলবা জগত্তা স্বর্গগী মঙাল তাগনি হায়রবস্থ নীংসিংদবা ঙমদে।

য়োরে ·রামকৃষ্ণ থুরক্লে। ঐ তল থা থর চারে। হৌজিক্কি পরিক্রমা হল্লকপা হোরে। ঙুংশাস্থ কনথৎলক্লে। অথঙবা ঙাক্লিনা রারী থোইনা সানদে, অতুম পঙচৎ মচৎনৈ, তৌভম থোকপা অতুম লোইনা তৌমিমৈ—তৌনৈ।

মানসী গঙ্গা য়োরে। রাধাচরণ বাবাজী থুরমখিসি হায়নরে।

রাধাচরণ বাবা—

মণিপুরীযা বাবা হায়নসু থওনৈ। মোইরাংথেম শাগৈদা পোকপনি, মবুমো মোইরাংনিংথৌগদি মচাৌমনাওঙ্গি থোকপগুম তৌবরা অমা তায়। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাওক্তা লৈবাক থাদোক্লম নহা য়ায়া ওইনা ব্রজভূমদা লাকখি। সিদ্ধ বাবা কৃষ্ণদাস বাবাজীদা গুরু বরণ তৌদুনা সন্ন্যাসধর্ম্ম লৌই হায়।

ব্রজমণ্ডলদা কৃষ্ণদাস অহুম্নি ফাওখিবা। অহম্মক সিদ্ধ বাবা ওাক্লি। অদুনা করম্বা কৃষ্ণদাসনা রাধাচরণ বাবাজীগী গুরনো হায়বা তশেংনা থওবা লুরে। অদুবু বাবাজী মহারাজসিগী গুরুগী মবমদা হায়নবা অমদি লৈ। নোংমা মানসী গঙ্গাদা স্নান কুন্দদা ঈশিংদা অদুম লুপখি, ময়াম্না থিনবা ফংখিদে। লাইনা লৌবনি থম্নখি। নোংমা মশা তাউথৎলকপা ফ্লাইতনা খোয়রাওনা ওাইনখি। অদুবু নৎলমদ্রে লাইনা লৌবা, কাথৎলক্লে ঈশিংদগী লুপখিবা তরেৎনিস্নবা হুগিত্তা করিমত থোরু দবগুম তক্ত তক্ক। ওক্লখি লোইনমক, থওনরকখি—নৌকাবিলাসদা ইবেম্মগী (রাধারাণী) খুৎনিংথৌগী খুদোপ তাখিবা খুল্লো কৌদুনা খুল্লুবনি।

ব্রজেশ্বরীগী সাক্ষাৎ দর্শন অমসুং সেবা ফংলবা গুরুগী মতিক চাবৰা সেবক্লি মণিপুরীয়া বাবা। মানসী গঙ্গাদা সিদ্ধবাবাগী আশ্রম পুদুনা মশাগী চহী চাম্মগা মওাফাও গুরুগী আসন ফমলম্বনি। ব্রজমণ্ডলদা মশাগী গুরুগী মতম সিদ্ধ বাবা হায়না থওনরকপদগী মণিপুরীয়া সিদ্ধ বাবা হায়না চৎখিবা কুক্ষাদা অন্নাম্বা মতম লেনখিবা বাবানি রাধাচরণ বাবাজী।

বাবাজী মহারাজসি মশা চাউ-শাংওি। ধর্ম্মগী মতুং ইন ময়াং কংলপ্তি তারগা কুচুদি ফজে। য়াদি হৈত্ত্রবদি খুনবা লুই—বাঙলা, ব্রজবুলি, মণিপুরী অহুম তিন্দুনা ওাংওি। অহল ওইরক্লবা চহী চাম্মগা হায়রক্লবা অদুরাইদদি হুমিদাং ম্রিৎ থর শাম্মি। অদুবু মাগী গুণ অমা, তাপ্রবা খোক্লেল, ফনা কুইপ্রে কুইনা কাউবা লৈতে, ওহাক্তং লুকথবগুম তৌরগা "অদু নত্রা" হেক্ত হায়। মঙ্গলগী মশক্লি মথোয়গুম্বা পুণ্যশ্লোক্তী দর্শন।

হোলি—

য়াওশং মতম্নিনা হোলিগী মতম্নি। ব্রজমণ্ডলদা নন্দগ্রামগা বরষাণগা

মকম অনীসিগী হোল্লি ফাওই। নন্দগ্রামদি চল্লে, বয়ষাণদি চৎলি। চীংদোঙদা সাবা মন্দিরগী থাক চাম্বনীপাল্লি হায়বরা, মুংশাদা কাবদা শিদোই। মী য়াম্না লৈরম্মি—লম্বোইবা লম্বোইবীনা থিৎ নম্বদোনা তৌই। থঞ্জনি, ডফ্ফ, ঢোলক, ঝল্লরীগা থম্নস্থ উই। লম্বোইবা অমনীনা মহোম মহোমগী থোক্পা জগোই সারি, মপীগী মতৌগাস্থ তৌরি। সাই হায়না লেঙথোক্ত্মা লৈয়মবনা খুরম্নগা মথোয় লম্বোইবশিংগী মতৌশিংত্থ য়েংতুনা ফন্নে। ফনা কুইনা পোথায়বা ভুং পাউ লৌবদা হলংকারদি মুংথিল অথেঙবদা পুং মরিগাগী অত্থুবাইদা তৌনি হায়রে। ঐথোয়দি লেকপগী বা লৈতবনিনা হনবদা তারে। য়েংদনা অত্থুম লাক্লে। অত্থবু লম্বীদা এক্কাদা ঐজ্ঞানা লৌবদা বয়ষাণগী হোলিদি হলংকারনা মপুংনি—হলংকারনি, বিজয় গোবিন্দগী হলংকারদা ব্রজমাই সাবীশিংনা হোলিগী নিপাশিং তামনতুনা অফং-অফংবা ফুরিবত্থ বয়ষাণগী অসিদগী তম্বনি হায়বা থঙথি। মণিপুরগীদোনা পালা মশক, ফিজেৎ মশক নাইনা শকপা নত্তে, অরাক্ক অরাক, অচঙ অচঙ পঙয়াওদ য়াওবা, পঙশক্ত মশকপনি, ঐথোয়গী চাক হোলিনত্থম লুবদা থর হেনবনি হায়বা থম্মি।

উৎসব—

য়াউশং মত্তম অ.সি যাত্রিক ফনা লাক্লে। মণিপুরদগী ঙাক নত্তে, কাছাড়, সিলেট, ত্রিপুরা, শিবসাগরদগীস্থ কোঙ্গায়নি। মন্দিরশিংদা পূন্না নত্রে নাইতোম কৎনৈ উৎসব। উৎসব কাঁচা, পাকা, ক্ষীরপুরা অহুম চৎলি। বার্ত্তনগী মীশক মীশীং অকক্লে; নিয়তা ফংবা, নিয়ন্তা চৎপা হায়নৈ। নিয়তা ফংবা কনাগুম্বা ময়ম চানা লাক্তবগী শরুক নরবা অমনা পুবা য়াই। আধিবাস কোম্নবা কীর্ত্তন য়াওরবদি কীর্ত্তনেশিংদি চাবগী মথক্তা চাক্ল্ক অমস্থ ফংত্তি—পুনৈ ময়ুমদা। গোবি, নাপিত, মেহতরনচিংবগী শরুক তম্মি। চাবদা লাদা লেক্কোবা পূম্নমক বাহির-সেবকশিংগীনি। অককুবশিংদগী হেনবা কনামতদা করিগুম্বা অমরু চোইথোক্কে। থোঙ লোম্পুনা উৎসব তৌই, তৌবা ঙাক্লি। লোকজনার্দ্দন সেবা, দরিদ্রনারায়ণ পূজাগী অঙম্বা কনাগুম্বনা গলি-ভোজন তৌগ্রবদি তৌরে, নত্রবদি পুবা ঙম্বা নত্তে। অমত্তংদা থিজ্ঞ পীরুবদা "মঙোন্দদি পীরগা ঐথোয়দদি করিগী" লাম্মি, মতা চাত্রগনা লাক্লাউ।

লক্নুরা শীজিন্নদে। হিমালয়দগী লাকপা উনা য়থল অমা পত্নুম লেং লেংত্নুনা চাক্লুক সেম্খি। দোনাস্থু অত্নুম সাই। ঈশিং কুন্নাদা (চফু মচা মথম্মা) য়েল্লি। পোৎলমগী মতুং ইন্না কটোরা (কম্বি মচা মথম্মা) ভাবস্থু য়াওই।

ফক্তম থক থা থোইমা থিনদে—পাত্তা অমা ফংলগা লোইরে। পাকা ওইরবদি চহী ফানা শ্রীকুণ্ডদা ভারবা মীপুম খুদিং পরিবেশন য়াওবা য়াই।

ঐখোয়না ব্রজদা লাকপসি দর্শন পরশনগী থোইনা নত্তে। অ.শাইবেম্মগা থাকাগা ইখো সনাথ্যাংনা থোগল তৌত্নুনা পুরিবা সেবাগী, মন্দিরগী কৈদা কবি পুম্নমক ফেংবা ওইনা তৌই। অত্নুগা অমনা অবোইবেম্মগী য়াথং মতুং ইন ঐবু অবোইবেমথোয় খুরম্নবা পুরকপনি। অত্নুনা লাকপদগী গোবর্ধনগা ববষাপগদা নত্তুনা থোইনা চখোক্তে। থবক্তা মায়পুনৈ। সেম্বা য়াবা খোৎপা য়াবা পুম্নমক মপোৎ মচৈ লৈত্নুনা চেক্কী নুঙ্গী মিস্ত্রী কৌত্নুনা সেম্খি। সেবাগী ফায়খিবা ভোইখিবা পোং চৈ লৈশিল্লি। থবক পুম্নমক থামুক্কী মঙ্গংদা লোইশিন্নকপগুম তৌখি।

হৌজিক্তি হনবগী থাংথল তৌনরক্কে। য়াউশং হেক লোইবদা ফুংশানা পরপ পরপ হেক্ক হাইগৎলকপগিনা নোংমংনী গী মক্তদা মণিপুর য ত্রা হৌনবা থুমিৎ লেপ্লে। "খোয়গীদি নখোয়গী ওইরে, ইপু পিশক অসিদি যমুনা দর্শন, স্নান অমুক্ত তৌদনা কৱম পুথোক্কদগে" তাকপিরে। থমরে "শ্রীকুণ্ডগী যাত্রা তৌরগা মথাবৃন্দাবন্দা থুমিত্তু পনবা, নোংঙাল্লগা যুবরাজ কুঞ্জদা লুক থুন্নগা মথুরা হাইগৎপা, ইখো সনাথ্যানা শ্রীকুণ্ডগী ওস্তা হাইগত্তুনা টিকেট লোক্তুনা ঙাইবা"—য়ানরে তন্না অত্নুম।

লেপ্লে থুমিৎ। মৈরে তার ইম্ফালদা, ঐ য়াওবনা মাম্মে.য়াইবু জিলাদা ঐখোয় ওক্কনবা হাযরে।

খোঙশান্নকপা—

খোঙশানে বৃন্দাবনগী পুনশিদা অমুক হন্না উনৌ ভমত্রবা অবোইবেম্মগা থাকাপগী প্রেমগী ঈরাগঃ ফোরবা "লাইগুরুগী সেবা ঙমজবা ওইত্নু" হায়বা অতাঙবা বম্ন পুন্নশিগী মঙল অথোইবা ওই। অনীত্নুনা প্রেমগী থুবাংনা কোক

শিং শিং নানবন্থ, ষিংসুদদি মরোল য়াম্নবা প্রেমগী ষ্টুয়া, মা ওবগুম ভৌম্নি ইশাদা নীংশিংজবদা ঙাদ।

মৌরে মধ্যবৃন্দাবন, চঙলে যুবরাজ-কৃষ্ণ। নিংখো যুবরাজজবানংগা লেম-জবশিং অম্না অনী নৈ.রম্মি, ওঁকই ঐজ্ঞাবুস্থ ইথৌবুস্থ খঙনা ভম্নাম ভম্নাম। লোম্মননা ঐগী ম্নাম্ন হংঙি। পোথাভম নীংথিনা শীজি। ম্নারী ম্নাভাই য়াম্না সামিম্ন। খাজিমম্ন নত্তে, ওইনম্ন লৌদে, ইমুং ওইনা অতুম চৎনৈ। হুমিজাংনা লাইগী 'ভল' কংলি, অয়ুক্রা ঐজ্ঞানা লাউজনা চাক কংলি।

অয়ুক্তনি, হুমিং নাংখনা থোক্লে, চংলি স্নানগী—কেশীঘাটভনি। কুপ্নবা, ঙৌম্নবা লৈজোই অচৌবগী পাক্নবা শাংলবা 'সিকতা', ভাম্না চেনবা অমুবা ঊচেল, হুমিংকী মঙাম্না মচি মচিদা ভঙাং ভঙাং ইপোম্নবা, ম্নাংমদা অশংবা লমজাউ, ত'ম্নারবন, বেলবন—ঙক্লা নীংখিজখি, মিং অনৌনা মশা থ্নম্না থকথি ঘাটকা, অকোম্নবগী মনীংথি। কুম্নে, ঈকম অচৌবা ম্নৌদে, কনামত ম্নৌনদে, অংাম্না অচৌবমদা থেংও লৈতবা মকম থিজনা স্নানগী থৌনা ভৌম্নে। থেংগুনা অতুক চাউবা, অতুক পাকপা, অতুক য়াম্না লৈবা অমুক্ত উত্রিবনা ঐগীদি কুম্নে অচৌবা অমা ওইথি।

কাম্নে স্নান। কুঞ্জদগী অমুক গোপেশ্বর খুরুম্বা চৎলে। গোপেশ্বর খুরুমলবা তুং গোপীনাথ বাজারদগী জয়পুর অমনী লৈরে। লোইরে অতুনা ঐগী অহানবা মধ্যবৃন্দাবন দর্শনগী থোঙতম।

হুমিত্তু শীম্নবা মতুং ইন লাইগী ভোগ কনা জো কংলি। প্রসাদ হেক ফংবগা থোঙশালে অতুম, চৎলে টাঙ্গাদা মথুরা। লৈম্নে ইথৌ সনাথ্যা, ভৌম্নমলে টিকেট। ইথৌ অনী ঐজ্ঞা ম্না-ম্নাল কম্না ভাংনম্নে। ইথৌগা ঐজ্ঞাগদা ইমুংগী কম্না শিম্নবে। পাড়ী থাম্নমদাই ওইশিল্লক্লে, পোং-চৈ লোইনা থাংগৎলে, লোইনা থুম্নম-লৈপাম্নরে। ঐবু কোল্লগা ইথৌনা অঙাং ওইম্নিডৈ মমাম্নরা "ম্নাইম্নগেদো" হেক পুক্তা মায়দা ভকপগুম ভক্লকই ঙসিম্ন কাম্নরম্নমদাইহিনিদা কোনশিল্লগা চেঁজেং। অতুবু "ম্নাইম্নগেদো" হাম্নদে মহৌশাগুম, লোম্নিম্নদে, শিম্নাথি ম্নিত্তা পি, "চোথে চৎলোকো", শিম্নাথি হেম্না পি, শিম্নাথি জোম্নো জোম্নো। অঙাং ওইবা থম্নোই মম্নোল ম্নামা পিগী মম্নৌম্নি স্নানা থখিদে, কুইনা কাম্নরম্নবা চুংশিম্নবা ভপাক, লৌহৌ অমুক উ, লৌহৌ অমুক কাম্নরবা

ভাবদা পুক্তমখিদে থম্মোই, ইথোগী মথবাক্তা গুাশিন্দুলা কপখি। গাড়ী হাইশেল পীরে, ইথো মশামা থাংগৎপিরে। চৎলে গাড়ী। ইথোনা লেপ্পুনা য়েংহৌই, মিত্তাদি পিয়াং; ঐপোয়স্থ য়েং য়েং চৎলি—শিয়ে মিত্তা পি।

গুসিদি থগুলে সংসারগী মশক। লৈতে সংসারদা ফুগুাইবা, মমিদনি লৈবা। পুনশিংগী অময অনীনা থৈবা ভোরৈ তুথুপ থূদিংদা চৎলি, তৎপা লৈতে, তিম্নবা কায়নবা—অরোইবা পিনা থৈনবা অরোইবা মকায়না পূমলোই অদুম লোইব্বা। শক্লীংলকই—

তোই নংনা নরো কয়া
ঐঙোন্দা,
ঐগী পুনশিদা—
তয়াম থক্তা কয়া অমা
পিয়াং থক্তা 'মুক কয়ামা।
কাংদে লোংমত্ত,
লেপ্তে মিকুপ'মা।

হারৈ কায় লানথি 'ফুমা পন,
লাকই নাক চেনথি 'ফুমা তন,
ঃ াংঙি থম্মোই মিকুপ থুদিং
নংগী কায়ন-মৈ।

তোই অম্ম নরো কয়া
ঐঙোন্দা
ঐগী পুনশিদা।

তুলা পাংগ্রনগী মশক্লি সংসার, উচেক্কী মশক্লি মী। অহিংদা কায়দোং-মিয়রগা নোংঙাল্লগা মাগী মাগী থোকপা পাইনবগুয় উচেক্লা মীওইবম্ম পুনশিগী তামিম্নক্কবা মতেম্মা থোঙদিম্নিয়রম্নগা মাগী মাগী কর্ম্মগী মতুং ইন অদুম চৎনথিবনি—অদুম চৎনবনি।

চৎপগা হম্নকপগা লমীম্নি অমস্তনি। অদুবু মতম্না অচিক অপা থায়বগা লম্নগা অচৌবা ওইবগা হায়গী থোক্তকমদগীদি হন্দক্তীনা থিৎ হ্রাবদোনা থোকথি।

অহিং-ঙুংথিল ভাবস্থ ভৈনবনা চৎথিবদা উদবা চীং-ভুরেল উমং-ব্রাম্রং লম-ডু ফুম্না-দালান চীং—ভমগী মী মথল মথল, শা-উচেক কয়া কয়াস্থ উই। য়াতুমক্ত পোথানিঙাই কোঙ্গায়মস্থ ওই। অতবু থাঙবদা ব্রাবা থাঙদবদি য়াদবা মওং অমদি গাড়ীগী ইয়োই লোইবা পস্থুংফাও কোকথোংন্দুনা চৎপা ভাথি। মশানা লূজনা নাঙনা হিংজবা, ফিয়োল ময়োল নাইনা শেত্রবস্থ ঊশিং মনমদদি নয়া শেৎনবা হোৎনয়বা, হৈনা লৈনা মকে সেমজবা, হৈনয়া লৈনয়া ষিনম সেম্বা ফিনম লোকপা, অঙৈবা লমগী মচা ওইবনা হুমাং ঊয়ীক অমনীমক্ষ্ ব্রানা কাবা, কায়িবা অমনীত্তুনা লৈতেং ওইনা থোকপা লৈবাত্তা পোক্ন্না ফিনম হক্কম হুমাং মনম শোয়গী হিংগাই মনয়চিংবা নমথিবা মনমশিং থাঙসা থীনা ব্রা'না থোকথি। অতুদস্থ নত্রি, তিন শিংফম থঙদবা, লূথাক হন্দোকফম থঙদবস্থ মথোয় মশাদা অতুম চেম্নয়বনি। অতুনা ব্রাবা ওলাংবা থেংথি—মুং পাল ফাওথি। অতুদগী অমনা, অরেপ্পা থ্ দিংমক্তা নত্রবস্থ অয়াম্বা হংগোইবা অমস্থ থেংনৈ। মশাদা ফত্তবা পকপগী মশক কয়া, পক্নি থঙদে ফরে থঙদে, মফি ময়োল শোরোন শায়াং পৈশা নিবৈ—শিংদে। অরাবনি। অতুনা পোৎ-চৈ অমত্ত কক চিক্লীংথিদে। মুংশাগা চাদবগা হকচাংসি পূম্পৎ পথথি। অঙৈবা মতমদা নত্রবদি মপাল থক থোক্লোইগা থনথি। অস্থুয়া ব্রানা লমশাং লাকপ-সিদা অঙকপা মুঙাইবা কূম্মৈ অমদি থেংনথি—লাচন্দবা ঙমদে।

চাঁদপুরদনি, মহাজাল চিংথৎপা—ঙা পৈবা, থেংনকই। শরেংগী মথল, য়োগী মথল, বাউগী মথল, ইলিশগী মথল—চীংদূম চীংদূম পৈরি। অঙাং নিপামচা মুপীমচাশিংনা পূমকোয় পূমকোয় কোয়না ফম্বি মথ্স্তা লোং অমমম, মমাঙদা ঙাকুপ মপৈ মপৈ। পাইরি পূম্মু অভিয়াদা লেম্না ব্রাংনা উমাইবি। অঙাংশিংনা তাল নাইনা নাইনা মথোই মথোই লোংনা ঙা হেক হেক চাইথৎলি, উমাইবিশিংনা হুমথ হুমথ লোকই। শোক্কে, শোকহন্দে ঙাচাউ। অময়োমদনা, হাজি উপুদা ঙা, উন মতুম চক্কনা য়োষগলি। ঊম্মু থোম্নুবা ছি পয়েংত্তুনা মপা থিত্তুনা চায়ব্রি—য়েংবদা মতোল ফনা ভামথরে। থল্লকই, ঙা লৈয়মথিত্রা ভুয়েন্দা !

য়োয়ে মথংগী অয়ুক অঙনবদা বদয়পুর, চাকচয়াঙদা জিলা। গাড়ী থাবদা য়াম্বোয়াইগা ইথোগী ইশেগী সেবক অমগা ঙাইয়দা থেংনরে। "চোথে নং ঐগী

"ফরি পুরকই" হংলকথি মাম্মোনা। ঐনা মাম্মোগী গোবিন্দগী মিঠাই য়োমফুনা হাপ্পকই, খুমথি থোনা "গোবিন্দগী মিঠাই"।

ইষ্টসেন ময়াদা ঙহাক পোথারে। ঐদি তল থা থর চারে। চৎলে লখিপুর। লখিপুর য়োয়মদাইদা তোল্লেন খুন্দা ওরুন্নিবা সেবকতুগীদা চাক ইপ্নিং চারগা লখিপুর অদুম যোরে। ফুংথিন্দুদা চীংগী চেঙজেল লাক্লে, পোৎনেম্ন থিবদা ফংলে, থোঙবুম্ন, থঙনবা থঙনদবগী ব্রাদনি, অদুম লৈজবনি। নোংঙাল্লগা, অমুক অঙনবদা জিরি থোঙশারে। ফুলতর চীংশাং ফাও, জিরি তুরেল লান তারে জিরিবাম। কালীমায়গীদা চারে থক্লে। থোঙফম অমা চাররোই, নোংঙাল্লগা চৎলসি হায়নরে, লেক্লে অদুম।

ঈংলে থম্মোই ঙসিদি—থঙদে করিগীনো!

হরাউ-তয়ায়বী জগৎপোকপী ইমাগী মিৎনা উবা শক্তম অনীনি মীওইবা খুদিংনা। ইমা অমসুং ইরমদম—মহাক্নি, মাগী মশক্নি। শকথি অত্নোং কবি দ্বিজেন্দ্রলাল রায়,

ধন ধান্যে পুষ্পে ভরা
আমাদেরি বসুন্ধরা
যার মাঝে আছে দেশ এক
সে যে আমার জন্মভূমি
সে যে আমার জন্মভূমি।

(লন থুম হে-লৈনা থজবা
মালেম লৈকোম্নসি নীংথিবা।
লৈলো লৈকোয়মুংতুদা লম্বা
ঐগী পোক্নফম্নি ইরমদম
ঐগী পোক্নফম্নি ইরমদম।)

মাগী লৈরীক্লা ঐগী হকচাং, মাগী ঈরীক্লা ঐগী মুংদা চেনবা ঈ, মাগী মুংশিংনা ঐগী থবায়, মাগী মহৈ মরোংনা ঐগী পাংগল ওইরিবা ইরমদমগী ফৈদা অমুজাহক্তা তাররবা ঐনা ঈংলোই করিগী থম্মোই! ঈংথিবনি অঙ্গনা লাইনা তাকপগুম অঙাং ওইবা থম্মোই।

মথংগী হুমিরুনি। অহিং হৌনা চায়ে থক্লে। চৎলে ঐপোয় লুংথু য়াঙ্গথ লোইনা পুক্লীং মকা লাম। অসুম অসুম চৎ লাক্লে জিরিবাম—লুংওইনুংথোরে, খোঙ্গোইনদ্রুর তীনফা-ঈক্লোয়। কারে চৎলে অকা অকুয়—য়াক্লে খোইনা। ডাকপ্রা থঙদে লাইনা "নয়য়ি, নক্লে নয়ুম!" নীংসিংজুবদা শক্লীংলকই ওসিদি—

কন্নি নঙ্গী প্রেম হুংশি-ইরমদম,
তাজেনে থরায় নঙোঙ্গদা
হুংশিজবী ইরমদম!

থাদোক্লম নংবু চৎঙৈ মীগী দম
থাদ্রিদো থরোম নীংহন নুংহন্না,
য়েংজে নীঁওমদ তুংহন তুংহন্না।

কানথোক্লকঙৈ অসুম অসুম
খোঙথাং মথং মথং
থোংডি শদো হেক হেক ইথম্মোই।

লাকঙৈ হন্নকঙৈ থাদোক্লম মীয়ম
চেন্নিদো থরায় য়াঙদা তন্না থা,
উবরা নংবু য়েংজে খোয়াংনা

কানশিন্নকঙৈ অসুম অসুম
খোঙথাং মথং মথং
কাজে হেদো হেক হেক ইথম্মোই।

কন্নি নঙ্গী প্রেম হুংশি-ইরমদম
তাজে নতু তুমন্না থুদিংনা
ইথম্মোইন্না ইরমদম!

কায়ে অসুম তীনফ:-ঈরোম, মৌচৌকপল। অমুক হুংথিল অনৌ অনী পানা চৎ, অহিং অহিং হেক হেক লেপ, চীংগোজ নাঁতে চৎ নোংমনোং, তুয়েল কয়া কাছুপ লাল, উমং কয়া 'কাও থাক' কয়া তুপ হুমিং মঙানিগী তুং তারবে লাইমতোল পন্নাও—উবনে অমুক কোরো শীংবুম কয়া তারকয়বা তুং হুংশিজবী

ইরমদর কোলোয়না যাগী মণিপুর। হেল্লি চিপক মনাপুং লোইবি চিঙ্গী পজোমুং। তাখি মরি লকাদা, পীখি যুম্ন থম্বোইদা, শকখি লম্মিন, থম্মিন, মাকৈ শৈরাং কয়া পুনশিদা মতাং মতাংদা।

খোইথোইবয়া, ঙসিদি চহী মচেত্তা জৌরবদি, কুম্ন্তাগী মঙ্গি ছায়রে। খ্রীষ্টগী কুমজা ১৯৪১ গী জানুয়ারী থাগী তারিখ তরাপা নীথোইনি—ফুরিত্তো ঐথোয়গীনা ছিয়াক্লেগী নিঙ্গাং তরাগা মাথোইনি পানবনি। পীনখি ইমানা পূণাগী তিখি অতন্দা নোংহৌনা ইমাগী মরোল, ইমাগী মুম্ন—"ননীং থুংনা শকচরো" মতানি।

শকখি অহিংহুমক্তা ঐগী "নোংগুম্নকথোদা"! ছিয়াক্লেগী নোংফাইনবা থাবন্দা নোংজাগী অচিকপা কাথুম্মদা শকখিবনি, থক্তে ইমাগী প্রেমনা, মিৎ-শুদগি পিরাং।

ম্রাঙ্গা অশৈবা
চৈজিং থুম্নাবা,
নোংগুম্নিডায় ওইদবয়া
নোংগুম্নকথোদা!

ছাদ মনা পুঁঙরোল
পলেম ঙ্গুংশি-কোলোমঙ্গু
তেংথানিডায় ওইদবয়া
তেংথারখোদা!

লবুক লমথাং শংবানরোয়
লোইবি চুখং থজরোয়
মালং কৌরোই ইপোম লাং
মন শরা থোজঙ্গু
ছাদ মনাপুঁঙরোল
কোলোয় ঙ্গুংশি মণিঙ্গু
শৈরাংনিডায় ওইদবয়া
শৈরাংখথোদা!

পাম্বয়ম্বুংগী থৌজাম্বা
খোয়াং লাইজ ঈহৌনা
ইম্ফাল নম্বুল শিম্বম্ব,
পাখি নযোম ওকচম্ব,
হাদ সনাপুঁ ওয়েল
পলেম লোইবি খ্ঙোয়ম্ব
ম্বাকৈনিঙ্কায় ওইদবম্বা
ম্বাকৈম্বথোদা !

… … … …

পাম্ম্বয়বম্বা থঙনে ইমাগী থৌজালগী থম্মোইদা, শকখি ইনীং ভৌনা, ম্বাংপা ক্বৌবা লৈখিদে লোল, ম্বাংপা কৌবা লৈখিদে শৈশক।

কংলি ওসি অম্বনোং ইমাদা ভক্তি খবিগী অম্বপা ওইনা—

তুমি বিদ্যা তুমি ধর্ম,
তুমি হৃদি তুমি মর্ম,
ত্বং হি প্রাণাঃ শরীরে।

তরুকন্থুবা মতাং

স্কুলদা অম্রক

বৃন্দাবনগী লাকপা মতুং নোংমা নীনিগী মঙ্গুংদা স্কুল চৎলে, টু-পাউ লৌরে। পরীক্ষা হায়দোকপা কুইরম্লে, স্কুলগী চহীকাক্ত হোড়না ক্লাস চথরম্লে। ঐগী মিং, উত্তীর্ণ তালিকাগী অতুং ইম হায়না তৃতীয় শ্রেণীদা চনখৎপিরম্লে। নোংমা নানিগী মঙ্গুংদা লাইরিকা কয়িপা লোইরম্লা ফাঙ্গলে, লৈয়ে—কায়ে অমুক স্কুল।

ঐখোই মতমগী নিম্ন-প্রাইগী লাইরিক মতম অসি মতম অমনি, অতুক মতুঙ্গা হায়রম্লুনি। মতমসু অতুমঙাই, অতুক মতম্বিবা হায়রম্লুদি। য়াজ-সরকারনা ওজা অহমদা মহাক্কি, ক্লাস মশীং কোমদে। ওজাভোম্মা চতুর্থ শ্রেণীগা পঞ্চম শ্রেণীগী ক অমসুং খ শাখাগা পুম্না ক্লাস অহুম্নি পুবা। ওজা মাহমনা দ্বিতীয়গা তৃতীয়গা ক্লাস অনীমা পুই। ওজাহম্না প্রথম শ্রেণী পুই। স্কুলগী মকোক্নিনা সাধারণ তত্ত্বাবধানসু মহাক্কীনি। "ঐখোয় অঙাংদি য়োংনি তুমিন্না লৈবা হৈতনা; মাকোক্না ক্লাসমদা নিফু-নিফুঙবা পায়বদা চনীনিফুদি তারে। য়োংগীদি অচৌবা তেংগোল অমা ওইরে। অমগা অমগা কক-কাক, হঁ-হা, মূরূম-মূরূম, গোরোং-গয়াং, য়াকৎ-য়াপাং, য়ারো, মাচঙ-মঙল—কৈথেল্লি মণানা অতুম নিঙবা, নিনবা লেঙ্কদা থম্বা। ওজানা পড়া লৌই—কায়, পড়া পীথে কায়। তম্বিবসু নাংথিনা থক চত্তে, তম্বসু মঙং তাদে। ওজানা ফনা থাম্মি—কায়দে, কম্না লাউ-থোংঙি—তাবিদে, শাউরংননা চৈনা টেবিল ফনা থীনা কম্না কম্না ফুই—নাচুংবিদে। কয়ি ভৌতম থঙদে ওজা, হৈনবিনা অশাউবগা লোয়ননা হোৎনবা তারে। মখোয় ওজাশিংসিদি "দণ্ডবর্ধাণি তাড়য়েৎ" হায়বা নীতি নীংথিনা, থজিক্তফাও কায়দনা চৎলবা খুনগংগী থঙদে লৈকাইগী ওজাগুরুশিংগী "মূর্খস্য লাঠ্যৌষধি" হায়বা লালাউগা কোয়বা চৈজু ভস্তনা চায়ক্লবা, "অঙাং।দি ফুগদবনি, ফুবগী হক্সা মখোয়গীদনি" পুরবা, অঙাং ফুবদা হালেংত্রবা ওাক্সি লোইনবা। ফুই তক্সা শেৎ-শেৎ শেৎ-শেৎ। কনাজননা থঙহৌদনা মথুৎ মণা ওাক্কুরবা, "য়াউদে ভৌদে ঐদি" হায়করবা, "মথুৎপু

ঙাকপা লাই শাঙকে-তৌদেবু হায়বা সাইং হেল্লা হেয়া ফুই—মথ, ইথোই ফুবনি। করি-কন্নিঙৈ মতমদা শাথিবা দণ্ড (দণ্ড) স চাদবা নত্তে, মসিগী দণ্ড ওইবা ছাত্র লোইনবা বেঙ মথা চঙহল্লি। চঙবা তঙগী ফুই, চঙকদা গ্রোউগ্র'ঙ ল্যাউনগী ফুই, মথা ফিথোক হেন্দোকপগী ফুই—ফগে য়াওনা ফুননি, শাবুক-চ'বুক হৌবনি। শাবুক-ঙাবুক হৌনা ফুবদা অঙাং অমগী চৈকম অনৌহম ঙ্ক তাথি। মতুংগী য়াথোক্না ওজা অমা উথুল থাথি। অতুনা ঐখোয়না স্কুল কাবদু, অমমোমজদি, স্কুল কাবা নত্তে, চৈ লঙবা, চাবা স্কুল চৎপনি।

চৈ লঁঙি, চৈ চায় হায়তুনা কাদবদি তৌদে, কায় ঐখোয় লোইনা অতুম হয়াউ হয়াউ। চৈ কিজবগীম নত্তে, লাইরিক তম্নিংবগীস নত্তে। লাই-থয়োক-দম্ব মনীং কক্ষাও ময়াম তিন্নবদি হরাউই, মখোল থোকই হায়বতুনি। ঐখোয়স ময়াম শিন্নবঙ্কি স্তঙ'ইবতু থক কাউজমদে। ঐখোয়না য়াম্না থোযদাকনা য়াম্না থৌঙাংজনমক্কি হাক-চুটিগী ইনাৎ-ফিমা হরাউ- হুয়ামশিং অতুনি। মদু য় অচৌ-অচৌবা অকন-অথোগী কিলকম পাম্বশিংনা চেক্লোং-মাঙজোং-থবৈ-থোং-য়াই-থোঙবা ম'ঙজোং তান্নবা, ঐখোয় অঙাংনা মখোয়গী মতৌ তমশিন্নদুনা ঙঙাইনবা, অমুক মথোঙ্ক কুপ্নৈ য়েংবা, য়েংঙৈ অথোইবগীস "থোইরে থোইরে" উফুল চাইবা, অপোবগীস "পোরে পোরে" অমুক তম্নাই চাইবা, উফুল থীনা পান্নবা খৎনা থগে তৌশিন্নবা, ঐখোযদি নোকপদি নোৎগা' লান্নবঙম থোক-পনা কিনা লাপ্পা চেনবা—ঐখোয়গী থেংনা ঙঙাইবিনি কাউজমদবা, চৈক-চৈনা' কোবা নীংশিংদব'। অসিদ নাত্র লৈরি অতৈ কয়ামস। মথোয় অহৈবশিংনা অফবিদা শাম্নে মচাম্নাও, কৈয়েল, অথাবি। ঐথোয় অঙা' হৈতবশিংনা অয়ায়বা, বুদ্ধি-চঙদবা পী-পা, চৈতেক-কোৎপিশুবা শাম্নে। থোইরে, "থোই-বিরে, থোইবিরে" উফুল চাই; পোরে, "পোবিরে, পোবিরে" অতুম চ'ই। অলীমক চোংন-চোংননি, ঐথোয়না অপোথোইগী য়া কৈতে, লাউবা কংগা, উফুল য়াম্না'চাইগা লোইরে। অশোয়দস উফুল চাবা অনকপশিংনা থমকা তৌই, ঐথোয়না চেন্নি। শাম্নে নোংমা ফাদোক্লু ঐথোয় লেংযাম্নবা ময়াম উয়াউবিরা অহাবিরা অমা নত্রে অয়াংগোই অশোকলেংলা পুম্নাংদা অমা লম্নিক্লে শগোলভোংবিরা য়াহাপবিরা অমা, ময়াম হৌনা পুম্নাং লাঙননি—লেমথৈ লাঙলিদো মতানি। অসিগুমা ময়ামসিনবু কান্নিজমজবা ঐথোয়

চৈ কিগনবা অঙাংদি মুক্তাবু কায়ৱোই। লৈবাক্লস্থ থোইনা থোয়দাবা শিক্ষাগী মওং নত্তবগা ছাত্রগী পরেং ফনা থীনা লল্লয়গনি, তৎপু তৎলয়গনি।

মতম অসি অরি অনৌ শিন্নবা মতাং অমনি। ইস্পিহানশীনা নুংঙ্কায় লম-থৈবা জাতিগীনা থোঙহৌভম্ম নৌহোবা। লেম্নি অরিবনা পুংমায়, চংলি—পুৱি, মপুং। অনৌবদি ময়ায় কাঙবদি কাঙলগা মপাংগল য়াম্না নৌন্নি, মশামক পুজফাও ৱানা থোক্লি। অক্তুনা, অম্নিবমথৈ ফয়ি, অনৌবমথৈ ফত্রি। ঐথোয় ইশা, ইশাগী ওইবমথৈ ফম্নি; মীয়াল, মীয়ালগী ওইবমথৈ ফত্রি। পোৎফাও মপালগীদি মাংলি, মক্তংগীদ শেংলি। মপালগী থুম লাইদা কত্রি। কেৱোসিন মন্দিরদা পুশিন্দ্রি। সোডা, সাবান শোক্তি—শোকপদা কোক তুপ্পি। সাহেব থীনা মাঙলি। মথোয়দা ওংলুবা কপীশিং থিম্নথোং মেমপাড়াদা তোঙাল থল্লি। সুরচন্দ্র মহারাজনা পোকপা সনাতোম্বীনা ফর্দেল মেম্ন মেল ওংঙৈ লৈবাক্না "সনাতোম্বী মাঙলেদো—ময়ায়বক থীদা, বড়-সাহেবত্তি ময়ায়বক কৈদা মাং কংজবা" সেন্নবদগী শক্লবকপা ইশৈ—

সনাতোম্বী মাঙলে মাঙলে,
বড়-সাহেব ঠিকা ওক্লে।

শক্লরি ঐথোয় অঙাংশিংনা হেন্দৌ কাঙৈ ঐথোয় ইশাগী হয়াউ ভয়ামদা চোংনা চোং।

মতাং অসি লৈবাক্তী অমুক্তং কোয়া, থবক শিনফম থোইনা নাইক্লবা শৌদনা পাক্লৌ তম্বা মতা অমা ওইনম্ব থোকপগুম তৌথি। লৈবাক থুনাইপীনা, লৈকায় শঙসারোয়, নাই-ফুংগানচিংবা লোইনা মুংলবনিনা কোয়ে মশা—লৈজ্রে মথৌ; অপাল অপিলশিংগীনা, অপাল-অপিল লোয়শঙ, লৈবাক্লিংথৌ-পনগী অভৈ অয়াম্বা লোয়শঙ লৈত্রবনিনা কোয়ে মশা—লৈজ্রে মথৌ। থবক হাংজনা শিংথৌ ফোয়জনা পাম্নি কৌনৈ মতাংসিবু তিংথৌ-ফোয়জনা-পানবা মুপ। লৈবাক্লগা চাকহোঙ-ঙাহোঙলে, লোইরে—থেংলে, কোয়গী অমুক্তং। তুংইন, লৈবাক থুনাই থঙজে অপাল অপিল থঙদে তোয়বে লৈপুং—ফুংলে। থায়নতৈগী লাইওক্লশিংগী তুংগী মপাউ পুথোক্লজনা লৈপুং ৱা ওইনৈ। ভাঙনৈ, হায়নৈ—

"লমহইনা সনাগী সেবাক্তা মলমূত্র তৌরনি—হায়নবকপত্তুদি তৌয়েদোসে —বড়সাহেবনা সনাতোম্বা লৌরেদো। চৌজিক্লা অমুক, মমিংনা শংশং উম্না

লাইশিংগী মন্নানিনা, নোংচুপ-থোঙ শাংলেদো, অন্নবনা অনৈবনা ময়ায় চেন্নবা হোৌরেদো, হৈক্রবদি, কনানা থগুনি, শানৈ-মুনৈবদা অমুক হক্তিশুনা .. .. চেকশিন্নবা য়াদবনি... ... ...।"

কিনৈ লোইনা শাসন্না ত্তৌরকপা পূন্নমক। থুক্লে কবি থোক্লগবা। অনৌবা শিক্ষাসিবু ফিরিঙ্গী ১ লৌশিংনি—য়োইথেয়ি ; জাৎ, ধর্ম্ম লোইনা হাংকদবগী ত্তৌয়িবনি লৌনৈ।

অনৌবা শিক্ষাগী মওং অসি ঐথোই খতমত্নমক্তা ইনৌমক লৌবদি নত্তে। পণ্টয়া স্কুলমা ইহান হান্না লিংবগী য়াস্ন কর্ণেল জোনষ্টোন্না মিডল ইংলিস স্কুলমা লিংবগী য়াস্ন মমাঙ্গী মতাং অমদা অত্নম য়াওন্নে। হান্নগী অনাত্নদদি লৈবাক্লা থোইনা চিংনরুদবগুম ত্তৌই। চিংনরুভমস্ন লৈত্তে। অহানবগীনা পণ্টনগী অঙাংশিং কম্নজনবা মথোয় মঙ্গংগীদ ওইনা লিংজবনি। মতমস্ন নিংথৌ-পানবা মতম্নি। মথংগীনা নীংদম-পানবা নিংথৌ অমনা য়াদ্রনা ধর্ম্ম প্রচারগা মন্নী লৈতবা মাঁশক অমনা লৈবাক্তী ওইনা কৎপনি। লৈবাক্লিংথৌ-পনগী ওইনা য়েংলকপদস্ন মথোয় বৃটিশগী মবোল থরদং থঙ্গদবা য়াদবগুম ত্তৌবনা থোইনা নাচুংনরুদে। অত্নবু, বৃটিশ আমনগী খুৎকম অসিদদি লৈবাক্তী চিংনিঙ্গাই, কিনন্নিঙাই মরম কয়ামুক চাউনা লৈবগুম থোকথি। নিংথৌ পাস্নে। বৃটিশ সরকারনা মথোয়গী মজী মতুং ইন থম্মি খুভম, থিল্লি নিংথৌ অম্না মথোয়গী পোইরৈ য়েং চৎপা ত্তাবা। স্কুল, সরকার মশানা লিংদবগুম ত্তৌই, পাত্রি অমবু লিংহনবদৌনা থোকই। মমিংকাও পাত্রিছুগী মমিংদা পেট্টিগ্রু থোল্লি। অসিনক্নীনি বৃটিশগী লমজিং মথাদা রাজ-সংকারনা শীনবা শিক্ষাগী অনৌবা পশ্নিং অসিবু লৈবাক্লা শাথিনা চিংননখিবা।

চিংনবসিদবু নত্রি, মমল য়াওদবদৌনা থোকখি পরিংসি ঐথোয় লৈবাক্তা। ঐথোয় লৈবাক্তৌদি ধর্ম্মগ্রন্থগী অধ্যয়নদনা শিক্ষানি অপ্পেবা, নীংথিবা মীওইবা ঐথোয়না মংদবা য়াদবা। অমরোমদনা মথোয়গী লাইমিক অসি তম্নলুবগা মহৈ নীংথিনা চাবস্ন পওউ উদে। থর য়াংলপ এক্টেনগা য়োনা তমলুবা

ফিরিঙ্গী—ফিরিংজী—পর্ত্তুগীজ হায়বনি, অদুবু, ঐথোয়গী অহল লমলাগিংদদি বৃটিশ থগুনরম্মি।

মথোয় অমনীমা জোনষ্টোনগী ওস্তাদগী থোইনা হেন্নে। 'থর'হন্নবা মাঈনরগুম্বা, মাইনর মথক্তা য়ান, টু হৌজিক্তীদা হায়রগা ক্লাস সিক্স, সেভেন, এইট— পবেংগী মীনা কেরাণী, মোহোরীদগী য়াংবা কম অমত্ত পায়বা উদে। হন্দ-হন্নবা কাওবুনা আমিন, বাজে মোহোরীগুম্বদং য়ানা ৰংনৈ। অমুক অমরোম্রদনা, শঙ শঙ্গী মক্তোক্কুম্বনা ইংলিশমেন্যন, এংলো ইন্ডিয়ানগুম্বনা পায়, ওয়থংগী অচৌবা পরেংনা বাঙ্গালী ওাক্তনা পায়। চৈরাপ, পঞ্চায়, নীপালফম্ব (দরবার) দা ফম্বশিংদি সনা-ঈচৌন, সনা-ঈ, অপাল-অশিল মচামশু, অঙম-অথৌ মচামশু, অকল-অথৌ—নিংথৌ-লাইবক-য়ুমদিম্নরুবা ওাক্তনি। মথোয় অয়াম্বা লাইরিক ময়েক চত্তে, সই (সহি) দদি য়েকপা ওয়বা হোৎনৈ। হেক হেক য়েকই—চৈঙাক থাই। ঐথোয়গী মতমগী রাজ-সরকারগী অৱাংবা থাক্তা কর্ম্মচারীশিংদি দরবারগী মেম্ববশিংনি। ঐথোয়না পীক্লিঙৈদগী লাইরিক লাইঙ থর তম্রু ক্লুনা মারক কাবক ফিল্লফাওদা দরবার ফম্বশিংসি মথক্তা হৌজিক পাঁথিবা মীথিৎ পবেংহ্ ইকায় অতুম কায়ন্রি। অ। মমাঙদা অমগুম্বগাদং অ। মমৈদা অনীগুম্ব-গাদংদি লাইরিক হৈবা য়াওবরা—অতান। মাঁকোক মওাম্বা তরুম্বগী মশক থাঘদা ভাব অতুম তানগনি। সনাখ্যা কাংলোযাল (সনা থাক্তোকপা) মহারাজ দেবেন্দ্র (চাকাতাবা) না পোকপনি। বড়-সেনাপতি ভুম্ব সিংহ, ভুংলমচংকী রাজাভুম্ব সিংহ, পাল্লিবা নিংথৌগী ময়াম্বা অংখাম। শৌগাইজাম্বা ইবোচাউবা বলাই জেনেরেলগী মচানি, নরসিংহ মহারাজগী মচা তম্ফাসনানা পোকপনি। শৌগাইজাম্বা ভুবনসিং ইবোচাউবগা হেক পোক্মিনবা ময়াম্বনি। হাওবম পাত্তাম্বর এস. এম. পি. গী সুবেদার-মেজরনি, চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মচা তম্ফাসনানা পোকপনি, অকোং হাওবা সেনাপতিগী থাম্নানি—মন্ত্রী ফুংগানি। নোংমাইথেম্বা শ্যামচরণ অঙোমনিংথৌগী মচানি। মাইব্যা শম্মদেল জিলা দরবার থোঙকমগী অফাওবা মাইব্যা ভার্গ্রসিংহনা পোকপনি, নরসিংহ মহারাজগী শশু ইবেমহল লৌবনি। লাইশ্রম ওাংবা সুবেদার-মেজরনি। পৃথ্বীগী লাঞ্জাও অহানবদা ক্রাম্পদা স্লেকিগী কমাণ্ড মথাদা মণিপুর'কন্টিজেন্টগী' ফার্ষ্ট বেটৃচ পুক্লমা চংপা মাশক্লি। পয়েংসিদা লাইরিক থিস্তং য়াওবসি শৌগাইজাম্বা ইবোচাউবনি। অতৈদি সহিদা চৈঙাক থাবা ওাক্লি।

চৈরাপ, পঞ্চায় কোর্টতা য়েংলুরবস্থ অসিগী অসি মঙাইনি। মাঁকোক থর

থাবদা অতুম মউনি। সনাখ্যা স্ত্রী, ফিংদি পুক্রম কৌই, নরসিংহ মহারাজনা পোকপনি, রাজগুরুনি, নিংথৌগী মবুপো পুরেন্দ্রা কৈবনি। চিঙাথবা নোংপোনবা, মিংদি ইবুঙোহল কৌই, মধুচন্দ্র মহারাজগী মশুনি, ভুবনাসনানা পোকপনি, নিংথৌগী লৈমখুবী, ভুংলমচৎকীন্না নিংথৌপোকপী, ভামাসখী পোকপনি। নোংমাইথেম্বা পুরন্দা, নিংথৌজাম্বা নহাক্রপ লাকপা, অঙোম অতোয়চৌ অঙোমনিংথৌনি, নিংথৌগী মচেমশিজ মুক্তাসনা লৌবনি। কোম্বাগী সনাখ্যা (পূর্ণেন্দু), জন্মস্থানগী সনাখ্যা (বীরচন্দ্র), বীর টিকেন্দ্রজিৎনা পোকপভাক্লি। থাংমৈবন্দগী সনাখ্যা (টিকেন্দ্রধ্বজ) মহারাজ ভাক্রা-চাবা (কুলচন্দ্রধ্বজ) না পোকপনি। চিঙাখম্বা ময়ূরধ্বজ দোলাইভোংবা মচামশূনি, রাজা ভুবন্‌ সিংহগী মচা নয়ন সনা লৌবনি। লাইময়ুম থাবলমচা নিংথেম-পূজারীনি, পরীক্ষানি, নিংথৌনা অজমীঢ়দা লাইরিক তম্লিঙে থৌগল ইন্নকপনি। ভাংবম ভামকিশোর মহারাণীগা পোম্নিরবনি, মপাবুংগী কম রাইস্কুল লাকপম্ফ ফংহৌবনি। হিজম ইরাবত সনাখ্যা হৈনৌমথোঙ তাবগী মচা খোমদোন সনা লৌবনি। হায়বদি ময়াম্বুংভোন চন্দ্রহাসগা মমাক্লি। ছোট সাহেবনা পুবা ষ্টেট, হিল, ল্যাণ্ড রেভিনিউ—আফিসশিং অসিদা য়েংলুবগনা ইংলিসম্যেন, এংলো ইন্ডিয়ান, বাঙালীনা অয়াম্বা ওইনা উনি। ঐথোয়না পিক্ত পিক্লিঙৈদগী পুংগক চাউফাও এফ্‌. জে. ব্রেকিনা রেভিনিউ অমসু সেট্লমেন্ট আফিসদা কলেক্টর অমসুং ম্যাজিষ্ট্রেট ওই। গেস্পরগা ভনকানগদি ঐথোয়না চাউদ-চাউরকাও লৈ। মথাগী কর্ম্মচারী অচৌবদি নিথর, আম্বকা হোয়না অতুম লেপ্লে। মৈতৈ মচাদি লাইরিক মহৈজরবসু মশক্লক নাইবা কর্ম্মচারী থোইনা য়াওদে—লৈবু লৌতে হায়বদা থোইনা কায়বা লৈতবনি। অসিসু অসি ওইরে, লৈরি অসিদা অমুস্‌। মতম অসি শিক্ষা দীক্ষাগী মতুং ইন লাইবক থেংনা থাজনৈ।

"স্বকর্ম্মালো মূলম্"

মপাগী লাইবক্লা মীওইবগী অয়া-মঙাইগী মরুনি হায়বা ঋষিবাক্য অসি চেৎনা পায়নৈ। য়োংনা চু পায়বনি। অসিদা অমুস্‌

নিজকর্ম্ম ফল অগ্রে অগ্রে ধায়।
ফল অনুগত জীবন পীছে পীছে ধায়॥

(কর্ম্মফলনা চৎলি মাঙলা থা।
পুনশিনা ইল্লি ফলগী মতুং ॥)

হায়বা বৈষ্ণবগী মনশিক্কানা তৎপা লৈতনা মথৌ শঙলে। ধর্ম্মগী ব্রাথন্না চেন্নে অদুম পুক্লৌং, তাঙ্খোয়ে তন্না অদুম হিংবগী ব্রাথল। চৎলি অম্বুম কোন্না পুনশিগী থোঙভয়। লৈবাক খুনাইগীনা কোমথৈ অমুক্কা হেন্না। অপূনবা লৈবাক্লিংথৌ পান্নকউেদগী অদুম মীথা খাবদ থংভনা লাকপনা ফানরকপনি মবুক—

উ-ব্রাগী মথা থাবদবু পৎপানি,
মীগী মথা থাবদি পত্তবনি।

মুৎথিবনি ভুংইন ম্লাইফ-ঈথৌ, তনথিবনি থৌরাং, কাউথিবনি অকায়ম পুমকাউ—পঙহিং হিং পঙপান অদুম মপাম্নবনি।

অদুনোং ঐথোই মতম অদুগী অপাল অপিল থঙদে হাও অরায় থঙদে মচা মশূ মতমগী লাইরিক লাইগুসি তক্কনবগী ব্রাথল থোইনা তৌনরুদে। লৈবাক্লা থৌশাদবসিগা লৈবাক্লিংথৌ পন্না শেল নংবগা অনী পাল্লুনা শিক্কাগী চাঙথৎ-থোঙভমদা অপনবা থীনা পীবগুম থোকথি—পীথি।

য়াজ-সরকারনা লিংবা স্কুলনা মথোঙ-চাবা স্কুলমক থোক্ত্রবসু, ভুংইন শিক্কা মওং ভানা পীবমক ঙময়রবসু ঐহাক ইশাগী শিক্কা-দীক্কাগী মরমদদি থোইনা অহোবা লৈতবদোনা থোকথি। ভাগ্যবিধাতানা মফম মতম থৌওং কম্নাদা মীরক খিত্তংদি ত্তিঙসম্নু মতা পীনবিবগুম তৌথি। ইশাগী জ্ঞান থর লাকপদা য়্যা টোল অমম্বং আখড়া অনী পানা চৎলবা থেংনবা, থাশি, থানিম্নচিংবা তিথিশিংদা ভাগবত শ্রবন তৌবা, পুনশিদা ঙস্তানা মপাল লোকপা, ভুংইন মণিপুরগী চৌং মভেক অমগীসু মণিপুর মপালগী লম-তু থরগীসু লম্মিৎ-তুমিৎ, মী-পোং, য়ুম্বাল কৈবাম্নচিংবা থর মথৈগী জ্ঞান ফংবা অদুগুম ইশানা অশীম্নকবা নত্তনা অতৈ মফম মতম থৌওং কম্না কম্নানা অমুক মথং মথং শিক্কাদীক্কাগী লম্বী অদুম সেম্নকথি।

মহাপ্রভু সাবা—

বৃন্দাবন্দগী থোরকপা পল্লুই কুইত্রি। অয়ুক্লা স্কুল কায়ে, মুংথিন্না স্কুলগী পড়া চথমদা শিংগৎনবা মুমিৎ থুদিং ম্লাম্নু মণিসনাগী নাকুনি হায় ভাবো

মণিপীদনি হায় কমতুনা কন্না হোৎনন্নি। ঐদনা হোৎনজবনি, ইমুংগীদি পাম্নববা লাইরিক্লিমা কনামতনা থোপাবিবা নত্তে। ঐনা লোংমা য়ুম হক্লিনথিবদা ইমালা "নং মহাপ্রভু সাবা তায়বনি, ইথোনা য়াঞ্জবনি, হয়েং হুংথিল কাকৈথেলগী মাম্মো য়াইমা লাক্কনি, চথোক্লমগন্থ হায়রবনি" হায়। তাঙাতুবদি ঐঙোন্দা থিম্তং নীংব-কায়গুম, হাইকেৎ চময়বগুম থোকথি। নীং-কায়বনা শীংগৎনবা হোৎনরিঙৈ অপনবা লাক্কুমা থোকপা, চময়বনা ইথোনা য়াপ্লে হায়বতুদা রা অতুম কক্লব!—অতুদনি।

মথংগী হুংথিল হুমিদাংবাই মাম্মোয়াইমা লেঙ্গলক্লে। কোর্কেক অমগী মরক্তগী চে বালী কাগজ পাং অনীগুম্না থম্না ইবা লোল পক্লেং অমা পীয়ে। অইবতুগা কোর্কেক্কা চাপিন্নবস্থ ওইনা ঐ ইশানস্থ ইতোম ঊক্লাইজবা হৈহৌনবা ওইনা মাম্মোনা কোর্কেক পায়রগা মতাং-মতাংগী অচা-অচাবা থোমৈ থোন্দা, থোহ্লায় থোম্বাং পাম্মুনা পাই—পাথে; ঐনা অইবতু পায়তুনা থোমৈ থোন্দাগাতু তানা তানা ইক্লি। ঐনা ভাব তানবা লীলাগী ক্রমস্থ য়াফমশিংতুগা কোয়-কোয়না ভাকই। অস্থম্না হুমিৎ পঙ্কাস্ক কায়দনা হুংথিল অনী অহুম্মস্থ নৈনৈ।

ঐনা গদাধর সাবা মতম অতুদদি লীলাগী সঙ্কীর্ত্তন পালাসি অহলগী মনোহর শাই পালানা পুই। শিনথি অঙাংগী নট পালানা থুনমক। মহাপ্রভু সাবা মতম অসিদদি পুরে অভাঙ্গী পালানা অতুম। অনৌবা অঙাংশিংবু নট সংকীর্ত্তনগী পন্নিং মপুং মতেম্না নীংথিনা তম্বিবা তাবা, মিৎকী কুপ্সে ওইনবা নগর কীর্ত্তন্দা মুখ্য চরিত্রশিংগী নৃত্তনচিংবা কম্না হাপচিল্লকপনচিংবদগী লীলাসি হায়গী মতম কোয়প থুরপ শায়বা য়াথিদে। অতুদা অমুক্ক লৈবাক্তী অন্নাবা পঞ্জাউমনা অপনবা পীথি। ঊশিংনি, অঙকপা ঊচাউনি। কংলৈ মপুং চীংয়া তময়া অয়াম্বা লোইনা লুপ্পনি। ব্যাংখৈ-ঊচাউদগী * শাথিনা খীনা হেক্লি হায়নৈ লাইগুরু অখণ্ডবা অতাবশিংনা। ঊশিংসি শ্রীহট্টগী কুমজা ১৯১৬ কী দুর্গা থাথবগী নৌকাথেলা কুপ্সে কম্না চখরিঙৈ ব্রহ্মপুত্রদা তুরেল অচৌবগী ঊশিং পাশিনবা অতুম হোৎনবনি। অহিংতুমক্তা কেক্রুপাতকী ঊশিংনা থ্াই

(* চহী তরেৎ থুম্তাকপ্তৈ অন্নানা হাপ্পা ব্যাংথৈ—হইক্রোবনচিংবা নিংথৌজা লাইগী মীকোক থম মতম থয় থয় মথোয় অন্নানা য়াবিরিঙৈ লৈবাক পুম্থি।

পখেং অয়াবা, ঐথোয় য়াইফুল পম্লাক পুন্নপ থত্থ্য থুম্মে। ময়াঙ-সড়ক মপান্দা লৈবা, সডক্তা হেক তাইনবা য়ুম থয়দি ছিংঙি। নয়ুম ভুয়েলগী মখীং থক চনশিনবা পয়েংগদি ঊশিংনা শাইজিন, য়ুম্ময়াঙ য়োফাও য়াওখি। ঊয়ুম ফুক্কুনা খী নন্দুনা শিবা য়াওখি।

ঊশিং কলবা, মভুং ইনবা অনা অয়েক ফয়বা, লৈবাক্তা থয় লৈতায়বা খ্রতয়দা অমুক নৌহৌনা তমজনা শান্নে।

গদাধর সাবা মতমদদি অঙাং য়াম্না ওইবা, অঙাঙ্গী মঙ্গলান্দা লুপ্পুনা লৈবা খ্রতম ওইবনা লীলা য়াওবগী অমাঙ-অতোঙগী য়াথায় কৌবা অমত্ত পোকখিদে ঐগী পুক্তা। হন্দক মহাপ্রভূ সাক্তবসিদি লাইরিক্তা, মতমদা, থবক্তা অকাযবা ঙাক্নি অমাঙবা ঙাক্নি থল্লুই অহানবদদি। অদুনোং য়াওই য়াম্না তম্না, মাই হায়বা য়াদবা, ঙমদবা ময়ম কয়াদগী য়াওরুবনি, অদুবু, থম্মি থুনমক লীলা অসিনা তৌনন্নে ঐঙোন্দা কায়বগী কায়বা ঙাক, তৌয়মন্ত্রে অমাঙবা কৌবা, কৌবা য়াবা অমত্ত ফাও। চৌনফগী শক্তি পোকখি, থীবগী মওং থম্মি, বাঙ্গলা লোলগী জ্ঞান চাওখৎখি, ঙাঙ-শব্দগী কায়দা—ভাব তানা, ভাবকী মতুং ইন হীক্তা, নৌনা,

য়াংথৈনা পুরিঙৈ অকিবা ঈচাউমা থোকখি। লৈবাক্কী শরুক অয়াম্বা লুপখি। থায়নঙৈ ইতিহাসকী যুগদা মাসিনা থ্যায়দগী চাউবা ঈচাউনি হায়নৈ।

থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈ পঙবী থীনা ঈশিং চাউদে। লৈবাক্লিংথৌ পনগী তুদেং-পথাপ মতুং ইন লৈবাক্তা মথোয় মথোয়গী লমথৈগী মতুংদা চেনবা ভুয়েলগী থোঙয়ুং ময়ীল চহী চহীগী শেংবনা ভুয়েমহ্ ঈশিং পুবা ওম্মি, অনেম অনেম মফমদা ঈচাই থয় থয়মহ্ অতুম মচৎপনা মশাদমহ্ থয় অতুম য়াংনা থোকই। তোৎয়ে ফুথুপ য়েংনা তুদৌ-তুখিং চৎপনা লৌনম্বান্দ্ ঈয়ে ঈনম পঙগা চারুদবনা পম্মায় কায়দে। অদুনোং নোংনা কা হেল ঈশিংনা থীনা কল্লফাওদা ঈচাউদি থীনা থোক্কে। য়াংথৈ হাক্তক্তা থোক্লরুদি কুইনা তুদেংথিদবা, নোংনা কা হেনবা থোকখিবা—অনী পাখিবদগীনি হায় অতুম। চীংগী তুরেল্লিনা ঈচেল কল্লি, লৈচাক য়াম্না পুরকই, থোংথা থীনা তোঙথৎলি। লৌনম্বাল থোনবা তুংইন থাম অতুম ঈশিং। নিঙথায়য়কপা থূদিং অতুনা কুমৈ থোক্লিবসিনি—তাই খঙ্গোল।)

কম্না ঙ'ঙবনচিংবগী মঙং থরগীমথৈ হৈথি। মীরক কোম্না তিনবা, মাম্ন পুনা ঙ'ঙ-শকপা ফনা নীংথিনা তমথি। থোইথোইবা অমনা প্রেমাবতার গৌরাঙ্গগী ভূমিকাদা কৃমন্নবনা ইঙাও-ঙাওবা অঙাঙ্গী থম্মোইদা গৌবাঙ্গগী পুনশি মতেক অমগী মমিগা কোম্ননা করিগুম্বা হায়ভম থঙদবা মঙাল অমগী পীক্লবা মশেক অমা তাথিবগুম ত়োথি। ওইবমগদ্রা থঙদে ভগবদ্‌বিশ্বাসগী মঙালগী পীক্ত-পীক্লবা মশেক্লি হায়গদ্রা কৃপ্ত-কুপ্নবা মবীক্লি হায়গদ্রা অমা। মাসিমক্তি উন্মাঙদা হিমালয়দা গেঁছ মক্ক শাবগুম থোকথি। নোংমা, ঐন ক্লাস নাইন টেন তমলিঙৈ অদুব্রাইদরা, থিক্তং মমাঙ ওইরপ ত়োবিঙৈদবা, অংঙ্কদি হায়বা ব্লাবে, বাজ-সবকাবগী কলেক্টব ওইংম্বা বাজকুমাব সেত্তুসনা কনৈ কলেজদা তমলি। মঙ্গং অসিদা ইকুশিজসিনা লৌবা ইনেমশিজ অহন লৈতে। উনবস্থ ফংনথিদে অনী। শ্রাদ্ধ মক্ত চুপ্পা থাঙ পাযনা পাযনা বাঙ্গলান্নবাদ কোম্নবা ভগবদ্‌গীতা মচা অমা পা-পাত্তনা মবুক ফায। গীতাগী ব্রাবী ত়োই, পুক্লীংদা অপাম্বা পোকথি। উন লোইত্তনা গেঁছ মযোন চোংবা মতম লাকপগুম থোকথি। হান্নস্থ ঐথোযগী ইধৌগা অধিকারীময়ুং গুব•ন্দনগা (ধামাঙ্গীগুরুগী মচাশিংগী মিংহুলনি, লাইগুরু প্রেম লৈনবনা মিংগোদি ঐথোযনা ইধৌ কৌই) ইপৌ অনীগী মপ্তান্না গোপাল সহস্রনামদা লৈথি বতি, অঙাং ওইনা পাঠ তৌবা হৌথি। হন্দক্লা ইকুশিনা গীতাগী রতি পানবে, ঙন্ন গীতাগীস্ম অদুম পাঠ হৌবে।

যদা যদা হি ধর্মস্য গ্লানি র্ভবতি ভাবত
অভ্যুত্থানমধর্মস্য তদাত্মানং সৃজাম্যহম্
পরিত্রাণায সাধুনাং বিনাশায চ দুষ্কৃতাম্
ধর্মসংস্থাপনার্থায সম্ভবামি যুগে যুগে ॥

হায়বা ভগবদ্‌উক্তি অসি পাবকপদা কুপ্নবা মঙালগী মবীক্তুদা পাম্লুববা থঙদে ঙানথি নোংথাং মতম ফুং পূমঙাল।

ম্নাওথি মতুংদদি গোষ্ঠ কয়া হেক হায়বদা হবাউ হবাউ। মশক নাইগা শক্তমক ম্নাক্লদ্রবস্থ শিক্ষা দীক্ষাগী ফংফম থোকপা শরক্তি চপ চানা অদুম ফংথি

ব্রাব্রী লাইরিক—

মতম অসি লৈকাই-লৈকাইগী মগুপ্তা অচৌ-অশাং, ফম্নাই-ফাম্নাইবশিংগী কোম্দা ব্রাব্রী লাইরিক য়াম্না তানৈ। লাইবিক্লা অহনগীদা ওইনা তৌই, ব্রাব্রীনা

অঙাং অহল অনীগী ওইনা চংলি। অঙাং অয়াম্বা রামায়ণ, মহাভারতকী ৱারী, থরদবু থঙ্গদে হেন্নবু থঙদে, হৈবা ঙাদ্রি। ঐগীদি থান্ন অঙাংশিংদগী থরবু হেন্না হৈজিনবগী লম্বী অমা ঈশ্বরনা যানবিবগুম তৌথি।

রাজকুমার সনাজাউবা, ঐখোযগী ইকুশিজশিংনি, রাজকুমার ফাল্গুণী, আই এ. এস গী মপাবু অংন্নি। হয়াউ তয়াম যাম্না পাম্মি। কাংগী থৃবাইশৈ, ঝুলনগী নিপাপালা, যাওশংগী হোলি লোইনা শরুক য়াই। ৱারী মরুপ্তি যাইস্কুলগীস্ব বাগলৈকাইগীস্ব অনীমক তুনা শরুক য়াই।

ৱারী মরুপ ব্রাহ্মণ অচোবা মচামশূ, অপাল-অপিল অচৌ-অশাং মচামশূশিংদনি। মখোযনা ৱারী তাবদা থাবিবা শম্পোৎ, হৃদিবা শাহুল পূন্নমক্ত হাও অথাম অমগী হক্কী ৱাংমদনি। মখোয় মচম অমনা তৌরু চৎলুবদা মতম অতুর্গী নৈবাকী পথাপ্প। চৈজ্ঞা-নগোনগদৌবনি।

মণ্ডপ মযোল মাযগৈ মরিদ। লাইমাঙদং থাক্লগা মীকোক থূদংগী মাংগোল ফরেন অমমম থুংনা থুংন থাই। ফক্স চুমথাঙ্গনা নম্মি। মথক্তা ফি অথাবা থারগা লাংঙবানা (লোংক্লোথ) বুষ্কি। যোন্দুম অচোবা অহনবা অমমম থানৈ মচু অমত্তদা চৎলি। কৈতেংগীদনি—থক থাঙলোই। ঙহাক অড্রকা পোথানবদি উগী মোন অথুম্নি অমমম পানৈ, মথক্তা উবৈরোম শঙবা থূদৈ অনানবা অমমম কোকথাঙ ওইনা হাপনৈ। মাঙদা হিদাকফু থম্বাল-সাবা অমমম পিথ্রাই মথোঙ কত্রং য়েৎপদা খিম্মুনা থানৈ। ঙাম্বক অউম্বা পানগনি। মতুং ইনবা লৈতেংগী পোৎসম্ চপ মান্নে। কুংশেল অচোবা, লাক্কবাক তোম্পুঙি, অচেম্পি, লৈ অসেম্বা তাঙ্গা, পানা অতপ্পা তাঙ্গা লোইনা থাই। থুরুম্বা চঙবা থোৎপদা অন স্বরা কি, নমগী মহক্তা কেংনা শিল্লি। কোকয়েৎ চাংঙ্গং তাবি কুপথুপ অমা কেংগীদমক মোঙাউ অথাবতুগী মথক্তা ফজনা থম্মি। মখোয় মশা মশানা উরিক নগুন মচা তানা শি, তিলক স্বনা থিল্লি, সুকরথান (স্বপরফাইন) কৈজোম গুঞ্জা (কোঁচা) ফজনা সারগা মতোন নাকন্দা য়েপথক্ত্রনা শেংলি।

ঙসি নীংসিংলুবদা নোম্নীংবা অমা পোকই থঙহৌদনা পূক্তা। হয়াউ তয়াম পাম্বা, লূজবা হেঞ্জবা পামন্দবদগী লিংলুবনি মরুপ, শীল্লুবনি তৌরিবা অপূম্বা। অতুবু, মখোয় অমত্ত তয়ামদ তয়াম্নবদি ঙমথিদে। মশা মশান্দা

ফিরোল মোংকদরা, ফিথুপ কাম্নগদরনচিংবা অকিবা অমনা ফল্লিমথৈ নাঁ প্রাক-নীংশৌনবগুম তৌবা, লাওজবিবা হরাউ তন্নামদা লুপ্পীং-লুপ্পীংনা লুপশিঙ্গবা ইচম চমদবগুম্বা অমা উই। নীংসিংভি অন্নুনোং বিশ্বকবিগী শৈরেং মতেক্সা—

রাজার মতো বেশে তুমি সাজাও যে শিশুরে,
পরাও যারে মণিরতনহার—
খেলাধুলা আনন্দ তার সকলই যায় ঘুরে,
বসনভূষণ হয় যে বিষম ভার।

(শেৎলো অঙাংদা িংথোগী মতম ফিগে ফিবাং,
শিবিরো লীক্লাং—হীয়াই নুংঙ্গাইগী পকেং—
চেন্নিদো লোইমা হরাউ তন্নাম থীনা নাকোই পাং
শক্লিদো পোৎলুম মঙোন্দা থীনা লৈতেং।)

ইবুঙ্গশিঙসি মচা লৈতে। ঐখোই ইথা নিপা অমা পোক্লগা অদুম লৈখিব্রে। অা কাইনথংদা ইচল অমা লাকই, অদুনা লোইরে। মথেং মচৌন্নানাও মরিনি। মরিমক মচা শাঙলপ অদুম মচৎলি। ইকুশিংনগী লাংথপা ইচন্দুগী আ মতুংদা অতৈগীম্থ অমমম অনৌনৌ অদুক লাক্লকনি। অদুনা, ঐ মখোয় খুদিংগী কবোক্লি। ইকুশিংনগীনা ঐ পাইস্থ ওই। হোলৈনচিংবদা হৈ-পান্নচিংবা পুবা, মরুপকী ব্রাংরাদনা নোংম-নোংমগী হৈ-লৈ—কানচিংবা পুবা ঐগী থোদাংনি। ঐনা পোৎ-চৈ খিল্লগা য়ুম কবিগুম্বা হন্নিংবম্ব "শোয় ডামগনি" হায়দুনা চৎহল্লন্দে, ব্রাবী তাবা অদুম তাবধনি। কথকশিংগী মঙ্গণমস্থ থুনমক অদুম পুনশিল্লি—পুনশিনথি।

মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র সনা হাত্তভা ব্রাবী লীবা হোৎেেকই, ব্রাবী পোগল ত্তৌই হায়বা তেথাউ বামন ব্রারীবম (ব্রাবী লৈবম) শাগে পোংকথিবা জীবান্দো (জীবানন্দ) না লীবা ব্রারীদি কয়া ফুভাইংমগবা থঙল্লেদো। ঐখোই মতমগীদি অমুক খিকথবনি, শিম্বনি, চুথবনি, হেক্ক থৈথবনি।

ঐখোই মতমদা ব্রারী লীবা অফাওবা য়াম্না লৈ। নুংবুবা, ডাইথিবা, মাইস্না, খূমখেম্বা, ডাসেপ্পা, তম্ফাজাউ—ওজাশিং অসি লৈবাক ফাওবা ভাক্লি। যুগমক পুবদি ইকোন কোন্না থাবিবা মীশক্সিনি। বামন্স্ অদুক ওইবগী মথক্তা

মহারাজ ঢাকা-ভাবগী মশূ লৌবগা মশানা গুণী ওইবগা ঐক্কা তম্ফাজাউ হায়না চৎলি। মী চাউই, মুগুক মুই, মগুং নাইদনা নোয়, মীনা চিংবঃ গাড়ী মচা অমদা ব্বারী মফম মফমদা হেক হেক পুনৈ। নোয়মন চাউমন্দুনা চৎপা ব্বানা খোকপদগী মহারাজ চুড়াচাঁদনা গাড়ী লাখিবনি। ঐক্কাসিগী গুন অমা---অঙাঙ্গী জগত্তা মৈতাল বোরা হায়না ফাওই, মাবু উবদা মৈতাল বোরা চৎলে চৎলে হায়, লাক্লে লাক্লে হায়, মৈতাল বোরা মৈতাল বোরা হায়, অমদি লাউদবা অঙাং থরা তাঁডি। অঙাংশিংনা লাউবা তাবদা মুঙাইতবা থক উদে। মথোয়গী মতৌ য়েং-য়েংদুনা নোক্মি নোক্মি তৌদুনা গাড়ীদা অদুম লেঁডি। নোংখোঙ নেম্না কুংনা পূম্মম ময়া হৌবা নোংমায়দা নোংথাংনা খোয়াইদনা ফুং-ফুং ফুং-ফুং হেক-হেক হেক-হেক ঙানবগুম নাংথিজে। মুথরবা মায়থোং অদুদা ঈংথরবা মঙাল অমা ফাওই। কবিগী লোনদা হায়রগা

শাস্তনি মাগী ছন্দ।

ঐক্কা তম্ফাজাউগী ব্বারীদি চৎলি মনীং—কপফনগে মনীং, নোকহনগে মনীং। অংন্দগী অঙাং লোইনা নোকই মাগী ব্বাঙাং অমদা, কপ্নি থোনফম অমদা। কবিস্থ নক্কবা ব্বাফম অমনা ব্বারী পঞ্জাউ অমা সাবা ঙম্মি। তাবদা ভাবুক ময়া কাবা ঙাক্লি।

লাকই মথংদা ঙাসেপ্পা। মশা পায়, ময়াঙস্ম কংঙি। মথোন্দি অঙকপনি। কংথরবা পাথরবা অদুনা হনুমানগী শাথুপ কোম্নবা লালাউ লাউরকপদি হনুমানসক অদুম চোংখোকপনি।

ব্বারী মরুপকী ব্বারীদি তরানি থাথায়দগী তাবা পঙয়াও য়াওদে। কুম অমনা মহাভারত, কুম অমনা রামায়ণ তায়। গুণীশিং অসিগী-মগুণ অঙকপনি, ঐখোয় অঙাং ওইবগী ইঙাও ঙাওবা থম্মোইদবু মহাভারত, রামায়ণগী ব্বারী পরেং পরিং কায়দনা অদুম হাপ্পা ঙম্মি—হাপ্পি। অদুনা ঐখোই মতমগী অঙাং অয়াম্বদি তম্মু-পাক্কদ্রবস্থ মহাভারত-রামায়ণ অদুম হৈ। অদুমক্কা ডাক্তর মার্শেলগী—

Education spreads in the air

শিক্ষাদীক্ষাদি হুংশিত্তা পাই—চৎলি, হায়বদু অদুম তাই। ভূভারতকী মতম ঐখোয় মণিপুরস্থ মহাভারত রামায়ণদা অদুম হিংঙি।

চহীনা মশীং অস্থম অস্থম কারকপা মতুং ইন নোংমগী স্কুল অতুক কাক্লবা, লৈরক কোনশাংদা ভহাক অতুক লাভবা খোৎপা, মতম মতমদা লৈকাই মশুপ্তা হয়াউ তয়াম শরুক থর অতুক য়াবা, মীয়্নৈকাই অমদা ব্বারী তাবগা অতুক চৎপা, নোংমা ফাদোক পর্ব্বদিন্দা গোবিন্দগীদা চৎলুবা অতুনদি ওইবা য়ারক্লে—পেহক্লে। থিরক্লে লম্নৌ, য়েংলক্লে লম্বী। পাকথোরক্লে—কোন-শিল্লক্লে লম, হেল্লক্লে মাতিল্লবা। পায়রে থবক ভাক্ত লাইরিক্কদি পভচু-চুনদবা, অভাং ওইবা পুনশিগীদি স্বর্গগী ভাক ওইবা হুভাইবা মথল মথেল। খোরাংলি নীংসিংলুবদা ভসিমক্ম হৌজিকফাও।

মহালী উমং—

মহাবলী উমংদগী থৈরকপনি। হনুমানবু মহাবলী কৌই। মহাবলীগী মন্দির মফম্নি হায়দুনা কৌরুবনি অস্থম। মন্দির অসি য়াম্না লিরবনি, ভসিদি চহী চহুম হাম্নরক্কদবা থরদ মভায়রবনি। মৈদিঙু ময়াম্বা, তুংলমচৎকী গরীব-নিৱাজনা মন্দিরসি লিংখৎপগী ব্বা নব্য-বৈষ্ণবধর্ম্ম লাকপগী আ মতাংদা অতুম য়াওগ্নে। মন্দির লিংবগা লোয়ননা হায়নৈ লাঙ্গোল চীংদগী য়োংস্থ অমনী থাদোকই। ঐখোয়না খভলকপা মতমদদি য়োং য়াম্না লৈরম্নে—ফুরুপমক্তি অনীদ চৎলি। চীনগায়না অমা, মায়মুনা অমা পুই। মখোয় অনীমক ,ঐখোয়না থোওইনা কবোক্কা হুন্দুনা মরুপ সানৈ। মখোয় ফুরুপ পুবগা মরুপকা সানরে ঐখোয়না অতৈ পুন্নমকপুস্থ পীজ-পীথক্ক থংলে অতুদদি লোইনমক্কা নোংমা নোংমগী অতুম শকথভনরে।

মতম অসিমক্তা বামন লৈকাই পরেংসি য়েংগী য়োং ভাক্ত ভায়রম্মি। মহাবলীদা লৈবা চল্লক্তবা, চাবা ব্বাৎলকপদগী থুম্থোকথিবনি। অমুক খোকগ্ল-বদি লৈহৌবশিংনা হজিনহন্দে। খোকথিবশিংগী মশাদা য়াম্না নীংভমদবা, খোয়রাঙ-খোয়শাউবা অমা লৈ। লৈপাকপোকপা-লৈপাকপোকপগী মারব্বারীগী য়োং চাকহম্নি মখোয়না মীঁভমুত্রিবা, খোয়রাং-খোয়শাউকৱিবা।

নোংমা লৈপাকপোকপা থুমিৎ অমা ঐখোয় লেপ্পা চৎপা য়োংস্থ মখোয় কোম্বনা চৎপা য়োংস্থ লোইনা পৈরে। মারব্বারীশিংনা চেঙ, হব্বাই, কবোক, হৈ-য়ানচিংবা মতম মতমগী মহৈ মরোং কৈথেল্দা ফংবা মথৈ ভসিদদি য়োং

পূম্নমক মবুক পেনা খল্লসম্থ মতা হৈদোরকখি, চাইথোরকখি। অনকপা বামন লৈকাই মচৌন্দা লৈবা য়োংশিং লৈবা য়াখিদে, শিরগা শি চঙ্জগা চঙ মশা ফুজিল্লকখি—লাঙ্গাও অমা খোকখি, চৌরবনা তোরা তুনখি। ঐথোয় থরা অমনা পোৎ থোমজিনবা য়াবা থোমজিন্দুনা উচেক ব্রায়া ভাকখি, থর অমনা চৈ পায়তুনা ঐখোই মরূপ মহালী কাঙবুগী মতেং পাংখি। জাল থুনমক ঙমখি। ঐথোয়গী অশোক-শোক্ত লোইনবা ঐথোয়না ঙাক্লিবা পূম্নমক চাইতুনা য়েন্দুনা, খূৎনা ফংনা ইন্দুনা পৌজখি। অতুদগীদি মথোয় থরদনা নত্তমা থ্‌ায় অপূম্বনা ঐথোযগী শক মুন্না খঙ্খি, লোইনমক্কা চান্নখি। লৈপাকপোকপগী চাকহুন্দা ঐথোয়না থুমবা শোক্তে মথোয, মথোয়না খূনবা পাযদে ঐথোয়। মথোয় ফুরুপ অনীগা ঐথোয়গদি ফু অতুম বাযনরে—অমত্ত অতুম ওইবে। পোৎ চারো কৌবদা অচৌবশিংদি করিমত্ত হংগোইদে, অতুম লাকই, খুন্ত্রগীস্থ অতুম লোই। মচা অপিকপদি জ্ঞান তাদবনা থর হংগোইনা তোই।

মহাবলীগী উচেক্তা উ-মালথাউগা চৌঙাম্বুবিগা অনীনা মপুংনি। উ-মাল-থাউদি অহিং চাক্তাবা উচেম্নিনা অয়ুক ঙ্গংথেন্দি অতুম তুমতুনা লৈ। ঐথোয়নস্থ তুম্বা থুগাইরুদে—থক ওৎলুদে। চৌঙাম্বুবিদদি ঐথোয়সি তমখিবা ব্যাধনি, কিরাতনি—যমগী হেক ঙমথংনি। মথোয়দি মীরোল থোকই, মীরোল থোক্লবদি পাইদ্রে হায়বা খঙলুবদগী মকোন্দগী মচা ফংদবু ফংলবদি হেক্ত ফায়। পাইবা ঙম্রবদি ফাবা য়াদবনিনা মরুমদগী পোকথায়বদ ডায়রিবশিংদি তুনা তুনা ফায়। অতুনা ঐথোয়দবূ উরবা চৌঙা খূদিং মিপাই থাবাইরে। মথে যগী মবুক্তা ঐথোয়বু লেপ্পা চৎপা লিল ওইনা লোই। অতুনোং উরিমথৈ লেপ্তে থোংঙি।

ঙসিদি ঐথোয়না অঙাং ওইবদগী মপীনা তিহোন তিহোন মচৌঙাক ইন্দ্রধ', অহিংদা মথোই মথাদা কোম্রবদি শিনি খঙলুদবদগী মবুক্‌ ব্রাৎ মপীগী মনমস্থ ফংজ মনিনস্থ কাং অরেম্বদা মপুনশি মতম চাদনা মাঙ পুনশিগী মহাউ কৌবা থঙদনা চৎখিবা উচেকমচাশিংতুগী দমক নীঙমদবা অমা পোকই থম্মোইঙ্গং। জগৎসিদা অমগীনা কূমৈ অমগীনা শিবা হায়বসিদি ইথোক-মথোক্লবনি। অতুনোং এসোপনা মাগী ফেবল অমদা অঙাংশিংনা হঙোই তম-তমতুনা লৈতুম লংতুনা শান্নবদা "নথোয়গীনা শান্নবা ঐথোয়দনা শিবা" হায়বা হঙোইশিংগী

শেংথানা পাউরেীনরাম্নিবা অদুনি। চুম্লি ঙসিস্ত অদুম, কায়ত্রি চৎলি মফম, মতম, মঙং খুদিংদা চপ চানা অদুম—অম্বাবনি।

হেদৌনাংলু চিল্লি লৈ নম নমদুনা,
মেল্লি লৈচিন লৈশা থীনা শেত্তুনা।
তমথিবা কুম্মৈ, তমথিবা মশান্ন
শান্নবি ব্রাক্তে থক ঙসি ভারত্তা।

লৌরি কুম্মৈ য়ুম মৈ হেক হেক চুদুনা,
শিবি হরিজন হিংনা মৈ চাক্তুনা।
তমথিবা কুম্মৈ তমথিবা মশান্ন
শান্নরি ব্রাক্তে থক ঙসি ভারত্তা।

শিরি তদেক মুজা কয়া কয়ানি,
মপুরোইবনা লিংবা যজ্ঞদনি
পণগী দমক্ত মশা হোম বৎপনি
ব্রাক্তে কুম্মৈ থক শান্নরি ভারত্তা।

পাল্লি ঙাচাউ হাইনা হুম্না মনীং তম,
হুল্লি ঙাকুপ বক্তা চাকথাক মশা তম।
কুম্মৈনি কুম্মৈ হোংবা য়াদে মিৎফম
শান্নরি তুজুংঙাক ঙসি ভারত্তা।

লৈথিদরা থঙদে ভারত্তা ভারত,
চৎলথিগদরা হায়ঙমদ্রে ভারত
মশাগী নীংথিবা মানবধর্ম—
লৌদ লৈদনা অদুবু ঈশ্বর!

মহাবলীদ নন্দে ঐথোয়গী য়াথোকফম, মোইরাংথোম লৈপুংম্ব লেন লম্পাক্লুনি। মহাবলীদি পঙতোয়বু তোয় হায়বা য়াদে, লৈপাকপোকপা লৈপাকপোকপদা চৎপগা হৈবোং পানবা মতম মতমদা হৈবোংম্ব চাবা চোঁঙা

মচাম্ম লোকপা ওইনা মঙানি মরক তরানি মরক অতুম চৎপগা চহৌগী কৃষ্ণজন্ম, ঠৌরাণী জন্ম, বামনজন্মগুম্বা পর্ব্বদিন্দা লাই খুরুম্বা ওইনা হৈদৌ হৱাউবা চৎপগা—অতুৱাইদনি। মোইরাংথোমদদি হুমিৎ য়ুংমাঙ, চাকচমাঙ অথেঙ-বদনি হায় অঙনবদনি হায় কৈথেল য়েংবা নোংমগী অমুক য়োহৌদ্রবদি চাক অতুম চঙদ্রবনি। অতুগুম, হুংথিল অথেংবদা টাউন ক্লবকী বল প্রেক্টিস্ য়েংবা ওইনা লেন লম্পাক নোংমগী অমুক য়োহৌদ্রবা অহিং তুম্বা অতুম চঙদ্রবনি।

মোইরাংখোম—

যাইস্কুল মযোন্দনি। থাদা শিলেনপাৎ, অৱাংদা যাইচম্পাৎ, নোংপোক্তা তুবেল অচোবনা কোনবা চীংদোঙ লমদোং ওইনা তৌবা, উমং রাম্'না শুক্লা মংবা লমতুপ্পি। য়াইস্কুল লালোয তরেৎকী পৃ'নি। তরামঙাস্সবা শতাব্দীগী অনীসুবা শরুক অতুৱাইদা মৈদিঙু নিংথৌথোম্বনা লান্দা ফারকপা মোইরাং লালোয়শিংবু মফমসিদা লোইশিনখিবদগী মোইবা'খোম হায়না চৎখিবনি। ঐথোই মতমদদি কৈথেল ওইবা বুইবন্নে। নিংথেম্ময়াইমনা (মহারাজ মধুচন্দ্র) চিঙাথমদা সম্ফাসনা থাজবৈ উনবা কৈথেল্লি। ঈশ্বর মহারাজ (চন্দ্রকীর্ত্তি) সনা হাক্তুতা লৈপোক কৈরুংবনা ময়ায়-লম্বী, ঙসিগীনা নেসনেল হায-ৱে, অসি সেমগৈ পুং ককখিবদগী অমুক্কু হেন্না কোন্নবনি। বৃটিশ আমলদা রাজসরকারনা লম্বীগী নোংচুপ-লৈপুং মতোল মতেক্না তেমজুনা উচ্চ প্রাইমারী স্কুল অমা, কোন্নবা জিমনাসিয়ম অমা, নাকন্দা বালিকা বিদ্যালয় অমা সাবা, অকোয়বদা মী পূমশা-তারবনা পূমকোম্বক কোকপদোনা তৌববনি। অতুবু, এহেলো লমশক পুম্মুৎমক মুংপদি নত্রিবগুম তৌরি—মনম থর অতুম লৈরি।

স্কুল সারিবা লৈপুংসিগী লম্বীগা তাইনবা থা, অৱাং মচীল অনীদা লোয়রং-থোংনাং চাউরবা অমমম হৌই। অৱাং-থোংনাং মথোঙদি পান্না চাউনা শোঙি, শুকই, মংঙি। থাগীদি স্কুলগী কাভম থাক, কম্পাউণ্ড, বালিকা বিদ্যালয়গী কাভম লম্বী অহন্না চাথিবনা পঙশোঙ শোঙবা, পঙশুক শুকপা, পঙমং মঙবমক্তি তৌদ্রে, অতুবু অতুম থরদি মমংলি। লম্বীগী নোংপোক্তা, অমনা কৈথেল ময়ায়দা অমনা মচিদা লৈপুং অনীমগা লৈ। মচিগীদুদি

থীনা শোঁইভি, ত্তকই, মংভি। মতোন্দা লোয়রং থোংনাং মশমগী মশম ভাক্ত ভাইবা অমা হোই। তীনশিবিনা থীনা কুংনা হোৎবগা হেলোয় লম্লৈমা লৈ ছায়নবগা অহল নহা কনামত্ত চত্তনদে। ময়াম্লগী লৈপুংছুদি পুমকোক কোক্কই, নাপী মকামা হোদে। মতোন্দা সনা খোংনাংমা হোই, মরা অচৌবা কম্নামুক লৈমায় তাউনা তাউনা কোরফাল সানা সানা চৎলি—ঐখোয় থ্বায়গী য়াথোক খুদানি।

মী কুংনা তারবা য়াইস্কুল পনপাক ময়োন্দি ওইরগা লম্নদা-ম্নাইদাপা, ম্নারী-ম্নাখোঙগা, হনুমান গন্ধমাদন-ফুকপা য়েকপা নুংপাক থাগায় হেল্লপ পাকপা মংজিন মেনবনি হায়বরা হিংচাবি স্নরুং মেনবনি হায়বরা অমগা স্কুল কম্পাউণ্ডগী অম্নাং-চিদাই মপা ওইরপ সড়ক্কীনা মচি লৈপুঙ্গীনা মখোঙদা লৈবগা মকম অসি মওং অমা ওইনা অতুম চৎলি। ভাল্লিভৈদি ফৈ, মন্নরদি ইহং হংগোইনবা ভাক্তি।

হোজিক্তি কৈথেল্ল মুংগ্লে, লৈপুং অনীমস্থ লৈত্রে, লৈহৌরিবা অসিমস্থ অমুকস্থ থীনা তেমথগ্লে। শিলেনপাৎস্থ মুংগ্লে। লেপগ্লে শ্যামাসখী হায়স্কুলনা কৈথেনভম মপুং। অরেম্বা শরুক্তনা য়ুংলি মতমগী দোকান মচা অমনী। সনরেম্বী চাইপ্রাগী ম্নারীদি কাউনা কাউনা মথিনম্নি, মরীননি। য়মা দৈমা অনীগী লোংখোনফম শিলেনপাক্তি মুংগ্লে পুম্মুৎ, ওনগ্লে কৈথেনভম নোংহৌরকপা কৈথেন মচা অমগী। তারি শকপণ্ডম কনাননো অমা, থঙদে, মতম্নরা—

সাবা শীবা,
নোহৌ অমুক পানথৎপা,
তম্না অমুক শীথবা,
তম্না অমুক সাগৎপা,
চৎলিদো ল্লেপ্লে মালংদা,
মপুগী শাম্নপুংসিদা,
মালং মাগী মালংচৎ—
মালংচৎনি মালংচৎ।

জগৎ অসিদা লৈতে লেঙদবা, লৈতে হোংদবা। অরিবনা চৎথিবা, অনৌবনা শিল্লোবা পথাপ্লি লেঙদবা। চৎথিনি ঐস্থ নোংমদি, পুথিনি অরিবা

স্নাথল, অরিবা ফিজম, অরিবা মিৎয়েং, অরিবা পাজম, অরিবা পুরণিগী অর্থ ময়ৌ। লেপকৌনি ইচাশিংনা ঐগী থুভম অনৌবা স্নাথল্লা, অনৌবা ফিজমপা, অনৌবা মিৎয়েংদা, অনৌবা পাজমদা, অনৌবা পুনশিগী অর্থ ময়োদা। চৎকনি অত্তুম অমূক হোংদোক অমূক হোংজিন থুমিৎ-থানা মুত্রিফাও। সানহৌনি ঐথোয়গী স্নারী নোংমা ফাদোক সানবগুম ঐথোয়না লাইওইল্লবা পায়োল পুরোলগী স্নারী নীংসিংজু মথোয়বু করি নোংদা কহিঙ্ক।

তাইবংজাম্বা—

তাইবংজরি য়ুম্নাক, অতুনা কৌনরুবনি অম্মম। অঙাওবনিদি হায়য়গা অথওবদনা মথওবা থওদবনদি থঙজবা মতানি। ঐথোয়না থঙলকপদা মীয়ায় চহয়ে। মী মুই, থীনা মুবা নস্তে, পুলৈ কচুদা অত্থম লৈবা মমুনি। মপা নাল্লি, মতু লংডি, মকোক মরু কাদে, উরিক নগুণ মচু ভাই। খূদৈ অরাংবা শেৎকল্লি, উয়েরোম শঙবা খূদৈ য়ানগল্লি। অনীমক ঊশিং মনম নস্মি। মশা ফুলৈনরপ শোই, মমিৎ মনা, মশা মউ থোইনা অশোয়বা য়াওদে। মমায় মায়থোং থীদে, থীদবদ নস্তে, অঙাওবা মমি তাদে—ফাওদে। মমম অনীদনা মহাক ঙাওই হায়নবনি। অঙাং থঙদে, অহল থঙদে, মূপী নহা থঙদে মঙোম্দা মেজর সাহেব হায়রিমথৈ মহাক য়াই, ফজনা থুম্মি, ফজনা চৎলি। অঙাওবা হায়রুরবদি শিবা নাবা থঙদ্রে—চৈত্তুপকা নুংদুমগা। অমনা অমূক, নোংমগী কৈথেল য়োয়কপা শোয়দে। চেঙ চাক, ঙা থুম থক নিদে। কৈথেল মরক কোয়না চৎলি, য়ানা চানীংবা হৈ-য়া, মনা-মশীং, মহৈ-মরোং থেংনবদা পোৎমাঙ লেপ্লি, নিংথৌ-পনগী হাওমচা লোয়শঙগী কাংগৎ লৌবগুম "মেজরগী কাংগৎ পীরো" হায়। অরোবা পোৎশিংস্থ মফি মচি মরাংদস্থ থক য়োমদে, লাদনি হায় লৈহৌরাদনি হায়, অফংবা অমদা লাকোল সান্থনা পুই। অয়াবস্থ নোংমত্তবু ভানবা উদে থক। করিদগী কদায়দা শোয়মিবা বুদ্ধিনো অঙকপনি।

নোংমা কৈথেল অওবা মতম্রি। তাইবংজাবস্থ কৈথেল মরক্কা চৎলি ভক ভক ভনান ভনান। ঐথোয়স্থ ময়ায়-লৈপুংগী সনাথোংনাং মরা কোয়কাল-সাবশিংদা কৈথেল উবাং য়েংহনা ফম্লি ইশা ইকোক ইকোক কোম্লা থুদৈ

অময়ময়দং থ্বাঙ্জা। ঐখোয় ইরক্তা চহী কুষ্থ্রামূক স্থুরবা মী অময়ম্ য়াওরি। য়াইস্কুল চাউবঃ কৌই। নোংমাইথেম্বা অঙোয়নিংথৌগী মপূনি, মচাক্পীয়না পোকপনি। মতমমতুগী অপাল-অপিল, অঙম-অথৌ মচাময়ূশিংদি হৌজিক মতমদা পয়মুলা শীংদা, শোয়য়োই, চল্লি। মথৌ নাইদবগী হৌনবা নোংমা হায়বা ছুযিংদি য়ানা লেল্লি। কুমৈ থয় য়েং, লৈপুং থয় ফম, ৎথু ভুনবা থয় য়েং, চৌবয় থয় শায়, মচা মনাও থয় লক্ল-খোৎন লেম্লবা হোৎনবনি। ঙসিদি ঐখোয় অঙাংগী সভাদা ফমদেংলয়ে। মতম অতুগী য়াম্না ফজনবা অয়', লাপ্পা •থঙদে নকপা থঙদে, ময়ী থজিক্তংবু লৈনয়বা য়াম্না ন্নুনা চৎলে। ঐখোয় ফস্লিবশিংদি পাবুংসিনা থঙবা, লুনা ভৌবা ঙাক্কি। অতুনম্ম ঐখোই ইয়ক য়াওরবনি। অময়োমদদি, থুদোং থীয়বা মীশক অনীগী ভেংবাঙবিগে লাকপগুম থোকথি।

মণপাড়ী অনৌ, পোৎ থাকুবয়া থঙদে, অব্রাংলোমদগী লাক্তুনা থোংঘুথোং ভাবা কৈথেল ময়ক্তী লগী ভম্রশিল্লকই। ঐখোয়না ফমলিবা লৈপুং মমাঙ ঙাংঘক য়োনফমগা অয়াপ অয়াঙ্গদগী লাকপা উঙা পোৎফম পয়েংগা মায়োক্লবা গাড়ী চৎপদি চৎলগা য়াম্না চিম্না থোক্পা, গাড়ীব্রালানা কুমহুনা পোৎপু পায়হুনা হেক হেক চিংনবা মপা পয়েং য়োহুনা কুমহুনা কন্না চিংবা হোৎনব্রি। চিক্লবা ভাঙ্গাসিদা লাংথবাল কোঙ্গংদগী মহারাজ লেঙলকখি। শীংজবে থোকচোম লৈকায় পয়েংদা লেঙলকপনি। নোংপোক্তী কৈথেল মচীল নোং-থোনবা ঙয়েলগী ভোবৈ-ভুথুপমক্তা গাড়ী থামলগা হোয়ণ ভোয়না খোংলকথি।

মহারাজসি বৃটিশ সয়কায়না হাঙ্কনি, নিংথৌ পাম্নিঙৈগী নীংদয়-পানবা নিংথৌশিংগুম্বা মস্তেদি হায়য়গা মহাক্লা মথোয় থায়নঙৈগীশিংহুদগী য়াম্না হেন্না য়াইফবমদি ওইখি। নীংদয় পানবা নিংথৌশিংবু ইকোম কোম্না থয়াক থয়াক য়ানশিন্দুনা থম্বা, হেক কয়িগুম্বা থিস্তদা তৎপা য়াবা অক্কবা থাঙেল মথাম্না ভুম্বা হিপ্পা, চাৎা থকপা ভৌহনা য়াই ইচিন্দ চিম্না পানবনি পাউয়োনৈ। মহারাজসিগীদি বৃটিশগী মঙাম্না অকি-অথং অমস্ত লৈতে, মনীং তম্না হাইনা হুম্না পানবনি। হায়নৈ অহুনোং মহাক্তক মৈ ঙঁ ঙি, ঙশিং শাই, ছুংশিৎ লেম্মি।

মহারাজগী হোয়ণ্ ভাবদা কৈথেল পূয়মক লোইনা থুয়মৈ, মহারাজমা পম্মুলা লৈয়বনিনা লোইনা লেপ্তুনা ঙাইনৈ। অসোমদদি পাড়ীব্রালা অনীহু

নিংথৌগী মৈশানে, লৈবাক্না মিপাইবিহুনা ওইরম্লোইদৌবদা "মনীং হনগে হুয়্, বগল ভৌগে ভৌ" লাউবিবনে ইঙাও ঙাওয়ে। তাঙ্গাসিদা তাইবংজাম্বা কৈথেল মরক্তগী গাড়ী মনাক্তা কোক হেক ফাওরকই। পাবুংনা "মেজর সাহেব গাড়ী থর থোদোকপিয়ু" হায়না হায়না লৈপুংদগী কুমথরে, গাড়ী য়ালাদস্থ তাইবং-জাম্বদস্থ য়া অমনী পরপ পরপ হায়রুরে। তাইবংজাম্বনা মাঙ্গী গাড়ী ভনকা কাহুনা লেপ্লগা "সনথ্যা ইবুঙো, বগল বগল, যণগাডীদি বগল য়াদে, খুনেৎ গাড়ীদি য়া।নি" লাউথি। মহারাজ খুনেৎ ব্যেক ভৌহুনা বগল পীথি—গাড়ী অনী হিংথি। পাবুংনা শীনবনি থঙবনা মহারাজনা পাঙ্গেল টোপী অঙাংবা মথৈ পানবা অমা উপ্লগা সনা খুৎনা গাড়ী থোনা থোনা পাবুং য়েংহুনা নোক্লকথি পাবুংস্থ নেক্লা নোক্লা থুরম্মি। তাইবংজাম্বা অরামল পিক্কি অমা লৌরগা গাডী অনী থাদোকপিথি।

মতুংদা ঐগোয়না উ (উরাউবি) শাল্লবদা "সনাথ্যা ইবুঙো বগল বগল" উগী মরোল অমা ওইথি। পোকথি তুংইন মরোল অমস্থ—মীদই চাউবা তাইবংজাম লাইদই চাউবা সোয়ারেল।

থঙলকথি শিক্ষাদীক্ষা থর ফং জ্ঞানগী মঙাল থয় লাক্লবা মতমদদি "অচুম্বনা পান্দবা লৈতে জগত্তা থম্মোই কনা, পান্দবা সাবণীদি সারবা হায়বহুনি"। মহাত্মানা "অচুম্বা ঈশ্বরগী মশক্তি, ঈশ্বর অচুম্বগী মশক্তি" হায়রকপদা চুম্বগী অর্থ চৎপদ নত্তনা পোকথি থম্মোইদা অনুভূতি।

তাইবংজাম্বদ নত্তে কৈথেলগী কুপ্মে লৈ অতৈস্থ কয়া—মথল মথেল।

রাধামোহন, ভিতিমন—মথোয়সি থীনা মোৎলি। মমায় মমিৎ, মকোক মকু, মশা মউ উফুল রাইফুম্না পুমতৈ তৈ। মফি মরোল মোৎপা থেংঙি—শেগায় তুথায়বনা নম্মি। লেংথেনবা য়াদে, হক্লম, ফিমম, হমাং মনপ্পা নুম্মথিবনা শিদোই—লৈশনম মপীনি। চাবা থকপা থোইনা থিদবদোনা ভৌই। রা লান পঁঙাও ঙাওদে। মথোয়না থোকপা অমা ভৌহুনা পঙলেঙ মরে। জগত্তা লৈনা জগৎকী রাংযদা পানবদোনা ভৌই, ত্রিতাপকী মৈশা মস্ত লাংদবদোনা চৎলি।

নোংমনা, মথোয়গী মতৌ চুম্বা পঙমেংদ য়েংঙি, মোংমুনা মথোয়গীদমক

হুণ্ডাইতবগুম ভৌই। ভাইবংজাবহোয়দোনা নোক্লীংবা হুণ্ডাইবা পীবদি থক্ তৌদে। য়েংবদি অতুম য়েংঙি, য়েংদবা থক ওযদে, থঙদে কল্পিননো।

বুদ্ধি থর থর শোইরোম্বা পঙলাঙদ লাঙবা পরেংস্থ লৈ। লাউই অমুনা, কাস্ত কৌই—

কাস্ত ঐগীদি পৈশা পীবনা বাবুনি,
ফি ফজবা শেৎপনা বাবু নত্তে,
পৈশা পীমু বাবু হায়গে।

ফংদবস্থ নত্তে, ফংঙি অতুম অমনী। পাথং মচাশিংনা "বাবু ভয়ায়ক পৈশা অমা"। মহাক্না মথুৎ থেক্নুনা খোম্লাং হাপ্নুনা নোঙ্গি নোঙ্গি মঙক হাইরং-হাইরক্নুনা "বাবু, বাবু ... ..." কুম্মৈনি, নোকপদা পুক্লী তিংঙি।

গিরি মুলিন মুই, ফৈজোম কোয়েৎ থাদে থক। মধুমন্ত্র পায়। মশা নম-থরগা মথোঙ ব্রাংনা ব্রাংনা ব্রাং-না থাং মমিৎ মনা মকোক মরু য়াওনা তায় হেক হেক কাপ দোকান মমাঙ পরেংঙদা শকই ইশৈ—

বংশীবদন ভাবে যদি—
রাধে রাধে গো !
মুরলীবদন ভাবে যদি—
রাধে রাধে গো !

কুম্মৈনি হুণ্ডাইপ্রবা। তাই পৈশাস্থ অতুম লাইনা তম্বা অমনী।

হুপীদস্থ কৈথেল থোকপী অঙাওবী কয়ানি। বামন ইবেম্মা বামন হুপীনি, মমিং ইবেম্মা কৌবনি। নহা ওইরি, মফি লাইফদিবী শানা শেৎলি। মীনা "ফজদা বামন ইবেম্মসে" হেক হায়বদা মকোক্তী ফি মতোম্না মমায় থুমহুনা "হিহি" হেক নোকই। বোরা হুরানবি হুম্ববীনি। নাউদা ফুংগা অমম্ভী শীজনি, মচা শিবদম্ভী ভাওথিবনি হায়। বোরা হুরানবি হেক হায়বদা "মচোঙ মপাক ইনায়-নায়ত্নুনা, শীজ ঐবো" মচু হেক পৈ। য়েংবদা কুম্মৈনি। থুাজদম্ভী হুণ্ডাইবদি মোদোলৈ অঙাওবীনি। মীয়ামদি থীনা চল্লে। অতুমু মশা রুউদি কৈ। মচু পাল্লি, ঈ থাংনা ভোই, মচু লুংঙি, মশা নাল্লি, মকোক মরু কাংমুক নায়া ছাংলি, মশম শমজি মমৈ য়েল্লি। মশা ফুল্লেমরপ ভোই, মবায় শেংপোই

শঙ্কানি। উরৈরোম শঙবা ফনেক শেৎলি, মখ্াঙ ইনফি অঙৌবা অমনা থাঙজেৎ লাকই। মখ্াঙ থিক্তং পোল্লপ ত্তৌয়ে, চৈস্ত অমা পায়। ভোনম্মা হায়বা পাথৎ শরি অঙাওবা অমগা পান্নে। মাস্থ মশা নাস্লি। কৈথেল স্থপী হৱাউ তম্লাম পাম্বীশিংনা পৈশা থাৱগে ইশৈ তারসি হেক হায়বদা চৈস্ত থন্নগা ফিভম সেমস্থনা শৃদ্ধারদা ভোংস্থনা মমিৎ মনা মখূৎ মশা য়াওনা মশাগা নীক্নূনা শকই—

ধন ধনতা চোবা,
ধন-মূৰ্ত্তিকা পুম্বুম্বি
কেন্দ্র কোকফাইশৌ।

মহাক্কা পান্নবিবা অঙাওবস্থনা মাগী মতৌত্র উবদা "হৈমা অঙাওবীসিদে, হৈমা অঙাওবীসিদে" হায় মমিৎ মনা স্লং। অত্থনা মহাউ অমুক হাপ্লি।

লোইবা নত্রি অসিদনা কৈথেলগী কুম্মৈ, লৈরিবনি অতৈম্ব স্থঙাইবা ঙাক। অত্থবু, শাংথৱস্থসি, ভেনশিল্পসি অসিগ্নাইদা অস্থম।

অম্লুক মোইয়াংথোমদা নোংমগী অমুক হাজিৱা শোয়দবগুম স্থংথিল লেন লম্পাক্তস্থ শোয়দে অস্থম। লেন লম্প্াক পুলিস লাইনগী লম্পাক হায়বনি। ঙসি মণিপুর রাইফল লৈরিবা মফমসি ঐথোই মতমগী এস-এম-পি-গীনি। এস-এম পি, বৃটিশ ইন্দিয়াগী আরমড পুলিশকা অমস্তনি। ইন্দিয়ান ইন্দিয়াগী ওইবস্থদা মিংথৈদা থিক্তং থৈরুবদনি। পুলিশ লাইন্না তশেংনা কনবা লমদি হুয়িং থোঙবাল ফাওদনি। হায়রিবসি থায়মঙৈ চাউনা চেনবা থোংলম্মনি হায়, অস্থবু, ঐথোই মতমদদি মচা অমা ওইনা চেল্লম্লে। ঙসি রাইফলগী থাগী মচীন অসিগ্নাইদা হৈগ্নাম লাইস্রেম্মগী খুভম নুংগা উকোনগা কোম্ননা লৈরম্মি। খুভমস্থগী অৱাং লমথৈ ওইনা চেল্লম্বনি। লাইস্রেম্মগীনা মনীং লৈপোক-কৈরুংবগী দালানগীনা মমাঙ ওইরপ থোক্লা টাউন ক্লবকী ফুটবল গ্রাউগুনি। গ্রাউগুস্থ-দনি ঐথোয় অঙাংগী স্থংথিল রাথোকফম।

টাউন ক্লব—হোকী-ফুটবলগীনি, য়াইস্কুল পনপাক্কী মীনা য়াম্মি। অরাপ্পা লমশিংগীম্থ অস্থম ময়াওই। ৱাংথৈ, উয়িপোক, শগোলবন্দ, কৈশামথোংনচিংবগী মীস্থ কয়ানি। ঐথোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতম্নসিদা য়াম্না কন্না শান্নবা হৈম্থ হৈবা মীশক থৱাদি জহরালী (হৌজিক্কী এডুকেসন সেক্রেটারী হেজিম চৌধুরীগী মম্লাবা অহস্লি, ঙম্না লৈথিদে), কপী (বামাচরণ রায় বাহাদুরগী মপূনি, মশাম্থ

ট্রেজরী অফিসার ওইরম্মি), হুইদ্রোম থম্বালঙো (স্বুবেদার মেজর মেঘচন্দ্র সিংহগী ময়াম্বশিংনা পোকপনি, ঙসা লৈখিদে), হিজম ইরাবত (পঞ্চায় মেম্বর ওইরম্বা, তুংলমচত্তনা নেতা ইরাবত হায়না ফাওখিবা মীশক অমনি), চোংথাম ইবোয়াইমা (শীংজমৈ চোংথাম লৈকাইগীনি, ঙসা লৈখিদে), পাউনম সনাজাউ (জিমনাষ্টিক্স কী ইনষ্ট্রক্টর ওইরম্মি), হিজম অঙোবা (নিংথৌফি মেম্বরগী মচানি, মশা রেজিষ্ট্রেসন আফিসার ওইরম্মি), শরোখোইবম যোগীন্দ্র (ঙসা লৈখিদে), ময়াম্বা ললিত (পঞ্চায় মেম্বর ওইরম্মি), ঙাংবম শ্যামকিশোর (নিংথৌ-পনগীনা হাইস্কুল-লাকপনি, রাজ-সরকারগীনা পঞ্চায়গী চেয়ারমেনি)—মথোয়শিং অসিনচিংবনি।

ঐখোয় অঙাংশিংনা হাজিরা কারিবসি মথোয় শাম্নয়োয়শিং থম্ব থোমক্লবা হৌবা, ময়াম লাক্তিঁ তাল্লক্ত্ দা মিনিট অমনীদং ঐখোয় অমং অমং পঙ্কাওদ-কাওদুনা শাম্নহৌবা, মথোয়মা শাম্নরবা মতমদা লাইনযেনগী মতম বল ফাবা, ফাবগী ওহাক হুংঙাইবা, শাম্নবা লোইদুনা মথোয়না পোথাম্বিঙৈ হমাং হজ্যোফিঙৈ ওহাক অমুক শাম্নহৌবা অদু মিকাপ্কবদগীনি।

ঐখোয় অয়াম্বনা স্কুলদা মিং চল্লুদুনা ছাত্র হায়বা মিংথোল অমা পুরুম্ববনিনা ঐখোয়না চৎলিবা, তৌরিবা পূম্বসি একষ্ট্রা-ম্যুরেল কো-করিক্যুলর এক্টি-ভিটিজদা চনবদা থোইনা কায়নীঁঙায় লৈরোই। ঐখোয়গী পঙ্কাউ ওইবা এক্টিভিটি কয়ামন্থ লৈরি। পূম্বক নম্রবস্থ অমনীদি লাচনবনা চুম্রা থম্মি।

ঐখোয়গী পুনশি মঙ্গংসিদা লৈবাক্কী অচিক-অশাসি য়াম্না থীনা ওয়ে। লাংবন্দা ঋভুশিংনা "ভ্রাতর ভ্রাতর" হায়না কৌনা কৌনা লৈচিল খোঙ্গনেৎননা কুম্নকই হায়বস্থু চুমদৌনা তৌরম্মি। তর্পণ মতমদা লৈচিল থাবা হৌরে। মেম্বাদদি অমুক্তা সোর হোনবদা লৈচিল পোকপা হৌরে। হিয়াঙ্গৈ পোইন্থগী থাম্বৈ, থাগোক ওম্নরকপা অতুম্বাইদদি লৈচিম্না পূম্বম অপুম মমে, মী চৎপা উনম্রে। পোইন্থ য়াকচাৈংদনা উন মশক উনা তাই, থোমদুনা শাম্নফাও য়াবা মতম লৈ। য়াওল অসিগা লোয়ন-লোয়ননা মেয়া ঈখোজা, য়াকচাৈংগী নোং হায়না থঙ্কনবা নোংফম অনীমস্থ চৎলি। অহানবগী নোংকমসিদা ঈচাউ থোকপম্থ য়াওদবা নত্তে, মেয়া ঈচাউ হায়রৈ। অনীম্থবগীসিদি লাংকপ লাংকপ্ত তাগল্লি। তাদবস্থ মস্তে, লৈখোম থোক্না তাবম্থ মস্তে চৎনৈ। শাম্না,

অচিক-অশা নোং-মুংশিং মতমগী য়াওয়চিংবা থিবিক্তা মহৌশাগী পথাপ্স অকায়বা থোইনা লৈতনা চৎলি অদুম।

মৈয়া ঈংথোযা মতুংদদি ঈংবসি ফনা হেঞ্জিল্লে। তুরেলসু ময়াং অসুম অসুম কংথরক্লে। ইয়েল ইরেলগী ময়ক তোৌবৈ তুথুপশিংদদি থরম্ব মতৎপা, থরম্ব ভৎলি ভৎলি মচেনবা মওং অমা লাক্লে অদুম মতুং ইন। মতম অসি-ৱাইদগী য়াওশংগী অদুৱাইফাওসি ঐথোয় শিকার হেক্ক হেক চৎলি। শিকারদি ঙাগীনি—ঙা অঁতেগী নত্তে, থজিং অচোবা ৱাইথূ-মথোঙ পানবিগীনি।

অচৌ-অশাং সাহিবলোগশিংগী শিকার মওংগা ঐথোয়গীগা মায়দে। মথোয়গীনা ঈশিংদা বোম কাপ্পগা ঙা ফাবনি। মফমসু চকপি, ঈরঙগুপ্পা তুরেন্দনি। ঐথোয়গীনা অনকপা ইম্ফাল তুরেলগী ঈতুপ নোংথোনবা ইরেন্দগী পাউনা ইরেন ফাওবসিদনি। ঈসুংগী অঙংবনা থোদোয়ক্কপনি হায়রবসু য়াই, অয়ুক্তী ফুংশা তবুম তবুম্বনা থেমগৎপনি হায়রবসু য়াই, লৈচিল থাদবা ফুংশা ওস্তা থোকপা অয়ুক্তা ঐথোয় হায়রিবা ঈতুপ অসিগী তুখুল পরেংসি থুংনা চৎলি। থজিং অচোবা থোঙশাংবিসি ঈচীন্দা কূন-কুম্নুনা লৈ। মথোয়দি মশাঙ্গু থিংবা ৱাৎলি। ঐথোয়গী ইনিল ফংদুনা থর কূমথপ্রফাওদসু ইম্ফাল তুরেন্দি ইঙৌনিনা অদুম উই—অদুম ফায়, নত্তে, অদুম খূল্লি। অসুম খূন-খুম্নুনা চৎপনা পাউনা ইরেল য়োবদদি ঐথোয় থূদিংগী ফিগাও অদুম থল্লে। হল্লকপদা কৈথেল অওম্বা থেংনরয়ে। ফৌদাইভমদগী চক্ক থোমলে। শিলেন-পাৎ মেজর পুত্রী মপান্দা মৈ হোত্নুনা লোইনা লৌয়ে। থুময়োনভমদগী থুম থায়রুরগা থঙন-চায়বা অউবমথৈসু কৌশিন্নুনা হেক হেক চামিয়ে—ফুঙাইনৈ।

শিকার অমসু লৈরি—উচেক্কৌনি। অসিমসু অচৌ-অশাংগীগা অদুম থেয়ে। মথোয়গীনা লোক্তাক্তা, ঈকোপ্পা, থরঙদা, পুমলেন্দা ঙাসু কাপ্পনি। ঐথোয়গীনা মহাবলী উমংদা চোঙা অমুবি মচা য়োক্কবা ফাবনি। ফুঙাইবা অমা হায়বা তাই ঐথোয়মক্তৌদি। চোঙাগীসু জীবনিনা হিংনবা মশাগী ওইবা জ্ঞান অদুম ময়ে। মচা হেক হেক ফায় হায়বা থঙজুনা অকোনবা উগী নত্রে উশাগী মথাগী উথ্ম অহোবদা মকোল হেক হেক সাই। ঐথোয়সু ঙম্বা অদুম হোৎনৈ। ঐথোয়গী খূদৈ ময়াম শমজিন্নুনা থৌমী সাদুনা উদা য়াৱগা ফাদুনা অদুম ফায়। থৌনাগী পঙাউ অমা ওইনা থোকই মাদু ঐথোয়দা, লৈত্তে অদুনোং হয়াউবা ফুঙাইবগী ঙমথৈ।

লীলা—

মতম অসি লীলা য়াম্না তাঁপ্তি। তাঙবা হায়ববু অমথক্তনি, হরিশ্চন্দ্রদনি লৈরিবা। ভেরাকৈথেল-লোমগী মীনা হৌদুনা লিংবদোনা ভৌই। মতমগী য়েংলুরবদি ফনবু হৈনা শান্নবা লীলানি, লীলা মশাগী য়েংলুরবদি মরম মপূং অয়াম্বদা থীনা অদুম শোয়রবনি। হৌবদগী নাতে ইহো হোনা অদুম চৎলবনি। অহানবা লীলামণ্ডল চণ্ডলকপদগী অদুম শোয়বা হৌরে।

"জয় জয় অযোধ্যাপতি
হরিশ্চন্দ্র মহারাজগী জয়"

হায়দুনা জয়কার ভৌবগা ইশৈদি "জয় রাধা … … ." হায়না রামভাল পায়বা অচম্বা কিজোলকাও সুদবা নীপা অমনা শকই, মহাক্তুম্বা অমনা ঢোলক রৈ। মথোয়না মাঙ থাদুনা নিংথৌগা মন্ত্রীগা লোইনা চঙলক্লিবনি। অদুবু, অঙাং অহল লোইনবনা অঙকপা হুড়াইবগা লোয়নন: য়েংনরিবনি। অদুগুম বিশ্বামিত্রনা মখুৎ চনগে তাল্লকপা ত্রিবিদ্যাবু লৈ থিরুসি হায়নহন্নুনা পুথোক্লকগা বন্দা লৈ হেকহল্লি। মথোয়না লৈ হেক্লিঙৈ লীলাগী ওর্কেস্ত্রা পুমশক শকপা, লীলাগীদমক থোওইনা তুবা ফুল সুট অমুবা শেৎপা নিপা অমনা বেহালাদা শকই—

সুখের কুঞ্জে কেমনি একা রহিব
… … … … … ..

ভাবুক লোইনা মুল্লি অদুদা অদুম—লাউই পেল্লবা থম্মোই কনানা অপেনবা ঊথক ফাঙমদ "ভালো ভালো"। শিম্ম সাবনা মমায় মমিৎ হামুক সুম্মু থম তৈশিল্লগা বিশ্বামিত্রনা জলপান তৌরিঙৈ নাতৈ ইহো হোনা

মন্দ মন্দ চামরে
মুনিগী মথোয়দা হল্লিংনা চীক্লে

হায়দুনা মাগী লেংয়াল খুদৈ মচিনা হুম হুমদুনা শকপদা ভাবুকী হুড়াইজবা অদুম থেংলবনি।

অসিদা কাগি পালা অমগা লৈরি। পাঙলবগী কাগি হায়না চৎলি। নিংথৌ পাল্লিঙৈগী অকাওবা য়োংশবিগা হেক শন্নবনি। অহলমরদি য়োংশবিদ হায়, পাঙলবা থানদে। মরম পঙমুন মুম্নদি থঙদে, অদুবু, য়োংশবিনা থোনচোপ সুদবা পাঙলবনা শূবগী মা ওইনা ভৌই। ঐথোয়দা থঙবা পাঙলবগী জোৎ

অমনা অঙম অথৌ, লৈবাক্তী মপক নাইবা মীশিং অপয়ে হায় মতৌ থীনা ভণ্মি হায় পুথোকপনি। খঙনা খঙনা খিংবস্থ ঙমদে। সনামাওদা ইহান হান্না উৎপন্না পাম্মন্নুনা নোক্ত্‌না অদুম থাদোক্লবনি।

ময়াম্বুংহল মওং চাহনা নোয়, মবুক থীনা কংঙি। থূদৈ উৎয়েরোম শঙবা শেৎকল্লি, মবুক্লা মাদহুনা থজীন্দা শেৎলি। উয়েরোম শঙবমস্থ মানগল্লি, মা ঙাঙবদা ইপাথোয় হায়গল্লি। পুক্তা ওংদা চপমাম্নবা পাঙনব-পালাগী অকাউবা অমুথোইনা থূদৈ অঙাংবা অমা থজীন্দা শেৎ অমা লেংদা মাল "ইপাথোয়, থেঙলনি, হৌনবা তৌবসি" হায়দুনা হেক থোকপদা মী পুম্নমক পুক্লী অদুম তিংলবনি।

মোইরাং পণ্ডিত অচৌবা মহিষাসুর মাল্লি হায়দুনা মোইরাং হিংচাবি হায়না চৎলি। অফাওবা কোলু থোঙপাক্লা মচাগী লুহোং মুমিৎ য়েংবদা গ্রহণ (গ্রহণ) গী বাফম অমা লাকথি। "মাহুত্বু হুমিৎ অদুদগি লাকপিয়স্থ হায়নাঁ ঙিদা, যুমাক শাগৈদং খঙলবদি থিরুবস্থ মাবনিকো" লোল্লি। পাঞ্জি সাবা অমুথোইনা "হৈয়া নথোয়দি মাহুহোয়গী যুমাক খঙত্রিবোইয়ে—মোইরাংথেম্নিনহৈ" হায়-রকই। অাবুক পুক্লী লোইনা তৎপনি।

অদুনা লীলাবু তৌয়বা, ফাগিবু হোয়বা থেঙবা খঙদে ঙনবা খঙদে, ঐথোয় লোইনবা হাজিরনি।

ওম্নাঙ লীলাদ নত্তে তাঙবা, স্টেজ-লীলাস্থ অদুম মতাঁঙি। বাণুপাড়াদা চহীগী অমুক দূর্গাপূজাদা শাম্নে। এড়ুকেসন মেম্বরগী শঙ্গায়দস্থ এড়ুকেসন ডিপার্টমেণ্টকী ওইনা সরস্বতী পূজাদা চহীগী অমুক্তং শাম্নে। লোইবে অদুনা।

এড়ুকেসনগী লীলাসি মেম্বরগী অৱাং গুরুশঙ অচৌবদা কা অনীগুম্না ফক্লেল থাজিল্লগা ভম্মি, অঙাং অমস্ত চঙহন্দে। অদুবু, ঐথোয় অঙাংনা মাম্না য়েং-নীংবদ্দা লাইনবু হুংশিবিরুবরা খঙদে, মথোয় লীলাগী মীথিৎসি মমুম অম্নাম্না মাওবনা হুংথিল অথেংবা সণগায়কপা মতুংদদা স্থই, লীলা কম্না ভম-থৎপা মতমদদি হেক্ক মশ্মি। অমঘনা ঐথোয়দা য়েংবগী থুদোং অদুম পী। ফক্লেল মথোঙদা ভুমিন্ন ভুমিন ফম্নগা কাথাঙওবা থাঙ মচা অমনা মিৎ মপ্না লোম্না থিৎ থিক্তং হুৎলগা হেক হেক য়েংঙি। অদুনা লীলা তম্বা হৌবদগী শামত্রিঙে মঙ্কংসি ঐথোয়দা হুমিদাংগী প্রোগ্রাম অমস্থ অদুম থোয়জিজিবনি।

ঐথোই মতময়তুদা ঐথোয় য়াইস্কুল পনপাক্কী অঙাংনা কঁপ্পা ওননা, কাপ্পলম-চাদবদা খ্বায়দগী থেংবদোনা ত্তৌই। ঐথোয় স্কুল কয়া থোওইদে, কানীংলগা কায়, কানীংদ্রপা ত্তোকই। ঐথোয়গীদি পীথ্রিবা প্রোগ্রামস্সিনা অরুবনি। কায়বা য়াদে, কায়দে। ঐথোয় অনী অহন্নবদং হেক স্নয়বা, অমনা ঙসিদি অদু ত্তৌগিনা হেক হায়বদা অদুম লোইরে—ত্তৌরবনি নোংময়তুগী থোক্লূবা অদুম।

ঙসিদি মতমগী লাকোল ফাক্লূবদা অঙাং ওইরিঙৈ পুনশিগী হুংশিথিবা মরুপ পৱেং নীংসংস্নু কাওরি থম্মোইদা নৌহোনা কায়নবগী চৈনা। থরদি মতম চাদনা কেনবা হৈ-লৈশুম ঙক্তা ঙক্তা লৈথিদবনা থম্মোইদা মৈশা থোইনা হেন্না লাংথিবনবা থঙদে, মতুম মতুম মথং মথংদুম মাঙদা শংশং শংশং লোপ্পব-দোনদুম ত্তৌরি। শাংলবা চহী হুম্ফূ তরেং-নীপালগী হুংদা ঊনররি লোন্দি-রথিবা হৈরাং মশুং তাদনা চৌক্লূনা চাম্মিরথিবা থোকচোম হাওমচা শঙলাকপগী মশূ মতুম, ঙাংবম যাইস্কুল লাকপগী মনাও ইবোত্তোম্বী, চিঙাখম নোংথোনবগী মশূ সনাজাউবা, শোগাইজম মেম্বর অহনগী মশূ সনাজাউবা, সনাত্তোম্বা মচৌম্নাউ।

থোংলি মদোম থম্মোইগী পেনা, শক্তি অবেম্বদা কাম্নদ্রবা ত্তেংথাবোল—

কেন্নি তক্তে লৈরাং কয়া
ইঙুং পুঙ্গোয় লানঙমদ,
কেন্নি তুগুম হৈরাং কয়া
হৈরাং হৈজিং ফাঙমদ—
তদেক তদেক তনৌ তনৌ
তদেক তদেক তনৌ তনৌ।

থঙদে মালংবনা শাথিরু কেনবরা
নঙ্গে নোংদম্বনা লৌথিরু শোয়বরা।
অমবু ওইরে অদুম ম্নারৌই,
মীনিনা হেক্কবু ম্নাকৎনীঙি—
মালংবা থঙদে
নোংদম্বা থঙদে

অময়বু ওইয়ে
অময়বু ওইয়ে
করি অদুক শাথিরুই,
করি অদুক লৌথিরুই!

ঐখোয়গী এি ক্টিভিটি পঙ্গাউ অমনা য়াউগং কোয়বনি। য়াউগংবু বৈষ্ণব সম্প্রদায়না দোলযাত্রা কৌই। গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়দদি গৌরপূর্ণিমা হায়না খোইনবু থঙনৈ।

গৌরপূর্ণিমা—

প্রেমাবতার গৌরাঙ্গগী জন্মতিথিনি। গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী খোই-খোইবা পর্ব্বদিন অমনি। তিথিসিগী পালন ঐখোই লৈবাক্নিদদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হোলিগা কোন্নন হৌদোকপনি। হৌজিক্তক্তি য়াম্না থীনা শিথরে। মহারাজ চুড়াচাঁদ সনা হাক্তক ফাওদি অঙকপা ফংনা চাউনা নাংথিনা চৎলি।
গৌর পূর্ণিমা লমদাগী পূর্ণিমাবুনি। তিথিসিগী পালন শুক্লা একাদশীদগী কৃষ্ণা পঞ্চমী ফাও চৎলি। একাদশীদা সনা পালানা গোবিন্দগী থৌগল কায়। মথং মথং পানাগী, লৈকাইগী, কোর্টকীনচিংবা পালা কয়া কয়ানা চাইগী মতুং ইন নোংমা নোংমগী থৌগল কায়—তৌই। কৃষ্ণা প্রতিপদ ঙুমিত্তদি হোলি পালা লোইনবা, কুন থঙদে কুম্থ। থঙদে, কায়। মতম অকক-অক্কক্না কাবা অহান-অকোন মতুংইন গোবিন্দগী থৌগন ভৌই। পিচকারি য়াম্না কাপ্পি। ভাবুক থঙদে পালা থঙদে, "লালহি লাল"নি। ঙুমিৎসিগী ঙ্গাইবা অমনা, অথন্নবা পালা অনী অহুম মণ্ডপ মপান্দা শঙ্গায় ঙম্মাঙগুম্বদা সনা মাঙদা কবি লাউনবনি। কবি লাউনরিঙৈদদি কৈ। মহাজন পদাবলিগী আবিয় থেলগী পয়েংদা ফজবা কাটান থেৎ-থেক্তুনা মহৈ হেক হেক পুথোক্লবগা মাতাম্না হেক হেক লোইশিন লোইশিল মহৈ ভান্নবনি। "থয়াব" হায়দুনা নিংথৌ গুপা থৌগল কনানা লাউরক্লবা লোইরে, লাই হরাউরে অদুম। অমগী শৃঙ্গার মতৌবু য়েংগদ্রা, অমগী শৃঙ্গার ময়োলবু ভাগদ্রা, নোকপদা তৎকদোরবা পুক্নীবু ফাগদ্রা—তৌভমগা থঙবা নত্তে। কৃষ্ণা পঞ্চমীদনা বিজয়গোবিন্দগী মন্দির লম্পাক্তা হোলি লোইনা কায়। গোবিন্দগী মন্দির মণ্ডপ্তগী হৌই, বিষ্ণু

লেঁঙি। মহারাজমা সনা পালা চিংঙি, থৌগলগা সম্পোৎকা লোইনা স্নই। শগোল শামূফাও চিথদে। শগোল্দি য়াইশফাও চৎলি। সম্পোৎকা বাজাইগা সিফাই পরেংগনা মাঙ থারগা হোলি পরেং পরেংনা অকোল অহান নাইনা তুং ইল্লি। কোকথক্তা পাই মচু মচুগী ফিবাল পরেং পরেং। চৎলি লৈমায়দনা মচু মচুগী ফিজোল পরেং পরেং। হুই ভাবুক্কী পুন্নীং, থেংঙি মিৎকী কূমৈ। পুং শেন ইশৈনা নোংথক নোংথা নিল্লি পূন্নিল। বসন্তগী হেদোনবা থম্মোইদা থোঙলৈ চানা পী তাম্বা। অঙকপা নীংথিবা কুমৈনি। হোলি পরেংনা মন্দির য়োরমদাই, মতেক থরগাদি মথৈরিবা মতাং অদুবাইদা বিজয়গোবিন্দগীনা গুরুনা পুশিল্লি।

বিজয়-গোবিন্দগী মন্দিরদা হোলি কারিবসি ব্রজমণ্ডলগী বরশানগী মতৌ তম্বনি। হলংকারগী দময়ি। হলংকার হাযবসি রাধাকৃষ্ণগী প্রেমলীলাগী নৈমিত্তিক লীলা অমা তমদুনা শান্নবনি—নিপা ছুপী মথাম হেদো-তযান্নবনি। অদুনোং, বিজয়-গোবিন্দগী পালাদি নিপা ছুপী অনীনা সাই। মগী ফুংগাগী লৈরশিজ নহা ওইবশিংনা ব্রজমাই সাদুনা চৈগুগা চৈগুগা পরেং পরেং শরক য়াই।

হলংকার শান্নবা—

গোবিন্দগী পালাগা বিজয়-গোবিন্দগীগা অনীনা হলংকার শান্নৈ। অতেন সনাকোন্থং থুংবা অকোন-অহান নাইনা চুম্না মতেক অমথম অকন্ননা থোগল তৌই। হলংকারগী মতম থোইনা অকন্নদে। মখক অমদা মহাবাজগী সনা পুক্লীং মতুং ইন অদুম শান্নৈ।

গোবিন্দগী পালাগা বিজয়-গোবিন্দগীগা মায়োক মাযোক ইশৈ শরৈ। সনাকোন্থংদা কবি লাউনবগুম্বনি। থবাব তা তামৈ। অকাম্বা ফিভম, অকাপ্পা ইশৈনা ব্রজমাই সাবীশিং লরৈ—হেদোনৈ। ব্রজমাই-সাবিশিংনা ইকাইখুম্বা তান্ন-তান্নদুনা চৈগুনা অফং অফং কুই—হেম্মোইনৈ। থীনা নানা শোকপা, ফিরোল শেগায়বা, পূংমায় তৎপা হোবা য়াওবা নস্তে। কন্না শান্নথৎলকপ মতমদদি ভাবুক্কা মশাম্বু অঙাংগুবীম্বু চেক্কশিন্নৈ। অমুক রং-বা কাদ্বব অমুক গুরুং-গুরুং হোচিনবনা হলংকার মশাগী ওইনা অদুম চৎপনি।

গৌর-পূর্ণিমাগী তিথি পালনবু য়াউশং হাযনা থঙনরিবা, শঙ মৈ থাবির,

পালনসিগী উপলক্ষদা হোলিনা তয়ায়রিবা; হোলিদা পিচকারি, আবির শায়রিবা; পিচকারি হুমিত্তগী হলংকায় ফাওবা আবির তৈনবা, নাক্তা থেংবা, ফি ।মুনবা, থাবল চোংবনচিংবা হয়াউ-তয়ায়রিবা—পূয়মক অসিনা হুমিৎ অসি হিন্দুগী ধর্ম-পুনশিদা মশক য়ায়া নাইগুবা, হুমিৎ অসিদা পালন কয়া পূনবগুবা মওং অমা চৎলি হায়বা অতুম উই। য়েংসি—

দোল পূর্ণিমা—

হুমিৎসি গৌরাঙ্গ-অবতারগী অা মমাওদগী বৈষ্ণব-পর্ব্বদিন অচৌবা অমা ওইদুনা লাক্লবনি। শ্রীকৃষ্ণনা দোল শায়বা হুমিৎনি। দোলগী অর্থ অনী চৎলি: অমনা—থৌরী-কান্দোং শায়বনি। অমা শাংনা চৎপা উক্তা অচৌবদা থৌরীনা ফাল য়াল্লগা অতাংশিংনা শিয়-শিয় ডোং, হেক হেক লৈছোবশিংনা ঈন হাইদুনা শায়বনি। মশায় অসি গোপালকৃষ্ণগী নৈমিত্তিক লীলাগীস্ক অমনি। বৈষ্ণব সম্প্রদায়না থবানগী শুক্লা একাদশীদগী পূর্ণিমা ফাওবা ঝুলন যাত্রা হায়না পালন তৌই। অমুক অমনা—হোলি হায়বনি। হয়াউ তয়াম থওনৈ। হলংকায়না মপুংনি। মাসিমস্থ গোপালকৃষ্ণগী নৈমিত্তিক লীলাগী মচুং চনবা অমনি। বৈষ্ণবশিংনা দোলযাত্রা হায়না ফাল্গুনী পূর্ণিমাদা মপুং ওইনা পালন তৌই। তিথিসি অদুনোং দোল পূর্ণিমা হায়না চৎলি।

মেষাসুর—

শ্রীকৃষ্ণ পূর্ণ ভগবাননি। দ্বাপুরদা রজোগুণগী অতিবৃদ্ধি থেংথি। পোকথি ভুংইন আসুরিক বৃত্তি। পুওমথিদে পাপকী পোৎলুম পুহৈবী থাওহেবী ধরিত্রী। অদুনোং লাকথিবনি ভগবান। খোওদাবনি মালেম কংসগী কারাগারদা, শায়বনি বাল্যলীলা ব্রজভূমদা চহী তরানীথোইগী মতাংফাও। নারদগী মরাথং, যোগমায়াগী মপাউ—অনীদগী থম্বি কংস গোপালকৃষ্ণ মহাক মশাগী মৃত্যুনি। মশানদি মৃত্যু থেংনবা হিবনিনা মাগী অকিবা কোকপা ওন্না য়েংগে থল চহী তরানীথোই সিদা মনাই মায়াবী কয়া মায়াবিনী পুতনানা হৌদুনা থায়কথি। পুতনা অওকপা শক্তি পুবীনি। শকট, তৃণাবর্ত্ত, বক, ধেনু, কেশী কালীয় অকিবা শক্তি পুবা ওাক্লি। অসিনা লোইবা নত্তে, অতৈস্ক কয়ানি। মেষাসুর অকোনবগী পয়েংসিগী অমনি।

গোপালকৃষ্ণবু মথুৎ চনগে খজা দোলদা য়াওয়ৈ গোপালবালক সাজ্বনা যেষাম্মুয়। মীশিং হেনবদগী খিনয়কপদা চেয়ে অক্ষুম মহাক। ভাম্নবদা য়াউ ওন্দুনা য়াউগী শঙ অমদা চেনশিনগ্লগা উখিন্রে। য়াউখোঙ ভগ্না খিংলে, গোপ-শিংনা শঙ পুম্নকোয় কোয়শিল লেপ্পুনা মৈ চুয়ে। শিরে মৈদা অক্ষুম যেষাম্মুয়।

গৌর-পূর্ণিমাগী পালন্দা দোলগী খোদোক অসি নীংশিংহনা দোলগীম্ম পালন তৌবা ওইনা শঙ মচামা সায়গা গৌরচন্দ্র লেঙশিন্দুনা পুজা কৎলবা তুং মৈ চুবনি। অসিনোং গৌর-পূর্ণিমাবু দোলপূর্ণিমাগা পান্নুনা পালন তৌরুবদগী য়াউশং মৈথাবা, শগ্না য়াউশং হায়না খঙনরুবনি।

হোলি—

স্বায়ম্ভব মনু হাক্তক্তা পৃথিবী ঈশিংনা থীনা অকিবা ফংনা তাউই। মী লৈবা য়াদহুনা উত্তরাকুরু প্রদেশগী অন্নাং লমথৈ তাম্না চেল্লি। খা ভরুক ওাল থা ভরুক মম চৎপদুনা অমহা থা তরুক্কি য়াম্না য়্বানা লেল্লি। ফুইনা অকিবা ফংনা মম্নুরবা তুং ইফুং মঙাল তঙাং লাকপা উবদা থেংথি হুপ্লাইবগী পম্বেং। হয়াউ ভয়াম্নথি, হেদোনথি, হেমোইনথি। হুম্মিংকী মচু ভম্নহুনা সেমথি আবির—তৈনথি, হৈনথি। পোকথি অম্মম, হায়নৈ, হোলি অহানবা। কৎথিবনি অহুনোং ঈশ্বরদা আবির শ্রীপঞ্চমী হুম্মিং। শান্নথিবনি তুংইন লৈবাক, নিংথৌ পন অনীমক্তা বসন্ত উৎসব তাই মতোল।

বসন্ত ·উৎসবনা গোপাল কৃষ্ণগী বাল্যলীলাদা দোল হায়না চৎপদনি। অহুনোং গৌর-পূর্ণিমাগী পালন মন্নুঙ্দা শকপনি হোলি, শান্নবনি হলংকায়। হোলিগী মতৌ তম তৈনবনি লৈবাক্লা আবির, হৈনবনি মহী, ভয়াম্নবনি থাবল চোং, নাক্তা থেং।

থাবল চোংবা—

লৈবাক্কী হয়াউ ভয়াম মথলমনি। থাম্নঔেদি মতম থোইনা অকক্লবা লৈতবদোমা তৌই। থাবলদবু কময়া, লৈকাইগী নহা-ওইবা তুশীনিপা হৌহুনা ইশৈ নোংমাই শক্তুনা ভয়াম্নিয়বা, লৈকাইগী য়াইতোঙ থমদোংশিংগী মম্নুমদা ইশৈ শক্লা শক্লা চত্তুনা নাক্তা থেংবা, অকংবা শেন-থুমহুনা চাকচা-হৈজাক্লবা

অসি য়াম্না চৎনবন্দদৌনা তৌই। যাবাগুম্বা ভারত মহাসাগরগী ঈথক্তদি হৌজিক্কম্ চৎলি হায়।

থাবল চোংববু থায়নচৈঙদদি ঔগ্রি হংগেল, শম্না ঔগ্রি হায়না খঙনৈ। হোলিবু বসন্তোৎসব নত্রে দোল হায়বগুম্বনি। অরিবা লোন্দা থাগী মিংথৈ অমা ওগ্রো নত্রে ওগ্রো কৌই। থাবলবু ওথরী নত্রে ওত্রী হায়না খঙনৈ। ঔগ্রি ওথ্রীদগী লাকপনি, থাবন্দা শান্নববুস্থ অদুম খঙনবনি।

মৈতৈগী এহেলো লাইনিংগী অচৌবা উৎসব লাই হরাউবদা লৈসেম-নোংসেমদগী হৌনা থুনবান-লৈপানকা ওবা মীগী অরা-মঙাই-থোঙভমগী থোঙ্গল কায়দনা উৎপনা ঔগ্রীগীস্থ মশক্ক অদুম লৈ, ধম্মগী পোরোল চানা অদুম মচৎলি, থোয় খুনাইগীগা থর থৈনভম থোকপনা অদুম মতৈনৈ।

মতমগী মতুং ইন হিংবগী থোঙভম্না অস্থম অস্থম লুশিন্নকপা, বাথল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম্নচিংবা মরমশিংনা অস্থম অস্থম লূশিন্নকপা—পূম্নমক অসি-দগী অহোংবা মথল মথল লাকপনা এহেলো তয়াম কয়া শিন্নে, থরনা শিনিং-শিনিং হিংলি। অকোনবগী পরেংসিদা থাবল-চোংবস্থ অমনি। থাবন্না ফনা ফংবদস্থ চোংদ্রে থাবল হান্নগী মতম, চত্রে নাক্কা থেংবা। অদুবু হোলিনা কাইহৌদুনা হরাউ তয়াম পাম্বা নহারোলশিংনা চোংঙি থাবল, পেংঙি নাক্কা, মূল্লি ফি, চাকচা-হৈজানৈ।

শম্না, য়াউশং দোল পূর্ণিমাগা পানা গৌর-পূর্ণিমা পালন তৌবনি। দোলগী ময়াম পানা লৈবাক্কী এহেলো তয়ামস্থ শান্নবনি। লৈবাক্কী থৌইদগী চাউবা উৎসবনি।

ঐথোই মতমদা য়াউশংসি মঙানি তৌষা য়াম্না য়াওই। হৌজিক লম্বাঙদা দুর্গা পূজা তৌনবা য়াওরিবা অসিগুম্বনি। রারী তায়, কুম্মৈ-ফিয়োং য়াম্না তৌই। লৈবাক অয়াম্বগীদি নোংমতগীনি।

উচিরা অমসুং মৈবুল—

রারী রাতাই, হরাউ তয়ামশিংসি নত্তবা ঐথোয় অঙাংগী থোইথোইবা মঙাইবা অমদি উচিরা থাবা অমসুং মৈবুল হাইবনি। উচিরা ফুট তয়ামঙা তরুক শাংবা রাদা উচিরা মতোল য়াম্ন-য়াম্না মঙাং কাপ কাপ ই পুন্সুনা

সেন্নগ মন্দির অকোয়বদা য়ুংবনি। মৈরিম্না মথং মথং লামতুনা চাকপত্থ ঐথোয় অঙাংগী কুম্মৈনি হুঙাইবা। মৈবুন্না বানা মথোক পাশ্নুনা ইনা গদা মওং মান্না সাবনি। মথোঙদগী মভোনফাও মৈ থাঙনা থাঙনা চাক্লবা পৈয়া কুংলপ পুল্লি। মৈ চুরগা চেন্না চেন্না লৈনা লৈনা হাইত্নুনা শান্নবনি। মসিনা য়াউশংগী বারকপা পূন্নমন্তী তংথাই অমদি কোকপগুম থোক্লিবনি। মসিমক্তম্থ লাঙ্গ-ফাইরেলগী মৈবাউ চেন্দুনা কুমগী লম্মৈ থাবগী মমি অতুম মতাবনি।

য়াওশংগী থবক্তি ঐথোয় অঙাংগীনি। ঐথোয় অঙাংনা মপোৎ মচৈ লাওলগা মথোয় অহনশিংনা সাবি-থোৎপিবা, শীনবি-লাঙবিবদনি।

য়াউশং কোয়বা—

হান্নদি য়াউশং সাবসি য়াউশং মঙান্নি তকুক্লি লৈয়িঙৈদা লৈকাইদা পোৎ থায়রগা শাই হায়। ঐথোয়না থঙলকপা মতমদদি য়াউশং কোয়বা চৎনরম্নে। ঐথোয়স্থ তুংইন অতুম কোয়রে। শ্রীপঞ্চমী অত্নবাইদগী হৌই। হুংথিল থেং-লঙ্গদা ভোর্বাল থঙদে লমজৌল-লমথাই থঙদে ঐথোয় খুায়গী থঙনবি মফম অমদা ঐথোয় অঙাং লোইনা হেক্ত পূল্লি। থাঃ পালি নাইনা পুথোক্লে। হুংথিল অঙনবদনা লৈরক-কোনশাং কোয়না কোয়না চৎ, ভাঙ্গা য়েং বা, য়েংথো অমনী অমনী লোম্না লোম্না য়াশ্নুনা য়াউশংগী মপোৎ শাঁঙি, য়াচঙবদনা ঐথোয়গী পূনকমদা অকোয়বদগী শীং থিরগা মৈ তীকই। মৈ তীক্লা তীক্লা মরক মরক্তা হরিবোল লাউই—মকোক ওইবা অমনা হল্লি, অতৈনা খুম্মি—

হরি (হরি) বোলা—
হে হরি।
কনা কনা লৈ—
ঐথোয় লৈ।
শ্যামমালা—
উরীবৈ।
গন্ধরাজ—
চিগোংলৈ।
পুণ্ড্রীমপাল—
ফরোক্লে

লাইশং য়ম্মা—
সনাম্নে।

মায়গে খুদিংলগী অয়ম লাউনয়কপনা য়াচঙ-তিম্না শেৎ কায়দৌত্তম হৌই। তাঙাসিন্নাইদা চক চিংবা, ই পুবা গাড়ী য়াম্না লাক্তল্লি। লাক্লবদি, ঐখোয় লাউবা হেনগৎলে—মতো য়াম্দনবনি। মিৎ থৎনদ্রুনা অমনীদি অত্নুম লোম্না ইনম্লবনি। ই নম্পুৎ থয়, চক মপুল অমনী লৌহোবদি শোয়ম্রে।

য়াউশং কোয়বগী হুডাইবা অমা মুক্না তম্বা, শীংনবা, শাম্নবনি। যাত্রা শাম্নবত্তম থুয়য়ে, থূৎকা থূৎকা ওক্নে, লেম্না ফি শিম্নে। সোয় পুবা, লেং লৌবা, খোঙতম, ফিতম লোইনা তম্মি। কম্নাক-কোৎপি, নীঙ্গোং, লোংগ্রৌ, খূঙ্গোং, থা-শেৎপা—লৌ অয়ম্নুং থুমুক পুম্নমক তম্মি।

শীংনবম্ন কোম্মি। হরিবোল লাউবদা শীংনবগী ব্না খেৎলগা অত্নুম লোইরে। চুম্নগী লাউবগা মওংদি অয়মত্তনি, ময়োম্দ খেম্নবনি। চৎনা চৎনা লাউই হায়, ফম্না ফম্না লাউই হায় শীংনীংবা মায়গে হেক্ত শীঁ ঙি অত্নুম—

হরি (হরি) বোলা—
হে হরি।
কনা কনা লৈ—
ঐখোয় লৈ।
অন্নাং লৈকাই মচা মুক্না শাম্নসিকো—
হোয় হোয়।
নীঙ্গোংবা—
শেৎ শেৎ।
লোংগ্রৌনা—
দম দম।
কিয়ে কি—
হায়রো লাউ।
ওয়ে লাম্বা—
ভোয়ো লাউ।

শোয়ব্রবনি শায়বা থুনমক ছুম্বিং অয়া। মত্রবদি মশা মশা চোঙ্গি লৈকাই চেথেং ইকাইনৈ। শায়বস্থ কজ-কম্বনা শায়নৈ, পত্নিং-পথাপ অমত্ত ভায়নদে। থাবা-তুবা মশীংনা অওম-ওমদ লেপ্পে। ওয়ো অয়াং লৈকাইনা চৎথিনি লাউ-লাউদুনা—

ছুম্বি (ছুম্বি) বোলা—
হে ছুম্বি।
অয়াং লৈকাই—
থারে মুক্না।
থয়ে খুৎশি—
মথা লৈকাই।
মশা মউ—
কেয়ে কেয়ে।
মমায় ফিরুক—
খুয়ে খুয়ে।

ওয়ো ঐথোয়না লাউহৌনি মথোশিমক ঐথোয়গী ওইনা পান্দুনা অত্থম।

শিবরাত্রি য়োব্রক্লবা, য়াউশং নকশিল্লক্লবা মতমদদি য়াউশং লেক্লে। নোংমাই মমাঙদস্থ ওহাক, নোংঙাল্লমদাইদস্থ ওহাক ই, ব্রাচেৎ, পয়া, শীঁডুৎ-শীংনাং হুবা চৎলি। অচাবদা চু অমা হিংত্রে ঐথোই খুত্তা। মতম অত্থগী ফজবা অমা— অয়াম্বনা মপোং মাঙবদা থোইনা শাউনদে, কনাগুম্বা অশাউবা য়াউয়বস্থ অমনা "চাগে ভোবস্থ নত্তবা, অঙাংনা লাইগী থম লৌথিববু" হায়দুনা অত্থম মথেমজিনৈ। হুয়ানবা ফায়কাও কু-চৈদে, পোত্তা লৌহৌরপা অত্থম লৈহৌই। ঐথোয় চু চাক্লবা ইমুংতুস্থ অত্থমঙায়, হুপী নহানা ইপা পাথৎ ভাঙ-শরুবস্থ অহল ওইবশিংনদি "য়োংনা চু উয়বু, থয় থম্বিয়ম্বিবসি ফবু কৈ" হেক্ক ছায়। অঙকপনি মতমত্থগী পুকচেল!

য়াউশং মনীং—

য়াউশং বৈ থায়ে হায়দুনা ঐথোয় অঙাঙী থবক হেক্ক লোইবা নত্তে। থবক মওংদি হোংলগা চিজবা পল্লেং অমা চৎলি। য়াউশং মৈ থাবা ছুম্বিংকী

য়াচঙ মতুং ওহাক্না নোংঙানবগী অয়ুক চাকচমাঙ অঙনবফাওগী ঐখোয় অঙাঙ্গী পেন নিবা মতম্রি। ঐখোয় য়াউশং থূংপু হৌদুনা চৎলি। অমংবা পেনগী শরুক অয়াম্বা চাকচাননবা থম্মি, থরমা কম্রি কম্রি থরম্ম চা-থকই, আম্বিরগা কয়িগাস্ন লৈ। মহৌ অঙাংবা থীৎলগা থাউ উতোংগী পিচকারি মচা মচানা অচৎ-অথোক পাথং-লৈশাবী থয় কাপ, অঙবা ফুপীমচাশিং আবির থব তৈ, পিচকারি ফুমিৎ নোংমতুগী পাথং, লৈশাবী, মৌ নহাশিংনা মহৌ হৈনবগা আবির তৈনবগা, পিচকারি কাপ্পবগা হেক্তৌ ভয়ায়দুনা মুঙাইনবতুগী শরুক ঐখোয়স্ন ঐখোয়না থোকপা অতুম য়াই। অতৈ ফুমিত্তনা থুম্মোক লিথায়গুম্বা অমা মনা পাঙ্গা চৈ লেংদুনা মী অনী অনানা শিন্না শিন্না পুই, লৈকাই মুম-থোঙ খূদিং চঙই, চেঙ-চাক লোইনা থায়। লৈকাই থুংলবা মতুং কৈথেন্দা অমূক থায়। ফুংথিল ফুংথিন্না লৈশাবী-মোনহাশিংগী ফিমুন-কুম্মৈ য়েংঙি, য়াউশং মফুংগীদ ফম্বা পোৎফমদগী অহাউ-অথুম লৈ লৈতুনা চায়, শায়নিঙায় শাটয়। ফুমিদাং ফুমিদাংনা থাবল চোংবা য়েংঙি।

ঐখোয়না অঙাং য়াম্না ওইরিবৈঙ চোংলম্বা থাবলগা হৌজিক্কীগদি থীনা থেন্নরে। মতমতুগীদি ফুপীগাক্কনা চোংঙি। মীয়ায়-চন্নবী পয়েংদগীনা লৈশাবী মচা ফাও লেংথৈ—শরুক য়াই। থাবল-ইশৈ-তৌবা মী মশক নাইনা লৈরম্মি —অফাওবস্ন লৈরমদবা নত্তে। মখোয় ওজাশিংসি য়াউশং মযাঙ হায়রবু বার্ত্তন থানৈ, দক্ষিণাস্ন তৌনৈ। ওজাশিংসিগী মফুংদা য়াম্না কাওবা অমদি শাজৌ কৌই, য়ুম্রাক্তি কাংজম্না কম্নিনো কাউরে। মী মুনয়ং ভৌই, মশা পায়, মথোল জংই, ফজৈ, ফুংশি। মানা হনবা ইথেদি নিংথৌরোলগী মতাং ঙাক্লি। তেথাউ-শামু-ফাবা, মোইয়াং-শা-তুবা, হেমগৌরী-থাজবগুম্বা ঙাক্লি।

ইশৈ-হনরুনা ময়াম্দা লেপ্পি, ইশৈ শাংনা চিংনা য়্যাংনা জংনা হল্লি। ময়াম্না থূংশয়দুনা কোয়না লেপ্পি, ইশৈ থূম্না থুম তপ্পা জংনা মশা পুন্না মথোঙ ফুক্না ফুক্না কাইদ কাইদ থোঙদোই। অচৌকপা ঋতু, অচৌকপা থাবল, অচৌকপা ইশৈ, অচৌকপা থোঙদোই, অচৌকপা শাথেক—থিকথৈ, শিনথৈ শান্তি—অচৌকপা জরা। মূল্লি মিৎ, মূল্লি না, মূল্লি থম্মোই। ফুপী, নিপা, অঙাং অহল-ভাবুক লোইনবা মঁঙি মঙদা মঙলোন; কাউনৈ তম্না সংসার।

মতমগী মতুং ইন লাকখি অথেংবা মচোং, অথেংবা ইশৈ। মিখি ভন্না অয়িবা মচোং অয়িবা শৈশক।

ঢাকা সনা—

শাইশিং অমগী ধারানি। ময়িংদি সনাজাউবা কৌবনি। ঘুমটী শমকক ঢাকা শমকক্লা শিল্লকপদা চং ফংনা ককপদগী ঢাকা সনা হায়না চৎখিবনি। নীচুগার্ড তা থানা ফল্লিঙৈ মশানা কাপখিবা কৈগী থোঙ্গল লীবদা শিরমদাই কৈজিং থেংনঙৈ শিম্মিল্লখিবনি।

থাবলগী অথেংবা মচোং অথেংবা শৈশক মহাক্না হৌদোকখিবনি। অথেংবা চঙবদগী মুগী অহল ওইবীশিং থাবল শরক য়াবা লেপখি। চাম্মি, শিনথি মহৎ পাথংগী পরেংশিংনা। থেংলে ইশৈ, থেংলে মচোং, কল্লে লূমলে থোঙথাং—পাথং-লৈশাবী-মেৌনহা ঙাক। ইংক্লে অসুম ঢোল-ঢোলক। পান্নবরা থঙদে চপ্প চানা বসন্তনা হেদৌনরবা পাথং-লৈশাবীনচিংবা নহা ওইবশিংগী মথমোই, চৎখি অথেংবা মচোং অথেংবা ইশৈ ফনবু কুইনা অনীম্নবা পৃথ্বীগী লাঙাউ শাক্তি ফাও।

লাক্লে লাঙাউ। ওইবে মণিপুর অকিবা লামফম অমা। হোংলে, ওল্লে লোইনা মশক মচু। অথেংবা থাদনা শিল্লে বোংগুনা ঢোল, ঢোলক। মুৎলে ভুংইন ইশৈ।

মহাভারত-রামায়ণগী য়ারীনা মগুপ মগুপ্তা নোংমা লৈবাক্কী শিক্ষাদীক্ষাগী শরুক চাউনা য়ারঘণ্ডম থাবল চোংবনম্ব গুম্মাঙ গুম্মাঙদা য়ারঘনি নোংমদি অতম। অতুবু, ঙসিদি হেদৌ থানবদ মথংলে। মীহাৎ মীপুন লঙনফমদ ঙায়ে। অরাবনি মতম!

ঙসি অঙাং ওইরিঙৈ চৎলবপা ভৌবকপা পূময়ক, মপুং ওইনা য়াউশং-কোয়বা অময়ুং মনীংগী থোঙফম—মংখিন্দা রা হুরানবা চিংহুনা চেল্লিঙৈ মপূনা ভাবকপা, ঐথোয়না রা থাধরম কায়দুনা মাবগৈ শনাই থঙদনা চেন্নবা, য়াচঙবদা যণগাড়ীদগী ই, চরু শৎপা, গাড় রাজানা ভারকপা, ঐথোয়না উনা উনা পোৎ পুজনা চেনবা, মহাক্না গাডী থাদোকপা কিহুনা নীঙাক-নীংশোননা মৈরেম্মৌবা, অহিংদা চিপক চিপক ভুমিন ভুমিন শোরফাও হোন্দনা মীগী শঙ্গোয

লুকোয় শাইজিন শায়াদা পোৎ হুবা চঙবা, নোঙ্গীংবমা শাক্তনা নোঙ্গপা, মপুনা তারক্তনা তাম্নবা, ঐথোয়না শমজি থাইজ্জনা চেনবা—নীংসিংজুবদা শংশং শংশং উরক্তনা নোঙ্গ নোঙ্গীংলকই, নোকই ইদোয় তুমিন, কপ্প কপ্পীং-লকই—হুংশিরকই, থল্লুবরা থওদে থম্মোইনা মশা অমুক য়েং লোইরক্লেদো হন্দক্লিমগীদি।

ইশাগী অঙাং-শক্তম, অঙাং-মতৌ হুংশি-হুংশিনা অম্তম য়েংনা য়েং মঙত্রুং চুমিডৈ ফাওরকখি তুমিন পুক্তা রাথলগী পরিংমা, ঙকখি, ঙক্তবা ঙমখিদে। ঐথোয় চহী নীপাল মাপঙ্দগী তরানীথোই হুমদোইগা ফাও চহী খুদিং মাউগং মতমদা হুয়ানবা চংলকই, হুয়াল্লকই। থামনডৈ স্পাটাদা লাইকর্গস্কী সম্বিধান মতুং ইন স্পাটাগী অঙাংশিংবু হুয়ানবা তম্বিবগুম ঐথোয়সু লৈবাক-নিংথৌ-পনগী পথাপমক নত্রবসু লৈবাক-পনগী চংনবি অমগী মতুং ইন মাউগংগী মতম থর হুয়ানবা হেক হেক চংলকপনি, য়ায়মক নত্রবসু থরদি হৈয়কপনি। অদুবু, ঐ ইথন্দ নত্তনা ঐথোয় পরেং অদুদা কনামত হুয়ান-চৌম্বী য়াওখিদে। স্পাটামচা অঙাংশিংনা লৈবাক্তীদমক্তনি মতম্বা, হৈনবিদি থক ওইরুদবগুম ঐথোয়সু লাইগী দমক্তনি মত্তোক্তবা, মচৌংদি থক তাথরুদবা অত্তুমক্লবা নত্রে অঙাংগী অঙাও মশায় অমা ওইনা মশায়রুবা চহীনা থর হায়রক্লগা অতুম মত্তোকথিবা অতুমক্লবা থওদে য়াওবদি ময়াওখিদরে। অমরোমদনা, ঐথোয়গুম হৌরক্তবা, কম্না রারক-রাতেম য়োক্লকপা মীনতুম হুয়ান-চৌম্ব'না মশাগী হিংনরম ওইনা চংলক্তনা মশাসু মাঙবা মপা-মযাসু চেম্ববা কোঙ্গায় য়াওদবসু নত্তে। নীংশিংবু নীংসির্ংলি, সুধীর ঐথোয়গা তম্মিন্নবনি। মপাঙ্গী লাকপা রাজ-সরকারগী মশক কাবক লাইবা কর্মচারী অমগী মচানি। মথোয় মচৌম্মনাও অনাগী মহাক্লা অহম্নি। মপা ঙম্নপ কায়নৈ। মনাওনা য়েলম্নেদা থবক তৌই, মহাক্লা গয়মূলা ওইনা হুয়ান-চৌম্ব'না শিনফম ওইজ্জনা মপুনশিদা ফুন্দাতম লৈতনা ভারত থুংনা থোকন্ট থোকউ চত্তুনা হিংখি। কম্না ফুইনা হিংখি থওদে কনামতনা। মথম্মোই পান্দবরা পাজি। পাজে পাম্না মশিনফমগী মতুং ইনবা শায়মচংনা মচেজবরা চেন্দে, মউমলবরা উমদে।

শ্রীষ্টগী চুমজা ১৯৩৬ কী জানুয়ারী থাগী নোংমা অরুক্তদি। বেনারেস কেন্টোন্মেন্টকী ওভর-ব্রিজ ময়ায়দা মত্তোমদা থোংগী পাথে পায়জ্জনা লেপ্তুনা

লৈরম্মি। মীপু তাক্লক অমা থীনা থোকই। চহী তরানীথোইপী মতুংদা অঙাং ওইনা হৌমিন্নরকপা মরুপ অমা ইথা থাজদনা গোক থেংনবদুদা মরুপকী ছুংশিবনা মঁাঙোইনখিবরা সুধীর হায়না ভগপ ভগপ মনাক্তা চঙশিল্লুই। মহাক ঐপী থোল হেক ভাবদা মযায় শৎ লৈথোক্লকই। ঐবু উবদা মমিৎ ঙমা চেঞ্জি। ঐনা মনাক মৌত্রিঙে ছুংশিনা ঐঙোন্দা মেংনা মেং হায়রকই, "ভাই আমাকে আর বাসিওনা"। হায়লা হায়না মযায় লৈত্তুনা মথোঙ থাংবা হৌথি। ঐ ঙক্কুনা চপ লেপথি। মহাক্লা চৎনা চৎনা মযায় লৈশিল্লক হায়রকই, "আমি তোমাকে বাসি খুব ভাল, ভাই চললাম, কিছু মনে করিওনা —"আমি নরকের কীট, Hell–dog, জান।" চৎখ্রে অদুম পরপ পরপ। থোকখি ঐঙোন্দা মাপী মপাউথোন্দো মীনা ফোঁঙমদবা পাউথোং অমগী মতম। থোকখি মথাদুমকমু ঐঙোন্দা অদুম। মমখি ফনা কুইনা, মঙ্কোখি অদুম। মম্না মম্না উবদি উথি ঐনা মাবু মুংশিবগুম মানমু ঐবু ছুংশি, ছুংশিরি অদুম।

চহী কুন মতুংগী রানি, ঐ গবর্ণমেন্ট ধনমঞ্জরী কলেজদা লৈ। উপন্যাসগী লমথৈদা অকাপা পওচঙদ-চঙ শাথিবা রাওল অমা লাক্লিবা মঙংসি সাহিত্যগী ওজা অমা ওইনা মুম্না নীংখিনা থঙদবা রাদবনা লাইব্রেরীদা পৈরিবা মতমগী বেষ্ট সেলরগী পরেং ভকথত্তুনা পাই। লাইরিক অমা থেংনৈ। ফিগু ইন মেনে হায়মাল্লে মিংথোন্দো। অইবা মীশক্লু কাউরে, চরিত্রশিংগী মমিংসু কাউরে। রারীগী মবুক থরদনি নীংসিংলিবা। মতাংনা পাম্নুবমু অদুদনি।

ট্রেন ড্রাইভর অমা মশাদা সয়তান চঙবগুম তৌই। ছুপীগী মশাদা মথবাক্কুদা ফিনা কুপ্পুনদ লৈবা, অদুনোং পানা তাইনা উবা, ভুংইন নৌজকগী মথক্তা হেন্না নৌজবগুম থোকপা হকচাংগী শরুক অসি মাদি উবা য়াদে। মঙ্গংদা চেঙ্গিবা ঙপী মচু হেক্ত য়েংনীংঙি, মশা ফাবা রা:না থোকই। মহাক্লা মনেমচা মনাও ছুপী (সেকেণ্ড কাজন) অমা য়ায ছুংশিজে। থবক হাংবা হাংবা মভমদা উনবা চৎপা শোয়দে। মনাও ছুপীদুনমু মাবু থোরাং থোরাং ভাই। রাদি ফাওনদে, থঙবদি অদুম থঙনৈ। ড্রাইভরসিনা নোংমা গুলপ লাকই, মনে হান্না উনদুনা রারী ওহাক সাই। মনাওদুপী উনীংলক্কুনা মপান্দা কোয়থি থিরক-পদা লৈকোলগী অচীকপা কাজুম্মদা থেংনকয়ে। মহাক্লা কোল্লুবদা করিমভ হায়দে। মনাওগী ছুপী-ওইবা মশা হকথেংনকবা, মনিল ভম্না মঙোন্দা

ফাওয়কপদা মবুক ফাওমখিদে। লৈমায়-তিংথৌ মথক্তা কি চিংজবদা মথবাক মপাদা শেগাখখি। অভাইবা মথবাক অত্থু উবদা মথাগী ময়ভান অত্থ মখি থংফোং ফোংখি। হৈ লৈ চিনবা চাখগী মা শংকাউ কাউখি। মথবাক্কু শ্নগাইদুনা ঈ য়েংগে তম্না থল মথূৎ যেৎনা নুং মাবদা যংখি মথূৎ চাবা অমা। লাইক্ অমদগী অফিবা অমা পোকখি। মনাওমপীনা মশা নায়োক্তদোবগী মাবু ইথোক-খোথোক কম্না হোৎনদুনা লৈবনা অবেখদা মাথোক্ত ওই মাক্ক-হুংজুদা চা তোকপা য়াই থমুবনি। মহাক্না মবুক ফানবা ফুক্ক চোৎপত্ত্ুনা মনাও-মুপী খুকয়েং য়েংলমদনা কম্না চেনখি। অমুক হল্লকখিদে। মত্তুংদস্থ লাকখিদরে অতুম। রেলয়েদা থবক তৌবা নিপা অমগী মুপী অমগা চান্নখি। নিপাদুনা ভিউভি ভাবা ভাবা অহিংদা মুপীদু হেক হেক থোরক্ত্ুনা কারখানাওগী কাচিন কোয়াদা পামরিডৈ কায়রমদে। মথোংনা চান্নবা ফুইরক্লবা, মওং কম্না চৎলক্লবা, থোওং কম্না অফ-ফত্ত চারক্লবা তুং, মোংমা মুপীসিনা হুংথিল ভুমলবা থেংনক্লই। মথবাক পুমকোম কোয়া লোংনা ভাদুনা লৈরম্মি। হায়া মা হাৎনক্লরবা মশক্তি লোৎনা শীজিমবা হৈদ্রাং অমথক্ত্ু ফম্বুং টেবিল মথক্ত। লৈরা উরম্মি। ময়ভান চঙবা মথোংদদি ঈক্কনাংবগা থোং তেকপগা মায়না থোক্কখি। থাঙ তাপ লৌদুনা মথবাক নাম্ম ফাওনা পিনখি। চৈরাম্না মমিং ওাওনা থং-পাঙ-পাঙথোক্লকপদা মহাক চেনখি। মুপীদুদি লোইখি ওহাক্তী মক্লংদা অদুম।

য়ারী অসি পারকপদা নীংসিংলক্কখি ঐগী মরুপ মধোর। চহী কুনগী মমাঙদা বারাণসী ছাউনিগী রেলথক-থোংয়ায়দা মহাক্না চল্লবা পাথোংগী অর্থ থরগী মথৈ থঙবগুম তৌখি, মহাকপু অমুক্ত্ু হেম্না হুংশিখি থঙ্জবদগী তত্থেং মহাক্না ঐবু হুংশিবগী থাক।

থখি মী, মানি মাদি পাথোং—পাম্বোংদ পাথোং, ফোঁওমদবা কৃহিঙ্কংদা কদোম্নং। যুগ যুগদা মুনি-ঋষি কয়া কয়ানা মাদবু ফোঙনবা শ্যান তৌ-তৌদুনা হোৎনবদা ওসিফাও ওকদুনা লৈরবা পাথোং মহাক্নি। জানগী মথক্কক ওইক্কবা ঈশ্বরমক্ককাও মাবু মুমা থওবা ওমত্রবনি।

নিপাগী লাইবক,

মুপীগী লৌচং

মশিগী মমল

অহমদি ঐগী জ্ঞানগী য়াংমদনি হায়বা ভগবানগী চীনগোইসিনা অতম মতাক্কি-বসিনি। ফংথি অস্নম চহী ক্রুনঙ্কী মতুংদা ঐগী অক্রকপা য়াথল পরিংগী পাউথুম মী ভক্ত-ভক্তিংডায় ওইবা অঙকপনি। থুংহৈল্লবা প্রকৃতিগী থুংলেমদা অথুপ্পদগী থোইনবু থুপ্পবা ঈশ্বরগী হেক ভমথংদা লৈরবা মী মহাক্কি।

অরেৎস্মুবা মত্তাং

পুনশিগী য়াওল অমা

পৃথ্বীগী কাহুপ অমনা য়াথোককফয়ি, অমূক কাহুপ অমনা য়াকুম্ভয়ি। নোংমগী চাম্ম পোকই, নোংমগী চাম্ম শি। পাউরৌনৈ অহুনোং—

"জো আতা সো জাতা"

লাক্লবদি হনবা তাই। হন্নো, কমদৌনি, মালং মাগী মালংচৎনি। হনবদবু মঙ্গং মতম চানা হনবা পাম্মি। ঙুংশিবা কনা'মা মঙ্গং মতম চাদনা কয়ো—কেল্লো, কায়ন-মৈথু লাংবদ নত্তে থম্মোই, পুই নীঁঙমদব-মৈচাক অমম্মু। শকথি অহুনোং বিশ্বকবি—

ধরা দিয়ে দাও না ধরা,
এস কাছে, পালাও ত্বরা,
পরান কর ব্যথায় ভরা
পলে পলে হে।

ফাম্বে কদায় মনাম্বোকই,
লাক্লে নাক্তা, ভন মমাঁংডি,
থম্নামম্বা, হিকপদ থংডি,
কাংদে মিকুপ'মা।

ফায়নথি ঙুংশিবা মরুপ'মা। পুনশিগী ইঙ্গংদনি। ইবোভোম্বী কৌই। ভাংবমগী মকু-ইবুঙো য়াইস্কুল-লাকপনা পোকপনি। ঐথোয় চহীদম্ম লেং, ক্লাস-দম্ম লোয়ি। স্কুলদম্ম ভিয়ৈ মপান্দম্ম ভিয়ৈ—থানদে। চুম্নম ভিম্নবা নত্তে, ঙুংশিনবনি—থবায়-হকচাং য়াওননি। ওইয়ম্নে অহুবু মহাক্তি মপুনশি ভেম্না লাকপা মপোক। লৈভে ওস্তানা দ্বিতীয় শ্রেণী ভম্নিঙৈ। খোঙহামননি। লৈভে ভাবদা চেন্নি। মপা মৈ য়ায়মম্নে। পোকথি থবায়, ফাম্নথি থম্মোই। থোক্লীংথিদে অন্নাং-মায়পৈ, কম্মু ককথি অহুম ঙুংথিল হুমিদাংম্বাই লেন-লম্পাক থোকপা।

লৈগে মরুপ'মা। মপুনশি ভেম্লকপমনি থগুদে, খামুথক্তী ভীম্নমা চীক-পননি থগুদে, লোইস্লে মঙ্গং মতম চাদনা হুংশিব'মা। ঐগী শরক্লা—চায় চাদে, ছুশি তুমদে নোংমা নীনি। ফশি ইতোম তুমিন তুমিন। হুগুাইরক্তে, চৎজি তামোহোইদা। তামো লাইরিক পাম্বশি, ঐ তুমিন মনাক্তা ফশি। পাই কবিতা অমা—

নাই কি রে সুখ,
নাই কি রে সুখ,
শুধু এ ধরা কি বিষাদময় !
যাতনে জ্বলিয়া
কাঁদিয়া মরিতে
মানব জনম কি শুধু লয় !
... ...
... ...

লৈতরা হুগুাইবা,
লৈতরা হুগুাইবা,
সংসারসিবু অরাবদগীরা !
অরা-মৈশাদ লাং
কপ্পদ লোইনবা
মীগী মপোক্তা ঐখোয়বু পোকপরা !

কবিতাসি প্রিয়পাঠদরা সুখপাঠদরা য়াগুবনি। ইংরাজী কবিতা অমগী রূপান্তরনি। বঙ্গগী বিদুষী মশক্লাইবী সরযুবালা চট্টোপাধ্যায়গীনি। ঐখোয়গী উচ্চ-প্রাইমারীদা তম্লকই। কবিতা অসি পাবা তাবদা, থগুদে কৈদগীনো, লাইরিক থংহে হৈনিংলকই। অপুং অসিদি অঙকপনি, অঙকপগী অঙকপা ওাক্লি। কার্যা-কারণ অনী চুনগনি, চানগনি—তায়ফদে, হায়বা কৈম্ন লৈতে। শীংবাংনা রাহী, মিনা উচিখোই অতুম মওইবনি। অতুগুম, ঐগী পুনশিদগী নাক্তে ইহো হোনা হুংশিবা মরুপ অমা কায়নবগী হুগুাইতবনা লাইরিক্তা হৈনিং-বগী মশক তম্না লৌথি। নোংদম মাগী নোংদমখোল, আকথি অতুম পুনশিদা মঙ্গলগী য়াওল অমা।

হৈগে তম্বা অভাং অমা ওইহল্লে ঐ স্কুলদা। পড়া ভজুনা কার্য। শব্দগী বানান, অর্থ, প্রয়োগ হৈ—খঙি। মুমগী স্কুলগী থৌগাই লোইনা নীংথিনা তৌই। অদুবু ঐগী অশোয়বা অমদি অঙ্কদনি, খীনা হোই। ইশানগা থর কংভাওননা লাকপগা ইথবাল্লনগা থয় পামলুদবগা ২+২ দা নোংমা নোংমগী থোকপা ৩ ভাবগা তারে, ৫ ৽তারগা তারে, ৪ দি থক তাদবমি ঐগীদি। অদুদা, তমলিবা অঙ্কদি পরিমিতিগা পাটীগণিতকনি। থগুলে ওজা নীংথিনা ঐগী শক।

ঐথোই মতমগী ওজাশিংদা অয়াম্বদি ওজাদ-ওজানি। বিদ্যাদান্না মথোমগী বৃত্তিনি। বিদ্যাদান্না মহাদান্নি হায়মশিনা মথোয়গী মতনি। ছাত্রগী মঙ্গল-কামনানা মথোয়গী ধর্মনি। অশোনবা ছাত্রশিং মমুম মমুমদা ফংথিল ফংথিল তম্বি। লেম্রনি—পাই অমা লৌগে। শঙ্কর ভগবানগী—

"যল্লভসে নিজ কর্মোপাত্তং তেন বিনোদয় চিত্তং"

(নপাই কর্মতুংইন ফংলিবদুদা পেঙ্গো অদুম নথম্মোই)

হায়বা মুখবাণীসি চপচামা, কায়দনা চৎপঙ্গুম তৌই, মপা মপাগী তলব তলবতা অদুম অদুম পেম্মে, অথোইবা তান্নদে, অহেনবা য়েংলুদে—নির্যোগক্ষেমা ঙাক্লি।

ঐথোয় দ্বিতীয় শ্রেণীগী ওজাদি মথক্তা মতাং অমদা হায়বু হায়প্রে, অঙোবা কৌই, মোইরাংথেম্নি। পিন্তম থোংজগী তুরেলগী নোংপোক থোঙবাল কনা শাংনা চথরগা লৈ। ওজাসি য়াম্না ঈংডি, তম্নি। এডুকেসন ডিপার্টমেন্টগী লীলাদফাও ভরতকুম্বা বিদুরগুম্বা অঙংবা চরিত্রশিংগী ভূমিকাদদা কুম্নি। নৌংজুথা মতুংদা নোংমা ওজাগা হায়নরে, ঐথোয় মরি মঙা ফংথিল ফংথিল অঙ্ক তম্বা চৎলে। চহীগী পরীক্ষা লোইফাওনি চৎলিবা, অদুবু অঙকপনি, নৌংমত্ত করিগুমদা পাউথোক্লনা তম্বিবা লেপ্লে। সরস্বতী পূজাগী লীলা ওম্বা হৌরকবা মতমদদি মমাঙ-লৈকী চুডাইবা চৎপা তোক্লনা ঐথোয়বু থিনবিবা ওইনা তোর্বাল লম্বী পরেং ফাক্লগা ঐথোয়গী শৌগাইজম লৈরক ফাওগত্লনা লীলা তম্ফম এডুকেসন মেম্বরগী পর্জায়দা হেক হেক মৌই। মথোয় ওজাশিং অসিগী মপানা চম্না হিংবা ৱাথম্না ৱাংনা চৎপা নীংথিবী স্বভাবনা ঐথোয়গী পূনশি লমদাংনা অমমা হেক হেক থেনম্বফপদা ঈমজিং-থৈরী হেক হেক ওইনরি ঙসি।

ওজানা হোৎনবিষ্ণ, অন্ন হৈবা হায়বদু খোক্ তম্ন ইশাদি কাবক পুৰা উংগুম তৌরে। বার্ষিক পরীক্ষা কাবক নীংখিনা পাস তৌরে—প্রথম শ্রেণী ফারে। ঐখোই মতমদা বাজারদা বুক-স্টল অমত্তু লৈতে। জোনষ্টোন স্কুল লাইব্রেরীদা অঙাংশিংগী য়েংবদগীরা নত্রে রাজ সরকারগী থৌশিল্লগীরা মহিমজে স্কুল মশাগী য়েংবদগীরা মতুং-মপাল অনীমক্তা পাঠ্য ওইনবা লাইরিক থর থরদং ফংডি। লোইরে অতুনা। ফংহৌত্রবদি অমুক লাকপা ঙাই হায়, থর মীরক-হিনবা ইমুংগী মচামশুগীনা মরম্নাই চেল্লি হায় তৌবা ভাররনি। ঐখোয়গীদি মাখো অমা—হাওবম শ্যামসুন্দর রিটায়ার্ড ডিরেক্টরগী মপাবুংনি, ইবোতোম্বী কোই—জোনষ্টোন স্কুলগী ওজানি। ঐ পাস ওইবত্রদা হরাউত্রনা অতুম পুরক্লে। নিম্ন-প্রাথমিক পাঠ, যাদবচন্দ্র পাটিগণিতনচিংবা হন্ন হনবা, চাউস্ন চাউবা—লাইরিকশিং পায়বা ফংবগা ইশাগী ত্তমবনি, ত্তমগদোরিবনি থনবগদা স্থঙাইবগী পন থেংখি অঙাং ওইরিবা ঐগী থম্মোই। অনৌবা খোনা, অনৌবা ইচঙ্গা ঊরোয়ননা ত্তমখি প্রথম শ্রেণী।

স্থঙাইবমা, মাখোনা লাইরিকশিং হেক পুরক্ননা পীরবগা ঐনা স্থঙাইবোই করিবোই ফাক্ননা শারে, থেংনরুই কবিতা অমা। পাই ছন্দ পান—

ফুটিয়াছে সরোবরে কমল নিকর
গুণগুণ রব করে মধুলোভে মধুকর।

ইখোনা হংশিক্লররবরা তাকপিরে অর্থ। অর্থ থঙবদগীদি চীন্দা পকপা অতুম হোরে। অর্থ থঙদোকপনা মুথন্ন কোম্মি থঙবগুম তৌখি। ·

নিম্ন-প্রাইমারী স্কুল পরীক্ষা—

নিম্ন-প্রাইমারী স্কুল পরীক্ষাদা খিক্তং কোয়া থোকপসি পঞ্চম শ্রেণীগীদনি। মশিমদি ওজাহনগা ওজাতোনগা অনীনা লৌই। অতৈ চতুর্থ শ্রেণীগীদগী প্রথম শ্রেণীগী ফাওদি লোইনা লুনা থোকই। ইনস্পেক্টোরেটনা লৌই। রেষ্টেজ চাউ-রবদি ওজাশিং রানিং চায়। রানিংদ চায়বদি কবু ফৈ, ফাইন চায় হায় নত্রে ইনক্রিমেন্ট য়েথংজি হায় থোক্লিবনি। লুদগী লুবনা প্রথম শ্রেণীগীনি। প্রতিযো-গীতা কোয়ৈ, ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষানি। ছাত্রগীনা থোং চাক্ষরগা চেঙ মেক্কক্তা পৈশা থনীদ পীরিঙে, পৈশাগী ঙাতোল য়াখৈদগী চাযফাও হেন্না তৌরিঙে মওমদা

চহী অনী থাগী লুপা অনী অনী বৃত্তি ফংগদৌরিবনি ; ওজাগীনা অঙাংগী পান্ পার্সেন্টেজ চাউরবা, স্কোলর্শিপকা ফ্রিশিপকা ফংবা য়ায়রবা, তলুবতা পুন্না থর হাপ্পি হায় নত্রে ইনক্রিমেন্ট থর মাঙজোননা পী হায় অমা থোক্তদৌরিবনি। অদুনা ওজাদু ছাত্রসু অনীমক পরীক্ষা অভৈদগীদি ছাত্রবৃত্তিগীসিনা ইক্ক লুনা ভৌই।

ওজাগীদা লেকপা—

ঐথোই মতমদা স্কুলগী লাইব্রিক হৈবা য়ায়া তাঁডি। অহৈবা থরদং লৈবক্তুসু রাজ-সরকারগী থবক ভৌবা ঙাক্ত ওইনা ভৌই। 'থঙদ-হৈতবা ৎংক্ষম থোইনা লৈভে। ওজাদা তাইনবা নত্তনা •গন্তি অয়ম্ভ লৈতবনি। অদুনোং ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাগী মতাংদা ওজাগীদা অহিং লেক্তুনা তম্বগী প্রথা অমা চৎলকই। ওজানসু হরাউ হরাউ অরাভম অদুম পুরকই। মশাগী স্বার্থগী ঙাক নত্রে, ওজাগী সম্মান ঙাক্লবনি, মসিমক্লা মরুনি।

মেয়া লোইরে। নোং থরে। পরীক্ষা শ্রীপঞ্চমীগী অদুরাইদা তৌগদবনি। কেক্লবগী রা হৌদোক্লরে, য়ানরে। ফক্লাংগী শীংগী, অহিংগী থাউগী, অথায়নগী ওইনবা ঐথোয় মকোক্তা শিকি শিকি চেন্নে। অথোকপা শেন্নথৈ ওজাদা পীশিন্নে।

মতম অসি পোৎ খীনা হৌঙি। মতেক পাই চৎলি। মতেক পাইদি লায়রু লায়রক্তুনা শেন্নথায় চৎলি। অনাগী রায় অমা মথারগুবনা কোনবা শীঙুৎ মপুল তরানীথোইগা ভৌরি। রাচেৎ পয়াসু অদু মঙায়। থোক্তী রাচেৎ চাম্বদা শিকিহুমগুবা, পয়া মীহাৎ অমদসু অদুরাইগুবদ অদুম মচৎপনি। থাউসু অঙকপা ফংনা হৌঙি। রাগী, হাথী (হাতী), ফুল—মার্কা অদুম চৎলি। হাথীদি অঙৌবনি, রাগীদি ঙাঙবরা ঙৌবরা কাউরে। ফুলদি ঙাঙ-খান্নে নাঁঙি। হাথীসি ৪।• গুবরা পী, অরেপ্পদি কাউরে। অদুনা শিকি চেন্নিবসি চাউরবনি। শীং, রাচেৎ, পয়া, অথায়নগী লোইনা কায়থোক্লগা ঐথোক্লনা লেকপা থা অহুমতুগী থাউগী হেন্দোক্লা অদুম কোন্নরবনি।

ঐথোয় ওজাসি প্রতাপগড়দগীনি। থোমত্রায়ি। ভুবনচন্দ্র কৌই। নোর্মেল স্কুলদা তম্নকপনি। জ্যোতিষী ওইনা থোইনা মমিং চৎলি। চুয়া

ফলিত থর স্নবা আম্মস্তরি পরেংগী মীশক নস্তে, গণিত নীংথিনা হৈবা মশক-নাইবা জ্যোতির্বিদনি। ডাইরেক্টরী পজিকাগী অনুমোদক পণ্ডিতয় গুজাগী মীশমনি। মৈতৈ পাঞ্জিনা ঠিকুজি (জন্মপত্রিকা) দা কাঁচা পাকাগী মহস্তা জাতাহ পরাহ শ্রীজিমথিবসি ওজানা হোৎদোক্লবনি—ওজাগী অবদানি।

ওজাদি শেন কাবক নীংথিনা থোকই। ওজা ওইনা থাগী ভলব ফংডি। মাহুম হেক্ত পণ্ডিতকৌনিনা মচাউরিবনি। পাঞ্জি ওইনা নোংমগী থর থর থোকই। মশক নাইবা শেনকমস্থ অদুম ময়াওরিবনি। ছাপাখানা মচা অমগী মালিক অমমুং কারিন্দা ওইনা থাগী শেনশক থঙনা রাজ-সরকারদগী অদুম থর থর ফংডি। মতমসিগী মণিপুরদা প্রেস অনীতনি—অমনা, রাজ-সরকারগীনি ; অমনা, ওজাগীনি। অনীমক হ্যোগু-প্রেস ডাক্কি। অদুনোং ওজাগীস্থ সরকারগী থবক শরুক চাউনা ততুনা অদুম ফংডি।

অদুবু, ওজাদি পণ্ডিত্ত পণ্ডিতনি। চম্না হিংবা লূনা চৎপনা মাগী মিৎ-য়েংনি, পান্দম্নি। কেবা মৌবা, শেৎপা চাবা, ম্নম কৈ ফজবগী রাথল থোইনা ভৌদে, কম্নি চঙবা হৌনৈ—চঙদবা য়াদে, অতুংদনি ওজানা কম্না য়েংবা।

ওজাগী য়ুম কাকৈকথেন্দনি। কৈথেলগী মথাগী পরেংদনি, তোংজৈ মরিলগা অদুম ডাইনরে ছায়রম্ম য়াই, লম্পাক মচা অমত্তুনা অদুক থনবগুম তৌবদনি। ইংখোল মচাউই, ইপিক পিকপা নস্তে। অরাং-থংবা শরুক চাউনা পম্নগা থা-লমথৈ নক্না য়ুম-কৈ শাই। অরাং-শঙতপ-কোম্নবা য়ুমজাউ মচা অমা, রাগা উগগীনি। মতুদা লৈরিবা ওজাগা ইন্দোনগা মথোয়না কোনবা মচাশিং থোকপা পুংগক চাউরবী হুপীমচা অমগা মথোয় অহুমদনি। থাদা শঙ্গোম মচা অমদা ছাপাখানা ওই। নোংপোক্তা মমাঙ-শঙ্গোম মচা অমা লৈ। মাহুদনি কুম কুমগী ছাত্রশিংনা হেক হেক লেক্লিবা।

ঐথোয়না শেন পীশিনবা হুমিং অতুমক্তা, ছুটি হেক থাবগা, ঐথোয় মঘাম পুক্তুনা ওজানা শীংজমৈ কৈথেন্দা শীঁ ঙুৎ শীংনাং পম্না লোইনবা লৈরে, ঐথোয়না অদুম ওজাগীদা য়োরে। থাবস্থ নোংমা নীনিগী মঙ্গলদা ওজানা মী নেক্তুনা অদুম লোইরে। লোইবগা ঐথোয় অমনী অমনী পুন্নুনা হিদাজ থঙদে ফিরোল থঙদে অয়ৈ-অয়েবা য়েংতুনা হোল্লে—থারে। ওজানা হুমিং অমা য়েং হোৎরে অদুম লেক্পা।

ফুংখিল, ফুমিংলা য়াথোঙ লোয়রকপা অহুম্বাইদা, ফুমিদাংগী ওইনা চাক চায়। অনক-অনকপা অমনী অমনা হৌনহৃনা মঙ্গা ভম্বুম ভবুদা অচুম্বাইদা ওজাগী য়েনবা চংলি। য়োবগা ঐগী ঐগী ইফমদা লেট, কাপ্, মাইমিক লাইগু লোইনা থম ঐখোয় ঐখোয়গী পোদোন থানগংলগা ফায় লোকপা মকম অমদা ওজাগী ফম্কম লেমহুনা থম্মি। সরস্বতী পূজাগী লীলা তথা হৌগ্রিউদদি লাইরিক ওস্তানা তম্বা হৌই। ফুমিদাংগী চাব-থকপা লোইরগম অমুক ফনা কুইনা হুমথে। হৌরবা মতমদগি ওজানা ৫মক্ সা চাব-থকপা লোইরবা মতুংদা হেক হেক ফংমি। ময়াঙনা লাইরিক লাইগু অথঙ-থঙ ঐখোয় মখেল অদুম হংনে—খোংনে, অকম অতুম হোংনে, থঙদবনা তাংম। ইরাই ইরাইদি লেপ্পি ঐখোয়, মুমদা লৈ—থাংজ পরীক্ষাগীনি।

থাংজ পরীক্ষা—

নিম্ন-প্রাইমারী ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাগী তাক্লিমনি। প্রথম শ্রেণীগীদনি। খাংজ থাংজদা তৌরবা চংপনি অদুম। চে-কলমগী পরীক্ষানি। বিষয় থাংজ থূদিং হোংঙি। চহী হৌবদগী এলাহো (allow) পরীক্ষা ফাও ক্যয়দনা অদুম চংলবনি। স্কুল স্কুলগী পরীক্ষা ওইরবসু মায়া চেকলিঙ্কি—পরীক্ষাদ পরীক্ষানি। চে নিংথোকাবা নিংথোকাবদা হেক হেক লোয়োকই। বিষয় বিষয়দগী চপচাবা পাউগুমচিংবা নীথঙিনা তাকই। জ্ঞান মায়া ওইনে।

তায়—

থায়নঙে, শিদ্রে অঙ্গাং গুরুদ্না। কোক্লি, য়োকই, মেম্মি গুরুনা মথোয় লোইনবা। তম্মি মহে—জ্ঞান, বিজ্ঞান, প্রজ্ঞান। হাকই, "শিক্ষাগী পান্দম—মানি, থঙ্, অকবা মশক থঙবা, অকবা তানবা ; পান্দমগী অয়োইবনা ভগবদ্দর্শন।" "ভগবান্দি সত্যনি, মঙ্গলগী মশক্নি, ফজবা কোৎবদো মহাক্নি ; মপাংগল-লৈতবনা··ফংদে মাদি থক" তাই মতোল—

"সত্যং শিবং সুন্দরম্।
নায়মাত্মা বলহীনেন লভ্যঃ।"

কাম্মি তম্না মনাকোংদা মনাকোংদা ; চীনগোই, "কাউম্ব· থক হাকক।"

"অসিমোং, হকচী চাং লেপ্পনা থম্বা হোৎনবদা, থঁঃ, ধর্ম সাধনগী হঁ তৌইনবা থোঁতকপ্নি"—থক কাউকদে,

"শরীরমাদ্যং খলু ধর্মসাধনম্।"

"হৌজিস্লক্তি, নথোয় থিবিক ফুহিংগা অমত্তনি। ফুহিং মপা পোক্নি, ফুইনা চত্তে। মৈ ইরুগা কন্নি, থাক্তি—ফুইনা চৎলি। অদুগুম নংথোয়সু ভগবানগী মৈদা নপা নপাগী পাংগল লোত্তদবনি। হকচী সয়োল বীর্য্যনি; বীর্য্যনা জীবনী শক্তিনি—মাগুফদে অহেবদা বীর্য্য, মাঙংনবদে"—কাউদু থক,

"জীবনং বীর্য্যধারণেন,
মরণং বীর্য্যপাতেন্যং।"

শাস্ত্রহিপ চাকচা সেয়, ফিজেৎ চাকচা কক, সম্ভ্যা কাওবনা ঙ্গৈ পুরোহিত-হুকচনা ভুনা থম্মোই লোইনা শেংনা থম্মা চৎ ব্রহ্মচর্য্যা পালন তৌবগা বীর্য্য লোয়্কদবদ্রি, পোক্নমল মাঙনা চত্তনবা তৌগদবনি" ভাকপগা তোয়নবা পী অতৈংদা ব্রহ্মচর্য্যাগী দীক্ষা। চৎলি অদুগা ব্রহ্মচর্য্যধর্ম গুরুগী চমথিং অমত্তং সিংগাং মথাদা।

লোইবা নত্তে অদিনা। তাকই, "পুর্ণাগী মপক কর্মনি, কর্ম তৌবনা কনামত হিংবা ঙমদে মিকুপমকাও। কর্মদনা ম ওইহন্না থৈব্রে উয়োং জগৎ-সিদা।" ভদিব মশিল। অদুগা থুংগি পালি নাইনা য়ুম কোই, ইংথোল পুই, খজেন মনভাক চৎলি। চৎনবি মচুংইন, ছত্র (ছেমপাক) তুপ্পুনা ভিক্ষা চৎলি। মাহুমক্তী মথোয় বিগ্রাঁ ব্রহ্মচারীবু ছত্র (মেনপাক ফুমদা) হাপচিনু থম্বনবনি।

মতমদুগী লোকংকা হৌজিক্তীগা মান্না থৈদে। মতমদুদি সেবাগী থোইদা ওইংতি। লোংমগী পঞ্চযজ্ঞ কায়দে। ঙুপজাদি অতিথি সেবানি। অপাগী ব্রহ্মচারীমচিংবু ওকই তবায় তবায়, হাপ্পি ভিক্ষা হবাউ হবাউ। জগৎ-কল্যাণগী অঙবা অবদান্নি তৌনৈ। অদুনোং বিগ্রাঁশিংনা মথোয়না বক্তিযুক্ত ওইকনিবা গুরুগী মডেং থমদং ওইনবা পীরক্নুনা ভিক্ষা চেক চেক চৎলি।

অদুগা গুরুনা সেবনি, মপাদি পোকচবানি, হকচী অদুনোং অজোকপা মপাগী গুরুনা, ই মনুসংহিতা—

উৎপাদকব্রহ্মদাত্রোর্গরীয়ান্ ব্রহ্মদঃ পিতা।

মৃত্যুদি ওনে—হীনা শাথিনদি। অতৈমু, তামনবা য়ামায়থ-মহাভারততা ইংখৎকপা পাহংকপনা মতম্গী মনা হীনা থেম্ভা খোমনা চৎলকাও থবগী মথেদি অতৈমদা অদুম য়াওংনরি, মপাম্বরি। মাদুমক্তা ওত্তাগীদা ঐখোয় ছাত্রনা ইকোয় কোয়া চেক্ক চেক্কে হায়নরিবতুনি, জেকপা চৎনরিবতুনি। মাদুমক্তা ওজাগী মশাগী কাম্বা খোইনা লৈশনা য়াইচিনব', অরাবা লওবদা থং ফুলদা ৎথিবগী মথক্তা অমুক মুমদা ৎথিবগী অরাঙ্গম পুদিবতুনি হয়াউ হয়াউ। নোংশিল্লি ওশি ওজাগী ঙৈনা হুংশিং মশক, উবগুম শৌম্বি শংশং ঙৈংবা নিংথমগী অহিংদা শামতুগী মোং টুপি অমা উপ, বৃন্দাবনগী শামতু হপল অঙৌবা অমা ইন, মতম্গী য় ঙাং খুদিং লোরগী মৈথু কাম অহিং খেংলকাও লাইবিক ৎথিবা, অক্ক তাকপদু। ঐখোয়গী অংশায়বা খেংনবা খুদিং "থিবোৎলোয় শোয়ে শোনে'াসদা" তোক্কাইনবা থাগুম হংশিনা মেমোয়বা ওজাগী মায়থোং ঙলিদি কাওবগুম তৌরি, কাওরি মিথক্তা শংশংদ শংশং।

শিঙ্গুরি থঙদে কৈদগীনো মিত্তা পি—
বপ্পুবরা থরায়না ওজা কাউরমল,
নত্রে বৎসুবরা পিনা ওজাই ৎর্পন
শিৎছে শিঙ্গুরি শেপ্তে শিৎছে ঙুম্বা পি।

মশম্বা ওনবা মতুং ইন ছাত্রগী পুনশি-খোঙচমসু ওন্নে অদুম। মনা খোইনা গুরুগৃহদা চত্রে। মুমদা লৈনা ৎন্নে। ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমগী য় চত্রে—চাইরিক্তাদা ওইরে। অদুমকপু ঐখোয়গী মতম অদুমক্তদি ছাত্রদা ব্রহ্মচারীগী মতম থয় অদুম মৈংদরি। তুংইন, মখোয় ব্রহ্মচারীশা মংনবা মপুং ওইবা অয়াম্বা ফজুরবম, ঐখোয় ইশা ইশাগী ইহৈ, ইশিনগী খোঙদা ইপুজেং কাবক্ত পুম্ববা ঙবা শক্তিনা চংবা থবগী মথৌদি অদুম মফংনরি। মাদু ওজাগীদা লেক-শুপগী অয়াবনি। তুংথিল অথেঙবদা চারা য়াঙপা মযকাত্রিভৈ ওজাগী য়োনবা তুম্মিং থুদিং হেক হেক চৎপা, য়োবগা ফমুং কাম্মুং থাজিন-খোম্ছিনবা, মৈ তুং থানগৎপা, অচাই-চাইদ য়েং-খোৎপা, ওজাগী থুদা য়েংশিনবা, ঙহাক্তং শোয় হোঙ্গোক্লপা ওজা ঙাইবা ওইনা লাইরিক্তা অহয়া ঐনা পায়নাংবমা পায়বা, অথঙ-থঙদ ঐখোয় ইশেল তাথোক তাশিল তৌনবা, ওজানা ৎথিবা মতমদা

থঙহৌরগে হৈহৌরগে মতা পুক্লীং চঙনা তাবা, হোৎনবা, লোইচনা ইঙ্কুং চঙপ্রবা তুং ঙমথিনা তাথিবা 'পুথা ঙহাক সেংশিন-নাংশিংবা—পুম্মক অসিনা ইশা ইৎনা চৎপা ঙমথি—ইৎথি। অদুক্তা অমুক ঙম্ভানা চংশৈদ হৎকপদা হোই। হৌবগা কমুং কাম্মুং লোইশিল্লি। ওক্তাগী ওম্বাঙ থেংনাং, কোম্নোং কোনম্বা শিন্নোক-শেংদোকই, তুলসীবোং মাংগোল হৈথোক-নাম্মাকই। অচুম্বগীদি চৌন-থা শেং যিৎ-মায় তাথোক্লগা জৌচিন্না পুম্ব মন্না থারে থাবা, উন্না পূমডো ডোনা চাবাক চাবাক তারে তানা শাইরিক কোম্পুনা শিং-শি চৌং-চৌং অদুম লাকই। মতম্না লৈরগা মুম হোই হৈরগনা চুমহিং অদুম স্কুল চৎলি। অরাম খোরাংদনা পঙলাক ঙাকথুদে, অহনবগীদি শক স্বকথঙ-থঙনদে।

চহী কুন গুরুকুলদা ব্রহ্মচর্য্যা পালন তৌ সাধন তৌরবা কায়িক, মানসিক, আধ্যাত্মিক শিক্ষাদীক্ষা কয়া ফংলবা তুং লাকপা মাংদা মতম মরম পূম্মক্তা মপুং মরৈ ফাবা অদুমক্তি ঐখোয়গীদা ওইথোক্তবনি, হক চৎহৈবু ওইবা য়াম্দবনি। অদুবু, শিক্ষাব্রত-চৎপা ঐখোয়গী ওক্তাশিংদুনা ঐখোয় ছাত্রশিংগী পোইন্নে য়েংনা চৎপিমল, ঐখোয়না চহীগী মতম থর থরদগী ওইরবদ্ব ইশানা হৈনিংনা অরাম-খোরাং কয়া কক, অচিক-অপা কয়া থাঙ ছাত্র-চ-ছাত্রীগী ধর্ম্ম চৎলম্মল, ওসিদি ঐখোয় ইশাদা থবক্তা হৈনিংবা, থবক তৌবদা খোম্লঙবা, পায়কপা থবক লূনা তৌইবা তানবগী লীচৎ অম্না অদুম মপক্লবনি। ওসি তাবতনা লৌহৌনা প্রচার তৌরিবা বায়িক শ্রমগী গুণ ঐখোয়দি হান্না অদুম থঙনা চাক্লবনি। নোম্বা হৈনথিবা; য়াহৌ ওনথিবা; অচিক-অপা, অরাম-খোরাং থাওবা ঙমথিবা; শাইরিক শাইন্ত তৌবদা খোংচঙবা ঙমথিবা; ঐখোয় ছাত্রশিং পুম্না চান্ন-চিন্নবা লৈমিন্নথিবা চুংইন মাশিংবা হৈথিবা অসংচিংবা কয়ানা ওসি ঐখোয় কাবকপা মরী অমমম ওইনা চৎলি পুনশিগী চঙমখাংদা অদুম। ব্রহ্মচারীশিংনা অকনবা অচেৎপা সাধনা মপাবু মথুৎ পুমচল চল, মশান মশাগী মরগু মরূপ ওইনা চৎলম্মল অতৈ আশ্রমশিংদা ইংনা অদুম পুনশি খোংচক্তৈ। ঐখোয়গী খোঙচমদুম্ব মখোয়গী খুনাম থরগী মথৈ লীবগম খোক্লুবরা ইশানা থর মথৈদি ইশাগী মরূপ ওইনা চৎপঙম হোই, মেক্লবম কয়া পাংদে।

[illegible] [illegible]

বস্তু [illegible] যেনাইখোম্না জিতং।
অন্যায়না [illegible] শত্রুবং।
(মথা-মাকওবা [illegible] মপানা মপাই মকন্থি।
মমুখা চৎলি মপানা মপাই [illegible] মতম।)

হায়রিবা ভগবদ্‌ উক্তিগী অর্থ থওবগুম থওবগুম ভৌনা চৎলি অমুম পুনশিগী খোঙতম। অদুক অমরোমদনা, পুনশিগী নোংজু-নোংখাদা পুক্নীং থোইনা তাংজুবা লৌদনা চৈংজপ অতুম থোক্তকয়বা ওথি। মাসি পুম্নমক্কি ঐথোয়গী ওজাশিংগুম্বা অবদান ওঙ্কি। মথোয়দি অপোকপা ইপাদগী হেন্নবনি। কংজি অতুনেং ওসি মথোয়গী স্মৃতিদা শ্রেয়গী তর্পন—মিংকী পি।

[illegible] [illegible] [illegible] অতকনুপা ওজাশীং। [illegible] [illegible] পরীক্ষাগী [illegible] [illegible] ঐথোয় [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]। পুক্নীং [illegible] [illegible], অমুবা [illegible] [illegible]। ঐথোয়না [illegible] [illegible] [illegible] ওজাগী [illegible] [illegible] [illegible] অতুম [illegible]। ওজাগী অয়োক্পা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] ওজাগী [illegible] ঐথোয় [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] ঐথোয় [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]।

১. [illegible] [illegible] ১৯২৮ [illegible] ঐথোয়না পরীক্ষা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পরীক্ষানি, [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পরীক্ষাথি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] মথোয় কোক থম্ব [illegible] ওইনা অতুম [illegible]

ঐখোয় অহাংবীদি প্রাণম ওইনবা লৈরমি। যুক্তিগী, থি ফাড়গী রাথলগী [illegible]
[illegible]রমি।

দ্বিতীয় [illegible] ওজা [illegible] চংথিল চংথিল কাপদনা ভগিরক্লে। প্রথম
[illegible] ওজাংশা চুমিদাং চুমিদাং অমুক কাপ্পনা তথিরে। ঐখোয় অমাম্
[illegible] [illegible] মাবক ইংলিশ লোইরা [illegible] হৌরে, পরীক্ষা পাশ হৌরে।
[illegible] ইশ্যমক স্কোলারশিপ, [illegible] মহাবংম কার্ড ঙিবিদনা [illegible]
[illegible] পাস হৌই।

পরীক্ষা যোইবাংখোয় উচ্চ-প্রাইমারী স্কুলদা হায়দোক্কই। এডুকেশন
[illegible], ডেপুটী ইনস্পেক্টর অব্ স্কুল্‌স্, সেকেণ্ড ইনস্পেক্টিং পণ্ডিত, ডিপার্ট-
[illegible] হেড্ এসিষ্টেন্ট লোইনদা যোইবাংখোয়গী [illegible]। হয়েংগুমা হায়দোক্লি
[illegible] থাংলবনি। অমুক্তী অদুম শগুলে। চুমিং চংলমদাই, হোস্টেল
[illegible] উবার্ড হালিকাগী সাইক্লোস্টাইল ভোবা লোই, লোইবগা ঐখোয়
[illegible] অংগম থগুলবনি। চেঙ্গ যুবো হথাউ হথাক্কি, অঙ্গে পাউ—হুপ্পাইবগে ;
চংথিন্দনা ঙোরে ওজাশিংদা ঐখোয় অমনী, খুরমে—পীনরে ওজানা চংশিনা [illegible]
"[illegible]-হৈবা ওইন্নে" ; মাহি মথুংনা হেক হেক ঐখোই কোক, হায়,
"[illegible] এখোয়গী অমুক," মখোল ওনপনি—খিংজুদদি পিয়াং। চংশি-
[illegible] মচা শুরা ঐখোয়গী পামুবনা ওজাগী পম্মোই। কদায় [illegible]?
[illegible] মোংবগী হৈবা ভমবা, বগক মচু পিয়া তাংবকী মতং করি ফিজেল-
[illegible] রথখোই লোক্ল হেংথাবঙ্গম হেংথানাংলুই থম্মোইনা [illegible] ওজা-
[illegible] মহৈ পুমোইমক লোক্ল মে—

> হৈবা [illegible] ওজাগী [illegible],
> হৈবা [illegible] [illegible] [illegible],
> [illegible] লোইনা [illegible] মতমগী [illegible]।
> কমি [illegible] [illegible] নংবা [illegible]।

ঐখোই [illegible] উচ্চ-প্রাইমারী স্কুল অহমকত্তগি। মকমগী মচুং [illegible],
[illegible]. [illegible], চৌকং উচ্চ-প্রাইমারী স্কুল হাযনা চংদি। অহোনবী
[illegible] [illegible] মপুইশ্বনা, [illegible] হাযবা [illegible]। [illegible] ঐখোই
[illegible] [illegible]। [illegible] মতাং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

ফিংদবা য়াম্দ্রুনা তম্লিং ওইনা লিংখিবনি। চ.য়দাং মতুং ইন, এড্রুকেসন ডিপার্টমেন্টনা এল-পি স্কুলশিং স্কুল অহর্মাসদা য়েন্থোকই। ঐখোয় সেন্ট্রাল স্কুল ছাত্রদি মোইরাংথোমদা তাই। পরীক্ষা চাম্দোকপা মতুং নোংমা কোনবদা মিং চনবা অদুম থঙনা চৎলে। হৌরিস্, স্কুলগী সেকেণ্ড মাষ্টর ওজা মদন অহিং লৈনখ্রুনা থোঙ খিলরে। মথং হৌরিস্তা অমুক কারে। কার হায়-বদুমথাওয়, করিমত কারদে। ওজা অনীখক্ত চৈবদা অম' চৈ য়ৌর'ননা নোংমদুদ নহুনা তরানি মঙানিদি মকম মরাং থোইনা থঙদনা অদুম চৎপা শাগবনি। অদুদা অমুকস্থ শাখনবা, মরম অমপা তপ্লাক চাকাখি। এল. পি. স্কুলগী ওজাশিংনা মনৌ লৌশিন্দনা মথোই মরকপী চহাদস্থ মহৈদস্থ মতিকচাবা মেং প্রয়োগন ওইনা হাপ্পিনবা অজী অমা পৌংজুম পৌখি। তুংইম, ওজা মহুৎ থংহাপ হাপ্পা য়াম্দ্রুনা ফনা শাংনা মঙং তাকন চৎখি স্কুল। মমেগা াস নম্বরস্থ ওইবা লাইব্রিক্তস্থ য়াবা থল্লকপদা নাউরেম চৈকাই স্কুলগী হেড পণ্ডিত মাইবম তম্ফা তাখি। ওজানা সেকেণ্ড মাষ্টর ওইনা চাকাখি। ওজা চাকচৌদনগীদি চথখি স্কুল নৌংখিনা অদুম।

উচ্চ-প্রাইমারী স্কুল হেক কাবদা অঙাংদ অহাং ওইবগী পুনশি-থোচতমগী চৈথৈ তাবশুম তৌখি—তাখি। অহানবমক্তা, অমুক চার খর য়াহপা ওজা অমুককিনা স্কুল কারবা তোক্লে। ঊক-য়ায়খহুনা চাকজন চাংগা হুখিদাকিনা পুং তরা নংনবা স্কুল কারে। লাইব্রিক মংমম্ব হোংলে। নির-প্রাইমারী স্কুলদা ওজামশিং য়াংপনা মথাগী ক্লাসশিংদনা অনী নত্রে অহুম ফাংলোং লোৎ-চংপা ফাদম ওইনা তম্বিবা মথক্তা অমথক্তা অক্রবনি, ওজা অদমনা কোয়বা মতৌদু চৈত্রে। ঐখোয় ক্লাস থ্রি, কোর অনাময় ক্রম মাইনা মতম অথক-অথবনা ওজা অনীমক্ত! মাঙ্গী মাগী বিষয় শিরু-শিরা তখিরে। মথক্তা পুংথাম অমা পোথাই। পুং অহমদা ছুটি ওই। শাররগী মরুঙায়দি চৈটে। অদুবু, জিয়াসয়মদি চৈ, জিয়াটিবস্ ইনস্ট্রুক্টরস্থ চহোম্বা অহুক ওহুক লাকই। ঐখোয় থরদি শাজবা ওইনা পেরেরেল বারস্ হোরিজন্টাল বার অমা দি অদুম তম্বি। অমদি তরাইবনি, মপাহ্মোংগীনি। চৈচৈ গচুদী অমা তমথুনা থোক্তবা, মী ওইবু মতা লাকপা পরেংমা। নুবা হেনবা রুগুক ময়ুনা লাকপগুম তৌখি—কেবা মোবগী ব্রা নত্রে। ইশা থরাপ অথকটৈথ নুনাং; হাক উরোল

লেংথি য়াবয়দগী ঈশিং মনম নয়া ; থরাং চাবা থকপা চাথি থকথি লুনা লেংনা। মমগুনা নিসর্গদা, নিসর্গগী লোৎলগা খুদিংদা মাধুর্য্য য়েংবগুম য়েন্দুবরা থঙলে লুবনা পুন্নিদা, পুক্নীং হকচাং থম্মোইদা পবিত্রতা (পুণ্য লোরজায় ওইবা অশেংবা), হিংথিবগুম পানথিবগুম তৌথি অচাং ওইবা পুক্নিং লুনা লেংনা পুক্নীং হকচাং ভুনা থম্মোই। ভুংইন থজুম থজুম তৌথি লুবগা লেংবগা নৈনবা য়াগী। থঙলে অতুম পুনশিগী খোঙজম্না থরাং চথরকপদা সুকথা-থানবা য়াদবা য়াগীনি। মথিগী অশেংবা মকথি। খোংনো—লূরঙ, মকথৈ—মকশিন্নি মশাগী অশেংবা ; মশাদ মরুপা, মশাগী অশেংবদ শিথরগা লোইবা নত্তে, লাংলিবা অশেংবগী মশক্ষক ওইবা লাইদা লোকই। নৈচিন্না কুপ্না হুমিৎকুম থোকই—মরুপা মকই, মকথরগা মকথৈ। লূরো—মোংলঙ, অশেংবা মঙাল কায়। ফাওই ভুংইন চাইগী মশক—অশেংবগী শক্তম। হেন্নি তমং মঙালগী মশক ওইবা কোহৌনা অশংবা অতিয়া মকোয়কুং। মীওইবা ঐথোয়গী লেহ হায়বদি নজিগী মশক্তি—মন্দিরমক্তি, হেন্নিবনি ছংদা জীব—ভগবদ্ শক্তি অমা। লূবা হেনবনা কন্নি ভাবগী মশক—অশেংবগী শক্তম। হায়নৈ অদুনোং—

Cleanliness is next to godliness.

(য়ানি তক্ক-তংনবা লাইগী ওইবা অশেংবগী চমথং)

হায়নৈ অদুনা অমুক্ক—

Cleanliness is the pearl of the first water.

(য়ানি তক্ক-তংহেনবা ভক্ফাকোনগী ভক্ফায়াই)

হক্কগয়ীনা লূনা হিং লেংনা পাল মশাবু মশাগী চায়বা মরুপ ওইনা থম জানগী জথাদা চত্তবগুম থোকথি ঐঙোন্নম থংগী মথৈ। লাইরিক হৈবা অমা ওইগে য়াগা মীয়ামগে হায়বত্তা য়াথন্না পোকথি পুক্কা। হোৎনথি ভুংইন, চমথি পুবা ইপুজেং। য়াথল কিদম মিৎয়েং পাজ্জমগী মতুং ইন মুৎয়ে অঙাংগী কুঙাওনবা শাজং হুরজং, চৎলে চং লেম। থখি মাংথিনা ওজানা শক।

নিম্ন-প্রাইমারী ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাদা ঐ চুয়দ পাশ তৌরকপনি। ঝোজা-শিংন্থ স্ক্রু-টুডেন্টশিংন্থ অমত্ত য়ংংক্কে। অদুবু ক্লাসদদি মথোয় ঝোজাক্কিশ হোজ্জরশিংগা ঐনা ওজাশিংনা থাক অমত্তদা পুক্ষবগুম তৌথি। ঝোলাশিংদ

হেক লাকপদা হেক্ক কৌই। ঈকাইবা নবথৌনা খোকই, অদুগ, ঈথৌনি খঙ্খিদবা নত্তে, মখি খা থূদিং হেক হেক্ক। মতুংদা, থুখি অদুগী উচ্চ-প্রাইমারী ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাদদি বৃত্তি ফংলে। মমিঙ মঙ্গল শীঙরিকা খঙ্লাগ ইঙগা মাঙশিনখি।

খিয়াম রাধাকিশোর সিংহ—

মোইরাংথোম উচ্চ-প্রাইমারী স্কুলগী হেড মাষ্টরনি। স্কুল তাওবা মতম ওইবনা ওজাশিং অমাংবা মশক নাইংদোনা লৌই—ইখঙ খঙনবগুম থোকই। ওজা রাধা হায়না চৎলি—খঙনৈ। ওজাহোর লেপ্তিন স্কুলগী হেড পণ্ডিত থোমত্রাম ওজাহোয় মথোয় অসিমক্তি ওকাদা ওজা ওইনা লাকপনি। কিমা লৈ, তম্বিবা হৈ, শাউবা খঙদে, ঐথোয় খুদম পুনগী থোয় লোয়না চৎলি। রায়কপা ওইনা চৈ থিজং খাংজকাওদা নোব-নোক্ত, অপঙ্গী থিজং থাদবা মাংত্রদনাপা হায়বা নোক্লীংবা অর্থদি মায়া লৈবা রাঙাংদা কোঙনা থাই। অসিসু অসিনি। মতম্, মথোয়গী শিক্ষাদোকানা মথোয় মপাগী রাথল ফিদম মিৎয়েং পান্দম পুনশিগী অর্থ মরোঁ রাংজি; ঐথোয় খুমদা নীংথিবা ফিদম ওইনা অদুম থোকই। মখোয় ওজা ওইবদা হঙলক্তে। "মী অমা সেম্বদি লৈবাক অমা সেম্বনি" হায়বা খঙনা চৎলি। মপাগী থোয়দনা য়েংদে, ছাত্রশিদ য়েংজি। স্কুলদা পোখাদনা তাম্বই, তাখরে হায়দুনা মমদা চাকপা ছাত্র মাথোকপা হৌদে, চৎচারা হস্তাক্ষর হস্তাক্ষর অদুম তমি। তাপনা অমনা মপাগী ভাপন্ত কৈদা লোয়রখিদ্রি মত্র কিমা চৎপগুম চৎপনি অদুম ওজা ওইবগী ধর্ম।

ওজাগীদা লেকপা—

নিম্ন-প্রাইমারী স্কুল ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাগী মতমদা ওজাহনগীদা ছাত্র মর্মাম লেকপগুম উচ্চ-প্রাইমারী স্কুল ছাত্রবৃত্তি পরীক্ষাগী মতমদসু ওজাগীদা মর্মাম অদুম লেকই। ঐগা ঐগী তম্মিনবা মরুপ অনীমগা ঐথোয় অহমদি ক্লাস কৌর কাবা থা অনী অহুম মতুংদগী অদুম লেপ্লে। ওজাগী মচা তাঙ্ক্ব, নিপাম লৈজনবা, অহুনোং, পাথোল জঁথোল তৌবিনবা লৈতবা, অমমোমদনা ঐথোয়বা নক্লা লৈবা, তত্তনা চঙবা, খবক উনথাং অথু-অকাই লোইনমক হেক হেক

তৌথকপী অতুম লেকখিবনি। ঐখোয়না থা অয়েৎ নীপাল ওজাগীদা লেকথিবসি পুনশিগী নাংথিবা মওং অমা লাকপগুম পোকখি। নোংমগী স্কুলদা কম্বা পড়া তংথিল লোইনা পাই, যেংডি। য়াচঙ মতুংদা ওজাগীদা চৎলি, ঐথে য় ইশেন খঙদবা হংনৈ। অরিবা পানৈ, অনৌবা যেংনৈ। ওজানা চাক্ষ'ঙ চাকুং অনীমক্তা লাইরিক খঙনে অঙ্ক খঙদে হৈরসন্থ মতা তম্বি, তাকপি তমিৎ থূদিং। পুং তরা হেক তাবদা তুঙ্গস্ব।

খোমত্রাম ওজাগীদা লেকপা মতমদগী ঐখোয় ইপুরথোক্লা সেবাগী থবক থর পৌবা হৌরক্লে। অতুবু, অঙাং থব যান্না ওইবিনগা, লাপ্না অয়ুক্তা স্কুল নংনবা লাক্ষপা লাবগা গুম্বাঙ পেলোং থব শিং থোংপা, তুলসাবোং মাংগোল থর কৈ নানবদগী পঙহেন হেন্দে। দিগাম ওজাগীসিদদি ইশাগী পাংগল থিক্তুং হেল্লা কৈনে; য়ুমস্থ নক্লে, স্কুলস্থ তুংথিংগী ওইবে সেবাগী থবক থর নাংথিনা তৌবা ঙম্রে।

· হৌই গোবিন্দগী মঙ্গলাবন্দিদা। চীন য়া শেংডি। গুম্বাঙ পেলোং কোহোঙ কোনগা কক্লা শেংডি। গুম্বাঙ মাঙ্গাল য়াই কৈপোকই। কম্বী সড়ক অমনা ষণগোলদগী মঙ্গী পেকলুই, থানবা মপাক মপাক্ষ চৈদা অশাংবস্থ সাই। কৈপাক পৌড়না ফদিগোম হয়াইমপোয়চিংবা হঙ্গিল্লি। তুংেন্দগী কৈড়োই পেক্কুনা অরুং অতোঙ মেনশিল্লি। পুত্রীগী কং শেংদোকই। ওজাগীনা হনাউ-জবা থেংডি, থেংডি ঐখোমগীনা সেবাগী স্বঙ্গাইবা। সেমথিনগুম থোকথি পুনশিগী শাক্তৎ তুংজৎ। শারি ফল তৌবক্সল, চারি ঈংনা ঙসি। ঙংনাংলকই হেক হেক, ঙংস্থ ঙংডি বিশ্বকবিগী ইশৈ—

মরিতে চাহি না আমি সুন্দর ভুবনে,
মানবের মাঝে আমি বাঁচিবারে চাই।

থেংনথি থোঙভম অসিমক্তা নিসর্গগী থায়দগী ফঙবা পোৎলমশীংদা অমা, পুনশিগী ওইনা অনীবক অক্ষক। চাঙ্খে তুনবলি। চীঙ্খোদা ঙোরু-শংবানবা মঙাল অমা ফ্লড-লাইট কাঙ্গগুম কাপথোয়রুপা দিকুপমগী মচুংদা ঈথয়না অতিয়া ময়োল তক্লা মৈ মালং নোংজম পুমডাম হেক ঙাল শামবা নিসর্গগী কুপ্মেনি নীংথিবা, অতমনা উগে ফংঙময়বা। এহেো অপৈবনা—

লাইরেল লাবা য়াওলে,
হুইখোঁরাবা চিযেঙলে,
চীংখৈ ফিথুপ হুন্নক্লে,
... ...

হায়না থারম্লিবা ফজবা ইন্নুংগী মফম উথি মিৎনা শংশং মিকুপ'মত্তং, নত্তে ফানীং ফাম্রাদং। পোকথি থম্মোইদা ফোঁঙমদবা হুঙাইবা, সাত্ত্বিক আনন্দ—ব্রহ্মগী মশক।

আনন্দেতি ব্রহ্ম ব্যজানাৎ।
(আনন্দদি খঙু ব্রহ্মনি।)

ফজবত্নগী মঙান্দা ফাওবকপগুম তৌথি মঙ ওই হা ওই ফজবগী মশক্মক ওইবা ভগবানগী ভাবকী শক্তম অমা, খঙদে মাগী থৌজান্নরা !

মী বিশ্বজগৎকা অমত্তনি। জগৎনা চাউবা মানা পিক্কপগী য়াদনি। গুণদদি থেন্নবা নত্তে। হায় অহুনা তন্ত্রশাস্ত্র—

যদ্ ইহাস্তি তদন্যত্র।
যন্নেহাস্তি ন তৎ ক্কচিৎ॥
(সিদা লৈরে লৈ অতৈদা।
সিদা লৈত্রে লৈতে কৈদা॥)

"মীগী দেহদা লৈবা থিবিক লৈ বিশ্বজগত্তা, মাসিদা লৈতব'মত্ত লৈবা তৌদে জগত্তা" হায়বনি। ঐথোয় ভারতকী সমাজদা বর্ণ মরি লৈ। লৈরিবসি মী ঐথোয়দা লৈবননি। মথোয় বর্ণ মরিসি আদি পুরুষ ব্রহ্মানা মশাদগী পুশোকপনি হায়।

ইরি মনুসংহিতাদা—

লোকানাস্ত বিবৃদ্ধ্যর্থং মুখবাহূরুপাদতঃ।
ব্রাহ্মণং ক্ষত্রিয়ংবৈশ্যং শূদ্রঞ্চ নিরবর্ত্তয়ৎ॥
(লোকশিংগীম্ন লৈচাউনবা পুথোকখিবনি তম্নমক।
চীন-শা-কৈ-খোঙদই ব্রাহ্মণ ক্ষত্র বৈশ্য শূদ্র লোইনমক॥)

শাস্ত্রগী বাক্য অসিনা তাক্লি তশেং, লৈ মীপূম খূদিংদা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্র, বৈশ্য, শূদ্রগী গুণ অমসুং কর্ম। মীনা মীওইবা তারবদি মশাগী গুণ-কর্মশিং অসিগী বিকাশ চংঙি। ব্রাহ্মণ ওইনা জ্ঞানগী মপু ওইবা তাই, ক্ষত্রিয় ওইনা পাংগল কনবা তাই, বৈশ্য ওইনা পুক থিবা তাই, শূদ্র ওইনা সেবা তৌবা তাই। অদুনা খায়নবা বেদ-পুরাণগী যুগদা গুণ-কর্মশিং অসিগী বিকাশনা শিক্ষাগী উদ্দেশ্য ওইরম্মি। জ্ঞান, কর্ম, যোগ, ভক্তিগী সাধন দেহগী মংক্লা দেহগী মপাল তাংনা তৌবা তাবনা দেহপুষ্টিগী লম্বী য়াম্না য়েংঙি।

শরীরাদ্য খলু ধর্মসাধনম্

(হকচাং হান্না য়েংলগা তানগনি ধর্ম)

হায়বা নীতিগী মতুং ইন পঞ্চকুম্ভরাশির চংলি। বিদ্যার্থী ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌই। য়াহিপ চাকচা অকক্লে, সন্ধ্যা কায়দে। ফুম্বিক মৈদা ইক চক্নু মশা সেম নোংহৌ অমুক তন্না মপাংগল হান্নগুম তপস্যাগী মৈদা ইক সেম্মি মংকচাং, হাপ্পি নোংহৌ তন্না অমুক মপাংগল।

পুনশি থৌগাইগী মশক্লি। পোকপা শিবা অনীগী খোংচমা লংলা মতম লেংবা থৌগাইগী পরেংনি। লৈতে অদুনা পুনশিগী মিকপ অমত্তংদকাও থবক হাওনা কনামত্ত কদোম্না। সৃষ্টিগী পোরোলনা পীনবা গুণশিংনা জগৎ অপুম্বা খোংচম খূদিং থবক ইত্তোদ তৌদুনা লৈবনি।

ন হি কশ্চিৎক্ষণমপি জাতু তিষ্ঠত্যকর্মকৃৎ।

কার্য্যতে হ্যবশঃ কর্ম সর্বঃ প্রকৃতিজৈর্গুণৈঃ॥

হেক লেখদা লোইরবনি অদুম।

নিয়তং কুরু কর্ম ত্বং কর্ম জ্যায়ো হ্যকর্মণঃ।

শরীরযাত্রাপি চ তে ন প্রসিদ্ধ্যেদকর্মণঃ॥

অসিনোং হায়রম্নি কবি টেনিসন্না মাগী ইউলিসিস্ কবিতাদা—

Activity is life,
Silence is death,
নোম্নো কৌই হিংবা,
মংলে শিবা।

অসিস্থ অসি ওইবে, লৈমি অমুম্বু কর্মগী থোইথোইবা গুণ। মীওইবগী খ্বাথল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম, পুনশিগী অর্থ শংবো কর্মনা ফোঁঙি। ফরে ফনা, ফত্রে ফত্তনা চংলি কর্ম। কর্ম-কবা, জগৎকী খ্বাথল মংদা পু থবক তৌবা মী লেম্না মাঙদে, চায় পোক্লমল মাং।

কর্মণৈব হি সংসিদ্ধিমাস্থিতা জনকাদয়ঃ।

লোকসংগ্রহমেবাপি সংপশ্যন্ কর্তুমর্হসি॥

(কংথিবনি কর্মমন্না জনকথোগ নাংথিবা সিদ্ধি।

থৌরাং শুনাইমক্কী যেংনস্থ তৌকম থোকই তৌ কর্মদি॥)

থবক্কী মশক অমস্তং মগুণ নাইথিনা থঙমল পাম্নাথ পোৎপু চাঙ্গল কুস্ম, জনক্রচিংবা রাজর্ষিশিং। অমসোমদনা, ব্রাহ্মণ মচম জ্ঞানগী মপু ওই, ক্ষত্রিয় ওইনা লৈবাক ঙাক, বৈশ্য মচম পোৎপু চাঙ্গল পায়, নৈতিক-নৈমিত্তিক সেবা চংকম থোকপা চৎ শূদ্রগী মশক লৌশাকথি জগত্রা লৈবনি মীপুম খুদিংদা বর্ণ মদিগী গুণ অমদি বৃত্তি, মথোয়গী পূর্ণবিকাশনা চায় মানা পোক্লমল। হৌথি অদুগুম্বগুম মচমগী শংকোন্দ চানা মথোয়গী মমিং। শিবা ক্কাউবা অনাগী জগৎসিদা পোক্লু, পোক্লবি মথোয় ঠিন্নপ খুদিং; শক্তি, শক্তিদি কর্মদেগী গুণ; তা ক্লু, তাক্লবি সঙ্গংগী লম্বী।

লৈবাংথি গুণী কয়া কয়ানা ভারতকী চির-চিরবা মতাংদা—

শকথি গীতাবতার স্বামী বিবেকানন্দ—

ওঁ উত্তিষ্ঠত জাগ্রত প্রাপ্যবরাণ নিবোধত।

Arise, awake and stop not till the goal is reached.

লৌথি লৈথাং সাধক মুকুন্দদাস—

করমেরি যুগ এসে

সবাই কাজে লেগে গেছে—

তোমরা রবে কি শয়ান!

শকথথি, কর্মগী মশক্তি পুংনি, লৈতে কর্মদা অচোপ অয়েম, তৌ অমা হেক্ত-

বি. এ. এম. এ. পাস করে

চাকরি যদি নাহি মিলে

ভাঙ্গ করে বাসতি ধর
দুদিন পরে দেখতে পাবে
ঘুঁচে গেছে হাহাকার।

থবক্কা অচোপ অরেম থীনা থায়, অচৌ পিশক থীনা নাই সাম্যগী ক্ষেত্রদা বৈষম্যনা ঊশিং থীনা চঙবা উ হাউখি মহাত্মা—

মুচি'মগী থবক,
উকিল'মগী থবক—
ভগবানস্থ হেন্দে
অমগীনস্থ তাদে,
থবক্কী থবক অম্মানি,
পুণ্যগী লুবা ওাক্তনি।

চেল্লি অদুনোং ওসি সমাজদা লমজিং-মৈরা পায়বশিংনা, "থবক্তি অচোপ অরেম নাইদে, ইরেমদ লেমজবনি। অদুনোং, নৈবাক্কী নৈবাক হৌবা লুপী খোং সেংগুম্বা থবক পঙ্গাউশিংদা মম্বাশিংস্থ শক্কক য়াই। নৈপাক পোলাং অমা শরিমা হৈ হায় হোল্লি হায চৌহুনা থবক্কী গৌরব উৎলি। কম্বি কবিগুরুদা স্কুল, কলেজগী ছাত্র-ছাত্রীশিংবু সমাজ-সেবাগী নামদা থবক শূবা তম্বি। পুনশি সেবাগী মশরি, সেবাধর্মনা পুনশিগী লেঙদবা, কায়ফদবা ধর্মনি তাকই। চহী হুদিং অক্টোবরগী তারিখ ২, বাপুজীগী জন্মদিবসপালনগী উপলক্ষ্যদা বাপুজী মশাগী অপাম্বা মতুং ইন অথগু ভারতকী খুনগং লথা লথানা ওমতু হেক হেক শেংলি। ভারত সরকারনস্থ খরচ কয়া কয়া তৌদুনা তৌগৎলি।

পুন্নমক্তি লোকজনার্দ্দনগী সেবা ওাক্তি, লোককল্যাণগী থৌরাং ওাক্তি, অফবগী অফবা ওাক্তি। জগৎসিদা অফবমদা কাম্বিবা পো অমত্ত লেম্না চক্তে— নৈ ভগবদ্বাণী,

"নেহাভিক্রমনাশোঽস্তি প্রত্যবায়ো ন বিদ্যতে।"

অদুবু, ওয়াইবদি নত্তে, চঙ নিষ্ঠা—পুন্নীংগী অঙ্গংবি ওমা। মতুনা পামগা

পানবা মেহনা কেন্নগা কেন্বা হায়বা ব্রাশক অমগী মথক্তা ·থাংবা ভাই থোঙ।
অজুনোং ভাক্লি জগতত্তা অর্জুন্দা পান্দুনা ভগবান—

হতো বা প্রাপ্স্যসি স্বর্গং জিত্বা বা ভোক্ষ্যসে মহীম।
তস্মাত্তিষ্ঠ কৌন্তেয় যুদ্ধায় কৃতনিশ্চয়ঃ ॥

(তুরো লান্দা কানি স্বর্গ পাক্লো নমায় চানি মালেম।
লেপ্লো নবুক লালগী দমক হোগৎলো কৌন্তেয় চাং লেম ॥

ঙসি থবক্তী লমদা চঙলিবা মথোয় মন্ত্রীশিং থঙদে, ছাত্র-ছাত্রীশিং থঙদে, লৈবাক খুনাই থঙদে লোইনবা থবক-তৌবা চোপ্পা যুগগী, খৃৎনাই-শিন্নাইনা পোকপশিং-অতোন-অতাশিংদনা-থবক-শৃগদবনি-চৎপা সমাজগী মীথিৎ, মীশক ঙাক্লিনা মথোয় মশানা ভৌভম থোকই ভৌনকুরিবা থবক্তী মথন্নায় অমসুং মগুণ হাপ্পা ঙমদে। মশানা ভাউনা চৎপগুম মথোয়না পীবা ফিদমসু ভাউনা অতুম চৎলি। অমরোমদনা, ঐথোয় থবক্তা হৈনরকপা, থবক্তী মহাউ থঙনা লাকপা ঐথোয়না ভৌবদনা মীগী মমিৎ চুই।

নীংসিংলি—

খ্রীষ্টগী কুমশীংনা হুম্ফুগী পরেং চৎলিঙৈ মতমদনি, ঐ ডি. এম. কলেজদা মণিপুরী ডিপার্টমেন্টকী হেড ওইরি। পোষ্ট-গ্রেজুয়েট (বি, টি) সেক্সনগীসু শরুক য়াই, মণিপুরী মেথড তম্বিবা য়াউই। থবক শৃগনবা, থবক্তা হুঙাইবা পোকপনিনা নোংমগী থবক থর শৃদবা লৈতে। গুম্বাঙ থেলো· তরু তরুই, মনীং ময়া তনাল তনাল্লি, মনা মশীং থর থর থাই, হৈ-লৈ থবসু হোৌই। নোংমগী এনশাং নাপী ঈশিং চাইবা, শীংয়েল য়েংশিনবা কায়দে।

এডভোকেট অমা লৈমিন্নরম্মি, ত্রিপুরানাথ ভট্টাচার্যা কৌই। মনাউ অমা ব্রার্থাদা ট্রেনীং চৎলুবদগী ময়াম্বা উনবা লাকথি। ঐগী তরু তরু পানবা ইংথোন্দা মাগী থোয়দাবা থেংথি। ঐগী দৈনন্দিন জীবন্দা থোইনা হেন্না ওরুবগুম ভৌবয়া, লাকথি নোংমা অঙনবদা, ঐনা গুম্বাঙ কন্না শিংলিঙৈ, হায়রৈ—

নমস্কার, প্রোফেসার সাহাব!
সত্যি, আপনি ধন্য।

আমি ট্রেনীং গিয়েছিলুম বার্ধায়,
পেয়েছি কিন্তু আদর্শক্ষেত্র আপনার বসতবাটীতে,
এবং আদর্শের চলন্ত মূর্ত্তি দেখেছি যেন আপনার জীবনে।
আশা করি নিতান্ত আপনার মত জীবন যেন কাটতে পারি।

… … … … … … …

মাসি ঐথোয় ইশাগী অক্ষরশিক্ষাগী হোৎনরম্মলগা ওজাশিংগী সেবা চৎ-লম্মলগা অনীদগীনি। ঐথোয়না থবক্তা হৈনরকপা, থবক্তা থব্রায় তাবা, হুণ্ডাইবা পোকপা ওম্বদগী থোকপনি। মনোবৃত্তি ফুগৎপগা লোয়ননা ঐথোয় ইশাদা থুপ্নিবা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্রগী গুণ অমম্মং বৃত্তি ফুদোকপনা শিক্ষাগী পান্দম্নি। মাসিদনা মীনা পুনশিগী নোংজু হুংশা লেল্লি তবাই, মানবধর্ম্ম কাযবা লৈতনা চৎলি মপুনশিগী খোঙ্ফম খূদিং; ছিংবদনা চন্না হিং পানবদনা পুক্নীং শেংনা ব্রাথজ লূনা থম্মোই ঈংনা পান মর্ত্ত্যসিদা স্বর্গগী ওইবা হুণ্ডাইবা পী, য়েল্লি।



নীপালস্থবা মতাং

লীকয়াল পরেং

হুইদ্রোম অমুবী—

থাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকাইদা পোকপনি। লৈশানা সাহেব ওঝা। ব্লেকি সাহেবতনি। হুমিদাং চেনবা নোংঙানবদা সনা কোঙ্গংদা "কাবনি হায়রু, কনগে নশাস্থ কৈরোয় লৈকাইস্থ সাহেব মশাস্থ লোইনবা" তাকপি শ্রীযুৎনা সনায়াথং। য়াথিদে, থাঙ্খি শিথাঙ অমুবী। কষ্টী থৎপা তাখি, থৎখি— সনখোঙদা য়ামখি।

এফ, জে, ব্লেকি পাথংনি, স্পোর্টস্ মোন্নি, মশক গৌনা ফজৈ। লৈবাক্কী কলেক্টর অমসুং মেজিষ্ট্রেটনি। অমুবী মতম থন ললগী মথক্তা শক্তী লৈবা তৌহুনা পাল্লি। কুইয়ুদি ত্তগথিদে। পৃথ্বীগী অহানবা লান্তাঙদা, ফ্রান্সগী লানফমদা মণিপুর কন্টিঞ্জেন্ট কমাণ্ড তৌহুনা চৎলি মি. ব্লেকি। হন্নকপগা কুইরমদরে, চৎথরে অন্না অতম কন্দিকাপ্পা। তাথরে হুমিৎ, নৈহোৎরে থম্বাল অময়-ফিরুক্ক থুম, নোংজা ঈবী খোল। থম্বালগী দি নোং মঙাল্লকই, অমুবীগীদি থাল্লকখিদরে অমুক। অরা-মৈথু চাং মঙ্গুনরবা মথম্মোই মঙ্গুনবা চরৈনা য়োম চৎলম্মি শিনা শিনা হিং ফনবু কুইনা কংলৈসনাপুংসিদা অমুবী।

মথোয় আশা-লৈত্রবা থম্মোইশিংসিগী অথুপ্পা মপাউ তাই মমেক শেংনা বিশ্বকবিনা মশাগী ভগবান্দা কৎপা অর্জী অমদা—.

> দিবস যদি সাঙ্গ হল, না যদি গাহে পাখী,
>
> ক্লান্ত বায়ু না যদি আর চলে,
>
> এবার তবে গভীর করে ফেলো গো মোরে ঢাকি
>
> অতি নিবিড় ঘন তিমিরতলে—
>
> স্বপন দিয়ে গোপনে ধীরে ধীরে
>
> যেমন করে ঢেকেছ ধরণীরে,
>
> যেমন করে ঢেকেছ তুমি মুদিয়া-পড়া আঁখি,
>
> ঢেকেছ তুমি রাতের শতদলে।

(কোরৌনা য়াচঙ ভন্না ভম চেক্নানা মখোল থুন্নবা,
মালংনা মশা চোক হুধা লেপ্পবা
থুপচিনবিরো 'হৃদি ঐবু থুগু থুন্নবা অমদা,
অময়-লোক্তা শুকপনা শূক শুরবা—
মঙলান্না তুমিন্না ভরোইনি ভরোই
কোয়শিনবিগুম নংনা মালেমগী লৈকোয়,
ক্ষোনশিনবিগুম নথাদা নংনা মিৎলাং তুথরক্লবা,
থুপ্পিগুম থবাল চান্নীপাল অহিংদা।)

মশোয়গী মতৌ উবদা ম্নাদবা ভমদে থম্মোই, কবি করিগুম্না লোংদদি খংভাগু থনখি—মখোয়সিদি মপোক্না ওঙ্গথিবনা হেন্না ফবনি। ভংনিংথি, ডপি ভুংইন বিশ্বকবিগী মখংগী অর্জী—

পাথেয় যার ফুরায়ে আসে পথের মাঝখানে,
ক্ষতির রেখা উঠেছে যার ফুটে,
বসনভূষা মলিন হল ধুলায় অপমানে,
শকতি যার পড়িতে চায় টুটে—
ঢাকিয়া দিক তাহার ক্ষতব্যথা
করুণাঘন গভীর গোপনতা,
ঘুচায়ে লাজ ফুটাও তারে নবীন উষা-পানে
জুড়ায়ে তারে আঁধারসুধাজলে।

(লম্বীগী চেঙজেন্না লোইরক্লবা য়াংদো লম্মুথাঙদা,
অমাঙ-মমিনা তারক্লবা মমায়দা,
মীমাঙ ফম উফুল লাং মোচ্ছ্নবক্লবা ফিনা রোন্না,
পাংগন্না ময়েং ভা মমং লান্নক্লবা—
থুপচিনবিরো চৈনাথোল মানা পুরিবা
থুগু থুন্না অথুন্না খোঙাদগী মশক,
শাচিয়সম্ব ইকাই-ফিরুক হাং নোংছৌনা ইন্নুদা
অময়-ঊরানা মশা লোক ঈংজনা হুক।)

অমুবী মথন্দ নত্তে নৌনা মন্নাক কয় থীনা মচু ওল মাথিব। বৃটিশ কর্মচারীশিং মীনি, লু-তোংগী ঙাক্কি. অগাম-খোৱাং লোইনা থঙি। শ্বেতদ্বীপকী শ্বেতচক্ষু কনা লৈতে, অসিতদেশশিগী অসিতচক্ষুনা অগাম-খোৱাং ঙাক্কে। থবক্তা লৈরিমথেগীনি। লোইরো থবক্তা মতাং মথোয় কর্মচারীশিংগী, লোইরে অত্তুম অসিত চক্ষুশিংগী পুনশিংঙ; কায় মঙলান, মঙকাওনৈ তাইবং—মাথি ভঙ্গা ফিগাউ-থনবা মঙ্গী ম'গ্রা।

মথোয় শ্বেত কর্মচারীশিংসে থম্মোই-পান্ধবদি নত্তে। ভারত মথোয়গী নাই ফুংগানি। ভারতচক্ষু মথোয়দা নাইরোল ঙাক্কি। শ্বেতজাতিগী সম্মান্না লুবনা থম্মোই পাল্লে পাম্না অসিত চক্ষুশিংগী থক য়েংদে। থাদোকই অত্তুম। নিংথৌগী মচাহুপী ফাও মথোয়দদি নাইজহনবগী মযোম ওইনা খোকপনা সনাগী শেখাক্তা মলমূত্র তৌথে তৌরগা থম্মিবনি। সমাজদি থুন্দবা মাদবনিনা থুজি লৈমল, থম্মি তোঙাল মশাগী ধর্ম অমম্থং সম্মান ঙাক্কবা মেমপাড়াদা নোংপোক-থোং মিয়থোং থোং অনীনা থৈবা লম।

অমুবীনা চক্কেল্লুমল নীঙমদবনি থঙদে সাহেব কায়নথিমল মথম্মোই কায়বনি থঙদে মক্না মোৎনা, তুষক তুফাই ইচল চল চৎপা খোৎপা উবা থূদিং পুক্কীংদা অক্লাবা ক্লাহংপরেংমা হেক হেক থোয়কই—

অমুবী ইম্ফালচক্ষুনি। থুমুংস্থ নত্তে, মণিনফম্না লৈবাক্তীম্ব তেথাউ-ময়াং-শীস্থ ঙৈরাং লোইনা থঙবীসি। সাহেব ওংবা হায়রে অঙাং পঙওই ওইনা নত্তে, লৈশাবী মরিরবনি। মেমপাড়া মথঙ-মতারিনি। অয়াথমক্তী নত্রবস্থ ছোট-সাহেব ওংবী অথোকপী, বডসাহেব ওংবী সনাতোম্বী অনীগী মপাউর্দদি মতারিনি। সনাতোম্বীগীদি ঐথোয় মতমতুগী অঙাংনা—

সনাতোম্বী মাঙলে মাঙলে
বড়সাহেব ঠিকা ওক্লে

শক্কবনা মহাক্কম্ শক্কমগনি। করিগী অত্তুদি মহাক উনা উঁমা অযাংবা নেৎলি! করে, মাদি মাচম্রি—ঙৈচম্রি, জগোইসাবিনি, নেৎলমহু। সনাতোম্বীদি সনা ঙৈচীম্রি, স্বরচন্দ্র মহারাজনা পোকপনি. নোংমাইথেম্বা অঙোমনিংথৌগী মমৌনি। ম্নংথিল পোবোপ্তা মন্নামদগী করিগী চেন্নি, হপ্তা বাঙলোদা চুম্মিং চেনশিন্দুনা করিগী সাহেবতা মশা কথোকই, করিগী লাজ-কুল-মান লোইনা হৈদোকই,

নাচু'দে ! থরনা হায়, "হাও পেরৈগী মঙ্গনা ফাবনি"। থর অমনা ককই থবৎ, "মঙ্গনা মী ফাবা য়ারবদি তম্ফাসনা ফানিনা ! মশা মশা হুংশিনদনবু থোকপা য়াবরা"। অমুক থর অমনা হায়, "সনাগী পেশাক্তা লমহুইনা মলমূত্র তৌ হায়বা হায়া পুম্নাদা লৈরবনিদা"।

পূম্নমক অচুম্বগী অচুম্বা ঙাক্কি, অমম্বগী অমম্বা ঙাক্কি। অমুক হেম্না চুম্নিবা মন্নিবনা সনাতোম্বীনা মথাকপু লূনা শৌম্নবা মনীং তম্না ক্ষণ্ডাইনা পানগ্রবা মরাম ওরাই তুংগ্রইনরম মীরৈবাক মচা অমদা মবুক থোক্লা চেল্লি। মীরৈবাক অতুমক্ষ্ সমুদ্র ঈরম তরেৎ য়াংমগীনি—শ্বেতদ্বীপনি। য়াহিপ চাকচা, য়াঙাং থোনফম, লোক্কৎ হুংজৎ লোইনা থীনা চৈনবনি। তুংগী কবি য়েংবা তৌদনা চঙ্গি থোনা হপ্পা বাঙ্গলো। অমুবীগীম্ব অতুনি। ইকাই-ইকি চঙদে, তুংগী য়েংদে, নিংথৌগী হুংশিবা বিচার লৌদে—য়েকি ফংলগা লোইরেদনি মাগী হায়ববু।

মশ্মি, মম্না মম্না চৎলি অতুম পুনশিদা ঐসি—ফনা কুইননি। তাকুই নোংমদি মৈতৈ অশৈবনা শকপা—

হুংশিবনা হাল্লুরে,
শকথঙবনা কোহ্লোয়ে
পাম্মু নংবু ননাওনা।

থুক পাল্লি, থঙদে মুম্না অর্থদি। থেংনকুই নোংমা লাইরিক্সদা

সহজ প্রেম

পোকপদগী কোম্নরকপা প্রেম। থম্মুমক্ষ তৌই, থঙলোদনা থঙদে। অম্নম অম্নম লাইরিক কাবক কাবক তম্নক্লে ; নোংপোক, নোংচুপ—য়ায়গে অনীমক্সা কনা কনাগুম্বা কবিশিংগী কাব্যকুঞ্জদা প্রবেশ থর থরদং লৈবগুম-লৈবগুম তৌরক্লে। বঙ্কিমগী কাব্যকুঞ্জদা তাকুই নোংমা কপালকুণ্ডলানা নবকুমারদা হুংশিনা কৌরকপা—

পথিক, তুমি পথ হারাইয়াছ ?

তাকুই নোংমনা সেক্সপীয়রগীদা মিরাণ্ডাগী হুংশি মপাউথোক—

I have no ambition
To see a goodlier man.

কার্য্য কারণগী জগৎ অসিদা মহাকবিশিংসিনা মখোয়গী খোর্জেনা রেক্লিবা চরিত্রশিংগী মপাউখোল কয়ি করম মশা-ক্লাউবা-প্রেয়সী-ছন্দ পান শক্লুরিবা!

জগৎকী মীপুম খুদিং মপোক কোঙ্গায়-কোঙ্গায় ওয়া ওয়া লাক্লমনি।

বহুনি মে ব্যতীতানি জন্মানি তব চার্জুন।

(জম কয়া ওনপ্রবনি ঐগীম নঙগীম অর্জুন।)

হায়বা ভগবদ্উক্তিনা অহুম মতাকই। অসিনোং বিশ্বকবিনা শক্লম্লিবসিনি—

জানি জানি কোন্ আদিকাল হতে
ভাসালে আমারে জীবনের স্রোতে,
সহসা হে প্রিয়, কত গৃহে পথে
রেখে গেছ প্রাণে কত হরষণ।

(থঁন্তি থঁন্তি এহেলো মতাং অমদা
থাত্রকপনি ঐ পুনশিগী ঈচেন্দা,
থৈথি হেক হেক মুমখোঙ লমদাং কয়াদা,
থল্লায়না ছুংশি, কয়া পেঙথিবা!)

মী মপোক লাংডোল খুদিং ছুংশি কয়া শকথঙনরকই, থম্মোই থম্মোই লাম্মোক্লরকই—শিন্নরকই। মংকম মংকম খুদিং পিগা পিগা চিলোক্লা ব্রানা কাযনরকই—মৈতাম্মা হেক হেক ব্রাথৈনরকই। লাডোল খুদিং গুণ, কর্মগী মতুং ইন ফিজোল হেক হেক হোংঙি। মপাম্মোংদদি শক্লাউনৈ, থঙনদে। অদুবু, জীব মশেন্দি থঙনভম থোকপনা অহুম থঙনৈ। ছুংগাউনৈ, ছুংশিনৈ, ফুজিন্নৈ। কাইহৌবগী শরুক্তি ছপী—ওইবীনা জগৎ-পোকপী দক্ষিণাগী মশক্লিনা ব্রাই হেক হেক। সংসারসিদা সনাতোম্বী মথন্দ নত্তে, কয়া কয়ানি। অমুবী মথন্দ নত্তে, কোঙ্গায় কোঙ্গায়নি। পুনশি-লীলাদা মতাং অমা থোক্লুবনা কুম্নথিবদনি। অদুবু, মালংচৎকা মীরমচৎকা তৈরপ চৎনবনা মরম থরদা থীরপ থোক্লুবা, ভুংইন মিংকম থীরপ চৎলুবগী ব্রাদনি।

ভদ্রসিংহ—

দুর্গাপূজা নুক্লে। কাম্বিগ্নর শঙলাকপনা লাই সাবা লোইশিল্লক্লে। নুক্তি

লোইনা মুরে। অঙ্গয়াগগী শরুক্ত মণ্ডারশিল্লক্কে। মতাং অসিল্লাইমক্তনি, নোংমা ভুংখিল অওনবদা শ্রীযুৎ লেওশিল্লকই, সনা মিৎয়েং তারে। কুপ্পা লাইশিং মথং মথং সনা মিৎয়েং তারবা 'তুং খোগলশিংদা সনা য়াখং খিত্তং ওইনা তাকপিরকই, "ভদ্র ... ... ।" কারিগর, থুক্লপ তৌবরা, মমাং লাং-শিল্লপ তৌই, লাইদা করি শোয়রবা কোয়য়েং য়েংঙি। খোগলশিং ভদ্র কৌক হায়রবনি খঙনৈ।

মতম অসি মহারাজগী তুরুক সওয়ায় পয়েং অমা লৈ। সনা খোগল মখোয়না অয়াম্বা তৌই, খোগনপাউ অথুবা অয়াম্বা মখোয়না চৎলি। খোগল মরক্তা চুয়া য়াওরবা তুরুক অমা সনা য়াখং পুত্না তম্না অদুম চৎথরে—শগোন্দনি।

ভদ্র মাগী যুগদা অখোইবা চিত্রকারনি। মাগী চিত্রদি মমি তাই—মথন্নায় পাল্লি। অতুনা নামৎ থীনা মাঁঙি—লাইরে। কলাগী ক্ষেত্রদা নামৎ মাঙনা চৎপা শিল্লী অহুম্নি—চিত্রকার ওাক্লি : য়েকই অমনা অক্ষরনা চিত্র, কৌই কবি ; য়েকই অমনা স্বরনা চিত্র, কৌই গাথক ; য়েকই অমুক অমনা রেখানা চিত্র, কৌই পটুয়া। মখোয়দি প্রাকৃত জগত্তা হিংনা হিংনা ভাবজগত্তা পাল্লি। তাপস ওাক্লি মখোয়। সাধনা কাবা তুংইন জগৎকা তায়ে হেন্না হেন্না অমুমমুম। তারুই বীণাগী কোন্দা, কোনশিল্লি—কনশিল্লি বীণাপাণিনা মদাইনি অচানবা। য়ারোই শিল্লীশিংবু তুরোম্নবগী মহূ চেনবনিনা লক্ষ্মী। অদুনোং কবিগী কাবিতা, গায়কগী গান, পটুয়াগী পট—চিত্র অহুমসি বাণিজ্যগী বণিজদা, হায়বদি, লল্লোনবগী লল্লোনপোৎশিংদা কন্না চন্দে। ললগী মবেম্বদি লল্লোনবদা লৈবনা হায়নরিবা, খঙনবিবসিনি—

বাণিজ্যে বসতি লক্ষ্মীঃ।

অসিনোং মপুণনা বিক্রমাদিত্যগী নবরত্নগী রত্ন অমা ওইবগা বররুচি লক্ষ্মীনা থীনা কাথোক্লল চায়া নাম্বা মবুক থম্না চাবা ফংদবনি। মতাংলোয়গী খোইনশিন্না "নিংথৌলাইবক মুমদিন্নবা য়াবরা য়েংলুংগে, থম্নুমগে" লাকতৈ লাইরক-অদোন তাবগী হেনবা মবুক হম্নমনথিবনা—

শুষ্কং কাষ্ঠং তিষ্ঠতি অগ্রে

(উকংমা রুংলিয়ে সনামাড)

হায়না মশা মশক তাকচখিবঙ্গনি। কালিদাসনা শুগীনা শুগীগী শুণদি হেক্ক থগুবনা নিংথৌনা অর্থ কৈরেংননা লৌগুবদি কিক মবুক্তা পাংথিবঙ্গনি মবুকথোক্লা

নীরস শুক্রবয়ো পুরতঃ ভাতি।

উকংদি উকংনি, জাত্মক্তি দেববৃক্ষ বংম্পাদিগীনি। অঙ্গুনা, ভদ্রস্ত চন্দ্রীগা মহাক্কী থোইথোইবা শুণগী থীনা কম্বে'স্বল থীনা লাইরে।

লাক্লে ভদ্র। থূদে অমোৎপা মচু ওঙ্গবা অমা শেৎলি, মাচুগুবা অমা য়াল্লি। থৌপনপাউ চৎলুবঙ্গনা থুম্ব-তুনভমদগীনি হনগৎলি। মাঙ্গনা ফিজোন-জুগী থিস্তং হিংডি, মশাগী সম্মান থিস্তং হিংনগুম তৌই। অঙ্গবু মহাক্কী অমুক্ত-জুমিদাংগী ফিজোল থূদে অনীঙ্গনদি চয়ে ফিথুংদে, তম্বা চাথুংদে ঐথোয়গী শিল্পীগীদি হায়বগুম তৌই।

সনা চরণ থুমম্মি ভদ্র। শ্রীযুৎ ওক্লা ইঙ্গিত তৌই। য়েংডি কোয়না লাই, হঁনগৎলি,—

নোংশা সনাপুক্লীং তাদে'সি নত্রা ঐজ্ঞা?

উম্।

সেম্লগা হনগৎলগে, মতম থিস্তং চঙ্গলনি ঐজ্ঞা।

শ্রীযুৎ লেপ্তবা হৌথয়ে। ভত্র থৌগল চুরুটচিন্দগী মচে মরি মঙা শৎহৌরে। অমা তম্না চয় থক্লা থক্লা কারিগরদগী ফদিপা উপিংগা লৌবে। নোংশাগী ময়ায়দস্থ মশা থরদস্থ ফদি অচোৎপা থারে হিংচাবগীদস্থ থর থারে। য়েংডি গুহাক গুহাক লৈরগা ফদি হাইদোক্তনা হেক হেক, য়েংডি মথুংনস্থ নম-নমঙ্গনা লৈবাক্কী অকন-অথোৎক্কী চাং। ফনা কুইরবা তুং, সেম্বা য়াথনি উরবয়া, মথুৎ খুঙ্গম ময়ানা নোংশাগী মচীন মনাতোল উনথৎলি। য়াচেৎ মফম থর হোং কম্রি কম্রি থর সেম নোংশাগীস্থ মহিষাস্থরগীস্থ ফিভম সেম্বা য়াবা সেয়ে। মম্রি কাবক নীংথিনা তায়ে। অহিংবা নোংশানা তাগী চৈনা পুগুমদনা থাগুলিবা মহিষাস্থরবু অমুক থীনা লাক উ চুপ্নে।

থাল আরতিগী মতম ওইশিল্লক্লে। শ্রীযুৎ হজৎলুঙ্গনা সনা মিৎয়েং তাররে। সনা পুক্লীং পেনথিবয়া, "তো কয়া ফজরে" তাকপিথি। ভত্রগীদি মরাম্বক অথোয়বনি। থৌগল শেল মুন্দুনা থোক হৈদোক্লগা লেংয়াল মচিদা মথুৎ অনীনা থোম্লগা পরপ পরপ পুনশিল, শ্রীযুৎ শাংনা থুযল্লগা অতম চেনখ্রে।

শ্রীযুৎনা "পৈশা লাকঞ্জে, ফাঞ্জো" লক্নে। মহাক্তম হেন্না চোংথক্তুনা মথৎ অনীনা মথুল য়ৈরগা নোক্তুনা অদুম চেনখ্রে। শ্রীযুৎস্ম মমামম্ব নোক্তুনা অদুম লৈহৌরে।

ময়াম্মুংতোন হৈনোমথোঙ তাবা—

নামদি চন্দ্রহাস কৌই। য়াম্না ওন্না লৈতে। থাঙ্গদা মশুপকী লৈহাউ ঙাল্লবদগীনি। চাউরে-উহ্। বিম ওইনা পুনকই—অনীমি। বিমদা চাউবা শাংবদা অদুমগুায়রে। কৈশামথোং হিদেক্কা শাই। অমদি উশিং চাউবদা শাউথরক্তুনা লৌগাইজম লৈয়ক মপাগী হিদেক্কা কুইনা লৈরম্মি। থাশ্রীংদা নক্তে, কুমশীংদনি।

হায়—

উ অবিবদি লায়ওই, য়াহৈলদে। ঔথোয়দনম্ম মক্তে, মপাক্কী মীনম্ব অদুম হাগ—বনস্পতি অরিবা চহী চাম্মা হায়রবা পংেংদি মশাদা থাও-শীংজও থারুবদা শাপ তৌই। হায়রিবা কাওবূশিংসি ইপড পওনা উদ্ভিদ-তত্বগা ইথও থওদনা থেক্ত পওথাদ থাজরুবম্ম নক্তে, উ অচৌবা যানবা ফুবগা উন-শীংমানা মযোল তমকুপ কুপশিন্নুনা ফুদোরকপা মশিলগী মপাংগল হাৎলি। উঙ্গাউ অবিবা গ্যাস—মহু থীনা চেল্লি থওনা থওনা থাজরুবিরমি।

মশ্যাবান যজ্ঞগী বনস্পতি মশা থারুবমি। বনস্পতিগী শাপ্পা নক্রে, মন চাদুনা ওহাক্কী মঙ্গংদা শি। মযাম্মুংতোন থাও শীংজও থারুদে, য়ানবা কৌবা মাওরুদে, চুম্না ওহাক মযাম মুওাইমবা ফম্নুবদনি। অদুবু, পঙ্কই কুইদে, মশা শি। মাল্লুনা উনা ইন্ফাল মৌরকফাক্রিংতে শিবনি। অদুদা পোপ তুদুনা লোইৎ-গাম্ব নক্রি, ওয়ানি মওানি হকচাং হুবম্মি। অনাবা অতেমরা চিংনশিওাইনি।

থাঙ্গদগী হকচাং ওন্ফাতনা লেওলকপনি, লাইওং থওদনা মাই। অমাইবা অমাইবীগী ইরাৎ-থৌমি অমক্ত চওদে, তাক্তবগী হিদাক কায়দে। লাইথোঙ থুদিং চৌনথুল তিথৈ—চীংনিংথোনা মথবাক নেৎলে, হিংলমোই। লোইথি, চৎথি লাইওং থওদনা অদুম।

তাথি মতমতুদা সানথি লৈবাম্না য়াবী, উর্গি শীংজং থাবদা থোংথপ্তম তৌথিবনি, শীংজও মঙ্গ্মা অ থোকপওম অওাংবা মচুম তাথিবমি।

মিনাশকালে বিপরীত বুদ্ধ

(মাঙলমদাইদদি বুদ্ধি শেরান চৎলি)

চায়বক্তুমক থোকপনি। উনা থোংববু কোয়ো থোঙ্খাংনি মরোবা, ঈ পোকপবু মচুম গুণনা তাবনি মথনবা—লোইরো তম্বক্তুনান।

ঐথোয়না লাইরিক তম্বা লোইদুনা থবক ভোৈরকপা মতমদা পাঙ্গা খুঙ্গানা চৌংলক চায়। পি. এম. এস. ডি. না ঐবু পাৎশেল থোম্বা হেক হেক থায়। ঐ ভবানি মঙানি থাঙ্গদা হেক হেক লৈ। অহল লম্বলশিংগা ঙমিদা' ঙমিদাং লম তু, লাই তিলগী মাবী হেক হেক সাই। মী অহল অমনা—

চৌংক্লংহত্তা লাইয়াম তিন্নে। কনা কনা থুনগা'না' ঙি, কাবা সানি—হায়রে। চাইরেল-লাকপগা চৌংনিংথোগা কারে—মশা মশাগী হিদনি। চাইরেল-লাকপনা মাঙ তম্না থাগৎখি। অনৌ থ না তায়বে। বাঁঙ্ -লাইনেম্মনা চেংহৌ শম্বাল লাংনা লাংনা চাইরেল-লাকপা উরে, হায়রকই—

হা ইবুং হিংজোনবা,
নৌদ্রি কাপ্পদোই-লুবা !
শমু পাম্ফোম চেক্লা উই,
বাংলৈ মিকুপ পোথারো।
লৈরাং লৈথোং হাঙলিয়ে,
চিল্লো লৈরাং লৈথোং কোই।
হৈরাং হৈথোঙ শংলিয়ে,
চাব্রো হৈরাং হৈথোঙ কোই।

ঙুজা নংবু শকহেনবী,
মারোগঙ ফজবী !
লীঁজেল লৈথোং শঙলিভে
তাউজিং হৈথোঙ শেঙ্গিভে
মীনা থোঙ্গা হার্বাথনি
চৌংকম উরোং: খিনখিনি।

ঘাৱোইদৌরে মভাংনা
ৱাৱৌরম্ব ফুজানা।

পল্লে, হোনঙ্গ্রে হি।

লাইরেম্মনা ইকাই ইকাই লৈরিবৈ লাকখি চীংনিংথৌ। লেপখি মরুক চীংনিংথৌ ফায়গে।

থঙলেল কৌগে নহাকপো,
ফজা ইথোয় তাকুইদো।
লৈথোং হাঙলি শঙলো লাউ,
হৈথোঙ শংলি কোইরো লাউ।
পুনশি ঘাংদৌমিন্নসি,
অমং থোঙমিন্মিন্নসি।
ফুংশিবনা হান্নুইকো,
শকথঙবনা কোল্লেকো।

লেঙবা ঘাদ্রে চীংনিংথৌ—পল্লে। ওহাক পর্ন্নাঁঙ ই পল্লগা লাইরেম্মগা হ'ম্রনদুনা চৎলে, হোল্লে হি হিথ্'ভম তন্না তাল। লাইরেম্মনা তাকপা মতুং ইন থুগা য়োবগা উঙ'মেল মথিল হোনগৎলে। চাইবেললাকপদগী হান্না অ মাঙজোননা থ,ংলে থাঙ্গা চীংগোলদা চীংনিংথৌ। উয়োং চাউনা ৱাংনা থিল্লে, পীরে মথাথংবা শক্কা মরোম চাইরেল-লাকপদা। অদুবু লোক্তান্না ঊঙনবদা চীংমায় লৈথিদুনা থা-ৱাং ওন্নখি। চীংনিংথৌগীনা মথ চাইরেল-লাকপগীনা অৱাং তাথি। অৱাং তারে তা'না' চাইবেল-লাকপগী লমথেবু ঙ'স চঙথা হায়নরিবসি মরম অসি লৈবদগীনি।

ৱারীসি লাঙ্গয়োলগী পংথৈদা তাক ৱারীদি ৱারীনি, অদুবু. লাইরোন্দ লাঙ্গরোমগীদি নত্তে, মীগা লাইগা শন্নবা মতম হায়রবা মতাংদুগী ওইনা তৌই। মথোয় অনীসি ৱারীনম্ব থাঙ্গাচীংগী থুন্দা অহানবনি হাযবস্ত তাকই। এহেন্লৌইঙে লোক্তাক্তা তারম্মি হায়রবা খাঙ্গা, কথোং, উরোক, উপাঙ্গ হায়না থঙনবা ফুরুপশিংগী পুকোক্কস্ক্ ওইরবা য়াই। মাদুনোং পুকোকনীংবা ধর্ম মতুং ইন মথোয় লাইশীং চল্লবস্থ য়ানা লৈ। থাজনবা মতুং ইন লোক্তাক-

কোইবা, ঈশ্বাইলৈমগী মথংলেল লাম্লিংথো চৌংনিংথৌস্থ শকল্পা য়াই। অতত্ব, শকপনা শকপনি, মশানা মশানি—পূর্নশিনবা থক য়াদে।

লোক্তাক, লোত্তাক্তী চাং চৌংনিংথৌন খুনগারক্লি্রিডৈ আ মমাঙদগী লৈরবনি। ব্রহ্মবাদগী মতুং ইন জীবনা দেহগী মপু ওইনা কোম্লনা হোবগুম লোক্তাক ঈশা মাপম্লা ঈগ্রয়গী চৌংশিংগা হেক পোকপদা চৌংনিংথো-ঈশাই-লৈয়া অদুম কোম্লরবনি।

জগৎ ব্রহ্মমায়ানা সেম্বনি, ব্রহ্মমায়ানা পুবনি। শকই অদুনো' ব্রহ্মানা মহামায়াগী স্তুতিগী পরেংদা—

বিসৃষ্টৌ সৃষ্টিরূপা ত্বং স্থিতিরূপা চ পালনে।
(সৃষ্টিনি নং সেমডৈ জগৎ স্থিতিনি লিংডৈদনা 'মুক।)

জগৎ ব্রহ্মমায়াগী মশক্লি, হেল্লি মহাত্মা মশাগী অপরা শক্তিনা অব্ দুমা শকুমদা পোৎলম খুদিং, ওাল্লি পরা শক্তিনা পোংগুল ওইনস্থ অমুক। শকই অদুনোং দেবশিংনস্থ মহামায়াগী স্তুতি পরেংদা—

ইন্দ্রিয়াণামধিষ্ঠাত্রী ভূতানাম্ চাখিলেষু যা।
ভূতেষু সততং তস্যৈ ব্যাপ্ত্যৈ দেব্যৈ নমো নমঃ॥
চিতিরূপেণ যা কৃৎস্নমেতদ্ ব্যাপ্য স্থিতা জগৎ।
নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমস্তস্যৈ নমো নমঃ॥

লৈ ভগবদ্‌উক্তিস্থ অদুম—

ভূমিরাপোঽনলো বায়ুঃ খং মনো বুদ্ধিরেব চ।
অহংকার ইতীয়ং মে ভিন্না প্রকৃতিরষ্টধা॥
অপরেয়মিতস্ত্বন্যাং প্রকৃতিং বিদ্ধি মে পরাম্।
জীবভূতাং মহাবাহো যয়েদং ধার্য্যতে জগৎ॥

(মৈ ঈশি' ভুংশিৎ লৈ তিয়া পুক্লৗং লৌশিং ঐ ইশাই ঐ।
মথোয় নীপাল অসে ঐগী ইশক ওাক্লি, অমমগ্লি।
কৌই মথোয়সি অপরা, লৈয়ি অমা, কৌই পরা।
জীব ওইনা পুই মহাত্মা জগৎসে খঙ্ পাংগনবা॥)

অতুনোং ঈশ্বরনা মহাক্কী অধুপ্পা শক্তম' হেল্লিবনি জগৎপুম্বা, মহাক্কী মশেক মঙাম্না হিংলিবনি জগৎ লোইনবা।

শক্তি ভগবদ্গীতা—

ময়া ততমিদং সর্বং জগদব্যক্তমূর্তিনা।

(হেল্লি ঐনা জগৎপুম্বা ঐগী অথুপ্পা শক্তম্না।)

অমুক্ত—

অহমাত্মা গুডাকেশ সর্বভূতাশয়স্থিতঃ।

(লেচ-পান থিবিক্কা ঙাল্লিবা অ'ত্মাদো ঐনি অথোবা।)

নাংলি ঙসি থাঙ্গা ওইনাম নৈকাইদা হুভম চাউনা য়াদুনা চাংনিংথো-ক্টংহৈমা। লাই পাথংবগা নিংথৌ পাথ'বগা য়েৎশিন্নবগ য়ে'শিন্নরি লাই চা'নিংথোগা থাঙ্গগী থুম্বা অংানবা চাংনি'থোগা।

সংসারগী পোৎলম অচৎপা অম, চক্তবা অমা অনানি। অচৎপদা উই নীংশিনা থরায়গী বিকাশ। চক্তবদস্থ উই অতুম থরগী মথৈ। মরীচৎপা পোৎলমদনা থরবু হেন্না উংশুম তৌই, য়েংক্ম নৈবা মায়গেদা চৎলি মরী. মীনা কারগুম্বা অমদগী ঙসিগুম্বা মচাল মতোন্ন নৈথোকপিশ্লো, হয়েং নোংঙান-বদাদ মথন্দ অদুম নৈশিনবগনি। অচৎপগীদি ভুম্বা মিকপথোকপা মাহ, মগু অনী চৎলি হায়বা অতুম থডনৈ। চক্তবগীদি ভুম্বগী মগুংদদা নৈবদোনা তৌই। তুম্লে তুম্না ঐথোয় মনা কবি কায়গুম্বদা ইতা তাগুম ইথঙ থঙ্গুম তৌবদোনা নিসর্গগী ঐথোয়না থঙবা ঙমদবা, থঙদবা পথাপ অমনা উ-রান-চিংবা কোঙ্গায়মগীস্থ মপুনশিগী মতাং অমদা হাম্না মম্না ইথঙ থঙদবগুম চৎকম্বা অরা-হুঙাই থঙলকপগুম, থঙবগুম তৌবমা নৈরবস্থ য়াহ! মথোয় উ-রাগী মপোক্কী ওইবা জ্ঞানগী মশক ওইনা মশাদা হেল্লিবা ঙাল্লিবা ব্রহ্মমায়ানা মিকপ থোক্লবাননা থাঙ, শীংঙ্গী চৈনা চায়কপদা মপুনশিফাও কোম্নবা তাবনা রাগৌরম্বা য়াই, শাপ তৌরম্ব য়াই নত্রে শ্রীমদ্ভাগবতকী লাইয়েনগী মথয়াস্তা মথরায় মাঙবা তারবা শামুনা বিষ্ণুস্মরণ তৌরুবগুম মথোয় মশাগী হন কোইব, চাং কোইবা লাইগী স্মরণ তৌরম্বা য়াই। বিষ্ণুনা লাইরেল লোইশিনবগুম অরঙববু লোইশিনবস্থ য়ান. অতুম মরৈ। নীংসিংলকই মতাং অসিদা বিশ্ব-কবিগী কবিতা অমা—

এ আমার শরীরের শিরায় শিরায়
যে প্রাণতরঙ্গমালা রাত্রিদিন ধায়
সেই প্রাণ ছুটিয়াছে বিশ্বদিগ্বিজয়ে,
সেই প্রাণ অপরূপ ছন্দে তালে লয়ে
নাচিছে ভুবনে, সেই প্রাণ চুপে চুপে
বসুধার মৃত্তিকায় প্রতি রোমকূপে
লক্ষ লক্ষ তৃণে তৃণে সঞ্চারে হরষে,
বিকাশে পল্লবে পুষ্পে, বরষে বরষে
বিশ্বব্যাপী জন্মমৃত্যু-সমুদ্র-দোলায়
দুলিতেছে অন্তহীন জোয়ার-ভাঁটায়।
করিতেছি অনুভব, সে অনন্ত প্রাণ
অঙ্গে অঙ্গে আমারে করেছে মহীয়ান।
সেই যুগযুগান্তের বিরাট স্পন্দন
আমার নাড়ীতে আজি করিছে নর্তন।

ঐগী হকচাং কায়াৎস্থং শিংলি-পাফম খূদিংদা
ঈথক-ঈপোয়রিবা অহিং-নুংথিল অনৌদা
থরায় মাগী ঈচেন্না থোক্লে মালেমৈকোয়বুং
সাম্রি জগোই তান্দা নেৎ মালেমথক্তা জগোইবুং
কেনা নৌনা মেন্দা লৈ—ভুথোঙ খূদিং য়ৈনা য়ৈ
মালেমৈক্লল তম্মা ফাও নাথোঙ য়ৈনা শীংবুম য়ৈ
লক্ষা লক্ষা মালেমথক হয়াউ তুমিল ঙহুল তম
ফৌডি মশা য়েন্নৌ চোং শীঁভেল কাদা লৈশাৎ তম;
পোকপশিবা-ঈপাকথক মালেমৈকোয়-চাংজোম্লুং
ওল্লি লাইজ ঈওল ল্যাং কুমওল খূদিং মতম্মুং।
থরায় মাগী শপ্টয়া মালেম থোয়া চেন্নবা
থকৈ য়াইকৈ ঐহাক্লে কায়াৎ খূদিং লাংজবা।
ফাওয়ে হুংদা ঙসিদি যুগোন-কোনবা ঈহন্দো
সাম্রি জগোই শিংলিঙ্গুং চোংনা হন্না ঈচেন্দো।

নানৃষি কবিরিত্যুক্তং ঋষিশ্চ কিল দর্শনাৎ।

কবিদি ঋষিনি। ঋষিগী গুণনা দর্শন্নি। উবনি অহুনা বিশ্বকবি জগৎ থু'না চেল্লিবা থন্নায়গী ঈচেল, পোৎলম খূদিংদা কাওরিবা থন্নায়গী ঈপুল। শকপনি অহুনোং কবিতাদা সৃষ্টিগী অথুপ্পা মপাউ। অহুগুম তাক্কবা তাই নোংমদি থায়নঙৈগী মৈতৈ কবি অম্রম্ব লোন্দম্বিনা লোজগী শক্তক তম্বিরমদবনা লোন্নাইহৌদ্রবা জগৎমগী লোন্নাইনবা অন্নাবা তেংথাথোল, শকথি অহুনোং "হিজন হিরাউ" দা—

ঈরোক লাইচম নৈয়া
শান্না থাংথোং পোকপী
মপন পলেম মমানা
... ...
তন্না অরেম্বমু থীকলেন থাদা কোম্মা
পাওমেল্লকএ।
... ...
পামেন হৈয়াঙ চারি নাতম হোরকঙৈদো
শান্না ওইনু থাংথোং ওইনু
তনমু তলহাউ ওইগদ্রু
... ...
মিসি থাওয়ান ওইনু হায়না পাওমেনবমু (ইবুংঙো)
পলেম খৌতিক থোনবু মাই ম্রাচানদবগী মরমনা
... ...
তন্না উনিংথৌ অচুম্বমু নৈনা শানলোল্লক্কবনিগীনা
.. ..
হয়েং কৌবা ইচুং শোয়মক চীংলেন নোংগা জাল্লক্কবদি
শীংজও লৈতোন চন পামেন উক তুপ
তোংজেং নাউমৈ কক্কা লাইরেনশাংবা য়াতাগে
হায়রঙেনে।

উপী উয়েন পোকপী
মালেম তম্পাক লৈয়েনহনবী
পলেম মমাদো

মিৎম্না থবাল মানবা অনীমক্তা
ভরঙ লাইজ মরাঙ হো পিরেম থকমা ভা
... ...
কৌবা ঈ হৈথবগুম
কোয়ৌ নোংখোংবগুম
মিকপথিয়ে।

মযাঙ্গতোন্না ম্নাল্লুবা লৈহাউ লাঙ্গয়োইরবা উনি। বনস্পতিনি। উগ অন্না-অনা খেংনা থঙলবা উনি। মানা শিনাংদবগুম শিনাংন্নবা উনি। অমরোমদনা, চাংনিংথো-ঙ্গরাইরৈমা-কোনগী লৈতেংনি থোইথোইবা। পাম্মনা য়োকপা, পাম্মনা পোৎশক্লি। মৎম থিবিক্তা লঙবগুম ডাক থোকপনা কোংথিবনি মথক্ল য ময়াঙ্গতোন।

জর্ম্মণ লাল (১৯১৪-১৯১৮)

লান্দি অষ্ট্রিয়ানা হৌবনি। জর্ম্মণনা মায়পুনথিবদগী জর্ম্মণ লাল হায়না চৎথি। খ্রীষ্টগী কুমজা ১৯১৪ দগী ১৯১৮ ফাও পোক্লে। মৈরীক্তগী মৈজাউবি হৌথিবনি। অষ্ট্রিয়া সাম্রাজ্যগী নিংথৌরেল-লীকথাঙ আর্কডিউক ফার্দিনেণ্ড সাম্রাজ্যগী মঙংমক্তা সিরাজিবো কৌবা সহর মচা অমদা হাৎথিবগী ম্রাখোন্না অষ্ট্রিয়ানা সার্বিয়াদা লাল তাই। রুশিয়ানা মরম কয়াদগী সার্বিয়াগী মীচঙ লেপ্লি। জর্ম্মণনা মরুপ সানবা অষ্ট্রিয়াগী মতুং রুশিয়াগী মাথোক্তা লেপ্লি। রুশিয়াগী মরুপ ফ্রান্সদা লাল তাই। ইংলণ্ডনা লাল থায়বা কন্না হোৎনৈ। অদুম্ব কান্নদে। ফ্রান্সনা মরুপ ওইবগা জর্ম্মনা বুলগেরিয়া শোক্লকপগা মণা অদুম্ব লান্দা চঙলে। তুর্কিস্তানস্থ জর্ম্মণদা তোংলে। রুশিয়াদি থীনা শোক-মন্দুনা লান পোথাক্লে। অদুম্ব, ইটালীদি হান্না মাওরমদবদগী ইংলণ্ডদা শোংহুনা চোংশিন্নে। আমেরিকা সংযুক্তরাজ্যস্থ ইংলণ্ডগী মীচঙদা লেপ্লরে।

আপানম্ব জর্মণগী মায়োক্তা লানগী শকক য়াথি। জর্মণ থীনা খোকথি। ভার্সাইগী সন্ধিনা অমুক হৌগৎলকত্রসন্থ মতা থীনা শাথিনা শীনথি।

থায়নতৈ মহাভারত্তা পৃথ্বীগী অকনবা শক্তি পুন্নমক্তা বার্ত্তন তৌয়ে তৌনা তৌদ্রে তৌদনা চিথহৌবা য়াদে মতা লোইনা লানগী শকক থানথিবগুম কুন-স্থবা শতাব্দীগী তাজীন্দা পানথিবা অকনবা শক্তি পুন্নমক লানফমসিদা লোইনা শকক য়াথিবনি। অদুনোং লানকম অসিবু পৃথ্বীগী লাল্লাও হায়না খঙনথি। লানক্ষমসিনা হৌদোকখিবনি অভিয়াগী লাল, পুরকখিবনি জগত্তা য়াওল অমা অচৌবা, পীথিবনি য়াওলসিনা জগত্তা সমাজ, ধর্ম্ম, অর্থ, রাজগী অনৌবা ব্রাথল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম।

মণিপুর—

এহেক্লোইদেগী নীংদম পাক্সকই। খ্রীষ্টগী কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিলগী তারিখ ২৭ দা থোংজোম লান্দা মাথি নীংদম। বৃটিশনা সীমান্ত পরিরক্ষণ নীতিগী মতুং ইন নিংথৌ-খুভমদি মুথৎথিদে। কর্ত্তাবংশগী মায়োক্তা মহারাজ নরসিংহনা পোকপা ভুবন যুবরাজগী মচা চাউবিয়াইমা সনা মায়থুবিগী মচা ইতোন তোনবা অমুসনাবু থিগস্তুনা নিংথৌ থিন্দোকই। অমুসনা চুড়াচাঁদ মিংথোন লৌদুনা বৃটিশরাজগী শেকপিল মথাদা পাল্লি। চনথি অসুম মণিপুর ইন্দিয়ান ইন্দিয়াগী মচং।

ইন্দিয়ান ইন্দিয়াদা পানবা নিংথৌ চাৎরেক্কা অমনি। থাক য়াম্না থায়। সলামী নোংমৈ মন্নীংনা লেপ্পি। হায়দ্রাবাদকী নিজামনা খ্বায়দগী চাউই, প্রিন্স্ অব্ ইন্দিয়া হায়না খঙনৈ। ভাইস্রোয়গা সলামী নোংমৈ মন্নীং যামৈ। মখংগী পরেংদা লাকই বরোদাগী গাইকৱার, ইন্দোরগী হোলকার, নাগপুরগী ভোজলা, পুনাগী পেশবা। লীকখক, লীকথা, লীরুক, লীকয়ায়, লীকথাঙ, লীক্লোই, লীকথোম পরেং মথং মথং চথবগুম মথোয় নিংথৌশিংগীম্ব সলামী নোংমৈ মন্নীং মতুং ইন পরেং মখং মথং অদুম চথবনি। নিংথৌ পুন্নমক সলামী লোইনা ফংবদি নত্তে, উপাধিদনা নিংথৌমন্নীং চনবা টিটুলার রাজা হায়না খঙনবা মথোয় নিংথৌ পরেংগীদি সলামী লৈতে। মথোয় সলামী ফংবা নিংথৌশিংগী সংসদ্ অমা লৈরম্মি, নরেন্দ্রমণ্ডল কৌই। বৃটিশগী আমলদনিনা

চেম্বর অব্ প্রিন্সেজ হায়না খোইনা থগুনৈ। ঐখোয়গী মহারাজশু নিংথৌগী অধিকারমা নরেন্দ্রম গুলগী সদস্তনি, চুয়গীদবু নত্তে, মশক কাবক নাইনা তিনবনি।

জর্মণ লান্দা বৃটিশ ইন্দিয়ানশু ইন্দিয়ান ইন্দিয়ানশু বৃটিশগী মতেং চাউনা পাংডি। ইন্দিয়ান ইন্দিয়ানা থরদুম হেন্না পাংববা থল্লি। নিংথৌ অময়মা মণা মণাগী থাক্ত সম্মানশু ঙ'ক্লা, থাক মশেনগীদশু হিডাম্নবগুম মানা-কৈদা-হেনবা ঐনা-কৈদা-তাবা য়েংনা মী, শেন, খুংশূ-খুংলাই, পোৎ-চৈ, ফি-য়োল, অচা-অথক্লচিংবা কয়া কম্না অদুম পাংনবনি। ঐখোয়গী নিংথৌদি লাইয়থরবা লৈবাক্তীনি, ময়াম্নবা থাক মশেনগী অতৈ নিংথৌশিংগীদোনা মরম্নাই গাদীগী ওইবা লন-থুমশু পায়বা নত্তে, অদুমক্তদা মণাগী থাক্তী সম্মান ঙ'ক্লা ফনা নীংথিনবু তেংবাঙ পী। লেবর কোর, কন্টিন্তেন্ট আর্মি থাই। শেল্ পাংডি। পাংলুমন নিংথৌপনগী সম্মানশু লৈবাকপনগীশু থর কাখি।

মহারাজ রাজা ওইনা থিন্দোকপনি, লান মঙ্গকাও অদুম লৈবনি। লাল লোইরবদা মহারাজ থিন্দোকই, বংশগতনি। কামাণ্ডার অব্ বৃটিশ এম্পায়ার, শম্না সি. বি. ই উপাধিশু পী। লাকখি পঙ্কই কুইদনা নাইট্ ক মাণ্ডার অব্ দি ষ্টার্স্ অব্ ইন্দিয়া, শম্না, কে. সি. এস্. আই, উপাধিশু অদুম। লেমজখি তু'ইন নরেন্দ্রমগুলদা মহারাজ। মপা-মপুগী মঙাম্না মচা-মশূ-ওইব-শিংনা লেমজবগুম লৈবাক ঐখোয়শু অদুম লেমজখি। নিংথৌ-চাউনা-পানবা লৈবাক্তী প্রজাশীং চনখি। 'সিদি অরাইবদি, লৈরি পঙ্গাউনি অমা, লাকখি জাতিগী পুনশিদা অহোংবা অচৌবা অমা।

তরামাপলঙ্গুবা শতাব্দীগী অয়োইবা খোড়ভম তরাগী তাজীন্দনি বৃটিশনা মণিপুর লৌবা। অদুনা জর্মণলাল হোবা মতমদা চহী কুমডাকাও হায়দ্রি। লৈবাক্লা নিংথৌপানবা লৈবাক ওইবগা বৃটিশগী শাসননীতিনগা সমাজ অমসুং ধর্মগী কেন্দ্রদা মখুৎ থিংজিন্দবগা লানগী মতম অসিন্নাইফাওদি লৈবাক্লিনা পাশ্চাত্য কৃষ্টিগী মমি খোইনা ডাদ্রি, মুক্তাবু তাদ্রি হায়বদা হায়মনববু খোক্তিব্রা মতাং ওইনা চৌরিবনি। মঙ্গা কুনমুবা শতাব্দীদা খোঙ্ডায়বশু লৈবাক্তি ভরামাপলমুবদা অদুম পাল্লি, মতমগী খোড়দোই চানা মখোও থাংবা হৈদ্রি—থাংদ্রি। চীংনা এম্বো চীংদ চীং ওইনা হিংদি—পাল্লি; তন্না গুহাগী

হৌজিক মতম হিংলি—পাল্লি। অনীমক মশাগী য়াহীপ চাকচা, মশাগী লোকৎ শাজৎ, মশাগী ব্রাখল, ফিদম, ফিৎয়েং, পান্দম কায়বমক্ত লৈতন্ত্র চৎলি। অদুবু, লানসিনা চৌংগী পম্বোং শংথি কাঙবে, তমগী হোজঙ কাখি নাতে। শকথি তুংইন মতম্না জগৎকী মপাউ।

লেবর কোয়গী মীথিৎ চৌংমী জাল্লি। ভাংংলপা থোঙজাইগনা মপূংনি। লম্ বুল্ল্ানা শেপ্লে। মথোয় লাইরিক হৈবা অমনীনা চিংই। অমদি ওজা খ্াইবাক্কপম নবকিশোরনি। মথোয় ক্রাস্ত য়োই, মালগী বিজয় য়াওই। পাক-চাউরবা ম'লেম-লৈকোয়গী লৈচীল অমা ফংবগা লোয়ননা উরমদবা কম্না উরকই; থঙলেমদবা কম্না থঙলকই; ভারমদবা কম্না ভারকই; অব্রা-অনা, অফি-অথং কম্না নংলকই; মুত্তাইবা য়াইক্বা কম্না থেংনরকই—থাকবদা লোই-নিংঙাই লৈত্রবনি, মথোয় মশক কাবক ওম্না লাক্লবনি। মথোয়গী মপাউনা জানপী মশেক মঙাল মচা অম্না চৌংথায় থূদিং চাঙোল থূদিংদা অতুম তাম্লবনি। তুংইন, পম্বোংগী পুনাশদা কৈরে লৈমা ব্রাখল ফিদম ফিৎয়েং পান্দম থিত্তুংদদি মম্না থঙদে ঙাম্না থঙদে, ওজানিঙাই চৈত্রবনি, অপনবা কয়ানা হং চনখিবা, চই থাখিবনা হান্নগী হামু অতুম ফারুফাওম্ব ংম্বোইগী থম্বোইঙ্গুংদা জা কাকুম অমদা মঙ হাগীলোনা ঊথোমদি অতুম মবেরবনি।

য়াফম্না, অব্রাবনি হায়াসবা মুত্তাইবনি কৌশিবা. নীংশিংলকই মতাংসিদা। মথোয় লানকম্মদগী ছল্লকপশিংশি পোং-ঠৈ অকবা মচা মশূ য়াম্না পুরকই, থূলাং ঘড়ীনা খিং নশি। মতম অসি লৈবাক্তা ঘড়ী পঙতা তাদ্রি। অচৌ-মশাং অথম্বা থবদনা শীজিন্নবি। অতুম্ব জেব ঘড়ী ঙাক্লি। অতুনা মথোয়গী কাম্রিজদা থবাক্তী ফুরিৎথাউগী মচাদা ঘড়ী হাপকম মথুল অমা হেক হেক হাল্লি। ঘড়ীনা মথুন্দুগী হাপ্লগা ঘড়ীদা পানব' চেইমনা মঙক্তা শিনৈ। ঘড়ী মথোয় অচৌ-মশাংশিংদকাও সনা থূলোপকুম কৈরেং ওইনা নম্না চৎলি। অতুনা খ্ায় লৈবাক্তদি মমল ইবৈবু লৈত্রি। লৈকনিঙাইম্ব লৈতে। প্রকৃতিগী শিজরেক মতুংইন পূম্ব চাঙ্গী তানয়েভম কোয়ো অঙানহমা হুংখিল, কায়বে য়েম্না হুমিদাং। মথো থঙনা চৎলি অনীমক, শোয়দে মিকুপ নাত্তমকাও তান মৈবা কম্নিঙ্গুংদা কলোঙ্গুং। তমগী তামবৈমভাপাড়ি থূং কম্না জিংনা চৎলি। মা, লাই, শা, উচেক লোইনা চঙক্লা পুই। লোংঙানকু, গোবিন্দগী শরীক,

পল্টনগী ব্যুগল, হেম্বা ক্লাক, কাম্নবৈ ম্নেন, ছুমিংম্নুংবি তোপ কাওয়েল মণনচিংবা কম্নানি। শাইজিন-পোলিবা কোম্নৌ অঙানবনা পুই মপুং, অমুক-চুংখিল ত্‌ম্না চঁঙি ম্রিংম্নেং, শীল্লি খোগাই। মকম, মতম, মওং মতাংশিদা ঘড়ী পুরক্লিবশিংছুগী অম্রাবা অমা ওইখি। মশা মশানম্ন হাম্নগী মহিং মপালদা হুঞ্জিল্লবমা ঘড়ী চঙদে মথোয় মশাদা। ম্নোনবদম্ন থংচং চস্তে। তাহ্ননা লৈগদৌবগী শরুকপুদি, মতম্না শেল নংবা—মতেক, পাই, শেনথাম্নফাও চৎপ-নিনা, ম্রানা পুম্নম্নল লুপা মঙা অমা তল্লা অমস্তং হুঞ্জিল্লবম্ন খিস্ত নস্তে থল্লুবম্না অম্লুক্কগী থ্‌াইরম্নন কৈথেন্দা "পুং লৈগেম্না, পুং লৈগেম্না" কোম্নহা হাম্ন। কনানম্ন তাবিরুদে, খোওইবিরুদে। লৌ পরিদা থাজনা লুপা তরুক্তগী পৈশা মরি তাবা থীবা ঙমদহ্ননা িলাম চৎলিবনি। মণিপুর রাজ লোম্নশঙগী কেরাণী লুপা, ১৫ দা হোম্নিবনি। কনানা ঘড়ী শিনিংলুনি। শিস্ত শিংকক্ক্‌বা মতমদদি, অক-ফস্ত ম্নেংদনা, মথায়দা, শিকিদা, লুপাদ' অহুম ম্নোম্লবনি। ঐগীম্ন ম্নেস্তিম্নম ম্নাটচ্‌ অমা লুপা পীহ্ননা লৌহৌই। চহী অহুম মরি ফজনা চৎলম্মি। কৈদগীনো নোংমা করিঙম্বা অমা তৎপঙম নাম্নোকপঙম্বা অমা তৌখি। মতম অসিদি ঘড়ীফাও মশক উম্রিবা থঙনম্রিবনা চাম্মদা মম্নিফুতম্নাগা ম্নাপলঙম্বা, নৎপূ নস্তে—লাম্নে, লীশিংদা চাম্নাপলমরিফুতরাগা ম্নাপলঙম্বা চৎপনা ঘড়ী সেম্বা হৈবা মীদি মমীফাও ঙম্নিম্র। অহ্ননোং ঘড়ী তেকপু তেক্কবদি অম্নাম্বনা অহুম মম্নোইরবনি। লোইরে, লোইম্রে অহনা ঐগীম্ন নীঁঙম-নীঁঙমদনা অহুম।

চীংখুশিংনা লেবম্ন কোর সাবঙম তম্বুশিংনা সাই কন্টিঞ্জেন্ট আর্মি। বাটালিম্নান অমনি। তংথায় অমনা ম্রাম্স ম্নৌই, তংথায় অমনা লেঙস্‌-ডাউন্দা অর্দর ঙাইহ্ননা লৈ। মম্নায়বক ফবদগী ম্রাম্স চঙবা কাঙবুসি লাল চঙলমদাইমক্তা লাল লোইহ্ননা তেক্ক-কায়দনা হল্লকই। অমস্তংদদি নাহ্ননা শিখি হায়বঙমমা তাখি। লাম্দগী হল্লকপদা মেসোপোটেমিয়াদা অপূনবা আর্মিশিংগী হম্নাউ তম্নামগী বলগী হায়বম্না হোকীগী হায়বম্না অচৌবা টুর্ণামেন্টতম্ন অতৈদম্ন কপকা ম্নাম্না ফংলকই।

ভাগ্যঃ ফলতি সর্ব্বত্রম্

ভাগ্য লৈবশিংদি মকম থুদিং মদল ওই হায়বহ্ন ম্রাম্স চৎলুবা সিপাহীশিংদা

চপ চানা থোকখি। লান্দগীস্থ হিংলকখি, মমান্নবা ময়াম মরক্তস্থ বিজয়-খানা ফংখি, ফিরাল থেৎখি। শগোল-কাঙজেইগী মণিপুর ভমখি ভাকপা মপাগী ইজ্জৎ। অশিবগী মগয়াক্তগী হিংনা লাকপগা মালেমদা লৈবাক্তী মিংচৎ-উরোং থিল্লবগা ওকখি মথোয় ইন্দাল্লকপা লালোয়শিংবু হুংশিবগী মথক্তা থোইন হুংশিনা, হরাউবগী মথক্তা থোইনা হরাউনা, হুডাইবগী মথক্তা থোইনা হুডাইনা।

বিশ্বকবিগী জীবনস্মৃতিদা কবিনা ময়াম্বা জ্যোতিরিন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মতুং ইন্দুনা বিলাত চৎভে মৎাক্তী গ্রীক, লাটিনগী ট্যুটর প্রোফেসার অমনা মডোক্তা হায়খি হায়বা ব্রাক্ষম অমা নীংসংলকই।

হায়—

জগত্তা মতম্না মতাং-মতাংগী ওইনা পুক্লীংগী ইথিল হেক হেক পী। ইথিশ্নু মীপুম মীওই থরদদ ফাওরগা তোক্কে। চাওথৎপদা কোক্কোল কায়বা জাতিদগী লৈকুৎ-লৈরাই যাহিগ্লশিং-ফাওবদা ফাওই। ফাওরুমল লাকপা ইংন্দি চাওথৎপগী থাকফম থেন্নবা মতুংইন অত্থম মথেন্নে।

হায়রিবা অসিমক ঐথোয় চীং-তম অনীদা চপ চানা অত্থম থোকখি। চীংনা এহেলো পুনশিদা অত্থম মপানবনা লানগী মতুং ইন লাকপা মতমগী ইথিল চায়ে চানা মপাদা অহোংনবমত্ত থোইনা উদবগুম তৌখি। তম্না ইথিল চারুমল মশক মচু কাবক কাবক হোংবা ওনবগুম্বা অমা উখি। মতম অসিগী লৈবাক্তী কৃষ্টি, রাথল, ফিদম, মিৎয়েং-পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরো হোজিক্তাপা থীনা থেন্নে। কুপ্পা ইকৃদ্রবস্থ পোৎপ্পা ব্রাক্ষম অমনীদনা মথোয় লৈবাক্তী মশক মচু অত্থম লাকপা য়াগনি। ঐথোই লৈবাক্তী খুন্দা অহানবা চেংলৈনা মীরানশিংবু হাও (হাউ), হিন্দুনা ম্লেচ্ছ, মুস্লিম্না কাফির, খ্রীষ্টান্না হিদেন নত্রে পেগান, গ্রীক্লা বার্বরিয়ান কৌবগুম ঐথোয়গী মধ্যযুগগী তম্বুনা অমাংবা কৌই। মথোয়সিগা অতৈ জাতিশিংগা থীনা থেন্নবা অমা লৈ। অতৈভি মজাতি মশেল খুৎ চানৈ, হায়রিবা মথোয়শিংসিদি মজাতি মশেল খুৎ চানবগী ব্রাজি লায়রম্বুনা মখুৎ মথুক্তগী ঊশিংফাও লোনদে। মথোয় মশেল অমগা অমগা মাংনৈ, মদোম মদোম শেংনৈ। চাক ময়াম চাম্মিন্নবদা অমগী ঊশিং হৈহোক থিন্নবা অমগী চাক্লুক য়োক্লবা অনীমক অত্থম চাদ্রে। অমনা ঊশিংনা

শোক্লু চুনা চাক মাংবদগীনি, মমনা ঊষিং কৈরোক্লু বগী ইকাইবদগীনি। অদিগি ত্তয়াইবু ত্তয়াইবনি, মত্তু মচাঙ্গী মথুং স্নকচা চানবা পঙেং, মত্তু মচাবু মপাম চফু চাহন্নবা পঙেং, মথাগী মথুং চানবা পঙেংনচিংবগ্ম কয়ামনি। চৎলিবা কুহিংসি কয়বা য়াই কৎলক্নবা য়াই, চুম্নবস্থ য়াই চুম্নবক্নবস্থ য়াই—থিক্নবা নস্তে, অওইবা কিতমদা তাকপনি।

মীদা অশেং-অমাং থীনা থায়বা, মশোয় মদোম শেংবা লোইনা য়াবেগুম পোত্তস্থ অক্লুম থায়। সোডা সাবান য়াংডি, শোক্লুবদা কোক ভুম্বি, কেরোসিন য়াংডি, লাইক্লং চঙবা য়াদে। কবোথুম, ময়াং-থুম য়াংডি, খাই কস্তে, অয়াংনা চান্দে। কলগী ঊষিং য়াংডি, লাই কস্তে, থক্নদে। অক্লুগুম কৈথেল্দা থ্রাইরবন্দ য়াংডি, কাক্লবদা ঊক্কই। স্কুলদা পেন্টিপ্, মোইরাংথোয়. জোনস্টোন য়াংডি, কাক্লবদ ঊক্কই।

নোংসিংলকই মতাংসিদা পরিব্রাজক অমগী ৱাক্যা—

মণিপুর আচারবান তো হৈঁ বহুত, লেকিন, কাফী বিচারবান নহী হৈঁ।

মণিপুর লোকস্তসি য়াম্না ফজে বিচারদদি য়ায়া নোনা চৎলি হায়বা ৱাক্যসিদি থোইনা লান্নবগুম চৎলবনি। চৌংগী পল্লোম্বংদা মদোম চিপক ভোজান লেপ মশাগী কৃষ্টি চেৎনা কোন ভুমির অক্লুম পানবনি ঐথোয়গী মণিপুর। অহুবু. চান চৎলুবা মহাশিংগী আহুজন্তা, অভিজ্ঞতা অত্তুগী মত্তাঙ্গা মথোয়না মথোয় মশাগী পুনশি থোঙচস্তা থাংলবা থোক্তত্তম, সায়বা জগোই, শক্লবা শৈশক্লা লৈবাক্তী ৱাথল, ফিদম, মিৎয়েং, পান্দম, পুনশিগী অর্থ মরোদা অহোংবা অয়া লাকথিবগুম তৌথি। কোকপগুম তৌথি থয়গী মথে শুহা কোইবা নুংয়াবগী থাজং মুজং, মিৎয়েং পান্দম। তৌথি ঊনবা থয় থয় মতমগী থোঙদোই।

চীংঙাথম্ম সনাজ্জাউবা—

অম্রিক্সি, সিন্তি থয় লৈবা অাথনি। ঐখোয়না অঙাং থয় ওইরনা মপা মপু, হৌজত্ম শাৎক্রম থোইনা থঙ্গহোত্র। মপাদি মী পঙচাউ চাউদে, মপা পায়, মচু মুট্টী, ফিজাং শেংলি, অগ্রিক (কুত্রাক) শি, সিন্দুর থিক্তি।

তাইট্ল—

ভর্গ্রনকালগী থুদোং লৌজনা মণিপুরগী, বৃটিশ তাবোয়াক্তে মপা লিংথৌ

ওইগে হৌবনি। হাওনা নোংমত্তু ওইরবসু নিংথৌ ওইরগনি হায়বা পুরাণগী ৱা যত্তুং ইন চৌংদা ভোংবনি। মহাক্তি শক্তিদি শক্তি অমা ওইবা ভাই, কৈ ভোংদুনা চৎলি, য়েনিংবা মফমদা হেক্ত য়োই, শনৈবি মপানবু চিংথরগা মভোল পায়দুনা চিংবদা মক্ত য়াওনা ফুকই, শা-উচেক কৌবা ওম্থি ... . । অসিদগী মাবু লাইনি হায়দুনা লোইপাল থঙদে, চৌংদুং থঙদে চৌংশাং পূমক লোইনবা মাগী মরা হেক্ত চৎপনি, শাফে য়েনফে চিক্নুনা মাগী হেক্ত লেপ্পনি।

লাল অসি চৌংমীগী ওইনা তৌবনা হাওয়াল হায়না চৎলি। থোংজাইনা হৌবনা থোংজাইলাল্ কৌই। চৌংথোঙদা চৌংয়াদা ফুকানগা কময়বা নীপা ফুগী ফনা য়ায়া হাৎথি। অহিং অমা করিগুম্বা ভম্পাক্ত ভম্পাক য়োয়রুবদি কিনদুনা খুনগং পূমক পালি নাইনা য়োং (ধাউশু) চৎলৈ। ইম্ফালফাও য়ায়া চেকশিন্নৈ।

মতমসি মি. জে. সি. হিগিন্স্‌না বড় সাহেব (পোলিটিকেল এজেন্ট) ওই। মহারাজগী চায়বা মরুপ্‌নি। মণিপুরদা কুইনা লৈবা সাহেবতা মহাক্ত অমনি। চৌংবু ভত্তুগী লোক্তৎ শাজৎ লোইনা থঙি। লাম্দা লেবয় কোয়মক্তা চৎপ্রিবা থোংজাই চাম্ওানি। পূমক মুম্না থন্দুনা বড়সাহেবনা মথোয় লাহেলোবা থোংজাইশিংবু থেমজিনবা কম্না হোৎনৈ অদুবু সনাজাউবগী মতিক মগুণনা লোইনা গুঙ্কৎথিবনা বড়সাহেবকী য়া অমত্ত ভাথিদে। থেম্ন-থেম্নগা অহোই-অহোইনা ঈখক্তুম কাথিবগুম ভৌথি, কাথি—চৌংয়া-ভমগী মী পোং থোকপা হৌথি।

স্টেট সরকার লাল ভৌদবা য়াদ্রে—ভৌয়ে। থোংজাই লোইনা হৌথিবনা লাজ্ তরাইবা অমা ওইনা থোকথিদে। চৌংদোনগা চৌংথোঙ চৌংথাগা কাওম্রমম্লিনা সরকারগী অরাবমা ওইথি। প্লাটুন অমনা হৌদুনা নোংমৈ কাঙ্গা, কাপথৎপবুদি মথোয় চৌংমী অমনীনা নুং কাবক চাউবা অমা ঈম্রুকপনা হেন্না থীনা শাথীনা লাকচবনা পাবঙ্গু য়ানা থোকথি, মীঙ্গ য়ায়া শোকথি। মতম অমি হিগা বণগাড়ীগগী যুগনি। ইম্ফাল ভুরেলদা রাইফলম্যেন অপোকপা হিবোৎ হিবোৎ পুয়কপা নোংমত্ত কাংদে। শিবঙ্গু ফনা য়াওবগুম তায়। শাম্ন ভোপ পুন্না অমদি নুংনা নম্নুনা শি হায়—হন্নকথিনয়ে।

মথোয় চৌংমীদি মমীং অকল্লবা নোংবৈ থয়দনি, কাওুজম্ম মমীং অকল্লবা

থরদনি—ষ্টেট সরকারনা পীবনি। মশাঙ্গী অথোইবা ফংনিঙাইস্ন লৈতবা মতম্নি। ৱাৎপা-লৈতবা নোংমৈ-তোপ মচাঙ্গা নুং, তা, তেন্না কদোনি। লান্না মশিন ওইবা, লাহোং লানফম লাল্লম থঙনা লাঙংবা সিপাহীশিংগী মথাঙদা কয়াবু কুইনা লেপ্পুগনি! চৌংগী নিংথৌশিংগী মকোক-চৎপা উথা-নিংথৌ মরোয়-নিংথৌ কয়া কোয়না ফাত্তুনা থোরী থাংতুন' পুরক্লে। লানগী উবাং থরাদি নেম্লে, চ'ননমক উংবদি নত্রে। সনাজাউবা লৈরি। কৈনা মচা পোক্লমদাই থোঙ্গ্লল মুখৎ-মুখত্তুনা মাঁঙি হায়রবগুম মহাক্সু থোঙ্গল মুখৎ-মুখত্তুনা হেক হেক মাঙ লাল তুংলি। তাথি অদুবু—

বলিয়সী স্পর্ধা

(অঙখদা লঙবা)

কারে সিফাইনা মতম থরগী মঙ্গংদা সনাজাউবা। মহাক হেক ফাবদা লোইরে লাল অদুম। মশা রাজবিদ্রোহী অমা ওইনা বিদ্রোহদা পান্নুনা বিচার তৌরে। মরাল লৈরে অদুবু মথন্নায়দি লৌত্রে। থারে মহক্তা ডায়েমগু মপুনশিংগীদমক, লোইখ্রে মশা কালাপানীদা অদুম।

মতম অসি ঐথোয় পেট্টিগ্র্যু স্কুলদা লৈরি। ইমুং মপাল, লৈরক কোনশাং, লৈপুং লম্মাঙ, তোরৈ তোর্কাল—মফম খুদিং লালগী ৱানা থল্লি। বেলুনগী, এরোপ্লেনগী, টরুপ্পি জাহাজগী ৱা' লোইবা লৈতে, তায় নোংমা-নোংমগী অনৌ অনৌবা অঙকপা', অথুকপা পাউ কয়া কয়া। বীররসনা মপুং চেন্নগা অদ্ভুত, ভয়ানক রস অনীনা ভিনবা শ্রব্যকাব্য ওইনা থোকথি। মতাং মতাংদা থুকথি, ঙকথি, হুন্ডাইথি—চুংথি তু, নীকথি থম্মোই, হ্বংথি শম। অদুবু থম্মোইদা অয়ো পানবমক্তি ৱুমগী ওইবনরা থঙদে হাওরালগী ৱামা হেক্তক চৎথি। ইশা অঙাং ওইরে ওইনা, মীওইবগী শিনিংদবা, উংনা পান্নিংবা হুংচত্তুনরা থঙদে, অহল অমনী তিন্দুনা লানগী ৱা ঙাঙনবগুম ভাবদা হাও-রালগী পাউ য়াওবরা ভাবা হেক্ত চৎলি। ইশানা কয়িগীনো হায়বা ইথঙ থঙদনা হিদা লালগী অশোক-অনা পুরকপা, লান ফাত্তুনা পুরকপা পুন্নমক চিথদনা য়েংঙি। পুনশিনা লীক্লাং-পরেং মতম থোংগ্রেংগী পরেং ওইরুবা, অরোইবা সোরনা তৎলফাও থোংগ্রেনা থংলোই লোইবা লৈরুবা, ল্যাংগোল

কয়া পোকপা শিবা অনী তুনা চৈনা চারকপা পূয়মক্সিনা লানগী অফানবা শকুমশিং অসি কিবোই হুণ্ডাইবোই য়েংনিংঙঙ্গম য়াই।

বায়স্কোপ—

চলচ্চিত্র মথল অমনি, অফানবা মশক্তি হায়বা অদুম মথংগৈ। লান্দগী থৌয় লৈবাক্তী মীপূম থরনা ঘডী মশক কাবক থংনবা হৌবগুম ইম্ফাল ময়োলগী মীপূম থরদংদনা লানগী হেক মতুংদা বায়স্কোপ থংবা হৌই। বাবু-পাডাগী বাবুশিংনা পুরকপনি। মথোয় লোইনা রাজকর্মচারী ওইবগা মতমগী ঊবাং থংবগা ঐথোয়গী নোংচুপথোঙ হাংবা পক্কুই কুইন্ত্রিবা ইন্দিয়ান ইন্দিয়াগী নোংপোক চিদাইদা, চৈংগী পল্লোম্‌ং অসিদা তাররবম্ ইস্রি অদুম বৃটিশ ইন্দিয়াদা মতম্‌। থাংলিবা থোঙথাং। অদুনা লৈনাক্লিগী চাওথং-থোঙথাংদা মথোয়গী শরুক লৈতবা নত্তে, ফনদুম চাউনা লৈরিবনি।

সিনেমা—চলচ্চিত্র—

বায়স্কোপ পুরকপদোনা পুবকথি চলচ্চিত্রম্ অদুম, মূকচিত্রনি। জর্মণ-লাল উংলি। অতিয়াগী লাল্লা মপূংন। বোলুন, এরোপ্লেনগী লাল্লোং নীংথিনা উংলি। মথোয় বোলুনগী লাল্মী অয়াম্বা শি। অদুগুম এরোপ্লেনগীম্ শিবনা নম্মি। প্লেনগী লানফম অমগী অৱাবা দৃশ্য অমা ভসিফাওবা কাউদ্রি। প্লেন মী অনী ভোংঙি। বোম থাধরুবা হল্লকপদা য়েৱবগীনা তানশিংক্লে। প্লেন হিংনবা অনীম্বা নীপাদু বিদায় তৌরম্গা চোংথদুনা শিপ্র। অদুবু তুংগীনা পাইলোটতু কাপতুনা প্লেনগা কবিগা অদুম তারে. শিবে। অছানবগী নিপাদুগী মথোনা, মরৈবাক মজাতিগী প্রেম, অশিববু থোনা মায়োরঙনা তগাই জয় তৌথিবা ভাবুকী থখোই লোইনা শুমথি। চুম্না শুমথিদ নত্তে, কামথিবগুম তৌথি নাকোং খুদিংদা স্বদেশ, স্বজাতিগী প্রেমগী দীক্ষামম্ ফাথি নোংমা অ মরৈথংদনি, বাঙ্গলাগী কবিতা হায়বদি তারে, অনুবাদদি মাল্লি, অমগী আবৃত্তি। জোনষ্টোন স্কুলগী চহীগী প্রাইজ পীবদনি। কখজীরন্দা মশাগী স্কুলদা ওজা ওইথিবা, হায়স্কুল ওজাগী রাষ্ট্রপতিগী এৱাঙ ফংথিবা হৈক্রুজম নবকান্তনা থীবনি—

আমি চাই মহতের মহত্ব পরাণ

... ...

নীংশিংথি হায়না নিয় প্রাথমিক পাঠদা হৌথিবা লানফমগী য়াথী মতাংদা থমোই পোক্লা হুংশিবা। মতম অদুদদি লানকমগী মফিংহ জেনেরেলগী মফিংহ থঙলম্মি। হৌজিক্কি কাউরে। লাম্মি বুটিশগীনি। জেনেরেল ভুয়ে, ঈ থীনা থোকমনথিবনা ঈশিং থীনা কৌই। মথোয় অমনা য়ানা থিক্তু পুরকই। থকে হেক ভৌরকপদা লাময়া তুরবা মথোয় অমনা মিতানা য়েংবা উথি। "মহাক য়ায়া থোরাংনা উরে, পীরুচো" হায়া লাম্নোকখি। তানথি জেনেরেল ঈশিং থোয়াং থোয়াং অয়োইবা য়াহিপ। নীংশিংথি অমুক হায়া মথংদা মুক-চিত্রগী য়োমবান্সী অথোবগী অথোবা শাজং, অথোবা ত্যাগ। তাথিবস্তুম ভৌথি থজিক্কং অচাং-ওইবা থমোইদা অচোবা থমোই অনীশিগী মশেক মতাল। থম্বিংগুম ভৌথি মথোয় অচোবা মীওইপোকশিংগী অয়বা মতায়া শংদোকই থায় মীওইবা ঐথোয়গী অমবা থমোই।

"Lives of great men ennoble our heart"

সদ্বাক্য—অখণ্ড-অউনিংগী জ্ঞান-পোকপা চংলোই মপাউ, সচ্চিত্র—অয়েংবগী থমোইগী গুণ ফুদোকপা থুংরেক, সদ্গ্রন্থ—পাবদা কোকৌ থমোইগী অর্থথিবকৌ বিকাশ ওইনবা লাইরিক, সদ্গল্প—তাবদা য়াথল, ফিদম ফজবা য়ায়ী য়াতাই সৎসঙ্গ—অফবা সদগী মহং চাদ্রি। মীবু মী ওইনবা শেমদা মথোয় থৃষ্টিমক য়াই চাউনা শরুক। লৈমিরশিনি অহুনোং মীপুম খুদিংমা পুনশি লমতাকপা কবিগী মপাউ—

"মহাজনঃ গতো যেন পন্থা"

চৎলু লীয় মহৎশিংগী খুনাম
ওইনি মী চানি পোয়রোই পোক্লমন।

